

গীতাগী রাখল

যোগেন্দ্রজিৎ সিংহ

১৯৬৮ ইং

প্রকাশক :—

১ । শ্রীমতী তেলেম ওংবী ইবেমনুংশী দেবী ।

২ । কুমারী তেলেম সবিতা দেবী ।

কৈশামথোং হোদাম লৈরক, ইম্ফাল ।

প্রথম সংস্করণ

১৯৮৫ ইং

কপী ১০০০,

স্বত্ব পুস্তক প্রকাশকীগি ।


মুদ্রক :—

মণিপুর গীতা প্রেস

শিংজমৈ বাজার, ইম্ফাল ।



सर्वधर्मान्परित्यज्य मामेकं शरणं व्रज।
अहंत्वा सर्वपापेभ्यो मोक्षयिष्यामि मा शुचः॥
गीता. १८-६६॥



৺যোগেন্দ্রজিৎ সিংহ

(পোকপা তাং ১৫ | ৬ | ১৫ ইং, শিবা তাং ১৪ | ১২ | ৬৫ ইং)

সূচীপত্র

ইহরম		লামান্ন

ভূমিকা

ওঁ নমো ভগবতে বাসুদেবায়

"শ্রীমদ্ভগবদ গীতা" শাস্ত্র পুন্নমক্কী থোইদোক হেন্দোক্লা মমিং চৎলবা লাইরিকনি। ধর্ম্ম শাস্ত্র পুন্নমক্কী মূল তত্ত্ব য়াওবা মরমনা সমন্বয় শাস্ত্র কৌই। পৃথিবীগী মনুংদা মীওইবনা চৎনরিবা ধর্ম্ম সম্প্রদায় পুন্নমকনা গীতাবু লুনা তৌদবা য়াওদে। জাতি পুন্নমক্কী মরোলদা হন্দোকনতুনা হন্না হন্না চর্চ্চা তৌনরক্লি। ভারতকী মহাপুরুষশিংনা গীতাবু কর্ম্মগী লমজীং, ভক্তিগী চন্দন অমসুং তত্বজ্ঞানগী থাওমৈ ওইনা নিংনরকলি। ব্যাসদেবনা ইরম্মী— "মতুদি গীতা নীংথিনা তমলগা অতে শাস্ত্র অমা অমুক শন্দোক্লা তমনুগদবা লৈত্রে। মরমদি গীতাদি শ্রীহরিগী মুখপদ্মদগী চেম্বরকপা অমৃতগী মশক ওইবা বাণীনি।" শাস্ত্র পুন্নমক্কী সারাংশ ওইবা মরমনা মখল-মথা অয়াম্বা ভাষ্য, টীকা ইন্নরি। শ্রদ্ধা ভক্তি তৌবদা মতিক চারবা জগদ গুরু শঙ্করচার্য্য, শ্রীধরস্বামী, মধুসুদন সরস্বতী, লোকমান্য তিলক, মহাত্মা গান্ধী, শ্রীঅরবিন্দ, আচার্য্য ভাবে, স্বামী শিবানন্দ সরস্বতী, ডাক্তর এস রাধাকৃষ্ণনচিংবা আচার্য্যশিংনা ইতুনা শন্দোকপীরিবা গীতাগী জ্ঞানধারা অতুগী মতেং লৌজরগা লেখক্কী বুদ্ধিনা শোক্কচবা চুম্বা শ্রদ্ধাঞ্জলি খরা লৌখৎচতুনা ঈমারোলদা তর্পণ কচ্চবনি। থমোয়না পামজবা, মুমিৎ পুদিংগী স্বাধ্যায় তৌজবা শাস্ত্র অমা ওইবনা ঈশাগী অধিকার য়েংদনা… খ্বাইদগী হেন্না লুরবা শাস্ত্র অসি ইজরুই। সংস্কৃত নীংথিনা হৈত্রিবা অতোপ্পা লোল অমা মপুং ফানা খংদ্রিবা নহারোলশিংনা পাবদা খুদোং চান্নবা অমসুং অধ্যাত্মিক শাস্ত্রগী লমজীং অমা ওইনবা খল্লুবদগী মথক্তা শীংথাক্তখিবা মহাপুরুষশিং অসিগী গীতাগী ভাষ্যশিংদগী থরায়না তাজবা খরদং লৌখৎচরগা শন্দোকচবনি। থোইদোকপা হীরম অমনা মণিপুর গীতা মণ্ডলগী সভাপতি পণ্ডিত শ্রীশিবদত্ত শর্ম্মা তর্ক তর্ক তীর্থনা মরক মরক্তা লেখকপু গীতা ভক্তশিংগী মমাংদা প্রবচন পীহল্লি। মতুদা ইথৌদাং অমা ওইনা গীতাগী অধ্যায় খুদিংমক খরা নৈনজখি।

"জ্ঞান নজ্জদা শ্রদ্ধাঞ্জলি কৎপা ভগচন্দ্রবা গীতাগী শিক্ষা গুরুদি শ্রদ্ধেয় পণ্ডিত অসিনি। দোষ পুম্নমক ঈশাগীনি। লৌখৎপীগদবা শরুক হোৎজরিবা পুম্নমক ঈমাদোনগী অমসুং স্বদেশবাসীগী সেবানি হায়না লৌবগনি। মরম অসিনা গুরুদেবনা আশীর্ব্বাদ পীবিয়। মহারোগ-শিংনা পাবীদুনা পুক্নিং খোনংপীনু হায়না প্রার্থনা তৌজরি।

তাং ৩১।৩।৬৫ ইং
প্রাকৃতিক আরোগ্য ভবন
ইম্ফাল,

খ্বাইগী সেবক
লাইরিক লেংবা

কৃষ্ণং বন্দে জগৎ গুরুং

ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা গীতাগী গুরুনি। অর্জ্জুননা শিষ্যনি। বেদ বেদান্ত অমসুং উপনিষদনচিংবা শাস্ত্রশিংগী আদেশ (য়াথং), উপদেশ (পাউতাক) অমসুং অনুশাসন (তৌথংবা অমসুং তৌহনদবা অমদি তৌরোইদবগী মসুংদা তৌগদবা অমসুং তৌকম থোকপগী মসুংদা তৌরোইদবা) অকুপ্পা বারোল পুম্নমক শ্রীমদ্ভগবদ গীতাদা শুপচন্না তাকপীরি। মরম অসিদগী গীতাবু "সর্ব্ব শাস্ত্রময়ী" কৌই। গীতাগী মতিক মগুণ শীংথানিরবপদা ময়েক শেংনা ইরি। মহুদি—উপনিষদ পুম্নমক্কী মচা ওইবা শরুক মথেনা যগবী অমা ওইংল্লগা শ্রীগোপালকৃষ্ণনা গীতা অমৃতগী মশক ওইবা শঙ্গোম শুমথগদৌরি। তত্ত্বজ্ঞান থোরাংলবা অর্জ্জুননা যগনাওনচা শারি। সুধী ওইরবা ভক্তশিং (পুক্নিং ইন্দ্রিয়শিংগী অপাম্বা পুন্নমক থাদোক্নুনা পুকচেল ফাবা ওমলবা সাধকশিং) বু পীথকনবগীদমক শুমথরকপা জ্ঞানগী ধারানি। মরম অসিদগী শ্রীকৃষ্ণদ্বৈপায়ণ ব্যাসদেবনা শ্রীকৃষ্ণবু জগৎ গুরুগী শক্তম লৌদুনা "কৃষ্ণং বন্দে জগৎ গুরুং" হায়না প্রার্থনা তৌজরি।

জীবদি ঈশ্বরগী নিত্য অংশনি। জীবশিংগী হৃদি মন্দিরদা ঈশ্বর লেংদনা লৈ। জীব পুম্নমক্কী অন্তর্যামী ওইবনি। মীওইবনা তৌরিবা থোরম্ কর্ম্ম পুম্নমক্কা অফ ফত্তা মহৈ ফল পীনরি। জ্ঞান পুম্নমক্কী থোকমনি। অতম ওইনমক মায়াগী মমনগা ফীজংনা জীববু শুমংভুনা থমখিবা মরমদগী হৃদি পদ্মদা খুপ্পুনা লৈরিবা সচ্চিদানন্দ স্বরূপ অদু কাওংল্লি। কর্ম্মগী মথা পোল্লিবা জীবনা মশীং লাকওমদ্রবা মপোক্কা কয়ারক হন্না পোকল্লুরবগী তুংদা ঈশ্বরগী কৃপাদগী মীগী মপোক ওইনা পোকচবা ফংই। লাইবক ফবা থরনা সদগুরু (মতিক চাবা গুরু) অমসুং শাস্ত্রদা থাজবা (শ্রদ্ধা) পোকলকই। শাস্ত্র অমসুং গুরুনা তাকপী তম্বীবা পুম্নমক মথন্তনা হন্না হন্না বিচার তৌরকপা মতমদা হৃদি মন্দিরদা অন্তরাত্মা ওইবীদুনা লৈরিবা ঈশ্বরনা তত্ত্বজ্ঞান পুম্নমক ওালহনবী-রকই। হৃষিকেশ হায়বদি ইন্দ্রিয়শিং অমসুং পুক্নিংগী মপু ওইরিবা শ্রীকৃষ্ণবু খংনগনি। মরম অসিদগী জীব খুদিংমক্কী বুদ্ধিদা খুপ্পুনা লৈরিবা

জ্ঞান স্বরূপ ওইবা শ্রীকৃষ্ণবু "জগৎগুরু" কৌই। অবতার তত্বগী মরমদা শ্রীমদ্ভাগবত মহাপুরাণনচিংবা শাস্ত্রশিংদা য়াওরি। মত্তুদি থেংলবা অহিং নোংয়াইদা কংসগী গুকলবা কৈগুম শংদা কাজল্লুনা থমলিবা বসুদেব অমসুং দেবকীগী মমাংদা শ্রীকৃষ্ণনা মচা ওইনা অবতার তৌবীরে। কৈগুম-শংবু শংলিবা হিংচাবাশিংদো ভগবাননা আর্বিভাব ওইরকপা (কোংদোক-লকপা মতমদা) থংহৌদনা য়াম্থত্নুনা তুমখি। অমসুং পৌরোল চেংনা লোল্লুনা থমলিবা থোংশিং মথন্তা হাংদোকচখি। অধ্যাত্মিক তত্ব বিচারদা মপুক্লিং লুপ্না কাংবুনা উপনিষদকা চানংল্লুনা (সমন্বয় তৌদুনা) পৌরাণিকী য়াথম পুম্নমক মতৌ অসুম্ন হন্দোকলি। কংসগী কৈগুমশং ময়ামনা খুমহত্নুনা থমলিবা মীওইবগী পুল্লিবু খংনগনি। বসুদেবনা শুদ্ধ সত্ব ওইরবা য়াখল হায়রদি সাধক অমনা সংসারগী মুংঙাইবা বিষয় পুম্নমক থাদোরক্লুনা ঈশ্বরগী তত্বদা পুক্লিং অমত্তা ওইশল্লকপা অত্তুবু বসুদেব হায়না খংনগনি। অত্তুগা মশাগী অপাম্বা পুম্নমক থাদোকচরগা ঈশ্বরদা ভক্তি লৈজরবা নিষ্কাম ভক্তিবু দেবকী কৌই। হীরম খুদিংমক্তা ঈশ্বরদা কৎথোকলবা "বুদ্ধ যতেইন্দ্রিয়মনোবুদ্ধি মুনিমোক্ষপারায়ণ"—গীতা ৫।২৮। (ঈশ্বরার্পিত বুদ্ধি)না দেবকীগী শঙমনি। অহিং নোংয়াই-অবিদ্যা মায়া (Nescience) পু খংগনি। সাধনা মপুং ফারকলবা মতমদা সাধক অমগী অন্তকরণ (পুক্লিংগী কেন্দ্র)দা শুদ্ধজ্ঞান ফাউরকই। মত্তুবু গীতাগী লোন্দা যোগ তৌজরগা ফাউরকপা "যোগেশ্বর কৃষ্ণ" কৌই। ইন্দ্রিয়শিংগী থোংদা শুদ্ধজ্ঞান ফাউরকপা মতমদা অপাম্বগী বাসনা পুম্নমক মাংখিদুনা হাংলকপবু কৈগুমশংগী থোংগী পৌরোন হাংদোকলকপা কৌই। জীববু ফাজন্দুনা লৈরমলিবা তমো অমসুং রজোগুণগী মশক ওইবা আসুরিক বৃত্তিশিং অদুবু কৈগুমশং শংলিবা হিংচাবা হায়না খংনগনি। জ্ঞানউদয়-আত্মজ্ঞান ফাউরকপা মতমদা বিষয়জ্ঞান পুম্নমক লুপথখি। কংস হায়রগা ধর্মগী সাধনবু য়েংখিবা অমসুং ওয় তৈনবা রজোগুণগী মশক ওইবা মীওইবগী মশাগী—নাপল অভিমানবু খংগনি। মচন মুপী পূতনাবুনা মীওইবগী থমোয়দা চুদুনা মতম কুইনা লৈরকলবী মূল অবিদ্যা মায়াবু খংনগনি।

অহানবদা অমৃতগুম ওইহল্লগা মমৈথংদা হু ওমহনবা অবাবা পুম্নমক্কী মরু ওইবা অবিদ্যা-মায়ানি। মদু জ্ঞানী অমগী মকখদা চংলুবা ঙমদে। মাংহনা তোকই। গোপাদ কৃষ্ণনা অবিদ্যা-মায়াবু মাংহল্লি হায়বনি। শুদ্ধজ্ঞান কাউরকলবা মতমদা মূল অবিদ্য-মায়া মথন্তা মাংজখি। মথং মথং জ্ঞান-ইন্দ্রিয়শিং, পুক্নিং লৌশিংদা লৈরবা আসুরিক বৃত্তিমখৈ মাংহল্লগা কাইন-খংদা লাকগুম কাওমন্রবা অভিমান ইশাগী নাপল অহংকারবু বিবেক অমসুং বৈরাগ্যনা মাংহল্লি হায়বগী রূপকনা (পাইনা) কংসবু কৃষ্ণ অমসুং বলরামনা মাংহল্লি হায়না খংনগনি।

মহাভারতকী লানকমদা কুরুক্ষেত্র—অশেংবদি পুনসিগী লানকমনি। হকচাংনা রথ দোলাইনি। ইন্দ্রিয়শিংনা রথ চিংদুনা পুরিবা শগোলশিংনি। পুক্নিংনা শগোলগী খুজিনি। ইন্দ্রিয় পুম্নমক্কী মমাই লৈকমনি। বুদ্ধিনা সারথি শাথোবনি। জীবাত্মানা অর্জ্জুননি। ইশাগী নাপল, কত্তবা পুকচেল, অপাবা শাওনিংবা মিংোবা, কল্লকপা তৌনশনবা, মীনবা পুম্নমক কৌরবকী লান্মীশিংনি। পুক্নিং অমসুং ইন্দ্রিয়শিংবু নীংথিনা লাকশিনবা ঙমলবা মতমদা ঐখোয়গী বুদ্ধিদা থুপ্পুনা লৈরিবা অনুভবসিদ্ধ শুদ্ধজ্ঞান খমোয় সুংদা মথন্তা কাউরক্কনা ভাল্লকপা অশেংবা ম বা জ্ঞান অদু ঐখোয় পুম্নমক্কী গুরুনি। জ্ঞান অদুগী পাউতাক মতুংইন্না পুনসিগী লানকম খেংনরবদি শোয়দনা লানগুম কীরান খেংপা ঙমলকই। মদুবু যোগীশিংনা অন্তরবানি (Inner voice) কৌই। মদুগুম্বা মী অমা ওইবা ঙম্নবগীদম কা হৃষিকেশ কৌবা ঐখোয় পুম্নমক্কী বুদ্ধিদা সারথি ওইবা জগৎগুরু শ্রীকৃষ্ণদা চংজগদবনি। অমসুং ইবুংঙো মহাক্কা লমজিংবা মায়গৈদা চৎচগদবনি। কর্ম্মযোগ ভক্তিযোগ অমসুং জ্ঞানযোগ অহুমমক মথংশিংনা মল (পুক্নিংগী অমোংপা), বিক্ষেপ (ইচোই চোইবা) অমসুং অবিদ্যা (আত্মজ্ঞান য়াংপা) অহুমবু কোকহল্লগা শ্রীকৃষ্ণদা শরণ তৌজবা ঙমলকই। মদু গীতাদা মমেক শেংনা তাকপীরি। ইতি—

শ্রীকৃষ্ণঃ শরণং মম॥

প্রাকৃতিক অরোগ্য ভবন
ইম্ফাল

শ্রীযোগেন্দ্রজিৎ সিংহ
তাং ৩১।৩।৬৫ ইং

গীতাগী ৱাখল

ৱাহৌদোক

গীতা প্রস্থানত্রয়ী বিস্তাগী মনুংচনবা শাস্ত্র অমনি। প্রস্থান ত্রয়ী হায়রগা (১) উপনিষদ (২) ব্রহ্মসূত্র (বেদান্ত) (৩) অমসুং গীতা অহুমবু খংনগনি। উপনিষদ হায়বদি বেদবু কর্ম্মকাণ্ড, উপসনাকাণ্ড অমসুং জ্ঞানকাণ্ড হায়দুনা শরুক অহুম থোক্লা খাইদোক্লগা জ্ঞানগী শরুক অদুবু উপনিষদ কৌই। ঋষিশিংনা যোগ সমাধি তৌদুনা ফংলকপা জ্ঞান অদু মতিকচাবা শিষ্যশিংদা হেক হেক তাহল্লম্মী। শিষ্যশিংনা মদু চিনফা পুনরম্মী। মরম অদুনা "শ্রুতি" হায়নসু কৌই। থায়নগী মুনি ঋষিশিং অদুনা মহাক মহাক্কী গুরুশিংনা তাকপীরম্বা জ্ঞান অদুগী মতুংইন্না মশা মশানা সাধন তৌরগা গুরুশিং অদুনা কাবা ঙমলম্বা অথোইবা ফিবম "সমাধি" তৌবা ঙমলম্মা। বেদবু "অপৌরুষেয়" কৌই। (মী অমনা লেংবা লাইরিক নত্তে)। ঈশ্বরমক্কী বাণীনি। হায়বদি অহানবদা গুরুনা তাকপীরিবদু থাজবগা লোয়ননা মুন্না তাদুনা ফারগা মথংদা মশা মথন্তনা তাকপীরিবদু হন্না হন্না ঔরাইদুনা থংনবা হোৎনরম্মী। থংলবা জ্ঞান অদুদা ৱাখল পুম্নমক লুপসনদুনা মতম চুপ্পদা কাওদনবা হোৎনরম্মী। মসুম তৌদুনা তাকপী তম্বীরবা অমসুং ঔরাইদুনা হৈরবু "শ্রবণ" (তাবা) মনন (ৱাখল তৌবা); অমসুং নিধিধ্যাসন (ৱাখল অদুদা লেপ্তুনা অমত্তা ওইনা ধ্যান) তৌনরম্মী।

উপনিষদপু "শ্রৌত প্রস্থান" কৌই। মরু ওইনা ব্রহ্মচারী ব্রত তৌদুনা গুরুগী নাক্তা লৈরগা গুরুনা খুদম কয়া পীদুনা

পাওতাক কয়া তম্বারকই। মথং মথং ওইনা শিষ্যশিংদা গুরুনা তাহৌত্নুনা তম্নরকপা জ্ঞানগী শরুক অসি য়াম্না শমজিন্না থংবদা মুংঙাইনবা য়াহৈ খন্নদং শুপচন্না "সূত্র" (aphorism) শেমলগা চিনফা পুনরম্মী। চিনফা পুরিবা সূত্র অত্নুদা শিষ্যশিংনা পাক চাওনা য়াখল তৌনবগী থাক অমমম ওইহল্লম্মী। অতুগী তুংদা য়াখল অতুনা জ্ঞানগী সিদ্ধান্ত অতু লেপ্পা ওন্নরম্মী। মতৌ অসুম্না সূত্র ওইনা তারগা তম্নরকপা মওং অসিবু "নৈয়ায়িক প্রস্থান" কৌই। উপনিষদ অমসুং দর্শনশাস্ত্র অসি মীপুম খুদিংনা লৌশনবা ওন্নরক্রবা মতমদা মুংঙাইবা য়ারী শিংবুল অমসুং ফীদম পীত্নুনা পুরাণ শাস্ত্রগী মন্নুংদা ব্রহ্মজ্ঞান অসি খংনবা হোংনরকই। গীতা মহাভারত পুরাণগী মন্নুং চনবা শরুক অমনি। পুরাণদা তাক্লিবা ব্রহ্মজ্ঞানবু স্মৃতি হায়না খংনৈ। উপনিষদ, দর্শনশাস্ত্র অমসুং পুরাণদা তাকলিবা পুম্নমক অসিগী তত্ত্ববিচারদি অমত্তনি। মরম অসিদগী গীতাগী অরোইবা অধ্যায় খুদিংমক্তা— "ইতি শ্রীমদ্‌-ভগবদগীতাসু উপনিষদসু ব্রহ্মবিদ্যায়াং যোগশাস্ত্রে ভীষ্ম পর্ব্বানি ....যোগ নাম" হায়না ইরি।

প্রথম অধ্যায়

অর্জ্জুন বিষাদ যোগ।

গীতাগী অহানবা অধ্যায়গী মমিং 'বিষাদ যোগ' কৌই। বিষাদকী চপ চাবা অর্থদি— পুক্নিং ৱাবা ওন্নতৈন্নবা "যোগ" হায়না হনবা য়াই। অহানবা অধ্যায় অসিদা শ্লোক নিফুতরুক থকনি। ইহান হানবা শ্লোক অসি "ধৃতরাষ্ট্র উবাচ" হায়না হৌই। গীতাগী শ্লোক চাতরেৎকী মনুংদা ধৃতরাষ্ট্রানা হায়বা শ্লোক অসিনা অহানবা অসুং অরোইবনি: অদুগা গীতাগী অধ্যায় পুন্নমক্কী অরোইবদা ইরি মদুদি—"ইতি শ্রীমদ্ভগবতগীতাসু উপনিষদসু ব্রহ্মবিদ্যায়াং যোগশাস্ত্রে শ্রীকৃষ্ণার্জ্জুন সংবাদে………. যোগ নাম ……….অধ্যায়" হায়না। অর্জ্জুন উবাচ নত্রগা কৃষ্ণ উবাচ হায়না হৌদ্রিবসিগী রহস্য অমা লৈকম থোকই। গীতা শাস্ত্র অসিগী মনুংদা হংবা খুম্বা তৌনরিবসি ধৃতরাষ্ট্র অমসুং সঞ্জয় অদুগা কৃষ্ণ অমসুং অর্জ্জুন অনিগী মরক্তনি।" মসিনা গীতা শাস্ত্রগী ৱাহৌদোকনি। মরম অসিনা ধৃতরাষ্ট্র হায়বসি কনানো? করিগীদমক্ত মহাক্না গীতাগী ৱা-হৌদোকপা মী অমা ওইহল্লিবনো হায়বসিনা ঐখোইগী ৱাখল খন্নবগী অহানবা থাকনি। অনিশুবা শ্লোক্তা সঞ্জয় উবাচ হায়রি। সঞ্জয় হায়রিবা পাত্র অসি কনানো হায়বসি খংফম থোকই। মহাভারতকী মনুং চনবা "সর্ব্বশাস্ত্রময়ী" (শাস্ত্র পুন্নমক্কী মচী ওইবা ব্রহ্মবিদ্যা) তাকপদা গীতাদা মপুং ওইরিবসি ধৃতরাষ্ট্র, সঞ্জয়, অর্জ্জুন—শ্রীকৃষ্ণ, দুর্যোধননচিংবা পাত্রশিং অসিনা মকোকনি। অতৈদি মমিং পল্লবসু থোইদোকপা মখোইদগী শব্দোকপা য়াবা অমসুং খন্নবদা মতিক চাবা ৱা মপুং ওইনা ৱাওঙে হায়রবা য়াই। মরম অদুনা মহাভারতকী পাত্র অমা ওইনা

মহাক্কী পুকচেল খোইজেল (স্বভাব), চরিত্রগী মরমদা ব্যাসদেবনা কমদৌনা য়েকলম্নগে ? থোল্লিবা মমিং অসিনা মহাক্কী মথিক মগুণ করি ফোংদোকলিবগে ? অমসুং অধ্যাত্মিক অর্থদা মহাকপু করি খংনরিবগে ? হায়বসি থিরসি। ব্যাসদেবনা মহাভারততা হায়রি ইরি—মতুদি ঃ—মহাভারত জয় শাস্ত্রনি। ধর্ম্ম অমসুং অধর্ম্মগী পক্ষ অনিগী মরক্তা শোক্লবা লালগী রারিনি। পক্ষ অমমমদা য়াওরিবা পাত্রশিংগী মতুংদা মকোক ওইবা পাত্রশিংগী মশক তাকলি। মতুদি —

দুর্যোধনো মন্যুময়ো মহাদ্রুমঃ স্কন্ধ কর্ণ শকুনিস্তস্য শাখা
দুঃশাসনঃ পুষ্পফলে সমৃদ্ধে মূলং রাজা ধৃতরাষ্ট্র অমনীষী।
যুধিষ্ঠির ধর্ম্মময়ো মহাদ্রুমঃ স্কন্ধ অর্জ্জুনো ভীমসেন তস্য শাখা
মাদ্রীসুতৌ পুষ্পফলে সমৃদ্ধে মূলং কৃষ্ণো ব্রহ্মচ ব্রাহ্মণাশ্চ॥

অর্থ—দুর্যোধন নিংথৌনা অধর্ম্মগী চাওরবা উপালনি। কর্ণনা উপাল অসিগী মউনি। শকুনিনা মশামরেংনি। দুঃশাসননা উপাল অসিগী মপাল অমসুং মহেনি। অধর্ম্মগী মশক ওইরবা উপাল অসিবু চাউখৎহল্লিবা মরূনা রাখল থেনবা ধৃতরাষ্ট্র নিংথৌনি। অদুগা যুধিষ্ঠিরনা ধর্ম্মগী মশক ওইবা উপালনি। অর্জ্জুননা মউনি। ভীমসেননা মশামরেংনি। নকুল সহদেবনা মপাল অমসুং ধর্ম্মগী উপাল মসিবু য়োকখৎলিবা মরূনা বেদ অমসুং ব্রাহ্মণ হায়বদি ব্রহ্মজ্ঞান অমসুং ব্রহ্মজ্ঞান অদু গুাক্তুনা চৎলগা শক্লো-কলিবা মীশিং অদুগী কান্নবা তৌরিবা শ্রীকৃষ্ণনি।

মথক্তা ব্যাসদেবনা পীথিবা অধর্ম্মগী পক্ষদা সঞ্জয়বু শিংথাদবা য়াওদে। অদুমনদি ওইরগা সঞ্জয়দি পক্ষ অনিমক্তা শিংচং মিথাই নাইবা, ইন্দ্রিয় থুদুম চনবা ওমলবা, অমসুং ঐ অমসুং ঐগী হায়বা

রাখল লৈতবা মুপা অমনি। মীনা হৌবদা অচুম্বদা খুমজগদবা পুক্চেল ইন্দ্রবা ইন্দ্রিয় খুচুম চনবা শুমলবা পাত্র অমনি। মহাকপু ব্যাসদেবনা মতিক চাবা মী অমনি হায়বা খংচুনা দিব্যচক্ষু (জ্ঞানচক্ষু) পীচুনা মহাভারতকী লানফমদা থোকলিব থৌদোক খংদিংমক ধৃতরাষ্ট্রদা রাখি লীইরি। মসিদগী ঐখোইনা খংলে। মচু দি--ধৃতরাষ্ট্র হায়বসি মমিং তাংলবা অমসুং ঐগী মীগী হৌরছুনা য়াম্না খাইবা, মশাগী ওইজবা য়াম্না খনবা, মহাকী হকচাং অমসুং মহাকী হকচাংগী মরী লৈনবা পেক্লা মপুক্তিং লুপ্না, তমোগুণনা হেনবা পাত্র অমনি। শম্না হায়রবদা রাখল য়াম্না খেনবা (অজ্ঞানগী) মশকনি। ধতরাষ্ট্রগী অর্থনস্থ কোংদে কলি। মচুদি মহাক্না হকচাংগী মশক ওইবা রাষ্ট্র (লৈবাকপু) ধারণ তৌচুন লৈবা হায়বনি। হকচাং—অসি ঐনি। হকচাং অসিগীদমক্তা অচুম অরান থিবদা মুংঙাইনবা হোৎনগদবনি হায়না খংবা পুক্চেল অচু—ধৃ—ধারণ = খনবা রাষ্ট্র-হকচাংগী মশক ওইবা—লৈবাকপু হায়বদি দেহ অমবু ধ-হকচাংগীদমক্তা য়াম্না কা হেন্না খনজনবা মমিং তাংলবা-রাখল লৈতবা (অজ্ঞান)গী মশক ওইবা পাত্র অমনি। অচুগ সঞ্জয় = সম — নিংথিজ 1, জয়তি—ইন্দ্রিয় জয় তৌবা ওয়বা বিবেক অমসুং বিচার লৈরবা হায়বনি। মরম অসিনা তমোগুণনি। মপুং ওইনা লৈয়বা মীনা জ্ঞান লৈতবদগী বিবেক অমসুং বিচারগী পাস্থে লৌরক্তবা য়াদে। আত্মজ্ঞান য়াওরবা হকচাং অসিগীদা খল্লবা মী অমনা পুনশিগী লানফমদা তৌরু তৌরবা থবক্তা বিষাদ-(অরাবা পুক্নিং মুংবংলবা) ওাক্তা ওইরকই। মতম অচুদা বিবেক বিচারগী মতেং লৌরক্তবা য়াদে। অরাবা পুক্নমক অজ্ঞানদগী পোকপনি। অরানবা লম্বাদা চংলকলিবসিম্নু জ্ঞান লৈতবদগী পোকপা ওাক্তনি।

অজ্ঞানগী মশক ওইবা ধৃতরাষ্ট্রনা দুর্যোধন, দুঃশাসননচিংবা ম্ম (কন্নবা) চাম্না পোকখি। অমসুং অধর্ম্মগী মশক ওইবা ধর্ম্মগী বিপক্ষ মযাম পোকখি। অধর্ম্মনা মায়থিরকপা য়াই হায়বসি অয়াম্বা মতমদা মুংশা থিকমনি। মতম চুপ্পদা চিংনহুনতা লৈ। অদুগা দুর্যোধন = নিংথৌনি = অধর্ম্ম কৌবা উপালগী মশকনি। আম্মা লৈ; "আম্মাদি মা দে দেহদি কর্ম্মগী ফল মতুং ইন্না হন্না হন্না হেংই" হায়বসি খংদবা ইন্দ্রিয় পেলহল্লগা লোয়রে হায়বা পনবা রজোগুণগী মশক ওইবা মহাক্না লোয়ননা লাল তৌবা রাবা (যুদ্ধে দুস্কর) অদুবু দুর্যোধন কৌই। মহাক্না মহাক্কী লান্মী মশীং হেন্না লৈরবস্ম ধর্ম্মগা লানথেংনবা মপুক্লিংদা মহাক মায়থিবা য়াই হায়না খল্লুবদগী মুংশা থিদবা ওমদে। মুংশা থিবদগী তৌ-খুবা অরানবা থবক্কী শাস্তি ফংবা য়াই হায়না খল্লুবদগী মহাক্কী আচার্য্য গুরু দ্রোণাচার্য্যগী মফমদা চংশললক্লুনা হাইজরকই। দ্রোণাচার্য্য হায়রিবা অসিমক মহাক্কী পক্ষদা লৈদুনস্ম অর্জ্জুন-নচিংবা পাণ্ডব মওাবু লুনা তৌবা খুৎলাইগী গুরুনি। মরম অদুনা মশাগী ওইজবা মংনিংদবগী চিংন চিংননা লান্দা মহাক্কী অচেৎপা মিচং ওইবীয় অমসু ভম্মী হায়রিবা মবু থাবু শেনবীয় হায়জখি। মখোন অমসুং ভীষ্ম হায়রিবা অনি অসিদি মহাক্না মিচংদা লৈরবস্ম ---অমসুং মহাক্কী মকাদা লৈরবস্ম অরানবা নত্তবা থবক্তা পংশি শিজিনবা য়াদবা মহাকপু রারকপা ওম্বা নিংথৌ ওম্বা—অওম্বা ওাক্তনি। অদুগী মথক্তা পাণ্ডব মওাবু লুনা তৌবা ধর্ম্ম চুম্না ওাকপা মশাগী ওইজবা থাদোকপা তৌফম থোকপা থবক্তা তৌবা পাত্র অমনি। মরম অদুনা দুর্যোধননা মপুক্লিং রাবদগী অনি অসিনা কৈদৌরক্কদগে হায়বসি চিংনদবা ওমদে অমসুং মপুক্লিংদা মুংশা থিদবা ওমদে। মসিদগী ঐখোইনা খংলে মতুঙি

রজোগুণ হায়বসিনা মতম চুপ্পদা মপুক্লিং ইপা পাখৎপা পুক্লিং লৈতাদবা পুসিগী অকনবা লানফমদা লাপ্পোং শিনফম খংদবা অত্মজ্ঞান তানগদবনি হাযবা রাখল লৈতবা মতম চুপ্পদা ইন্দ্রিগী পেন্নবতা খনবা, মীকোক থোংনিবা, মীথোই মীহল্লিবা মহাকপু মীনা ইকাই খুম্নহল্লিংবা, অতাপ্পবু মতক্লা হায়বা খুদিংদা ওই-হল্লিবা মথক পোংবা মীনি হাযবসি কাওবা, মরল মথুম অমস্তুং মহাক্কী শক্তিনা মীবু মপুক্লিং তেহনগে খনবা, চাওথেকপা, লমহেনবা অরানবা থবক কয়ামরুম হালেংবা লৈতনা তৌগদবা পুকচেল্লনি। মহাক্লা ধর্ম্মগী মশক ওইবা লানফমদা মপুক্লিং লৈতাবা ওমদতুনা জ্ঞান লৈতবদগী তৌখিবা থবক ময়াম অদুগী মহৈ ফংলগদ্রা হায়বসিগীদমক্তা মপুক্লিংদা মুংশা থিখি।

অদুম শুরকপদা অর্জ্জুন= অর্জ্জুন পাণ্ডব মঙাগী অদুম শুরকপা পাত্রনি। মথক্তসু পনখে। যুধিষ্ঠির= ধর্ম্মরাজ হায়বসি ধর্ম্ম। অমস্তুং ভীম= ধর্ম্মগী মনাও হায়বদি ধর্ম্মগী য়াথং মতুং ইন্না অধর্ম্মবু মাংহনবা কল্লবা শক্তি— ধর্ম্মবল ধর্ম্মগী পাঙ্গলনি। অদুগা অর্জ্জুন= ধর্ম্ম অমস্তুং বলগী য়াথং ঙাকপা পুক্লিংগী ক্রিয়াশক্তিনি। অর্জ্জুনগী চপ চাবা অর্থসু= পুক্লিং শেংবা সত্বগুণগী মশকনি। তমোগুণগী মশক ওইবা ধৃতরাষ্ট্র অমস্তুং রজোগুণগী মশক ওইবা দুর্যোধনগী রা হায়খ্রগা সত্বগুণগী মশক ওইবা অর্জ্জুনগী রা মথং মনাও নাইনা ব্যাসদেবনা তাকলকই। অরাবা মখল অদুমনি। তমোগুণগী অরাবদি হকচাং অমস্তুং হকচাংগা মরী লৈনবা ওন্নতৈন্নবা রাখলদগী পোকই। অদুগা মুংঙাইরিবা ভোগ মাংলগদ্রা অমস্তুং মাইথীবা ফংলগদ্রা হায়বগী-দমক্তা অর্জ্জুননা রাদে মহাক্লা রারিবদি মহাক্কী মথক থোংবা লুনা তোগদবা ভীষ্ম, দ্রোণ অমস্তুং শাগে শাতে মচিন মনাও-শিংবু সংসারগী ভোগ ফল অসি ফংনবগীদমক্তা লানফমদা লান

খেংনগদৌরিবনি। ধর্ম্ম মাংতুনা তোক্লগদ্রা? অমসুং শংগৈ ময়েং তাৱগদ্রা? কত্রিম হায়বদি পুন্সিগী অকনবা লানফমদ, মহাক্কী মথৌ পাংথোকপদা মমাংদা লন্থেংনগে হায়দুনা লেপলম্বা ঐ হোংগুণ অমসুং রজোগুণ চেন্নবা শংগৈ নংতৈ মচিন মনাও করম্বা হাংকদগে হায়বসি খল্লুরগা লানফমদগী থাদোক্কদুনা লম্বোইদুনা ভিক্ষা তৌদুনা চাবনা হেন্না ফগদ্রা: হায়না রাখল পোল্লেপফম থংদদুনা মথন্তা সুংশো খিখি; পুক্চেল ফজবা ঐ অমসুং ঐগী হায়বা রাখলদি থাদোকপা ওমত্রিবা মী অমনা পুন্সিগী অকনবা অমসুং অৱাবা মতাংদা তৌফম থংদনা সুংশাথিবা অমসুং রাখল অসি মমশল্লকপা মওং শ্রদ্ধা ব্যাসদেবনা উৎপনি। অকনবা পুন্সিগী লানফমদি ধর্ম্মগী লৌফমনি। শৌববা, খল্লুবা অতুগী মতুং ইন্না ফল মহৈ চাগদৌরিবনি। মথম অদুনা কুরুক্ষেত্রসু কৌই। মীওইনা পোক-লগা মশাগী সুংওাইনবা তল্লিনা পুক্চেল অমা অমসুং আত্মাগী কাম্নবা তাল্লিবা কংবু অমা অনি পোকই। অনি অদুবু—প্রেয অমসুং শ্রেয় হায়না—মথংশিংদনা থেল্লি। দর্শন শাস্ত্রগী লোন্দা প্রেয় তাল্লিবা কংবুবু জড়বাদি (Materialist) কৌই। অদুগা শ্রেয়বু অধ্যাত্মিক বাদী (Spiritualist) কৌই: অর্জ্জুন অনিমক পামলক্তবা মী অমা ওইদুনা সুংবংনদুনা লৈরি। মহাক তশেংনমক জড়বাদী ওইনিংদ্রে অদুগা অধ্যাত্মিক তত্ত্বথিবা মী অমা ওইনিংলকলে। মশানা মশাগী সুপা থোক্কবা রাখলগী পোল্লেপফম থংদবদগী সুংশাথিবা মী অমা ওইরকলে। কমদো-ঙিগে হায়না খনদুনা পুন্সিগী লানফম ময়াইদা সুংবংনদুনা (বিষাদ) ওইদুনা লৈরি। মহাক্কী থমোইদা মওল মওল থাল্লি। মসিবু "সমুদ্র মন্থন" সমুদ্র নৈবা হায়না হন্নবা য়াই। ব্যাসদেবনা মমাংগী গুরুজনশিং হায়বদি ব্রহ্মজ্ঞান ফংলবা ঋষিশিংনা অকলম্বা

উপনিষদকী জ্ঞানগী পুকচেল মতুং ইন্না রূপক (পাৈই) অমমম্ম পীদুনা পুন্সি লানফমগী ফজরবা দৃশ্য অমা য়েকলি। অর্জুন জীবাত্মা (থরইনি) কৃষ্ণ—শুদ্ধবুদ্ধি তশেংবা জ্ঞানগী মশকনি। হকচাং—রথনি (দোলাইনি) শগোল মীওইবগী ইন্দ্রিয়শিংনি। শগোলগী চুকলিনা পুক্নিং মন (Mind) নি। পুক্নিংবু থুহুন চল্লিবা বুদ্ধি সারথী কৃষ্ণনা অর্জুনগী পুন্সিগী তুংনফম ওইরিবা হকচাং দোলায়গী শাথোবা (সারথী) ওইনা রূপক (মশক পল্লুনা) গীতাগী অহানবা ভূমিকা পীরি। পুনশিগী লানফমদা রাখল য়াম্না মুম্না তৌরগা মমাংদা লেপ্পুনা লৈরিবা য়েক্কবশিংগী মশক উরগা মথন্ত করি কমদোনা য়েক্কবা অনম্বুং খুদাং থিরা লাম্লোক-সিগে অমসুং মাংহনশিগে হায়বা রাখল তৌবদা মপুক্নিং অত্থু রাদবা ওমদ। তশেংবমক্তি—য়েক্কবা মখল অনিনি। মহুদি--মথক মওং নাইহুনা মাংদ লৈরিবা ধর্ম লৈতবা মশাগী সুংঙাইবা থিরিবশিং, অমনা মশামক্কী থগোয়দসু চুদুনা লৈবা ফত্রবা শাক্কং লমচং—ষড়রিপু হায়বদি অপাম্বা, অশাওবা, মিহোবা, কলকপা গয়াইকবা অমসুং নাপল অনিস্থু থুপ্পবা লানথেংনবনা রাবা য়েক্কবশিংগী মকোকনি। পুনশিগী লানফমদা আত্মাগী কান্নবা খল্লিবা মীনা অহানবদা মশাদা থুপ্পুনা লৈরিবা রিপু য়েক্কববু জয় তৌরগা অকোনবদা মপালগী য়েক্কবশিংবু মথং মথং জয় তৌনবা হোংনগদবনি। মরম অদুনা অহানবদা ইশাদা করি অশোনবা লৈরিবগে হায়বদু মুম্না রাখল তৌরগা থমোয়দা থুপ্পুনা লৈরিবা য়েক্কবশিংবু জয় তৌনবা রাখল তৌগনি। রাখল ইতৌ তৌদনা পুনশি লানফমগী লাম্লোং থংদনা লল চংলবদি—শোইদনমক অরাবা ফংগনি অমসুং মুংশা থিফন ওাক্তা ওইবা থোদোক কয়া থোক্কনি। মরম অদুনা মুক্তিগী মতেং লৌদনা য়ারক্তে।

ধর্ম্ম করিনো? হায়বসি খনবা হৌরকপদা সাধক অমনা মথন্তা রাদবা ওমদে। মরমদি ধর্ম্মগী তত্ব খংদব মীগী পুনশিদা অকোইবা অমসুং অরাবা থবক কয়ামরুম তৌখিবা য়াই।

মথৌদাং মশক খংদবা মীনা পুনশিগী লানফমদা চংশল্লু-রবদি অরাবগী শরুক্তা ওইগনি। অরাবশিং অতুমু মশানা রাখল তৌফম থোকই; অর্জ্জুন হায়বদি জীবাত্মানি হায়রখ্রে। জীবাত্মানা মহাক্কী মথৌ কর্ত্তব্য (Duty) মশক খংদবদগী অরাবা ওইরকসি। লামদ্রবদি চীঙ্গাক্কী মহাও অমসুং কাপ্পবা চপ মান্নবা ফংবা ওমদে। রাদ্রবদি সুংঙাইবা মশক খংদে। অর্জ্জুন হৌজিক জ্ঞান থিনা হৌরকদৌরি; গীতাগী অথোইবা শিক্ষাদি পুন্সিংগী অরবা (শোক) বুদ্ধিগী ওন্নতৈনবা রাখল (মোহ) কোরুবা জ্ঞাননি। অরাবা অমসুং অরানবা রাখল মাংহনগে হায়রবদি অহানবদা মথন্তা তুমিন্না রাখল তৌরগা মতিক চাবা গুরু অমদা আত্মজ্ঞান অসি তমগদবনি। তমদনা অমসুং হংদনা মশা মথন্তনা আত্মজ্ঞান অসি খংবা ওমদে। আত্মজ্ঞান হৈনবা পম্বৈ অমনা য়াম্না পুক্নং চংনা রাখল খনবা অমসুং মতিক চাবা রাহং পুথোক্কুনা গুরুদা হংবনি। ধৃতরাষ্ট্র অমসুং দুর্যোধন আত্মজ্ঞান অমসুং ধর্ম্মগী রা হংদে। অর্জ্জুনদি মপুক্কিং রাখদগী আত্মজ্ঞান (সিদ্ধান্ত) করিনো? কমদৌনা সিদ্ধান্ত অদু সাধন তৌদুনা (হোৎনদুনা) ফংগনি অমসুং আত্মজ্ঞান অদু ফংবদা মতিক চাবা মী অমা ওইনবা করি করি গুণ চেনগদগে? হায়বা পুন্নমক হংলকদৌরি। হংবা হৈবা খংনিবা মীনা আত্মজ্ঞানবু তানবা ফংই। আত্মজ্ঞান অদু ফংলগা অরবা পুন্নমক কোকপা ওমই। অরাবা পুন্নমক্কী হৌরকফমদি আত্মজ্ঞান লৈতবদগীনি। মদুবু সংস্কৃততা অজ্ঞান (Ignorance) কৌই। অরাবা কোকনিংবা মীনা অরাবা

পুন্নমকী মরূ অজ্ঞানবু মাংহন্নবা হোৎনকম থোকই হায়বসিনা গীতাগী অথোইবা পাউতাকনি ;

ধৃতরাষ্ট্র — অবিদ্যা মাযা

সঞ্জয — রাগদ্বেষ লৈত্রবা অমসুং মিচং মীথাই মাইত্রবা

দুর্যোধন — রজোগুণ লৈবা অভিমানী

অর্জ্জুন — সত্বগুণ পুকচেল শেংলবা

ধর্ম্মক্ষেত্র অমসুং কুরুক্ষেত্র — পুনশি

রথ — হকচাং

শগোল — ইন্দ্রিয়শিং

লাগ্মি — পুক্নিং

কৃষ্ণ — মীওইবগী হৃদিদা লৈবা শুদ্ধজ্ঞান।

ইতি— অর্জ্জুন বিষাদ যোগ নাম প্রথম অধ্যায়।

অনিশুবা অধ্যায়

সাংখ্যযোগ

অনিশুবা অধ্যায়গী মমিং “সাংখ্যযোগ” কৌই। শ্লোক মশীং ৭২ হুম্ফু তরানিথোইথকনি। অধ্যায় অসিগী মমুংদা ধৃতরাষ্ট্রগী ৱাহং য়াওদ্রে। সঞ্জয়গী ৩ (অহুম) অর্জ্জুনগী ৱাহং তরুক, কৃষ্ণগী পাউতাক ৬৩ (হুম্ফু হুমদোই থক) য়াওরি। অধ্যায় অসিনা গীতা কৌবা শাস্ত্রগী “সূত্র” (লংলা লংজিল) গী মশকনি। অর্জ্জুনগী পুক্নিং ৱাবা মহাকী কর্ত্তব্য (তৌগদবা মথৌ) অমসুং ভৌরিবা থবকশিং অতুগী লক্ষ্য থংনিংবনা মপুক্নিংদা লাংতক্নবা অতু উরগা

কৃষ্ণনা অর্জ্জুনগী অশোনবা অমসুং অৱানবা অদু থিন্দুনা তাক্লগা চুমথোক্কবা পাউতাক পীবিবি। অর্জ্জুন্দা মপুক্কিং ৱাবা অমসুং বুদ্ধিগী ওন্নৈতেনবা কোক্কবীদমক্তা পাউতাক পীবনা দ্বিতীয় অধ্যায়গী মক ওইবা ৱাফম নি। প্রথম অধ্যায়দা অর্জ্জুন্না তৌফম থংদবা মরমদগী সুংবংনবা অদু উৱগা কৃষ্ণনা অর্জ্জুনবু সাংখ্যযোগ হেক তাকপীদে। অর্জ্জুন্না ধর্ম্ম পামশল্লক্তুনা অফবা থবক্তি তৌনিংলগা অফবা থবক অদু পাংথোকফম থংদনা মশাং অদুনা অনিশুবা অধ্যায়গী অহানবা ৱাহৌদোক ওইহল্লি। অর্জ্জুনগী বিষাদ ওই-রক্তুনা মবুক্কিং হঙ্গৎলকপদগী খোনা পুম্নমক মাংশল্লকপসি উৱগা অমসুং সংসার অসিগী লানফমদগী নাক্থোক্তুনা চেল্লরিবা হায়বা ফিবম অদু থোকপা মতমদা কৃষ্ণনা অর্জ্জুনবু মপুক্কিং থৌগল্লুনা তৌগদবা মথৌদগী নাস্থোক্তনবা থেমজিনবা ৱাহৈ থংনা মবুক্কিং ফাজিল্লি। "অর্জ্জুন অসি য়োনা লুশিল্লকলবা তানফম অসিদা লমচৎ নাইদবা স্বর্গ কাবদা মতিক চাবা ওইদবা মিচৎ থীগদবা, ওন্নৈ ননা থনবা ৱাখল অসি করমদোনা লাকখিবনা? নবুকচেল পিকথবা অসে তৌগনু। নহাক্কুম্বা মতিক চাবা মী অমনা তৌফম খোক্তে। নবুক্কিং শেংহনগনু। পুন্সিগী অকনবা লানফম থেংননবগীদমক্তা শেম শারো" হায়না পাউতাক পীখি। মদু তারগা অর্জ্জুন্না থুমখি—"লৈপাক অমসুং সিংহাসন ফংনবগীদমক্তা ইবুধৌ ভীষ্ম, গুরু দ্রোননচিংবা লুনা তৌফম থোকপা গুরুজন-শিংবু করমদোনা থোৎবা ঙম্মা থাবগদগে? গুরু হাৎকদবগী শরুক্তা ভিক্ষা নিদুনা হিংবনা হেন্না ফৈ। গুরু হাৎলগা ফংলিবা সংসারগী নুংঙাইবা অসিদি গুরুগী ঈ তোৎলবা লন থুমগী নুংঙাইবদু ভোগ চাবনি। ধৃতরাষ্ট্র মচাশিংবু ঐনা হাৎলগা কমদোনা হিংদুনা লৈগনি? অমমোমদা ঐনা লান তৌদনা

তুমিন্না লৈথোক্লগা মখোইনা শোয়দনমক ঐখোইগী মিচংবু জয় তৌবিগনি। হৌজিক ঐহাক লাল তৌশিন্না নত্রগা লানফমদগী থাদোক্তুনা চৎলশিবা হায়বসি ইথস্তুনা লেপ্পা ঙমদ্রে। অওইবা খংদবনা খুমজনখ্রবা ঐগী মহৌশাগী ওইবা পুকচেল খেইজেলনা কদাইনা ধর্ম্মনো? কদাইনা অধর্ম্মনো? হায়বসি লেপ্পা ঙমদ্রে। মরম অদুনা হে কেশব! নহাক্না ঐহাকী গুরুনি। ঐহাক অসি নহাকী শিষ্য ওইজববনি। হৌজিক ঐগী আত্মাগী করি কান্ন-গদগে হাযবদো লেপ্পারগা ঐঙোন্দা তাকপীয়ু। মদুগী মতুংইন্না ইনজবগে” হায়খি।

মথক্তা অর্জ্জুন্না হায়বিবা ৱাফম অসে গীতা শস্ত্রগী নিং-থিজববা খোং অমনি। অর্জ্জুন্না মগাদা সত্বগুণ হেন্নংলক্তুনা ক্ষত্রিয় মচা অমগী মহৌশানা চেনফম থোকপা রজোগুণদগী সত্বগুণ যৌরকপা মতমদা ঙাংলকপা ৱাহৈনি। সত্বগুণ ওইববস্তু রজঃ অমদি তমঃ য়াওবা মবন্না অর্জ্জুনদা লৈবিবা পুকচেল অসে অশেংবা অঋবা থম্মোইদি ওইদ্রি। মতুগী মথক্তা মশাগী নাপল, মশামক্লা কৌরবশিংবু ঙমগনি হায়বসি চেন্নি। অদুগী মথক্তা ধর্ম্ম কর্ম্ম যাম্না খংবা অহৈ অশিং শাবা পণ্ডিত অমগুম্না কৃষ্ণগী মফমদা ঙাংশকলি। মরম অসিদগী ঐখোইনা খংলে মদুদি অর্জ্জুন রজোগুণগী শরুকপু পুংথা থাদোকপা ঙমদ্রি। মমৈদা মথন্তনা মশাগী কর্ত্তব্য করিনো হায়বদু লেপ্পা ঙমলক্ত্রবা মতমদা শ্রীকৃষ্ণদা চংজদুনা গুরুবরণ তৌরি। মসিদগী ঐখোইনা খংলে ব্যাসদেবনা গীতা শাস্ত্রগী আদর্শ (ফিদম) অসি য়াম্না হৈশিংনা অমসুং চেকশিন্না য়েকলি। মীগী মশাদা থুপ্পুনা লৈরিবা গুণ অহুম হায়বদি— সত্বঃ, রজঃ, তমঃ অসি নিংথিনা জয় তৌত্রবদি ধর্ম্মগী তত্বজ্ঞান থিবদা মতিক চাবা মী অমা ওইবা ঙমদে।

হায়বদু উৎলি। তত্বজ্ঞান খোঁরাংলবা সাধক অমনা মশাগী নাপল পুম্নমক থাদোক্তুনা মতিক চাবা গুরু অমগী মফমদা চংজহনা আত্মজ্ঞান তমগদবনি অমসুং তাগদবনি। গুরুগী অশেংবা চাং-চাবা অর্থদি— গুং— অমম্বা খংদবা, রুহতে=মাংহল্লি হায়বসিদি। মাওইবগী মশাদা কাম ক্রোধনচিংবা রিপু তরুক লৈরিঙৈদা থম্মোই অসি লূহনবা ঙমদে। থম্মোই লূরবা, পুক্লিং শেংলবা, রাখল চোইদ্রবা শিষ্য অমদা মতিক চাবা গুরুনা ব্রহ্মজ্ঞান তম্বী-রম্মী। মতিক চাদবা মফমদা তাক্লরমদে। মবম অদুনা শিষ্য হায়রগা মশাগী নাপল পুম্নমক থাদোক্লগা গুরু অমসুং শাস্ত্রগী শাসনগী মখাদা চংজরবা সাধকপু শিষ্য কৌই। মসিনা গীতাগী অহানবা তত্বজ্ঞান খিবগী সাধক অমনা তৌগদবা সদাচার (লমচৎ ফজবা) মওং অদু শিষ্য অর্জুন্না জগৎগুরু শ্রীকৃষ্ণদা গুরুভক্তি উৎলিবসে অখোইবা ময়েক লারবা ফিদম অমনি। মমাংঙৈদা ভারতকী সংস্কৃতি (Culture) মতুংইন্না তত্বজ্ঞান খোঁরাংনিংলবা সাধকশিংনা শোত্রিয় (গুরু পরম্পরাদগী মথং মথং তম্লরকপা শ্রুতিগী জ্ঞান লৈরবা) অমসুং ব্রহ্মনিষ্ঠ (শ্রবণ মনন অমসুং নিধিধ্যাসনন: মহাক্কী অখোইবা সাধন ওইহনুনা সিদ্ধ ওইরবা) গুরুগী মফমদা শিষ্যনা মথুক্তা অকংবা শিং; সমিৎপাণি— শিং অকংবগা ঈশিংগা পুরগা চংজরম্মী। অকংবা শিংনা মশাগী অজ্ঞানগী খুদমনি। মৈ হোৎনুনা অকংবা শিংবু থারগা উৎ ওলহনবগুম মশাগী অজ্ঞানবু জ্ঞানগী মৈ হোৌগত্নুনা থাদোকপীযু হাদ্বগী খুদমনি; ঈশিংনা গুরুগী মখোং হামদুনা পূজা তৌনবগী খুদমনি।

থাংঙৈশেংনা তত্বজ্ঞান খোঁরাংলবা গুরুগী মাথং, ঙাকপা ঙমলগদবা মতিক চাবা শিষ্যদা মতিক চাবা গুরুনা অহানবদা

শিক্ষা পীরম্মা। অনিশুবদা পীরিবা শিক্ষা অহুগী চপচাবা অর্থ খংলবরা হায়বহু যেংনবগীদমক্তা পরীক্ষা (চাংয়েংবা) লৌরম্মা। পরীক্ষা অহুদা শিষ্যগী মতিক চাবা মগুন অহু লৈরে হায়না খংলবা মতমদা দীক্ষা— (ধর্ম্মগী অথুপ্পা সাধন) তম্বীরম্মী। মসিগী মথক্তা থাওমৈ অমদা থাওমৈ অমনা চুথংপগুম গুরুনা শিষ্যদা মশাদা থুপ্তুনা লৈরিবা আত্মজ্ঞানগী শক্তি অদু সঞ্চার তৌরম্মী। সঞ্চার অসি মথল অহুম শুই। মহুদি— দৃষ্টি সঞ্চার; নহ্রগা মীন সঞ্চার— মিৎনা মুংশিবা মিৎয়েং অমা য়েংহুনা শক্তি হাপ্পা, অনিশুবদা স্পর্শ সঞ্চার— খুৎনা মশাদা শেক্তুনা সঞ্চার তৌবা। মহুবু বিহঙ্গ সঞ্চার হায়নস্থু কৌই। উচেকনা মরুম কোক্লগা মপী মপানা কেন্দুনা মশাগী শক্তি হাপ্পগুম্বনি। অহুমশুবদা মানসিক সঞ্চার— গুরুগী পুক্লিংনা শিষ্যদা চংশিন্দুনা হাপ্পা সঞ্চাররনি। অদুবু কুর্ম্ম সঞ্চারস্থু কৌই। মবমদি থেঙ্গুনা মরুম কোক্লগা করিগুম্বা মফম অমদা লোত্তুনা থমই অহুগা মপুক্লিংদা মরুম অদুবু খক কাওদে। মতৌ অসুম্না মতিক চাবা শিষ্যবু, মতিক চাবা গুরুনা আত্মাগী শক্তি অসি সঞ্চার তৌই। মসিবু দীক্ষা কৌই। মতিক চাদবা গুরুনা শিষ্যবু লমজিংহুনা পুবদি মমিৎ তাংবা অমনা মমিৎ তাংবা অমবু মথুৎশমহুনা চৎমিন্নব-গুম্বনি। "অন্ধেন নিয়মান যথা অন্ধ" জেলখানাদা লৈরিবা ফাদোক তারিবা মী অমবু মহাকুম্বা ফাদোক অমনা থাদোকপা গুমদে। মরম অদুনা সাধক অমনা মতিক চাবা গুরু অমা খনবসিন্থু অরায়বা থবক নত্তে। গুরু নাইত্রবা সাধক অমদি হিনাও শাবা য়াওত্রবা হি অমগুম্না পাক্লবা তাইবংগী ঈপাক্তা মুংশিৎনা হুমলক হুমলকপা মায়কৈদা তাওত্রনা চৎপগুম্বনি। মরম অসিদগী ভারতকী চৎনবী মতুং ইন্না গুরু নাইদবা মীবু "নিগুরা" হায়না

চৈনরম্মী। মতিক চাবা গুরু ফংলবা মী অমগী পুন্নশিদি ভিনাও শাবা হৈৎবা হুপা অগনা য়ম্না হৈশিংনা ঈথক ঈপোম ঈরৈ কয়া লাস্থোক্লুনা মম ই চম্ন হে নবগুম পুনাশিগী ঈপাক্তা সাধনাগী ঈরমদা হোনগৎপা ওম্মী।

উত্তিষ্ঠ জাগ্রত প্রাপ্য বরাণ নিবোধত
ক্ষুরস্য ধারা নিশিতা দুরত্যযা দুর্গং
পথস্তৎ কবয়ো বদন্তি। শ্রুতি (কঠোপনিষদ)

উত্তিষ্ঠ—হৌগৎলো (আত্মজ্ঞানদা মাই ওনশল্লো), জাগ্রত—মিকপ থোক্লো (অজ্ঞানগী মশক ওইবা পংথবা নিদ্রাবু মাংহল্লো); বরাণ—অথোইবা আচার্য্যশিংগী মফমদা, প্রাপ্য চংজবো; নিবোধত—আত্মজ্ঞান হৈহৌবা; কবয়—পণ্ডিত-শিংনা (তত্ত্ব খংবশিংনা); বদন্তি—তকলম্মী, তৎ—অদুগুম্ব; পথ—তত্ত্ব মার্গগী লম্বী অসিদি; ক্ষুরস্য ধাবা—ক্ষুবগী মচিনগুম্না, নিশিতা—থোই, দুরত্যযা—লানপোকপা য়াই; দুর্গম—চংশন-বদা য়াই।

মীওইবগী মপেক্তি অথোইবনি। মপোক অদিদা সংসাবগী অরা অনা পুম্নমক কোক্তুনা ঈশ্বর ফংবা ওম্মী। পোকওমদনা পোক্লবা মপোক অদি ফজগা ইন্দ্রিয়গী মথা পোন্দুনা মুংও ইবা থিরিবা পুনশি অদো শাংলবা মংগুম্বনি। মরম অদুনা আত্ম জ্ঞান ফংননবগীদমক্তা শেম শারো অমসুং অজ্ঞানগী মশক ওইবা মং অদুদগী মিকপ থোক্লো। মতিক চাবা গুরুগী মফমদা চংজরো। ধর্ম্মগী তত্ত্বজ্ঞানগী লম্বেলদি মচিন থোৱবা ক্ষুরগী মত্তৌগুম্না থোই। লাম্বোকপা ওমদে। চংশনবম্ব ওমদে হায়না তত্ত্ব খংবা ঋষিশিংনা তাকপীরম্মী। যুগ যুগ খুদিংগী পৃথিবীদা

মস্তিক চাবা তত্ত্বজ্ঞান থংবা গুরু রাক্তনা ঈশ্বরনা থম্মীরি। মথোয়না চংজরকপা মীবু লমজিংনবা শেম শাদুনা লৈ। ইশাগী নাপলনা ঐ সঙাইরে হায়না চত্তুনা গুরু নাইদ্রবা মীনা ধর্ম্মগী লম্বেলদা চংশিনবা ঙমদে। গীতাগী আদর্শদি গুরু ভক্তিনা অহানবনি হায়জখ্রে। মসিগী মথংদা গীতা পুম্নমক্কী বীজ (মরু) গী মশক ওইবা শ্লোক তংখায় অমনা রাহৌদোক ওইদুনা জগৎ-গুরু শ্রীকৃষ্ণনা শিষ্য অর্জ্জুনদা তত্ত্বজ্ঞান তম্বীবা হৌরকলি। তত্ত্বজ্ঞানবু নিংশিংজরগা পাপ পুম্নমক কোক্কুনা আত্মজ্ঞানগী মঙাল ফাওহলকই হ্যবদগী শ্লোক ৭০০ (চাতরেৎ) পু মন্ত্র হায়নস্থ কোই। মন্ত্র খুদিংমক্তা মন্ত্রগী অঙ্গ মঙাখক লৈগনি। মন্ত্র হায়বদি—"মননাৎ ত্রায়তে ইতি মন্ত্র"—নিংশিংলুবগা আত্মা অসে সংসারগী অরাবা পুম্নমক্তগী কোকহল্লি হায়বদগী মন্ত্র কোই।

মন্ত্রশিং অসিনা মবুদ্ধিদা ঙালহল্লকইবা অথোইবা মী অদুগী মমিং ঋষি কোই। শ্রীমদ্ভবদগীতাগী মশক ওইরবা মন্ত্র অসে শ্রীকৃষ্ণ দ্বৈপায়ন বেদব্যাসকী বুদ্ধিদা ঙাল্লকপনি। মরম অদুনা গীতাগী ঋষি দি ব্যাসদেবনি। ময়েক ৮।৮ শুবা শাবা অনুষ্টুপ ছন্দনি। অহুমশুবকপদা শ্রীকৃষ্ণ পরমাত্মা দেবতানি। গীতাদা 'ঐ' 'ঐ' হায়রিবসে মীগী মশক ওইবা অর্জ্জুনগী গুরু মুর্ত্তি ওইবা কৃষ্ণ ওইরবস্থ পরমাত্মানি হায়না খংনগনি। মরিশুবকপদা "অশোচ্যা নম্বশোচাস্ত্বং প্রজ্ঞাবাদাংশ্চ ভাষসে" হায়বা শ্লোক তংখাই অসিনা গীতা পুম্নমক্কী বীজ মরুনি। চাওরবা সনাথোংনাং পাম্বী অমনা থোইদিং মরুদগী হেন্না বুপ্পবা মরুদা থুপ্পুনা লৈরম্বগুম শ্লোকী তংখাই অসিদা গীতাগী তত্ত্বজ্ঞান পুম্নমক থুপ্পুনা লৈরিবনি। মঙাশুবকপদা শক্তি—"সর্ব্বধর্ম্মান্ পরিত্যজ্য মামেকং শরণং ব্রজ" হায়বা শ্লোক মতেক অসিনা গীতা শাস্ত্র পুম্নমক্কী শাক্তনি।

তরুকশুরকপদা "অহং ত্বাং সর্ব্ব পাপেভ্যো মোক্ষয়িষ্যামি মা শুচঃ" হায়বা অসিনা কীলকনি। চেংনা ফাজিন্দুনা থম্বা য়ুম্বীগী মশকান। মসম অসিনা দ্বিতীয় অধ্যায়গী শ্লোক তরামাথোই শুবসে গীতা পুম্নমক্কী বীজ ওইবদগী গীতামাতাগী কোকনি। জীবন শাস্ত্র—মীওইবগী পুনশি করিনা ? পুনশিগী পন্থুংফমনা করিনো ? পুনশি অসিদা কি তৌফম থোকপগে হায়বগী য়াম্না কুপশিনবা তত্ত্ব অধ্যায় অসিদা শ্রীকৃষ্ণনা অর্জ্জুনদা তম্বীরি। মসম অসিংগী দ্বিতীয় অধ্যায়বু সম্যকজ্ঞান—থোইদোকপা জ্ঞান হায়নসু অশেংবা জ্ঞাননি হায়দুনা "সাংখ্যযোগ" কৌই। তত্ত্বজ্ঞান তম্বাবদা মতিক চাববা মী অমা ওইনবগীদমক্তা— অহানবদা তত্ত্বজ্ঞান গুরুগী মফমদগী তমলগা মশানা মশাবু মতিক চাবা তত্ত্বজ্ঞানী অমা ওইবা ঙম্নবা অহানবদা নিস্কাম কর্ম্ম তৌগদবনি। নিস্কাম কর্ম্মনা মহাক্কী থম্মোই অদু লুহল্লবগী তুংদা শম (পুক্নিং ফবা), দম (ইন্দ্রিয় খুদুমচনবা সাধননচিংবা তৌবক্তুনা কর্ম্ম পুম্নমক থাদোক্তুনা বেদান্তগী বাক্য বিচারগা লোইনবা ভগবৎ নিষ্ঠা হায়বদি ভক্তি সাধনা তৌগনি। ভক্তি লৈবদি তত্ত্বজ্ঞান নিষ্ঠা অদো মথন্তা থম্মোইদুংগী ঙাল্লক্কনি। মতম অদুদা মীওইবগী মশাদা পুনশন্দুনা লৈরমলিবা সত্ত্বঃ রজঃ তমঃ কৌবা গুণ অহুমদগী লাপ্তোরক্তুনা অবিদ্যা মায়াবু মাংহনবা ঙমগনি অমসুং মুক্তি ওইগনি। জীবন মুক্তি ওইববা মী অমবু গীতাগী লোন্দা "স্থিতপ্রজ্ঞ" কৌই। স্থিতপ্রজ্ঞ অদুগী লক্ষণ (খুদমশিং) ভগবন্না শন্দোক্লা তাবপীরি। জীবন্মুক্ত অমনা মশাগী পাপ পুম্নমক মাংহল্লগা শুগী হৌখিবা মপেক্কী প্রারব্ধ ফল চাদুনা লৈ। তৌইগুমসুং থোইদোকপা আত্মাগী কান্নবা থনবা মরম্না পরবৈরাগ্য (সংসারগী মায়া) না চুশনবা ঙমদে। ঈশিংনা থম্বাল মনাবু

চোৎহনবা ওমদবগুম সংসারদা লৈনা লৈনা মায়ানা লাকচবা ওমদে। ফিবম অদু য়োনবা তানবনা মীওইবা পুনশিগী অথোইবা পম্বুংফমনি। কনাগুম্বা ভেন কাপ্পা নিপা অমনা মমাংদা লক্ষ্য ভৌরিবা পোৎ অদুদা মপুক্লিং চংনা নিশান ভৌবগুম তত্বজ্ঞানদা নিশান ভৌগদবনি। মরম অদুনা জগৎগুরু ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা ইহ ন হাপ্পা অর্জুনদা তত্বজ্ঞাননা লক্ষ্য ওইনবা শম্পাৎনা তম্বিরি। মতুগী মথংদা জীবনগী মন্নুংদা ভৌগদবা সাধন তাকপীরি। তত্বজ্ঞাননা সিদ্ধান্তনি। কর্ম্মযোগনা সাধননি। অমসুং ভক্তি-যোগনা একাগ্রতা (পুক্লিং অমত্তা ওইবা) গী মশকনি। অদুমক মীওইবগী জীবনদা যোগ্যতা—(জ্ঞান যোগকী মতিক চাবা মী অমা ওইনবা হোৎনবগী) সিদ্ধান্ত (তত্বজ্ঞান), সাধন, অমসুং ভক্তিযোগ অহুম্মক মীওইবগী পুংশিদা পাংথোকদৌরিবনি। মরম অসিনা দ্বিতীয় অধ্যায়বু জীবন-শাস্ত্রসু কৌই।

গীতাগী মরূওইবা শিক্ষাদি শোক (পুক্লিং রাবা) অমসুং মোহ (ওন্ন তৈন্ননা খনবা) অজ্ঞানগী শক্তি অনি অসিবু কোকহন্দুনা অমসুং সংসারগী অরাবা পুন্সমকী হৌবকফম ওইবা রাখলবু মাংহন্দুনা আত্মাগী অশেংবা মশক (স্বরূপ) অদু নিংশিংহনবনি। শোককী তুংনফমদি পুক্লিংদনি। অদুগা মোহগী তুংনফমনা বুদ্ধিদনি। আত্মাগী অশেংবা মশকপু অবিদ্যা মায়াগী কুয়োম্না মখল অহুম থোক্লা কুপসন্দুনা থগখি। মদুদি মথংশিংনা— মল (অমোংপা), বিক্ষেপ (পুক্লিং চোইহনবা) অমসুং অবিদ্যানি। মল হায়রগা কাম ক্রোধনচিংবা বিষয়দগী পোক্লকপা রাখলবুনি। অমরোমদা হায়রু-রগা তমোগুণনি হায়নসু লৌবা য়াই। অদুনা বিক্ষেপনা রজোগুণদগী পোকপনি। ইকোন কোনবা অবিদ্যা মায়াগী শরূকপু "মূল অজ্ঞান" কৌই। কর্ম্মযোগনা অহানবা মল কৌবা আবরণবু

মাংহনগনি। অনিশুরকপদা ভক্তিযোগনা বিক্ষেপ শক্তিবু মাংহনগনি। অহুমশুরকপদা জ্ঞানযোগনা অবিদ্যা মায়াবু মাং-হনগনি। মল বিক্ষেপ অমসুং আবরণ অহুম অসি লৈরক্রবা মতমদা আত্মাগী অশেংবা স্বরূপ অদো ভাঙ্খোরকপা ওম্মী। মতম অদুনা সচ্চিদানন্দ স্বরূপ্তা পুক্নিং লূপথিহুনা অরা অনা পুম্নমক্কগী লাঙ্খোকপা ওমই। স্থিতপ্রজ্ঞ (জীবন মুক্তি) ওইবা ওমলকই। মতম অদুদা অপাম্বা পুম্নমক থাদোক্লুনা মথন্তুনা মথন্তগা পেল্লবা ওম্লবা, মঙেন্দা অরা সুংঙইবা, অইং অশা, অপাম্বা, অকিবা, অশাওবা অমত্তা লৈরক্তে। হকচাংনচিবা মপান তাইবংগী পোৎশক্তা মপুক্নিং চংলক্তে। মশাগী অরোৎপা অথুপ্পা বাসনা পুম্নমক মাংখি। সুমিৎ থেক্লকলগা আকাশতা অহিং থোক্লম্বা মশিং লাকওনদ্রবা থরানমিচাকশিংগী মর্ণক উবা ফংখিদবগুম্ মুক্তি ওইদ্রিবৈঙী মমাংদা থংম্মোইহুনা থুপ্তুনা লৈবম্বা মশিং লাকওমদ্রবা অপাম্বগী বৃত্তিশিং (বাসনা) অদু মাংখি। হৌখিবা মপোক্কী কর্ম্মগী ফলদি শিদ্রিবা ফাওবা চাদবা য়াদবা মরমনা চাদুনা হিংই। তোইগুম্বসুং মপুক্নিংদা মতুগীদমক্তা অরাবদি ফাওদে। য়াম্না লাইনা মবুকচেল ফাজনবা ওম্মী। পুকচেল চাংচৎ অমত্তদা লৈবা ওম্মী। সুংশিৎ শিত্রবা মকমদা থানবা থাওমৈগুম্না লেংদনা লৈবা ওম্মী। করিগুম্বা অপাম্বা মপানগী পোৎ অমদা হম্না হম্না নিংশিংবনগী ফংনিংলকই। মরম অদুনা পুক্নিংদা অপাম্বা অমগা রাওনা ফংগে তাল্লকই। মদু তাল্লকপদা ফংত্রগা অমসুং অকায়বা লৈরগা অশাওবা পোকলকই। শাওবদগী লৌশিংদা ওম্না তৈম্নবা রাখল পোকলকই। বুদ্ধিনা লৈভাত্রবা অমসুং ওম্নতৈম্না রাখল থল্লবদি আত্মাগী অশেংবা মঙাল অদু য়েংহনদু নিংবিনা মঙাল ভাবা য়াদবা মরম্না আত্মাগী

অশেংবা স্বরূপ অছু নিংশিংবা ওমদে। নিংশিংববু ওমজ্রবদি বুদ্ধিগী মপাঙ্গল পুন্নমক মাংই। বুদ্ধি মাংলবদি পুম্নমাং মাংলবনি। জীবন মুক্ত ওইরবা মী অমগী মকমদনি অপাম্বা পামদবা পুন্নমক লৈতবা মংম্বা আত্মাংগী পোকলকপা অশেংবা মুংঙাই-বদা লুপ্তুনা লৈ। আত্মাগী অপেনবা ফংলবা অমম্তুং থম্মোই লুরবা মী অতুগী বুদ্ধিদি মতম চুপ্পদা মকা লামনা লৈবা ওম্মী। মশাগী চিত্তবু জয় তৌবা ওমজ্রবা মী অদুদি আত্মাগী অশেংবা অপেনবা অত্ত্ব ফংবা ওমদে। মরম অদুনা ইন্দ্রি থুছম চনবা, পুক্নিং লাকশিনবা ওম্বা যোগী অমনা সংসারগী মায়াদা লুপ্তুনা লৈরিবা মীশিংনা মুংঙাইবদু উরগা শাংলবা—মং অমগুম্মা থল্লি। মদুদা মপুক্নিং চংউদে। অদুগা মখোয়না পংথদুনা লৈরিঙৈদা আত্মা জ্ঞানীশিংনা ঈশ্বরদা লুপ্তুনা লৈ। ঈশ্বরবু ফংলবদি পুন্নমক ফংলবনি হায়বা ৱাখলদগী মপালগী মুংঙাইবা ৱাখল মচা মচাশিং অদু থাদোকপা ওম্মী। অপাম্বা পুন্নমক থাদোক-খ্রবা, মশাগী ৱাখল থম্রবা, নাপল য়াওজ্রবা মী অদুদি মাংম্বা থুনমক শান্তি ফংবা শোয়জ্রবনি। মতৌ অমতুম তৌনা মহাক্কী পুক্নিং অদু পরংব্রহ্মদা পুল্লপ লুপশিনবা ওমথ্রবা মী অদুদি পুক্নিংদা লৈরম্বা শোক, বুদ্ধিদা লৈরম্বা মোহ অনিমক মথন্তা মাংজখি।

ইতি—সাংখ্য যোগ নাম দ্বিতীয় অধ্যায়।

তৃতীয় অধ্যায়

কর্ম্মযোগ

তৃতীয় অধ্যায়গী মমিং "কর্ম্মযোগ" কৌই। অধ্যায় অসি শ্লোক ৪৩ নি। অধ্যায় অসিগী মনুংদা ধৃতরাষ্ট্র অমসুং সঞ্জয়গী ওইনা হায়রবা রাহং পাউথুম য়াওদে। অর্জ্জুন্না হংবা রাহং অমসুং শ্রীকৃষ্ণনা খুম্বা পাওখুম ৪০ (নিফু) নি। অহানবা অধ্যায অনিদা গীতাগী মচি ওইবা ললা লংজিল (সূত্র) গী মশক ওইনা চাওথোক্লা তাকখে। কৌজিক্তি গীতাগী যোগশিংগী মরক্তা অহৌবা যোগ কর্ম্মযোগগী রা তাকলকই। হৌখিবা অধ্যায়দা কাপিগুম্বা মতাংদা তত্ত্ব খংবনা হেন্না ফৈ অমসুং করিগুম্বা মতাংদনা কর্ম্ম থাদোকপা যদে, কর্ম্ম তৌগদবনি, অদুগা করিগুম্বা মতাংদনা জ্ঞান তানবনা অথোইবনি হায়রবসি তাকখি। অনি অসিগী মরমদা নৈশিনবা, নিংথিজনা ফোংদোকপা ঙমদবা পাউখুম ওইনা জ্ঞাননা হেনবরা? নত্রা কর্ম্মনা হেনবরা হায়রবসিনা অর্জ্জুনগী অথোইবা ৱাহং ওইনি। মতুংগী পাউখুমদা ভগবান্না তাকপীরি। কর্ম্মগা জ্ঞানগা ওন্না তৈনবা লম্লেল নত্তে। মশা অমত্তুনি অমসুং পম্মুংফম অমত্তুনি তাকপীরি। জ্ঞানী ওইবদা মতিক চাগদবা মীশিংদা জ্ঞান, কর্ম্মযোগ, তাকপদা মতিক চাগদবা মীশিংদা কর্ম্মযোগনা পাম্বৈ ওইগদবনি। থম্মোই লৈবা মীশিংগীদমক্তা জ্ঞানযোগ অমসুং থম্মোই মোংলিবা মীশিংগীদমক্তা কর্ম্মযোগনা সাধন ওইগনি। পাপ লৈবিবসিংখৈদি জ্ঞান শাদবগী মতিকচাবা মী অমা ওইবা যাদে। ঋষিশিংনা মীওইববু অধিকার (মতিকচাবা) মখল অনি থোক্লা খাইদোক্লগা ধর্ম্মগী লম্বী অনি থোক্লা তাক্লম্মী। মধুদি—প্রবৃত্তি মার্গ অমসুং নিবৃত্তি মার্গ।

কোই। জীবগী মরুওইবা লক্ষ্য (পন্থ, কেমদি) আত্মা মশক খঙবনি। তৌইগুম্মস্তুং আত্মা অদু মশক খংনবা তানখৎলকপদা লম্বেল (মার্গ) অনি অসিদা চৎকদবনি। জীবগী পুরুষার্থ (ধর্ম্ম, অর্থ, কাম, মোক্ষ) তানগদবনি। ধর্ম্ম হায়রগা লম্চৎ শাজৎ ফজবা, মতিক চাবা লৈবাক মচা ভাবা মী অমা ওইবদা চংইবা গুণশিং অদু খংনগনি। অর্থ হায়রগা মশাদা থুপ্পুনা (লৈরিবা) চংইবা গুণশিং অদুবু খংনগনি। কাম— হায়রগা মপুক্লিংদা থুপ্পুনা লৈবা মনিং থুংদবা অপাম্বা লৈরিব-মথৈদি নিংথিজনা পুক্লিং লৈতাবা ওমদে। মতম চুপ্পদা মীওইবনা মশানা পামলিবা রাখল অদুদা বেস্ত্র ওইদুনা উংদুনা লৈ। মদুদগী পাক লাম্হোরক্কুনা মপুক্লিং লৈতানা লৈবা ওমদে। চানিংবা— থক্লিংবনচিংবা মপুক্লিংগী অপাম্বা অদু থুংত্রিবা মীনা অকবা রাখল খনজনবা ওমদে। নিংবা থুংত্রিবা ফাওবা মপুক্লিং অদো অপাম্বা রাখল অদুদা লুপ্পুনা লৈ। ফংগে হায়না তাল্লিবা পোৎ অদুগীদমক্তা পামশিল্লিবা অদুগী মমিং "প্রিয়" কৌই। তান্দুনা ফংলগা মদুদা পুক্লিং লুপ্পুনা লৈবা অদুগী মমিংনা মদ কৌই। ফংদুনা লোইখৎবা অমস্তুং মদুদা কংথিবা মুংওাইবা অদু থম্মোইদুনা চুদুনা লৈবা অদুগী মমিংনা প্রমোদ কৌই। মদুগী অপেনবা অমা ফাওহনত্রবদি মুক্তি তানবদা মতিক চাবা মী অমা ওইদে। মরম অদুনা ধর্ম্ম, অর্থ, কাম মথং মথং তানখৎলক্কুনা মপুক্লিংদা অপেনবা ফংত্রবা মী অদুনা চানিংবা পোৎপু চারগী ওথোরকপদা অওবা পোৎপু চানিংদবগুম মপুক্লিং নিংথিজনা হল্লবা মীনা মুক্ত তানবদা মতিক চাবা মী অমা ওই। মুক্তি তানবগী মমিংনা "জ্ঞাননিষ্ঠা" কৌই। অমস্তুং নিবৃত্তিমার্গমসু কৌই। ধর্ম্ম, অর্থ, কাম মথং মথং তানখৎলকপগী

মথিংনা "প্রবৃত্তিমার্গ" কৌই। ব্রহ্মচর্য্য আশ্রমদা ধর্ম্ম তানগনি। গৃহস্থ আশ্রমদা অর্থ অমদি কাম তানগনি। অদুগা বানপ্রস্থ অমদি সন্ন্যাস আশ্রমদা মুক্তি তানগনি। মরম অদুনা ইহান হানবদা ব্রহ্মচর্য্যদগী সন্ন্যাস হেক ওইবা হায়বসে মী খুদিংমকনা পাক চংশিন্নকপা ওমদে। তৌইগুম্বসুং কনাগুম্বা মপাপ চেন্নবা, থম্মোই লূরবা মীশিংদি ব্রহ্মচর্য্যদগী সন্ন্যাস আশ্রমদা ইরাই লাইনা চংশিনবা ওম্বা য়াওই। তৌইগুম্বসুং মথোই অদুদি অতাংবনি। তৌবদি চাংনাইনা মথং মথং কারকপা মীগা ব্রহ্মচারিদগী সন্ন্যাস ওইরকপা মীগা পন্থুংফমদি তিন্নে। প্রবৃত্তি মার্গবু কর্ম্মযোগ কৌই। নিবৃত্তি মার্গবু জ্ঞানযোগ কৌই।

নিবৃত্তি মার্গ চংলিবা জ্ঞানীশিংনা কর্ম্মযোগ তৌরিবা মী অমগী মতৌ ভম্বা য়াদে। অদুগুমদুনা কর্ম্মযোগী অমনা জ্ঞানযোগী অমগী মতৌ ভম্বসু য়াদে। কর্ম্মযোগ তৌদুনা থম্মোইগী অথৌৎপা পুম্নমক কোকথত্রবা সাধকশিংগীদমক্তা জ্ঞানযোগ তানথৎপদা মতিকচাবা মী অমা ওইগদবনি। জ্ঞানীশিংসু থবক ইতৌ তৌরোই হায়বদি নত্তে। জ্ঞানীশিংনা তৌবা থবক্তি জগৎকী কান্নবা, ঈশ্বরগী পেন্নবা সেবাগী মশক ওইনা তৌরকই। তৌরিবা কর্ম্ম অদুগী মহৈ চানবগীদমক্তা কর্ম্ম তৌদে। অদুগা জ্ঞানী ওইবা ওমত্রিবা মশাগী থম্মোই মপুংফানা শেংদোকপা ওমাত্রবা কর্ম্মযোগীশিংনা মহাক্কী চিত্তশুদ্ধ (থম্মোই শেংনবগীদমক্তা) হায়বদি মপুক্কিংদা য়াইচিনবা লৈতনবগীদমক কর্ম্ম তৌরকই। মরম অদুনা জ্ঞানী অমনা তৌরকপা থবক্তা কর্ম্মগা কর্ম্মযোগী অমনা তৌরকপা কর্ম্মগা অনি অসি মান্নদে। মপুক্কিংদদি য়াইচিনবা পোক্কনবা কর্ম্ম তৌরকই। অপুন্না ক্রমানুক্রম লোত্তনা থম্মগা মপকচেন জাতিন্নবা থাদনা তৌবগী

[illegible] [illegible] [illegible] ([illegible] [illegible]) [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পুনশন্নে। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পুনশনি। মমম অতুনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অমতা লৈতবা পুনশিংগী [illegible] [illegible] [illegible] (কর্ত্তব্য) পাংথোক্লবা হোৎনগদবনি। [illegible] [illegible] [illegible] অমুনা অমগী মতেং পাংনহুনা [illegible] [illegible] [illegible] তৌরমগদবনি হায়বসে [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] কাম্নবা থবক তৌবদা হায়রদি [illegible] সেবা তৌরদা মুক্তিকচাব; মী অমা ওইবা [illegible] তানশিল্লিবা [illegible] [illegible] [illegible] অরেবা চাবা কৌই। পাপ পুম্নমক মাংনবগী মশক্তি। মমম অতুনা মীওইবনা তৌরিবা থবক [illegible] [illegible] হায়রিব্রা আত্মা মশক থংনবা তান্নক-[illegible] সাধকশিংনা [illegible] কর্ম্ম [illegible] [illegible] মখোইগী মুক্তিকচারবা [illegible]নি। [illegible] [illegible] অসি তোঙানবা নত্তে। [illegible] [illegible] [illegible] থবক খুদিংমক মশাগী ওইবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]নি। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পোকই। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] পোকই। কর্ম্ম [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] কর্ম্ম [illegible]

ৱাজর্ষিশিংগী পুনশিদা মপুক্কিং চোইদনা "কর্ম" তৌনা তৌরম অরাবিব, খুবম তানৃবিবা ওশী। মীওং মীওংগী মতুংইন্না মহাক মহাক্কী তৌকম থোবগা থবক্শিং অদু পাংথোকপদা মথোইগী অথোইবা যোগ অমমম ওই। জ্ঞান লৈবশিংমু মথোই মথোইগী মশাগী চুশিন্নবা তৌকম থোকপা থবক তৌই। মিৎনা উবা, নাকোংনা তাবা, লৈবা মহাও থংবা হকচাংগী ইন্দ্রিয়শিংনা মখোঁ তোঙান তোঙান-বগুম মীওইবা সমাজদা লৈরিবা মীশিংনা মহাক মহাক্কী গুণগী মতুং ইন্না বর্ণাশ্রম হায়বদি জ্ঞান শক্তোকপা— ব্রাহ্মণ, লৈবাক ঙাকপা — ক্ষেত্রী, খুৎশা হৈবা অমসুং চান থকবা লৌউ-শিংউবা শীন্নাং-বা কাংবুশিংবু—বৈশ্য অমসুং মশান্না থবক সোমহুনা কর্ম তৌরিবা কাংবুনা "শূদ্র" হায়না কৌই।

মীওইবগী সমাজ অমা লৈবদা সমাজ অদুগী চাওখৎনবা অমসুং শান্তিঃ ওইনা লৈমিন্নবা মীপুম খুদিংগী মথৌদাং অমমম্দি লৈরবনি। মশাগা চুশনবা (স্বভাবকা চান্নবা) মথৌদাং অদুনা মরৈবাকী সেবা তৌরিবা মী অদুনা মহাকী স্বধর্মনি। শাগৈগী ওইনা ব্রাহ্মণনা ব্রাহ্মণগী স্বধর্ম, ক্ষেত্রিয়শিংনা লৈবাক ঙাকপা অমসুং বৈশ্যনা লল্লোন ইত্তিক তৌবা অদুগা শূদ্রশিংনা মথকী বর্ণ অহুমমু সেবা তৌবা হায়না লৌনরমদু হৌজিক্কি ইকাই কাইথনরকলে। মতমগী ঊচেক মতুং ইন্না মপা মপুগী সংস্কারশিং অদু মচা মগুনা লৈশনলক্লে। "ঋরুম অসিদগী মীওইবগী" "মশাদা চেনবা গুণ অমসুং" স্বভাবকী মতুং ইন্না কর্তব্য লেপ্পা তাররকলে। ধর্মগী শত্রু থিন্নগা মশক্তা সাধন তৌদ্রবা মীওইবা সমাজবু লমজিংলিবা কাংবুশিংনা মপা মচু ব্রাহ্মণ-ব্রাহ্মণ্ রাওরি। ব্রাহ্মণদু রাজনীতি ক্ষেত্রদা অমসুং লল্লোন ইত্তিকদা চংলক্লই। শূদ্র মরক্তগীদু— ব্রাহ্মণ অমসুং ক্ষেত্রিয়শিংগী মথৌ অদু তৌন-

তৌনরকপা য়াওরি। মতৌ অসুমনা সনাতন ধর্ম্মগী বর্ণাশ্রম ধর্ম্ম কাইশল্লকলে। অশেংবমক্তি মী মী অমুগী মপুনশিদা থ্বাইদগী হেন্না পল্লরবা মথৌদাং অমুনা স্বধর্ম্ম ওইগদৌবনি। শাগৈগী ওাক্তা থল্লুবদি য়াদ্রে। শাগৈসু ফবা, মশাসু সত্বগুণ চেনবা মীনা ব্রাহ্মণগী মথৌ তৌবদি স্নাগী মথক্তা তম্ফা থিনবগুম্বনি। মদু শোইথরকলবনিনা হৈন হৈনবাগী মতুং ইন্না— রজোগুণ অমসুং সত্বগুণ চপ মান্নবা কাংবুনা লৈবাক ওাকপগী থবক অমসুং রাজোগুণনা হেনবা, নোম্বা কনবা শেল থুম তানবা হৈবা মীনা লল্লোন-ইতিক, খুৎশা হৈবগী থবক তৌবা অমসুং মপাঙ্গল কনবা মথৌনা লৈবা মীনা মশানা শু-নোম্বনা অথোইবা স্বধর্ম্ম ওইরে। লাইরিক লাইশু তম্বাগী অধিকার চপ মান্নরে। অশেংবমক্তি সমাজগী কোক্না তত্ত্বজ্ঞান থংবা কাংলু অদুগা মথৌনা অমসুং মরিল লৈবনা সমাজগী পাম্বোম অমসুং লন-থুম তানবা হৈবা অচা-পোৎ য়াম্না থোকহনবা কাংবুনা সমাজগী পুক অমসুং মপাঙ্গল মথৌনামা নোম্বা লিকপা কাংবুনা সমাজগী থোং ওইরগনা -মীওইবা সমাজ অসি শান্তি ওইনা পানগদৌরিবনি। মপোক কয়াগী সংস্কারনা শাগৈ অমত্তদা তোঙান তোঙানবা বর্ণগী মী থোরকলে। বৈদিক যুগতসু বর্ণগী বিচার থোইদোক্না লৈরম্বদবগী খুদম কংই। হৌজিক গণতন্ত্রগী মতম অসিদনা অমুকা হেন্না থাইনরক্তে। অমুমনদি ওইরগা মীতা মীতাগী মতুং ইন্না মহাক্না মপুনশিগী পাংথোরকপদা খুদোং চাগদবা মথৌদাং পাইনবা তারকলবনি। মশা মশাগী প্রকৃতি (Nature) হৈনবা মথৌদাং অমুনা সমাজগী সেবক ওইরগা সমাজগী মঙ্গল পুরকদৌবনি। মরি ওইনা মশাদা গুণ অমুমগী মমুংদা করম্বা গুণনা থ্বাইদগী হেন্না লৈবগে হায়বসি মুন্না বিচার তৌগদবনি। তমোগুণ হেন্না

লৈবা মীওইনা রজোগুণদা কাখৎনবা, অদুগা রজোগুণনা হেনবা মীনা সত্বগুণদা অমসুং সত্বগুণনা হেনবা মীনা শুদ্ধসত্ব ওইনবা সিড়ি মথং মথং কাখৎনবা হোৎনগদবনি। অতোপ্পা মী অমগী স্বধর্ম্ম ওইবহুনা মশাগী মতিক চাবা য়েংদনা অফবা গুণ পামল্লুহুনা চংশল্লুরগা মাংহুনা তোকই। মীওইবগী পুনশিদা ফংগে হায়না তাল্লকদোরিবা পন্থুংফমদি— আত্মা স্বরূপপু খংবনি। আত্মাগী স্বরূপ অদুবু খংহনদ্রিবা অপনবা পীরিবা য়েক্লবা পনজাওদি — কাম (অপাম্বা) অমসুং ক্রোধ (অশাওবা) অনি অসিনি। মরম অসিনা অহানবদা কাম ক্রোধবু জয় তৌথিগদবনি। কাম— হায়বদি বিষয়গী অপাম্বা থিবা মুংঙাইনিংবনি। অপাম্বা অমসুং অনিংবা অমা তাল্লকপদা নিংবা থুংদ্রগা শাওরকপা, অদুগা অতোপ্পানা মদু ফংখ্রগা মিহৌবা, হান্নগী ৱাখল অদু হোংহুনা ওন্ন-তৈন্ননা অফা ফত্তা খংলক্তবনা মোহ কৌই। ঐ মঙাইরে হায়না মশাগী ময়াই কাৱকপনা "মদ" কৌই। অদুগা মান্নবদগী মীথোই মীহেন নিংলকপনা "মাৎস্যর্য্য" কৌই। আত্মা-জ্ঞান ফংনবা লম্বীদা য়ৈথায়বা পীরিবা অমসুং সকাম কর্ম্ম তৌহনিংবা অসি রজোগুণদগী পোকপা— কাম অমসুং ক্রোধ অসিদগীনি। মথোই তরুক অসি জীবশিংগী য়েক্লবনি। মরম অদুনা "ষড়রিপু" কৌই। য়েক্লবা তরুক অসিগী লৈফমদি পুক্লিংদনি। মরম অসিনা কর্ম্মযোগী অমা ওইনা চিত্ত-শুদ্ধি ওইগে তাল্লিবা মীনা পুক্লিংগী মীচং চংলোইদবনি। লুরবা অমসুং ঙাল্লবা মৈরিবু মৈথুনা কুপশনবগুম্ লুরবা মিংশেনবু উকুল ৱাইফুলনা কুপশনবগুম অঙাংবু গর্ভনা য়োমশনবগুম্ মীওইবগী বুদ্ধি লৌশিংদা ঙাল্লকইবা আত্মজ্ঞানবু— খুমজনহুনা থমলিবদি— কান্নদচিংবা রিপু তরুক অসিনি। কামবু জীবগী "নিত্যবৈরি",

কৌই। জীবগী ফত্রবা লমহেনবা য়েক্লবনি। ফত্রবা কামগী মৈমা জীববু ইত্তত্তনা মৈশা লাংহন্দুনা থমই। কাম অসিনা থুগুত্তুনা লাম্মল ওইবিবা মফমদি—ইন্দ্রিয়শিং, পুক্লিং অমসুং বুদ্ধিদনি। আত্মাদগী য়েরকপা জ্ঞানগী মঙাল অমসুং মশেকপু কাম অসিতনা পুমহত্তুনা থবলিবনি। ইন্দ্রিয়শিংনা হকচাংগী অতৈ শরুক্তগী কুপসনবা, অমসুং জ্ঞানগা মশেক য়েবা হেল্লি। ইন্দ্রিয়শিংদগী অমুক পুক্লিংনা কুপশনবা, মপাঙ্গল কনবা অমসুং জ্ঞানগী মশেক য়েবা হেল্লি। পুক্লিংদগী বুদ্ধিনা অমুক হেল্লি। বুদ্ধিদগী আত্মানা অমুক হেন্না জ্ঞান মশেক মঙাল চাওবা হোল্লি। মরম অসিনা বুদ্ধিদগা থোইদোক হেন্দোক্না লূনা লৈরিবা আত্মাবু খংলগা আত্মানা বুদ্ধি, মন অমসুং ইন্দ্রিয়শিংবু খুত্থম চনদুনা কামগী মশক ওইবা লাকশনবা ৱারবা য়েক্লববু জয় তৌগদবনি। কামবু জয় তৌদ্রিবংথৈদি আত্মজ্ঞান ফংবদা মতিক চাবা মী অমা ওইখিরোই।

ইতি—কর্ম্ম যোগ নাম তৃতীয় অধ্যায়।

চতুর্থ অধ্যায়

জ্ঞানযোগ

অধ্যায় আসিগী মমিং "জ্ঞান-কর্ম্ম-সন্ন্যাস-যোগ" কৌই। শ্লোক ৪২ না শাথনি। অর্জ্জুনগী ৱাহং অমা অমসুং শ্রীকৃষ্ণগী পাউত্তাক শ্লোক ৪১ থকনি। অহুম শুবা অধ্যায় কর্ম্মযোগকী লাংলা লাংজিল ওইনা ৱার্কম থয়দি তাকপীখ্রে। মীওইবা পুনশিংগী অহানবা সাধনাদি কর্ম্মযোগনি। কর্ম্মযোগী অমনা মথাগী চিত্ত

(থম্মোই) শেংদোক্নবা অমসুং কর্ম্মগী বন্ধন (লাংদগী) নাম্থোক্নবা কর্ম্ম তৌগদবনি। অদুম্নদি ওইংগা কর্ম্ম তৌবতনা পুনশিগী উদ্দেশ্য (পন্থুংফমদি) নত্তে। আত্মাগী স্বরূপপু থংবনা অথোইবা লক্ষ্য (Aim) নি। আত্মাজ্ঞান ফংনবগীদমক্তা অহানবা হৌকগৎদবা সাধনাদি কর্ম্ম যোগনি। মরম অসিনা কর্ম্মদগী জ্ঞাননা হেল্লি। কর্ম্মযোগনা পুনশিগী সাধনানি। জ্ঞাননা পুনশিগী সিদ্ধান্তনি। জীব থুদিংমক সৃষ্টি হেক হৌরকপদগী হৌখিদা মপোক কয়ারকী সংস্কারনা য়োমশন্দুনা লাকপবনি। মরম অদুনা পুনশিগী লানফমদা মথৌদাং অমমমগা কোম্নদুনা পোকলকলবনি। মী থুদিংমক মর.ইবক মান্নদে। পূক্চল খোইজেলসু চপ চানা তিন্নদে। হৈশিংবা মতিক মথাইসু তোঙাল তোঙাল্লি। হৈনিংবা অমসুং মপুনশিদা পাংথোকনিংবা থবকশিংসু মান্নদে। অদুমওইনমক পন্থুংফমদি তিন্নে। হিংলিঙৈদা মশাগী মথৌদাং অমমম পাইনদুনা সমাজগী চউখৎনবা অমসুং শান্তি পুরক্নবা হোৎনফমদি থোকই। অদুগা শিংবগী তুংদা অরান খুবম (মোক্ষ) দি ভানফমসু থোকই।

অধ্যায় অসিদা মক্ত ওইনা কর্ম্মযোগকী তত্ত্বরহস্য (অকুপ্পা ৱারোল) তাকপীরি। শ্রীকৃষ্ণনা অর্জ্জুন য়েংহনা তম্বীরি। মহুদি সৃষ্টিগী অহানবা শরক্তা কর্ম্মযোগকী তত্ত্ব পুম্নমক বিবস্বান (সূর্য্যসুমিৎ কৌবা লাইদা) শ্রীকৃষ্ণনা তম্বীখি। সূর্য্য দেবনা মনুনা তম্বীখি। মনুনা অমুক ইক্ষ্বাকুনচিংবা রাজর্ষিশিংনা তম্বীখি। মতৌ অসুমনা রাজর্ষিশিংনা মথং মথং তম্বরকপা বিদ্যা অসি মতম শাংমরখিবদগী হৌজিক্তি কর্ম্মযোগকী তত্ত্বজ্ঞান অসি মুম্না থংনরক্তে। মরম অদুনা অর্জ্জুনদা শ্রীকৃষ্ণনা অমুক হন্না নোনা ভাকে হায়রি। মরমদি— অর্জ্জুনদি শ্রীকৃষ্ণগী চায়রবা সখা, ভক্ত

(মরূপ কুম্না তিন্নবা) ভক্তনি। ৱাফম অসিদা অর্জ্জুনগী অঙকপা ৱাফম অমা পোকহল্লি। মহুদি— বাসুদেব কৃষ্ণদি দ্বাপুর যুগতা পোকপনি। অদুগা সূর্য্যদেবদি সৃষ্টিগী অহানবদগী লৈরম-লবনি। মরম অসিদগী মীগী শকলোল লৌরিবা দ্বাপুরগী শ্রীকৃষ্ণনা কালচক্রগী প্রতিক (মতমগী খুদম) ওইরিবা সূর্য্যদা কমদোনা তাকপী তম্বীখিব্রনো? হায়বা ৱাফম অসি হংজরি। যোগেশ্বর কৃষ্ণনা শিষ্য অর্জ্জুনগী সন্দেহ (চিংনবা) কোক্লবগী-দমক্তা অধ্যায় অসিদা জগৎপু শাসন তৌরিবা ঈশ্বরগী অবতার তত্ব অমসুং জীবশিংগী জন্মান্তর (হন্না হন্না পোকপা শিবগী ৱাফমদগা) অমসুং জগৎকী নিয়ম অমদি ভগবানগী জর্ম্ম কর্ম্মগী তত্ব তাকপীরকই। মায়ানা থুমহত্তুনা কর্ম্ম ফলগী মখা পোল্লিবা জীবশিং অয়াম্বদি হৌখিবা মপোক নীংশিংবা ঙমদে। অদুগা মায়াগী মপু ওইবা ভগবানদি অবতর তৌখিব্রা মপোক খুদিংমক নীংশিংবা ঙমই হায়না তাকপীরি। অদুগা মাওইনা পোকচবা ফংলবা জীবশিংগী অধিকার (মতিক মগা চাবা) গী মতুং ইন্না মশা মশাগা চুশন্নবা যজ্ঞ (মথৌদাং; Duty) শিংবু শীংথানরি। অয়োয়বদা কর্ম্মগী থৌরি অসি ককথত্তুনা আত্মজ্ঞান ফংনবা পাম্বৈ পুন্নমক তম্বীরি!

জীব পুন্নমক্কী সুংঙাই য়াইফনবা অমসুং মঙ্গল ওইনবা খল্লিবশিংগী মসুংদা খ্বাইদগী হেন্না শিংবা, তৌবা ঙম্বা অমসুং সুংশি-হৈবদি ঈশ্বরনি। ইবুংঙো মহাক্কী অথোইবা থৌদাংদি— জগৎ অসিবু শেম্বা (সৃষ্টি), য়োকপা (স্থিতি), মাংহনবা (সংহার), অনুগ্রহ (অফবা জীববু থৌজালনীবা) অমসুং তিরোভাব (থুপচনখিন্দুনা উহনখিদবা) মঙা অসিনা মপুংনি। অর্জ্জুনগী সারথি ওইবীরিবা বাসুদেব শ্রীকৃষ্ণ অসিমক কর্ম্ম,

ভক্তি অমসুং জ্ঞানগী গুরুনি। জগৎকী নিয়ন্তানি। তাইবংপানবগী মপু অমসুং নোংঙম্বনি। পোকপা শিবা নাইদবনি। কর্ম্মগী মথা পোন্দবনি। প্রকৃতি কৌবী বৈষ্ণবী মায়াবু খুত্থম চন্দুনা মহাকমকী শক্তিনা মথল মথা অয়াম্বা অবতার তৌবা ঙম্মী। অরুবা জীবশিংবু য়োকখৎপীনবা, ফত্তবাশিংবু মাংহনবা অমসুং ধর্ম্মবু শেমগৎ-শাগৎপীনবগীদমক্তা যুগ যুগ খুদিংদা অবতার তৌই। ভগবানদি— সর্ব্বজ্ঞ (জ্ঞান পুম্নমকী হৌরকফম) পুংখং খংবা (Omniscient) নি। সর্ব্বব্যাপক (মফম পুম্নমক্তা শিনথুংবা (Omnipresent) নি। অমসুং সর্ব্বশক্তিমান (পুম্নমক ঙম্বা Omnipotnet) নি। মহাক্কী ওকলবা শক্তিনা পোৎ খুদিংমক্তা চংহনা অতৎপা লৈনতা থবক তৌরি। ভগবানগী ইচ্ছা (আনিংবদগী) মহৌশা কৌবী লাইরেম্বী (প্রকৃতি Nature) না ভগবানগী য়াথং মতুং ইন্না থবক্কী হীরম খুদিংমক পাংথোকলি। প্রকৃতিবু গতিশীল— ক্রিয়াশীল (থৌশাংবী Dynemic power) কৌই। গাড়িগী কাংথোং অমনা মশাবু ফাদুনা থমলিবা থরা (Action) গী অকোইবদা হন্না হন্না কোইনা লৈবগুমনা ঈশ্বরগী সত্তা (Existance) কী মতেং লৌদুনা থবক পুম্নমক পাংথোকলি। লেংদবা, হোংদবা, মপুং ওইবা, মরাগী মপু— ভগবানদি— স্থিতিশীল (Static power) নি। মতৌ অসুমনা সচ্চিদানন্দ ওইবা ভগবানগী সৎ-অংশনা সৃষ্টি, স্থিতি অমসুং সংহার তৌবিরি। প্রকৃতি কৌবী মায়া শক্তিনা ভগবানগী ইচ্ছা মতুং ইন্না মতেং পাংবতনি; চিৎ শক্তিনা অচং চত্না জীব পুম্নমক্তা চৈতন্য শক্তি পীদুনা শিন থুংনা লৈরি। অমসুং রাখল লৌশিং পোকহল্লি। অতুগা আনন্দ অংশনা জগৎ পুম্নমকী মাধুর্য্য ওইবীদুনা নীংথিজহল্লি অমসুং নুংঙাইহল্লি। সৎ-শু সত্য

স্বরূপনি কোই। অদুগুম্বা সত্য নরায়ণবু ভগবান শ্রীব্যাসদেবনা শ্রীমদ্ভাগবতকী অহানবা শ্লোকতা "সত্যং পরং ধীমহি" হায়না প্রার্থনা তৌই। রাষ্ট্রপিতা মহাত্মা গান্ধিজীনা তাকপীরম্মী। মদুদি—"সত্যদি ঈশ্বরনি হায়বনা ঈশ্বরদি সত্যনি হায়বদগী মরিক চুম্না চুম্বা হেল্লি।" মীওইবগী পুনশিদা ঈশ্বরগী শক্তিশিং অসিনা কর্ম্ম তৌনবা, শক্তি লৈনবা অমসুং আত্মজ্ঞান তাম্নবা শক্তি পুম্নমক পীনবীরি। ভগবানগী সৃষ্টি লীলাদা মুপ্পা য়াথল তৌদুনা য়েংশল্লুরগা নিয়ম (পথাপ) অমগী মথাদা মুনিন্তুম্না উফুল মরিক্ক ফাউবা থবক তৌরি। ভারতকী সংস্কৃতি (Culture) গী মতুং ইন্না সূর্য্যনা গ্রহ-উপগ্রহ পুম্নমক্কী মকোকনি। কালচক্রগী প্রভিকনি। অঙানবা পুম্নমক্কী হৌরকফমনি। থরাই পানবা পুম্নমক্কা প্রানশক্তিগী পোক্লফমনি। ভগবানগী ইচ্ছা (will) মতুং ইন্না নিযম কাইদনা কর্ম্ম তৌম্নিবা প্রবৃত্তিগী শকলোল অমনি। নুমিৎনা আকাশতা থোকলগা মঙাল মশেকনা মালেম লৈমদা য়ৈরগা জাবশিংদা তীং হাপ্লীরি। মনা মশীং মহৈ মরোং চুম্না পালহল্লি। অদুগা পৃথিবীগী রস (মহি) পুম্নমক আকাশতা চিংথৎলি। অয়িংবা নুংশিৎনা অমুক হুমহুনা নোং ওইনা মালেম পৃথি আসদা তাহল্লি। মতৌ অসুমনা জগৎকী মঙ্গল ওইনবা কর্ম্ম তৌরি। নুমিৎকী নীংথিজরবা ফীদম অসি লৌজদুনা মনু, ইক্ষ্বাকু অমসুং জনকনচিংবা রাজর্ষিশিংনা প্রজা পুম্নমক্কী মঙ্গল ওইনবা রাজশক্তি পুম্নমক শিজন্নরম্মী। মতৌ অসুমনা মশাগী ওইজবা পুম্নমক থাদোক্তুনা অনাসক্তি ওইনা কর্ম্ম তৌবদি পুনশিগী অথোইবা সাধনানি। ঈশ্বরগী ইচ্ছাদা কর্ম্ম তৌবনি। তাইবংপানবদা পোকলিবা জীবশিংগী মঙ্গল ওইনবা ঈশ্বরনা সৃষ্টি লীলা শান্নরি। সৃষ্টিগী নিয়ম পুম্নমক্তা ভগবানগী

অৱানবা থবক অমত্তা য়াওদে। পুন্নমক্কী মুংঙাই য়াইফনবা ঙাক্কনি। জীবনা অৱা মুংঙাই ফংলিবসিদি মশা মশাগী কর্ম্ম ফলনা ফংজবনি। মবন্ন ইগী ওইবা ৱাখল থাদোকলবা, থম্মোয় শেংলবা মপুন্নশিবু সাধনা ওইনা থল্লবা মীওইদি আত্মজ্ঞান তানবদা মতিক চাবা মী অমা শোইদনক ওইৱকই। মখোই-দুবু "সর্ব্বভূত হিতেরত" কৌই। মখোইবু কর্ম্মগী লংদগী ঈশ্বরনা লাম্থোকচল্লি। জীব খুদিংমক মপোক কযারক্কী সংস্কার য়োমদুনা লৈ। মবম অদুনা মশা মশাগী গুণ অমম্তুং কর্ম্ম থক নাম্মদে। মীওইবগী পুনশিবু "কর্ম্মযোনী" কৌই। অতৈ মপোকনা "ভোগ যোনী" কৌই। মী খুদিংমক্কা ঙসিদা সংস্কারশিংগী মতুং ইন্না মপুনশিদা মশানা হৈনজবা অমম্তুং পামজবা থৌৱম অমম্তুং থৌদাং কয়ামকম লৈ। কনা কনাগুম্বা মাওইনা মপুনশিদা আত্মজ্ঞান তানবনা মপুং ওই। কনা কনাগুম্বনা লৈবাক্কী ৱায়েল থৌদাবা ৱাজনীতি ক্ষেত্রদা মপুনশি লেল্লি। কনা কনাগুম্বনা ললথুম তানবা, লৌউ-শিংউবা শা-শল লোইবা অমম্তুং খুংশা হৈবদা মপুনশি লেল্লি। কনা কনাগুম্বনা মশাগী মপাঙ্গল অমম্তুং মথৌননা শুনোমদুনা অতোপ্পগী সেবা তৌই। আত্মজ্ঞান তাল্লগা অতোপ্পবু তাকপী তম্বীদুনা শান্তিগী লম্বী থংহল্লিবশিং অদুবু ব্রাহ্মণ কৌই। অদুগা লৈবাকঙাক্কুনা সমাজবু ঙাক-শেল্লিবাশিং অদুবুনা "ক্ষত্রিয়" কৌই। লৌউ-শিংউবা লংল্লান-ইতিক তৌরিবা কাংবু অদুনা বৈশ্য কৌই। অদুগা মশানা শু-নোমলিবা কাংবু অদুনা শূদ্র কৌই। বর্ণ মরি অসি শেম্বদা ঈশ্বরনা মিচং নিথাই নাইরুবগী ৱাফম অমত্তা লৈতে। মশা মশাগী গুণ অমম্তুং কর্ম্মগী মথা পোনথিবননি। সত্ত্বগুণনা হেন্না পোকললকপা মীতাশিংনা— তত্ত্বজ্ঞান থিবা অমম্তুং

মপুন্নশি অনি চম্না লেনবা পামহল্লি। রজোগুণ অমসুং সত্ত্বগুণ অনি চপ মান্নবা ক.ংবুনা বাঙ্গনীতি পা।হন্নি। অদুগা রজো গুণনা চাং হেনবা কাংবুন। লল্লোন ইতিক অমসুং খুৎশা হৈৎদা পুক্লিং চংহন্নি। অদুগা তমোগুণনা হেননা মপঙ্গলনা হেন্না শুবা নোম্বা মীতা ওইগল্লি। থোদাং খুদিংমক মথৌ অমা ওইনা তৌববসু অনাসক্ত ওইনবদি মপুন্নশগী সাধনা ওলহন্নি। কর্ম্মযোগী অমনা কর্ম্ম, বিকর্ম্ম অমসুং অকর্ম্ম হায়বনি কবিনো হায়বদু নীংখিনা খংফম থোকই। তৌফম থোকপা ইথোদাং শোয়দনমক মহৈ যানগদবা থবকশিং অদুনা "কর্ম্ম" কৌই। তোফম থোক্তবা শাস্ত্রনা য়াদবা নিষিদ্ধকর্ম্মশিং অদুনা "বিকর্ম্ম" কৌই। অদুগা নিষ্কাম ওইনা ইশাগী ওইজবা যেংদনা চিত্তশুদ্ধি ওইনবা অমসুং জগৎকা মঙ্গল ওইনবা তৌবিবা কর্ম্ম অদুনা অকর্ম্ম কৌই। তৌগদবাশিংগী মহুংদা তৌবোইদবা অমসুং তৌরোইদবশিংগী মহুংদা তৌগদব খংলবশিংবু— কর্ম্মগী তত্ত্ব খংলবা কৌই। শাস্ত্রনা তাকলিবা বিধি অমসুং নিষেধ (তৌহৈবা তৌহৈদবা) তাকলিবাশিং অদু মশাগী যুক্তিনা লেপ্পকদবনি। যুক্তি অমসুং বিচারগী মতুং ইন্না পুম্নমক্কী মঙ্গল ওইনবা অমসুং মশাগী মুক্তি ওইনবা হোৎনগদবনি। মীওইবগী পুন্নশিদ সাধনা ওইনা পাংথোকলকপা থোৱমশিং অমসুং সিদ্ধ ওইবগা পাংথোক-লকপা থোৱমশিং অমসুং মুক্ত ওইবগা পাংথোরকপা থোৱমশিং অসি চপ মান্নদে। সাধন অবস্থাদা তৌখিবা কর্ম্মশিংনা মশাগী পাপ কোকহল্লি অমসুং থম্মোয় শেংহল্লি। সিদ্ধ অবস্থাদা মপোক কয়াৱক্কী সংস্কার মাংহল্লি। অদুগা মুক্ত অবস্থাদা তৌরকপা কর্ম্মনা মরম্লাইগী ওইবা অতোপ্পা পুক্লিং অমা লৈখিদবা মরমনা ভগবানগী ইচ্ছাদা কর্ম্ম তৌরকই। মখোইদা পাপ অমসুং পুন্য শুকচং

চংখিদ্রে। মরম অদুনা ইপেন্দা পেন্দুনা লৈ। মরম্মাইগী ওইনা অপাম্বা খোরাংবা লৈতে। পুক্নিং অমসুং ইন্দ্রিয়শিংবু ইলাই লাইনা জয় তৌবা ওমই। মরাইবক্তা তমলকপা অদুদা পেন্দুনা লৈবা ওমই। ধর্ম্ম কাইহন্দনা মী অতোপ্পাবু ওংলুদনা অফংবা খরতনা পেনবা ওম্লবা অরা ম্নুংডাই, অম্বিং অশানচিংবদা মপুক্নিং ওন্দ্রবা, কল্লক খম্বল লৈত্রবা, খবক্কী মহৈ যানবা অমসুং য়ান্দবদা ফংবা অমসুং মাংবদা মশাদা নাচুংদ্রবা মীতাশিং অদুদি শোয়দনমক সংসার অসিদগী লানবদা মতিক চারবা মী অমা ওইরবনি। মরম্মাইগী ওইবা রাখল (অভিমান) মাংখ্রবা মবমনা পরমেশ্বরদা মপুক্নিং লুপশনবা ওমই। কর্ম্মযোগীশিংগী মপুনশিদি যজ্ঞগী মশকনি। জগৎ পুম্নমক ব্রহ্মগী মশকনি হায়না খনবা ওমখ্রবা জ্ঞানীশিংনা জীবাত্মাবু ব্রহ্মদা হোম তৌই। মসিবু "জ্ঞানযজ্ঞ" কৌই। কনা কনাগুম্বনা জ্ঞানইন্দ্রিয়শিং অমসুং কর্ম্মইন্দ্রিয়শিংবু লাকশল্লগা সংযমগী মশক ওইবা মৈদা হোম তৌই। নিবৃত্তি মার্গ— ব্রহ্মচর্য্য অমসুং সন্ন্যাস আশ্রমদা লৈদুনা মপুনশি লেপ্লি। অদুগা কনা কনাগুম্বাশিংনা প্রবৃত্তি মার্গ— গৃহস্থ ধর্ম্মদা— ময়ুম মকৈ পান্দুনা ইন্দ্রিয়শিংগী অধিস্থাত্রী দেবতাশিংদা "হিতমিতভোগী" কাল্লগদবা অমসুং ফগদবা বিষয় ভোগপু— চাংনাইনা শিজন্নৈ। অমসুং "ভোগেন মুক্তি সাধনম্" মশাগী চিত্তশুদ্ধি ওইনবা বিষয় ভোগ তৌই। কনা কনাগুম্বা ধ্যানযোগী— রাজযোগীশিংনা চিত্তবৃত্তিবু ফাজল্লগা ধ্যান তৌদুনা সাধনা তৌই। কনা কনা-গুম্বশিংনা মতিক চাবা, মফম চাবা য়েংদুনা মতম চান্না দান তৌদুনা মশাগী ওইজবা থাদোক্নুনা দানযজ্ঞ তৌই। কনা কনা-গুম্বনা মতিক চাবা গুরুশিংদা চংজরগা বেদশাস্ত্র তমজদুনা স্বাধ্যায়গী মশক ওইবা যজ্ঞ তৌই। অদুগা কনা কনাগুম্বা

হঠযোগীশিংনা প্রাণ অমসুং অপান বায়ুবু সংযম তৌরগা প্রাণায়াম মশক ওইবা যজ্ঞ তৌই। হঠযোগীশিংদি— চান্না হেনবা য়াদে। জীবনীশক্তি— প্রাণশক্তিবু নিংথিনা য়োকলগা সাধনা-য়োমদা শিজন্নৈ। মতৌ অসুমনা শাস্ত্রশিংদা তাকপী তস্মীরিবা সাধনা পুম্নমক পাপ কোক্নবা অমসুং চিত্তশুদ্ধি ওইনবগীদমক্তনি। সাধনাশিং অসি কর্ম্মদগী পোকপনি। কর্ম্ম পুম্নমক জ্ঞানদা লোমগদবনি। বেদশাস্ত্রদা তাকলিবা— ক্রিয়াকাণ্ড (Rituals) পুম্নমক জ্ঞান যোগতা চংশনবা ওন্নবা য়াম্না পৌনা পোংশক্কা কোম্লনা তাকপীবনি। পোৎচং যাওবা যজ্ঞদগী অজ্ঞানবু অকংবা শীং ওইহল্লগা জ্ঞানগী মৈরানা চাকথেক্তুনা মাংহনবা জ্ঞান-যজ্ঞনা অথোইবনি। মরমদ সাধনা পুম্নমক আত্মজ্ঞান ফংগে তাল্লকপা ওাক্তনি। মরম অদুনা মতিক চারবা তত্ত্বজ্ঞান খংবা গুরু অমগী মফমদা চংজদুনা, গুরুবু পেন্নবা সেবা তৌজদুনা পেলহল্লগা নোল্লুকনা খুরুমজদুনা — খংনিং হৈনিংবা তত্ত্বজ্ঞানবু তমগনি। সদ-গুরু অমনা মতিক চারবা শিষ্য অমবু শিক্ষা, দীক্ষা অমসুং পরীক্ষা পীবিদুনা ব্বারক ব্বাতেম্বীবা শাসন, মমিৎ পাংহনবা খংহনবা দীক্ষা চাংয়েংবা (পরীক্ষা) কয়ামুক লৌবা তুংদা আত্মাগী স্বরূপ খংলবা তত্ত্ব পুম্নমক তাকপীরকনি। মপুনশিদা তৌহৈ তৌহৈদবা পাপ কয়া তৌরক্তুনা খ্বাইদগী হেল্লা পাপ চেনবা মী অমা ওইরফাউবদা আত্মজ্ঞাননা হি ওইদুনা লানওমদবা সংসার সমুদ্র লাম্থোকপা ওমগনি। আত্মজ্ঞান ফংলবা মী অমনা মশাগী আত্মাবু অতোপ্পাদসু উবা ফংই। সমদৃষ্টি ওই। কর্ম্মযোগ অমসুং ধ্যানযোগতা হাল্লা সিক্ক ওইরবা মীনা আত্মজ্ঞান ফংবদা মতিক চারবা মী অমা ওইবা ওমলকই। শাস্ত্র অমসুং গুরুদা শ্রদ্ধা (অচেৎপা থাজবা) লৈরবা, পুক্নিংচংবা, ইন্দ্রিয়শিংবু খুদুম চনবা ওয়বা মীওইনা আত্মজ্ঞান ফংবা

উমই। আত্মজ্ঞান ৱাংলবা, শ্রদ্ধা লৈত্রবা, ঈশ্বর, শাস্ত্র অমসুং গুরুদা চিংনবা লৈরিবা মথৌদি ইন্দকমুকী মপোক্তসু অমসুং হয়েংমুকী মপোক্তসু করিমত্তা কাম্নবা ফংবা ওমদে। মরম অসিনা জ্ঞানগী খোংবা থাংনা অজ্ঞানদগী পোকলকপা থমোয়দা লৈবা সংশয় (চিংনব মথৈবু) - ককথংলগা সাধনা তৌখংলু অমসুং অকনবা পুনশিগী অকনবা লানফম থেংনবগীদমক্তা হোৌগংলু। মথক্কী শ্রীকৃষ্ণ পাওতাকশিং অসিনা ৪শুবা অধ্যয়গী সারাংশনি।

ইতি— জ্ঞানযোগ নাম চতুর্থোঽধ্যায়।

পঞ্চম অধ্যায়

কর্ম্ম সন্ন্যাস যোগ

অধ্যায় অসিগী মমিং "কর্ম্ম সন্ন্যাস যোগ" কৌই। শ্লোক ২৯ থকনা শাবনি। অর্জ্জুনগী ৱাহং অমা শ্রীকৃষ্ণগী পাউখুম ২৮ থকনি। মথক্কী অধ্যায়দা কর্ম্ম যোগতগী জ্ঞানযোগনা অথোইবনি হায়বগী উংখরে। ৱাফম অসিদা জ্ঞাননিষ্ঠা-(সন্ন্যাসমার্গ হায়বদি- নিবৃত্তি মার্গ গা-) প্রবৃত্তিমার্গ- (কর্ম্মযোগক) লৈনরিবা মরী (সম্বন্ধ) অসি মুন্না থংদবদগী অর্জ্জুননা মশাগী চিংনবা কৌক্লিবা হংজরি। কর্ম্মযোগ তো হায়নসু ইনশনবীরে অদুগা জ্ঞানযোগনা অথোইবনি হায়নসু তাকপীরে। যোগ অনি অসিগী মরক্তগী করম্বনা অথোইবনো? মদুগী পাউখুমদা শ্রীকৃষ্ণনা যোগ অনিমক্কী পণ্ডুংকম অমসুনি হায়না তাকপীরি। কর্ম্ম পুমথা থদোকলগা

চিত্তশুদ্ধি ওইবা ওমদনা সন্ন্যাস মার্গদা চংশনবগী মহুত্তা চিত্ত-শুদ্ধি ওইরগা পুকচেল চাংচং অমত্তদা লৈবা ওমলগা (সমত্ব বুদ্ধি Balance mind) ওইবনা কর্ম্মযোগী অমন। হেন্না কৈ হান্নবা তাকপীরি। থমোয় লুরবা, পুক্লিং হকচাং অনিমকপু লাকলনবা ওমলগা (সংযম তৌববা) জীব থুদিংমক্কী আত্মাগা মশাগী আত্মাগা অমত্তনি হায়না থনবা ওমলবা কর্ম্মযোগী অমদি সিদ্ধ ওইথরবা সন্ন্যাসি অমগা চপ মান্নে। শন্না হায়রবদা কর্ম্মযোগতা সিদ্ধ ওইদ্রিবা অমসুং চিত্তশুদ্ধি ওইদ্রিবা মীনা সন্ন্যাসতা চংশনবা ওমদে। চিত্তশুদ্ধি ওইখবা কর্ম্মযোগী অমনা জগৎকী শিনবগীদমক্ত মশাগী ওইজবা য়েংদনা কর্ম্মতৌবকপদুবু "ত্যাগী" কৌই। মখোয়দা কর্ম্মফলনা পুমবা ওমদে। সন্ন্যাসী অমনা মবুকচেল ফাজন্দুনা অচিংপা মফমদা লৈবগা ধ্যান তৌদুনা মশাগী আত্মাবু মফম থুদিংমক্তা উবা ওমলিবা অদুগুম্না ত্যাগী অমসু উবা ওমই। যোগ অনিমক্তা থমোয় শেংদবদি য়াদে। সন্ন্যাসী অমগা কর্ম্ম-যোগী অমগা তোঙানবনি হায়বসি পণ্ডিতশিংনদি হাযদে। শ্রীকৃষ্ণ মশামক —কর্ম্মযোগ, ভক্তিযোগ অমসুং জ্ঞানযোগ অহুমক সমন্বয় তৌবা — (চপমান্নবা চংপা) ওকনি। শ্রীকৃষ্ণ সন্ন্যাসী নত্তে। অদুমনদি ওইরগা ত্যাগীনি। জ্ঞান অমসুং বৈরাগ্য য়াওদবসু নত্তে স্বধর্ম্ম থাদোকলবা মীদি সন্ন্যাসী অমদা লৈবা গুণ পুম্নমক লৈ। নিস্কাম কর্ম্ম তৌনা তৌনা আত্মজ্ঞান তানশল্লি। কর্ম্মযো-গীশনা চিত্তশুদ্ধ ওইদ্রবা সন্ন্যাসী অমনা পুম্নমক্কী আত্মাদি অমত্তনি হায়না উরবা সন্ন্যাসী অমনা পুম্নমক্কী মঙ্গল ওইনব লোকসংগ্রহগীদমক্তা সঙ্কল্পমত্রাদা (মপুক্লিংনা কহন্নিংবতদা) থো-ইদোকপা ফল (মহৈ) অমদি ফংলকই। তৌইগুমগুং কর্ম্ম-

যোগীশিংদি:মপুক্লিংসু মখুৎসু চপ মান্নবা চংশনবুনা লোকসংগ্রহ-গীদমক্তা থবক তৌরকই। মতুনা অয়াম্বা মীগীসু ফীদম অমা ওইরকই। অদুগা অনাশক্তিযোগনা ময়ম ওইদুনা জ্ঞানিশিংনা ফংলিবা শান্তি অদুসু অদুম ফংই। কর্ম্মগী মহৈনা পুন্দনবা কর্ম্ম তৌরিবা কর্ম্মযোগীশিংনি মতম চুপ্পদা সমত্ববুদ্ধি ওই। মহাক্কী আত্মাদি সাক্ষীমাত্র—(শুপ্নতগী সাক্ষী) ওইদুনা লৈবনি হায়বসি খংই। অদুগা নিস্কাম কর্ম্ম তৌদুনা চিত্ত-শুদ্ধি ওইখি-ত্রিবা মীতাশিং অদুনা সন্ন্যাসা অমা ওইখিবসি খুদোংখিনবগী মশকনি। কর্ম্মযোগী অমনা পুক্লিং শেংলক্তুনা অশেংবা বৈরাগ্য লাক্তুনা পুক্লিং হকচাং অনিমকপু খুদুমচনবা ঙমলবা অমসুং জীব পুন্নমক্তা মহাক্কী আত্মাদুমক লৈ হায়না খনবা ঙমলকলবা মতম অদুদা তৌরকপা থবক খুদিংমক্তি ঈশিংদা থম্বাল শাৎলগা থম্বালদা ঈশিং মরিক অমত্তা পক্তবগুমনা কর্ম্ম ফলগী মখা পোন্দে। কর্ম্মযোগতা সিদ্ধ ওইরবা যোগী অমনা—উবা, তাব, শোকপা, মনম নম্বা, চাবা, চৎপা, তুম্বা—মুংশাশোর হোনবা, ঙাংবা, থাদোকপা, লৌবা, মিৎপাংবা উইশনবা-নচিংবা থবক খুদিংমক্তা মহাক্কী আত্মানা করিগুম্বা অমত্তা তৌদে, ইন্দ্রিয়শিংদনা তৌজবনি হায়বনি মপুক্লিংদা—লেপ্পা ঙম্মী। ময়ম অসিদগী চিত্ত-শুদ্ধি ওইনবগীদমক্তা হকচাং পুক্লিং ৱাখলতনা করিগুম্বা মহৈ অমত্তা ফংগে খল্লুদনা কর্ম্ম তৌদুনা লৈ। কর্ম্ম ফল থাদোকপা ঙম্বা ময়মদগী মতম চুপ্পদা শান্তি ফংই। অদুগা তৌজমন মহৈ য়াম্না পাম্বা মীওইনা অপাম্বাগী মখা পোল্লুবদগী কর্ম্মগী মহৈ ফংনবগীদমক্তা কর্ম্ম তৌরুই। ময়ম অদুদগী সংসারগী লাংদা থুখি। মপুং ফানা ইন্দ্রিয় অমসুং পুক্লিংবু জয় তৌবা ঙমলবা মীনা থোং মাপল পানবা, হকচাংগী মশক ওইবা

য়ুম অসিদা কখিন্নু ভৌদনা, কনাদন্নু ইনশিল্লুদনা, কুংঙাইনা পোখাহুনা লৈ। জগৎ মপু ঈশ্বরনা কনাগুম্বা জীব অমনু হকচাংগী থোবুরেল (কর্ত্তা), ভৌনবা থবক (কর্ম্ম) অমসুং কর্ম্মফল থবকী মহৈ থক শেমদে। অজ্ঞানগী মশক ওইবা মায়া শক্তি প্রকৃতিনা জীববু কর্ম্মগী থোবু (কর্ত্তা) ওইনা নমহুনা থবক ভৌহল্লি। পরমেশ্বরনা কনাবুসু— পাপ নত্রগা পুন্য চেনবা থবক ভৌনবা ইনশনদে। জীবগী পোকপদ্গী হোনা চেন্নরকপা— কর্ম্মগী সংস্কারনা নমহুনা কর্ম্ম ভৌহনবনি। আবদ্যমায়াদগী পোকপা ওয়তৈনবা রাখল (মোহ) না জীববু গুমহৎথিবনি। থমোয়দা পুনশনহুনা লৈরিবা অজ্ঞানবু আত্মবিচারনা মাংহনখ্রবা মী অদুদি সুমিৎনা আকাশতা থোরকলগা মথক্তা অমম্বা পুন্নমক মাংখ্রগা মথন্তা ঙাংঙোকচরকপগুম্ আত্মজ্ঞননা ঙাঙ্গোরকপা ওমই। পরমাত্মাদা অরেপ্পা রাখল থম্বা ওমলবা, আত্মস্বরূপতা হনজনবা ওমথ্রবা, পাপ অমসুং পুন্যগী ফল ফংগদবা লৈত্রবা "বিদ্বৎ— সন্ন্যাসীশিংনা" সংসারদা অমুক হল্লকলয়োইদবা অরানবা খুবম অদু ফংবা ওমই। হিংলিঙৈ মতম অসিদসু সমদর্শি হায়বদি— জীব খুদিংমকী আত্মাগা মশাগী আত্মাগা অমত্তা ওইনা উবা ওমই। মায়াগী কল্লবা গুণ অহুমদা খুমহন্দুনা থমলিবা আত্মাবু— সত্ত্বগুননা হেনবা ব্রাহ্মণ পণ্ডিতশিং, রজোগুননা হেনবা শল অহুগা তমোগুননা হেনবা শামু ওইনা অমসুং চণ্ডালশিংদা চপ মান্নবা লৈরিবা আত্মা অতুভবু উবা ওমলকই। পরংব্রহ্মগী রাখলদা লুপখ্রবা জীবনমুক্ত ওইখ্রবা মীওইশিং অদুদি— মায়াগী পাজলনা ভোঙান ভোঙায়া উহল্লিবা পুন্নমক অমত্তা ওইনা উবা ওমলকই। মখোই অসিগী মভৌদি— অপাম্বা পোৎ ফংলগসু থোই-থোক্লা হরাওদে অমসুং পাম্নবা লৈনবা থোৎলাক অমা থোকলগসু

খোইদোক্না ৱায়ে। শব্দ- (খোঞ্জেল), স্পর্শ- (শোকপা) রূপ (মওং) রস মহাও অমসুং গন্ধ (মনম্) নচিংবা জ্ঞান ইন্দ্রিয়শিংগা মরী লৈনবদগী পোকপা অপাম্বা পুন্নমক থাদোকখিবা মমমনা— মহাক্কী হায়দিদা— অশেংবা শান্তিঃ ফাউরকই। অমসুং পরংব্রহ্মদা সমাধি ওইবা ওনলবা মী অদুনা অমাং অতা লৈত্রবা— আনন্দ — অদু ফংই। ইন্দ্রিয়শিংগা মপানগী শব্দনচিংবা তত্বগা মরি লৈনবগা পোকপা নুংঙাইবদি— অহোবা, অমসুং অয়োইবা নাইবনি। মরম অসিনা জ্ঞান লৈবাশিংনা পামশল্লুদে। শিত্রিতৈ মমাং অসিদা অপাম্বা অশাওবদগী পোকপা পুক্নিংগী অকনবা ঈথক ঊহনবু থাংবা ওমলবা মী অদুদি- যোগীনি। মপানথোংগী নুংঙাইবা পুন্নমক থাদোকলগা আত্মাগী অপেনবা ফাওরকলবা, অমসুং পরংব্রহ্মগা জীবাত্মাগা অমত্তা ওইনা পুনশনবা ওন্নবা যোগী অদুদি অমাং অতা লৈত্রবা অরেপ্পা নুংঙাইবা (আনন্দ) অদু ফংবা ওমই। মখোইনা ইন্দ্রিয়শিংদগী পোকপা নুংঙাইবা পুন্নমকপু — অহোবা অয়োইবা নাইবা অৱাবা পুন্নমকী পেক্লফম ওইবনি হায়না খন্দুনা পামশল্লুদে। ইন্দ্রিয় সংযমনচিংবা হকচাংগী তপস্যা অমসুং মনসংযমনচিংবা পুংক্লিগী তপস্যানা মশাগী পাপ পুন্নমক মাংখিহনা অমসুং মপুক্নিংদা লৈরম্বা চিংনবা পুষা কোকখ্রবা, জীবপুন্নমক্কী কান্নবতা থল্লবা, তত্বজ্ঞান খংলবা ঋষিশিংতনা "ব্রহ্মনির্ব্বান"— (ব্রহ্মদা তিনবা অয়ানবা খুবম) অদু ফংবা ওনই। মখোই অদুগী হায়দিদা— কাম (অপাম্বা), ক্রোধ- (অশাওবা) নচিংব- মীওইবগী য়েক্কবা ৬ (রিপু তরুক) অদু মাংখিবা মমমনা আত্মজ্ঞান ফাউরকই। জীবনমুক্ত ওইরবা যোগী অমগী হায়দিদা সংস্কার পুন্নমক মাংখ্রবা মমমনা— ঊশিংদা মৈগী মঙাল তাবগা অমসুং মৈগী মমিথি ঊরগা করিমত্তা তৌরক্তনঙম— অপাম্বা

অশাওবনচিংবা রিপু ৬ না করিমত্তা মগুক্লিং হোংহন্দে। মখোইদি ইলাই লাইনা পুক্লিংদগী মপালগী রাখল পুন্নমক তকথোক্লুনা কাওথোকপা ঙমই। অমসুং পীওম অনিগী কায়স্তা মিথংবে অমত্তা ওইনা য়েংতুনা হোনজিল্লিবা স্বর প্রাণ অমসুং হোন্দোকলিবা অপান কৌবা লুংশিৎপু কাক্তিন্দুনা লৈতাহন্নগা ইন্দ্রিয়শিং, পুক্লিং অমসুং বুদ্ধিবু সংযম তৌদুনা অনিংবা, অকিবা অমসুং অশাওবনচিংবা থুদুম চদুনা বিষয়গী রাখল পুম্নমক কোকহন্নগা মতম চুন্নদা— আত্মাগী স্বরূপতা ধ্যান তৌদুনা লৈবা ঙম্মী। মরম অদুনা মতম চুপ্পা সংসারগী মায়াদগী লাম্হোকখি। নিষ্কাম কর্ম-যোগ, তপস্যা যজ্ঞনচিংবা তৌরিবা যোগীশিং অসিনা পরমাত্মাবু পুম্নমকী মপুনি, পুম্নমক মহাক্লা লোংদমলিবনি, পুম্নমকী কান্নবা তৌবিরিবা মরোল পুম্নমকী— মপুনি হায়বসি খঙদুনা শান্তিঃ ফংই।

ওঁ তৎ সৎ (সম্পূর্ণম্) ইতি পঞ্চমোইধ্যায়ঃ

ষষ্ঠ অধ্যায়

ধ্যানযোগ অমদি আত্ম সংযম যোগ

অধ্যায় অসিগী মমিং "ধ্যানযোগ অমদি আত্ম সংযম যোগ" কৌই। শ্লোক ৪৭ থকনি। শ্লোক ৫ না অর্জুনগী রাহং অদুগা শ্লোক ৪২ না শ্রীকৃষ্ণগী পাউত্তাকনি। গীতা অধ্যায় ১৮ অসি শরুক অহুম থোক্লা খাইদোকলগা অধ্যায় ৬। ৬ নি। অহানবা অধ্যায়দগী ভরকওবা অধ্যায় অসিদা—"কর্ম্মযোগনা" মরু ওইনা

তাকপী ঃ অহানবা অধ্যায় বিষাদযোগতা সাধক অমবা সত্বগুণ য়াদা হেনগৎলক্লু না সংসারগী ফুগাই য়াইফবা পামশলক্লে। অমসুং বৈরাগ্যগী য়াথল ফাউরকই। অমসুং আত্মাগী কান্নবগী-দমক্তা কর্ম্মযোগতা পুক্নিং চংহল্লি। অনিশুবা অধ্যায়— সাংখ্য-যোগনা দেহ (হকচাং) মনুংদা লৈরিবা জীবাত্মাগী তত্ব খংলগা মশাগী থৌদাং (কর্তব্য Duty) লেপ্না ওমহল্লি। অহুমশুবা কর্ম্মযোগ কৌবা অধ্যায়দা— শাস্ত্রনা তাকলিবা কর্ম্মতনা চিত্ত-শুদ্ধি ওইহল্লগা নিস্কাম কর্ম্ম— (কর্ম্মফল থাদোকপদা) পুক্নিং চেংহল্লি। মরিশুবা অধ্যায়দনা ঈশ্বরদা কর্ম্মফল পুন্নমক কৎথোকপদা শক্তি পোক্নবা সাধনাশিং তাকপীরি। মঙাশুবা অধ্যায়দা ত্যাগী অমনা অনাসক্তি যোগ থবকী মহৈ থাদোক্লু না কর্ম্মযোগ ভৌরগা ফংগদবা শান্তি: অহুগী মরমদা তাকপীরি। হন্দকী ৬ শুবা অধ্যায় অসিদদি কর্ম্মযোগতা সিদ্ধ ওইরবা যোগী অমনা— দেহ হকচাংদগী তোঙান্না সাক্ষীস্বরূপ ওইনা লৈরিবা ঈশ্বরগী অংশ-অন্তরাত্মাবু পুক্নিং অমসুং ইন্দ্রিয়শিংবু সংযম তৌরগা ধ্যান ভৌনবা মথল কয়াগী সাধনা তম্বীরি। মরম অসিনা ১নবা অধ্যায় ৬ অসিবু "জীবন শাস্ত্র" হায়না কৌই। পুক্নিং লূহনবগী-দমক্তা নিস্কাম কর্ম্মযোগ ভোগনি। পুক্নিংদা সংসারগী বিষয়শিং অসি মাংহনবা ওমথুবা মতমদা আত্মাবু ধ্যান তৌরগা মপুং ফানা উবা ঙম্মী। ধ্যান অসি ভৌনবা মফম (স্থান), আসন (ফমফম), চীঙ্গাক, শাজেল, পুকচেল, মিৎয়েংনচিংবা রাজ-যোগকী সাধনাশিং মথং মথং তাকপীরি। কর্ম্মযোগী অমনা পুক্নিংগী তত্ব অমসুং সাধনা থংজনদবা য়াদে। মরমদি— পুক্নিংবু থুহম চনবা ওমপ্রিবা, মবুকচেল ফাবা রাৎলিবা য়াথল চোইরিবা করিঙুবা মপালগী পোৎশকশিংবু থৌরাংলিবা মীনা "নিস্কাম কর্ম্ম"

তৌবা ওম্বা হৌনদে। পুকচেল খোইজেল তপলবা, লৌথুপ লৌকোই লৈত্রবা ৱাখল লৈতাৱবা মীওইতনা জীব খুদিংমকপু মুংশিবা অমসুং ঈশ্বরদা শ্রদ্ধাভক্তি লৈবা ওমলকই। শম্না হায়রবদা মায়াগী মপু ওইরিবা ঈশ্বরদা পুক্নিং লুপশিনববু ধ্যান কৌই। মশাগী নাপল (অহংকার) এৈনা তৌবনি হায়বা ৱাখল পোকলিবা মীনা কৈদৌমুংদসু ঈশ্বরদা পুক্নিং লুপশনবা ওমদে। অতুম ওইনমক মশাগী অহংকার অনি ওম্বা মথৈ শেংদোক্তুনা জীবশিংবু মশাগুমনা মুংশিবা, মশাগী ওইজবা থাদোকপা, অমসুং ঈশ্বরদা ভক্তি লৈরকলবা কাংবু অদুবু কর্ম্মযোগকী অহানবা সাধক "আরুরুক্ষ" মুনি কৌই। মখোইদি মপুংফানা কর্ম্মযোগতা শিঙ্ক ওইনবা হান্না হোৎনথিগদবনি। ঈশিংদা ভাচকনা চাবা ওম্মী। তৌইগুমশুং হংভোই ওজ্রিবৈদা কংকালদা কাখৎলুয়বদি অরেম্বদা মথৱ ই মাংদুনা তোকই। হংভোই পোরোবী ওনখ্রবা মতমদদি ঈশিংদা লৈগে মনিংনি। কংকাল কাগে মনিংনি। অদুগুমদুনা সাধক অমনা কর্ম্ম-যাগপু পাক হেৎ থাদোকপা য়াদে। চিত্তশুদ্ধি মপুং ফানা ওইবা ওম্নবা নিস্কাম কর্ম্মযোগ তৌগনি; ইন্দ্রিয় অমসুং পুক্নিংবু লাকশনবা তমগনি। কর্ম্মযোগ সিদ্ধ ওইদুনা কর্ম্মফলনা পুনবা ওমত্রবা— সাধকশিং অদুবু "যোগারূঢ়" কৌই। মখোইদি কর্ম্মযোগ তৌত্রবসু য়াবে। মী ওইবগী পুক্নিং অসিনা জীবাআগী মরূপসু অমসুং য়েরুবসু অনিমক ওই। সংসার অনিদগী লান্নবসু পুক্নিংনি অদুগা মায়াদা তাওদুনা পোকপা-শিবা, খুদোংথিবা অরাবা মুংভাইবগী ঊরৈদা ভাওহনবসু পুক্নিংনি। পুক্নিং (মন) বু কথ্রবা হায়বা ইনথ্রবা মীনাই অদুগা যক্রবা মপু (A good servant and bad master) কৌই। পুক্নিংবু মীংথিজনা লাক্তুনা ফাজনবা ওমলবদি মরূপনি।

অহুগা ফাজনবা ওমত্রবদি তমথিরবা জীবগী য়েক্রবনি। মরম আসনা যেগীশিংনা অহানবদা পুক্লিংবু ফাজনবা সাধনা তৌই। ইন্দ্রিয়শিংবু ফাজনববু "দম" কৌই। অতুগা পুক্লিং ফাজনববু "শম" কৌই। যোগারূঢ় হায়বদি আত্মাবু ধ্যান তৌবা ওমলব-শিংদো ইন্দ্রিয়শিং অমসুং পুক্লিংবু নীংথিনা ফাজনবা ওমলবা ওাক্তনি। মখোইশিং অতুদি অরা মুংওাই, অয়িং-অশা, থাগৎপা অমসুং চৈবনচিংবা ফীবম অনি অনি চৎলিবা থুদিংদা মবুকচেল চাংচৎ অমত্তদা লেপ্তুনা লৈবা ওমই। ইন্দ্রিয় অমসুং পুক্লিংবু মপুং ফানা থুতুম চনতুনা পরমাত্মা ঈশ্বরদা ধ্যান তৌবা ওমই। ঋষিশিংনা লেতুনা থম্বীরমলবা শাস্ত্রগী জ্ঞান অমসুং মহাক্কী মশাদা আত্মাদগী ফাউরকপা বিজ্ঞান—গী রাখলদা লুপ্তুনা লৈবা মরমনা মপাল থোংগী ওইজ ওইথকতা মপুক্লিং চোইদ। স্নাগা লৈতুমগা অমত্তা ওইনা থনবা ওমই। চান্নবা মরূপ, শত্রু নাতৈ, য়েক্রবা, মন্নাইদা লৈবা উদাসিন কনাগুম্বা অমদা চিংচং মিথাই নাইদবা, সাধু অমসুং পাপী, অফবা ফত্তবা মীতা মহাক্কী দৃষ্টি (মিংয়েংদা) চপ মান্নে। অতুগুম্বা যোগী অমা ওইবদা মতিক চায়বা মীতাশিং অনিনা— পুরুগী ঈশক ঈহুন (বৃত্তিশিংবু ইলহই লাইনা যোগ সধনা তৌতুনা নেমথহনবা ওমই।

ধ্যানযোগী অমা ওইনিংবা মীনা অহানবদা অশেংবা, ধ্যান তৌবদা থুদোং চাগদবা, মী নিন্দবা, পুক্লিংতবা থোইদোক্লসু রাংদবা থোইদোক্লসু নেমদবা অচিকপা মফম থনগনি। অহুগুম্বা মফম অতুদা শগ্নি লৈগোইনা নাংথিনা তৈথোক্তুনা তরূ.তরু হনগনি। নমাথি নাহং লৈহল্লোই। অহানবদা কুশগী ফক অমনা লৈবাক্কা ভাইনহুনা থাগনি। মতুগী মথক্তা—শক্তি অমসুং কৈগী মউন-নচিংবা কনা কনাগুম্বগী মত মতুং ইন্না শামতুগী কম্বলনা শেম্বা

আসন অহুগী মথক্কা অমুক অমোনবা ফীগী আসন থারগা ফমগনি। পদ্মাসন, সিদ্ধাসন নচিংবা যোগগী ফীতুপ— কোক, য়াং-থদাং চপ তিংনা ফমলগা পুক্লিং অমসুং ইন্দ্রিয়শিংনা ইশাগী রাখলগী মশেকপু চোইথোকহনখিৱবশিং অতু অমুক চিংশলক্লুনা পুক্লিং অমত্তা ওইনা লৈরগা আত্মা শুদ্ধি ওইনবা মিৎয়েং নাত্তোন নাকচিদা অমদি পীশুন অনিগী কারক্তা থমতুনা ধ্যান তৌগনি। মায়গৈ খুদিংদা কোইয়েং য়েংনা মিৎ চোইয়োইদবনি। পুকচেল ইহাং হাংহনগদবনি। পুক্লিংদা মায়াগী রাখল থক থমলে.ইদমনি। অকি অথংগী রাখল পুম্নমক থাদোকদবনি। পুক্লিং রাখল অমসুং হকচাংনা (মৈথুন) গী রাখল থাদোকদনি। অতুগী তুংদা পরমাত্মাদা পুক্লিং থিংজিন্দুনা ধ্যান অমসুং সমাধি তৌগদবনি। পুক্লিংগী ফীবম মঙা থকনি। মতুদি—(১) ক্ষিপ্ত (ইথক থকপা হুঁপা পাখৎপা) (২) বিক্ষিপ্ত (ঙাইহাক তপথবা ঙাইহাক পাখৎপা) (৩) মূঢ় (ইপং পংথবা কন্নিমত্তা হৈনিংবা পোক্লবা) (৪) একাগ্রতা (পুক্লিং অমত্তা ওইবা) অমসুং (৫) নিরুদ্ধ—পুক্লিংবু মপুং ফানা ফাজন্দুনা লেংহন্দবা—মপ লগী রাখল পুম্নমক পুনকাও কাওহনবা। অহানবা ফীবম অহুমাদি—পুক্লিংগী হৌনশানি। অতুগা অকোনবগী অনি হায়বদি-একাগ্রতা অমসুং নিরুদ্ধ অবস্থাগি সাধনা তৌদ্রবদি—ওইবা ঙমদে। ঙমলবদি স্থির চিত্ত পুক্লিং লৈতাতুনা— নির্ব্বানগী মশক ওইবা শান্তিঃ ফংবা ঙম্মী। অমসুং পরমাত্মাদা জীবাত্মাবু তিনশনহনখিবা ঙমই। ধ্যান তৌগে হায়না হোৎনরিবা মীদি আহার-বিহার (চাবা থকপা কোইবনচিংবদা) ভোগী অমগী মতৌ তম্বা য়াদে। য়াম্না চাং নাইবা মী অমা অহানবদা ওইগদবনি। অরা অনা পুম্নমক কোকহনবা ঙম্বা যোগ অসি তৌবা ঙম্নবা

হকচাং ফগদবা চীঙাকশিং থল্লগা— (হিতমিত ওইবা) চাং অমস্তুং কাম্নগদবা শরুক তমহুনা চংগনি। মতম নাইনা তুমগনি। মতম নাইনা চৌগনি। তৌরিবা থবক খুদিংমক চাং অমস্তুং মুথং মনাও পথাপ কাইহল্লোইদবনি। পুক্লিংগী বৃত্তি পুম্নমকপু থিংজিল্লবা মতম অদুদা পুক্লিংদা চংদুনা লৈরম্বা জ্ঞানগী মশেক অদু জীবাত্মাদা চংশনথিগনি। মতম অদুদা অপাম্বা পুম্নমক ম্যাংখিগনি। অসিগুম্বা যোগী পুরুষশিং অদুনা 'যোগসিদ্ধ" ওইবা ওমই। মুংশিং শিত্তবা মফমদা থাওমৈগী মৈরিনা নীংথিনা . ওন্দুনা লৈবগুমনা আত্মাবু ধ্যান তৌদুনা লৈমিবা, চিত্তসংযম (পুক্লিং ফাজল্লবা) যোগী অমগা পান্দম্নবা য়াই। চিত্তবৃত্তি পুম্নমকপু যোগনা থিংদুনা লৈবা ওমলবা মতম অদুদা জীবাত্মানা পরমাত্মাবু উদুনা তাইবংপানগী ৱাখল পুম্নমক থাদোকপা ওমলকই। শুদ্ধতগী আত্মাগী অপেনবা অদুতনা পেনজদুনা লৈবা ওমলকই। মতম অসিদা ইন্দ্রিয়শিংনা য়ৌবা ওমদবা, শেংলবা বুদ্ধি (লৌশিং-তনা) লৌশনবা ওম্বা থাইদগী হেনগৎনা মুংওাইবা "আত্মানন্দ" অদু ফংবা ওম্মী। ফীবম অদুদগী অমুক হন্দোকনিংদবা অথোইবা যোগ ভূমি অদু য়ৌবা ওমই। আত্মাগী স্বরূপ অদু ফাউবা য়ৌশনখ্রবা যোগী অদুনা ফীবম অসিদগী হেনগৎপা করিগুম্বা মুংওাইবা অমা লৈরমগনি হায়বসি থনখিদরে। য়াম্না কা হেনজম্না অরাবা খুদোংথিবা কয়া লাকলুনসু যোগী অদুবু— মপুক্লিং চোই-হনবা ওমদে। অরাবা পুম্নমকপু কোকহনবা ওম্বা অদুবু যোগ কৌই। পুক্লিংদা ফংগে হায়না শাগৎলুবা অপাম্বাগী ৱাখল পুক্লমক থাদোকলগা অনিশুরকপদা পুক্লিংনা ইন্দ্রিয়শিংবু বিষয়দা চংশনম্বদগী চিংথোরক্লুনা হান্নগী ফীবমদা হনজল হল্লগা পুক্লিংবু অমুক বুদ্ধিনা ফাজন্দুনা পুক্লিংবু তপথহন্দুনা চোইহন্দ্রগা ওম্না অদা

বিশয়গী (মপান তাইবংগী রাখল ময়াম) অহু কাওহনগনি। অতুগী তুংদা পুক্লিংবু অত্মাদা চংহনহনা থমলগা কবিগুম্বা অমত্তা চিন্তা তৌদনা (খল্লুবা লৈতনা) পোখাহনা লৈগনি। লৈতাবা লৈত্রবা ঈথক থকংংলিবা পুক্লিংদগী চোইথোকখিবা চেতনা (রাখলবু) সংযম তৌহনা ফাজল্লগা আত্মাদা পুশনগদবনি। মতম অহুদা পুক্লিংবু ইংথহনন্দুনা নেমথহনবা ওমগদবনি। যোগ শাস্ত্রদা মসিবু "প্রত্যাহার" কোই। পুক্লিংহু সংযম তৌহনা মপানগী রাখল পুম্নমক কাওহল্লগা আত্মাদা হাপ্পা ওংলবা মতম অহুদা হান্না লৈরম্বা পাপ পুম্নমক কোকহনবা ওমই। অমস্তুং পরব্রহ্মবু দর্শন ফহুনা অথেইবা মুংঙাইবা ফংলকই। ফীবম অসি য়ৌখ্রবদা যোগী অসিনা সমদর্শী (মিংয়েং অমত্তদা য়েংবা ওমহুনা) জীব খুদিংমক্তা লৈরিবা আত্মাবু অমস্তুং আত্মাদা লৈংবা জীব খুদিংমকপু উবা ওমলকই। যোগী অহুনা পবমাত্মাবু জীব খুদিংদা অহুগা পরমাত্মাদা জীব খুদিংবু দর্শন তৌবা ওমলকই। মতম অসিদা পবমাত্মানা যোগী অহুবু উদবা লৈতরে অহুগা যোগী অহুনস্থ পরম ত্মাবু উদবা হৌনদরে। অমত্তা ওইবা অনিস্তুদবা আত্মা জীব খুদিংমক্তা উরকলবা মতমদা জীব খুদিংমক্ত মুংশিবা প্রেম লৈবা ওমলকই অমস্তুং ঈশ্বরদা অচেৎপা ভক্তি লৈরকই। মশাগী আত্মাগা অতোপ্পাগী আত্মাগা অমত্তনি হায়না থনবা ওমলবা যোগী অহুনা অরা মুংঙাই অনিমকপু অমত্তা ওইনা থনবা ওমলকই। মহুগুম্বা যোগী অদো অথোইবা যোগীনি। মতাং অসিদা অর্জ্জুননা হায়জখি— সমদর্শনগী মশক ওইবা যোগ ত্তত্বদি য়াম্না নীংথিজৈ অহুম ওইনমক পুক্লিংবু হেক্তা ইরাই লাইনা ফাজনবা য়াগনি হায়বসি নীংদে। মুংশিৎপু ফাহুনা থম্বদগী পুক্লিং ফাজন্দুনা থম্বনা হেল্লা লুগনি হায়না নিংই। মহুগী পাউথুমদা শ্রীকৃষ্ণনা

তাকপীখি— অশেংবমক মতম চুপ্পনা ইলাং লাংছুনবা লৈরবা ঈশ্বর থকপা পুক্লিংবু ফাজনবা অরাইবা থবক নত্তে। অদুম-ওইনমক গুরুনা অমসুং শাস্ত্রনা তাকপীরিবা অভ্যাস— সাধনাশিং অঙ্গ হন্না হন্না ওৱাইদুনা সংসারগী অরেপ্পা লৈত্তবা মু ঙাইব অরেম্বনি হায়বা বৈরাগ্যগী ৱাখল অদু লোশনদুনা পুক্লিংবু সংযম তৌগদবনি। মমৈথংদা কন্না হোৎনরগা যোগভূমিদা কাথৎলকপা ঙমগনি। মতাং অনিদা অর্জ্জুননা থনজখি। পুক্লিংবু পাকহেক সংযম তৌবা য়ারোই শোয়দনমক মপোক কয়ারক চংলমগনি। মপোক অমদা পুক্লিং ফাজনবা ঙমহৌদ্রগা থংনবা মপোক্তা কমদৌরগদগে হায়না হংজখি। মহুগী পাউখুমদা শ্রীকৃষ্ণনা তাক-পীখি। অফবা থবক তৌবা হৌগৎলুরগা তারেদা মাংবা হৌবরা ? যোগ হৌগৎলুরগা সিদ্ধ ওইবা ঙনদ্রবা মী অদুবু যোগভ্রষ্ট কৌই। মথেৎইনা শিরগা থংনবা মপোক্তা অফবা পুন্য চেনবা মীনা ফংলুগদবা মথক্কী লোকশিংদা কাথত্তুনা লৈরুই। পুন্যগী ফল অদু লোইরগা পৃথিবীদা ইনাক কৈরাক থুনবা— লমচৎ ফজবা ঈশ্বর নিংবা— ইমুংগী মচা মশু ওইনা পোকলকই। মদু নত্রগা তত্বজ্ঞান য়াম্না থংলবা, যোগী মহাত্মাশিংগী শ গৈদা পোক-লুই। অনিগুম্বা মপোকশিংদা পোকপা ফংজবা হায়বসিসু য়াম্না তাংনা অমসুং রনা ফংনবনি। হৌখিবা মপোক্তা তানশনাখিবা আত্মতত্বজ্ঞান অদু হন্দক্কী মপোক অদিদসু য়াম্না লাইনা কোমনা থংলকপা ঙমই। অদুগা সাধনা তৌবনা খুদোং চান্নবসু ফংই। মরম অদুনা হৌখিবা মপোক্কুগী অমুক্কা হেনগৎনা মুংঙাইনা মশা রাইচিন্দনা সাধনা তৌবা ঙমলকই। কর্ম্মযোগী অমা ওইবা ঙমদুনা হন্না হন্না পোকদবা কর্ম্মগী মহৈ কর্ম্মফল ককথত্তুনা অনাসক্ত ওইবা ঙমই। হৌখিবা পুনশিদা তৌখিবা সাধনাদগী

হেন্না চেংকশন্না সাধনা তৌবা ওমদুনা পাপ পুন্নমক কোকই। মপোক কয়ারক চংনা তান্নগা ফংবা ওম্বা তাংলবা ফংওমজবা যোগগী গতি (পাম্বৈ) অহু ফংবা ওমলকই। যোগীনা তপস্বী-শিংদগীসু হেন্নি; শাস্ত্র তমদুনা জ্ঞান তাহন্নিবদগীসু হেন্নি অমসুং কর্ম্মীশিংদগীসু হেন্নি। হায়বদি— বশিগুম্বা ওইহে অমা ফংগে হায়না নিংদুনা মশাগী অন্নাবা খাংদুনা তপস্যা তৌন্নিবাশিংদগী অমদি পণ্ডিত ওইনিংবদগী শাস্ত্র তমলিবশিং অমদি পূন্যকর্ম্ম তৌদুনা স্বর্গগাই য়াইফবা তানখৎলিবশিংদগী— রাজযোগী অমনা হেন্নি। মবম অসিনা যোগ সাধনা তৌগনবনি। যোগীশিংদগী অমুক— শ্রদ্ধাভক্তি লৈবা, ঈশ্বরদা মাই ওনশনবা, ঐকান্তিকভক্তিনা ঈশ্বরবু নীংজরিবা ভক্তযোগীশিংনা অখোইবনি হায়বসি শ্রীকৃষ্ণগী মতনি।

ইতি ষষ্ঠোহধ্যায় সমাপ্ত

সপ্তম অধ্যায়

"জ্ঞান বিজ্ঞান যোগ"

অধ্যায় অসিগী মমিং "জ্ঞান বিজ্ঞান যোগ" কৌই। শ্লোক ৩০ থকনি। শ্রীকৃষ্ণগী পাউতাক ওাক্তনি। অর্জুনগী ৱাহং য়াওদে। হৌখিবা অধ্যায় শিংদা মীওইবগী পুননিদা—(হকচাং +পুক্নিং+জীবাত্মা অহুমক পুন্নিগৈদা) বিচারনা মরম ওইদুনা খংগদবা তত্ব অমসুং তানগদবা পুনশিগী ওইজবা কর্ম্মযোগকী সাধনাশিং অমসুং পুক্নিং ইন্দ্রিয়শিংবু কাজন্দুনা ধ্যান তৌগদবা সাধনাশিং অহু মপুং ওইনা তাকশীখিবা মরমনা কর্ম্মযোগকী

মতাং অমা মপুং কাথে। মীওইবগী পুনশিদা—তানগদবা থোরম অনিনি। মত্তুদি—পুক্নিং হকচাং—সুংঙাইনবা লম্বেল (মার্গ) অমা অমস্তুং জাবাত্মাগী কান্নবা লম্বেল অমা। পুক্নিং হকচাংদা সুংঙাইরগা আত্মাগী কান্নবা থন্দবা অদুবু "প্রেয় মার্গ" কৌই। হকচাং অমস্তুং পুক্নিংবু থুতুম চন্নগা আত্মাগী কান্নবা অদুবুনা "শ্রেয়ঃ মার্গ" কৌই। অপাম্বা পুম্নমক থাদোকলগা শ্রেয় মার্গ হোনববু বর্ম্মযোগ কৌই। বর্ম্মযোগতি বহিরঙ্গ (মপানথোগী ওইবা) সাধননি। যোগ পুম্নমধী অহানবনি; অনিশুবকপদা কাথংকদবা যোগনা "ভক্তি যোগ"নি। তাইবংপান (জগৎ) অসিবু লমজিংলিবা অমস্তুং নোংদমলিবা ঈশ্বর অমা লেংদনা লৈ হযবসি ভক্ত অগনা থক কাউবা যাদে। কর্ম্মযোগীশিংদস্তু শ্রদ্ধাভক্তি য়াওদ্রবদি অশেংবা নিস্কাম কর্ম্ম যোগ কৌবা য়াদে। শা ফানিংবা, মীনা শাগী থোংগুল লীরগা শা থিবগুম ঈশ্বরবু নংবা মীনা জগৎকী স্মৃষ্টি তত্ত্ব অসিদা থুগ্গুনা লৈসিবা ঈশ্বরগী বিভূতিবু থংদবা য়াদে। ইতত্তনা হোংবা নাইবা প্রকৃতি (মহৌশা Nature) গী থোংচত্তা হোংবা নাইদবা "পরতত্ত্ব" (অথোইবা অহেনবা তত্ত্ব) অমা লৈরি। মদু থংনবা রাখলবু জ্ঞান কৌই। সত্যস্তু বৌই। সত্য স্বরূপ অদুবু তাকপী তম্বীরিবা শাস্ত্র অমস্তুং গুরুগী পাউতাকশিং অদুবু পরোক্ষজ্ঞান কৌই। ইশা ইথস্তনা শাস্ত্র অমস্তুং গুরুনা তাকপীরিবা তত্ত্বজ্ঞান অদুবু হম্মা হম্মা বিচার তৌরকলগা হৃদিদগী ঙাল্লকপা (অনুভব) তৌরকপা থোইদোকপা জ্ঞান অদুবুনা বিজ্ঞান নত্রগা "অপরোক্ষ জ্ঞান" কৌই। জ্ঞান অমস্তুং বিজ্ঞান অনিমক মীওইবনা তানগদবনি। অমম্বদা মৈরা পাইদুনা লম্বী চংপা অথোইবা পাথৈ অমনি। মদু জ্ঞাননি। অদুগা সুমিৎ থোরকলগা মৈরা

পাইবা অরেম্বনি। ঙুমিৎ বিজ্ঞাননি। জ্ঞানদগী বিজ্ঞাননা হেন্নি সর্ব্বব্যাপক ওইনা লৈরিবা ঈশ্বরগী তত্বজ্ঞানবু পামশনতুনা খিবা মীশক য়াম্না তাংই। জ্ঞানসু লৈবা অমসুং ঈশ্বরদা শ্রদ্ধাভক্তিসু লৈবা মীশক্না অমুক্কা হেন্না তাংই। মী লিশিং লিশিংগী মনুংদা কনাগুম্বা খরতনা য়াম্না চেকশন্না ঈশ্বরগী তত্বজ্ঞান অসি খংনিংবা য়াওনা থিরকই। থিরকলিবশিং অতুগী মনুংদা কনাগুম্বা মরাই-বক ফবা খরতনা জ্ঞান অমসুং বিজ্ঞান অসি ফংবা ঙমই।

ঈশ্বরগী নিত্য অংশ ওইবা জীবাত্মাবু প্রকৃতি কৌবী মায়া শক্তিনা থুমহৎখিবদগী মশাগী অশেংবা স্বরূপ অদু কাউথোকখি। অদুদগী সংসারগী চক্রদা গোকপা শিবা নাইদুনা কর্ম্মগী মথা পোনখি। অজ্ঞানবদা মীওইবনা বিবেক বিচাৎনা প্রকৃতিগী মচাক ওইবা হকচাং অমসুং পুক্নিংবু আত্মাদগী তোঙানবনি হায়বসি চিংনবা লৈতনা খংনবা হোৎনগদবনি। মরম অদুনা প্রকৃতিগী তত্বসু খংদবা য়াদে। প্রকৃতি অসিবু শরূক অনি থোকনা খাইদোকই। মদুদি— অপরা অমসুং পরা প্রকৃতি। প্রকৃতিগী বিকারদগী থোরকপা বিকৃতিনু— (মহৌশাদগী হোংদোকরকপা শকলোনশিংবু) অপরা প্রকৃতি কোই। মালেম লৈবাক অসিগী হৌরকফম্ পৃথিবী তন্মাত্র (গন্ধ) ঈশিংগী হৌরকফম, রস, (জল তন্মাত্র), রূপ (মৈগী হৌরকফম), স্পর্শ- (নুংশিংকী হৌরকফম) অমসুং শব্দ- (আকাশকী হৌ কফম) মরু ওইবা মচাক মঙা— (উপাদান কারণ অসিগী মথক্তা) পুক্নিং, বুদ্ধি, অহংকারগী হৌরকফম ওইবা মন, অহংকার অমসুং মহতত্ববু অপরা (অতোনবী) প্রকৃতিগী শকলোন ওইনা লৌখারি। হৃগা য়ানখাইনবা অমসুং তোৎখাইনবা অচাপোৎপু হু কৌবগুম্বা ভগবানমকী শক্তি ওইরবসু প্রকৃতি কৌবী মায়াগী শক্তিনা হেনবা মরমনা অতোনবী প্রকৃতি

কৌই ; অদুগা দেহ হকচাং অসিদা ভোগ তৌহনা লৈরিবা জীবাত্মা অসিবু— পরা প্রকৃতি (অথোইবা প্রকৃতি) কৌই। অপরা প্রকৃতিনা জীববু খুমহৎলি। অমসুং জীববু সংসারদা ফাজনুনা (বন্ধন তেহনা) থম্মী। অসিমক ঈশ্বরগী শক্তিনি। বৈষ্ণব দর্শনগী মতু ইন্না অপরা প্রকৃতিবু "বহিরঙ্গ শক্তি নত্রগা মায়াশক্তি" কৌই। অদুগা পরাশক্তিবু তটস্থশক্তি নত্রগা জীব শক্তিসু কৌই। জীবশক্তিদি কর্মগী মথী পেসি। মায়াদা চংশনবসু য়াই অদুগা ঈশ্বরদা চংশনবসু য়াই। অপরা অমসুং পরা প্রকৃতি অনিমক্কী হৌরকফম (কারণ) দি ঈশ্বরনি। মণি-মুক্তা পরেংদা কল্লবা লংনা অমনা লেহনা লৈবগুম— শকলেন কয়া থোকনা লৈরিবা জগৎ অমসু, জীবগী তুংনফম হৌবকফমদি ঈশ্বরনি। মহাক্কী বিভূতি (ফেংদোকপা শক্তি) শিংবু খীংথনি। মরমদি- প্রকৃতি কৌবা মায়া শক্তিনা ঈশ্বরগী চৈতন্যশক্তি (হিংহনবা অমসুং থংহনবা শক্তি) পীত্রবান কবিনহ্না তৌবা ঙমদে। ভগবানগী ইচ্ছা শক্তিনা (will) না প্রকৃতিনা থবক তৌবা ঙম্বনি। জীব-শক্তিদসু— ভগবাননা অন্তরাত্মা ওইহনা লৈ। জগৎ সংসারদা শিনথুংনা জগৎচৈতন্য অদুগা জীবদা জ্ঞান শক্তি— জীবচৈতন্য ওইহল্লিবিনিগী হৌরকফম কারণদি— পরমেশ্বর- পুরুষোত্তম নি।

জগৎ অসিদা লৈরিবা অচংচত্না জীব পুম্নমক প্রকৃতি অনি অসিদগা পোকপা ঙাক্কনি। অদুগা প্রকৃতি অনিগী কারণ হৌবফ-ফমনা পরমাত্মা ঈশ্বরনি। পোৎ খুদিংমক্কী মচা ওইবা শরূক (সার) মাতক মগুণ ময়াই পুম্নমক্কী হৌরকফমদি ঈশ্বরনি। ঈশিংদা রস, সুমিৎথা অমসুং নৈদা মঙাল, বেদশাস্ত্র পুম্নমক্তা ওঁকার, আকাশতা শব্দ, মীওইবদা থরাই (পুরুষ) ওইনা লৈরিবা পুম্নমক ভগবানগী বিভূতি ওাক্কনি। মীওইবনা অধর্ম্ম থাদোক্তুনা

আত্মাগী কান্নবা ধর্ম্মগী সাধনাদা চংশনবা ওম্নবা শক্তি অদুবুসু "পৌরুষ শক্তি" কৌই। থোনাফবগা লোয়ননা মায়াবু থাদোক্নবা হোৎনরিবা দিব্যশক্তি অদু মীপুম খুদিংমক্তা লৈ। মীওইবদা সত্ত্বঃ; রজঃ অমসুং তমঃ গুণ অহুমনা য়ানখ্রইনহুনা লৈরিবদুগী মনুংদা সত্ত্বগুণদা পুরুষকী শক্তি থুপ্পুনা লৈ। আত্মাগী কান্নবা ধর্ম্মগী সাধনা, তত্ত্বজ্ঞান অমসুং অশেংবা আনন্দ ফংবা ওমই। রজোগুণদা মীকোক থোংনিংবগী শক্তি নোম্বা লিকপা হোৎনরকনবা মারিল-- লৈবগী শক্তি ওইনা লৈ। মদুবু মনুষ্যত্ব কৌই। অদুগা চানিং থক্নিংবা, তুমনিংবা, মুখালোলগী নুংঙাইবা পাম্বা অমসুং কিবা মখী অসিনা তমোগুণগী মশক ওইবা পশুত্ব (শাগী ওইবা পুকচেল খোইজেল) ওইনা লৈ। জীব খুদিংমক্কী অমাং অতা লৈত্রবা বীজ (মরু) দি ঈশ্বরনি। বুদ্ধি লৌশিং লৈবশিংগী বুদ্ধি থোনাফবশিংগী মথোনা ঈশ্বরগী বিভূতি ওক্তনি। মপাঙ্গল মথৌনা লৈবশিংদা মশাগী ওইবা স্বধর্ম্ম ঙাক্নবা শক্তি অদুসু ঈশ্বরগীনি। ধর্ম্মগা বিরুদ্ধ ওইদবা অপাম্বা (কাম) সু ঈশ্বরগী বিভূতিনি। সত্ত্বঃ রজঃ অমসুং তমঃ গুণ অহুমক্কী পোকখ্রিবা হায়বদি--- সত্ত্বগুণদগী শম, দম, জ্ঞান বৈরাগ্য (পুক্নিং ফাজনবা ইন্দ্রিয়শিং ফাজনবা জ্ঞান অসুং সংসারগী নুংঙাইবা থাদোকপা ওম্বা পুকচেলশিং) অমসুং রজোগুণদগী— হরাওবা, ময়াইকাবা লৌনিং চানংবা ভাবশিং অদুগা তমোগুণদগী-- পুক্নিং রাবা ওনহৈনবা খনবা অমসু তনথবা তুমনিংবনচিংবা খুদিংমক্কী হোরকফমদি— ঈশ্বরদগীনি। মথক্তা হায়খ্রিবা পুম্নমক অসি প্রকৃতি মায়াদা লৈবনি। ঈশ্বরদদি গুণ অহুম অদু ফাজনবা ওম্বা মরমনা কন্নিমত্তা তৌবা লমহেনবা ওমদে। অদুগা জীবশিংদদি— মায়াগী মথা পোনবা মরমনা ফত্তবা গুণনা থবক তৌবা ওম্মী। সত্ত্বঃ

ৱজঃ অমসুং তমঃ গুণগী মশক ওইবা মায়াশক্তিনা জগৎ পুৱমক শুমহত্তুনা থম্বা মরমনা অমাং অতা লৈত্রবা অব্য। স্বরূপ ওইবা আত্মাবু খংবা ঙমদে। ঈশ্বরগী শক্তি ওইরিবা গুণময়ী মায়াবু লাঙ্খোকপা অরাইবা থবক নত্তে। ঈশ্বরদা আশ্রয় তৌজরকলবা মীনা লাঙ্খোকপা ঙম্মী। মায়ানা থুমহৎথ্রবা বুদ্ধি লৌশিং ৱাৎলবা, হিংচাবাইতম্বগী পুকচেল চেল্লবা, পাপ চেল্লবা অপংবা মীরক্তুগী অতোনবা কাংবুনা ঈশ্বরদা চংজদে। পুণ্যকর্ম্ম তৌবা মী মথল মরীনা ঈশ্বরদা চংজরকপা ঙম্মী। মথুদি— আর্ত্ত-(থুদোংথিবা অমসুং অনায়েকনচিংবা অৱাবদা তারবা মী) জিজ্ঞাসু (ঈশ্বরগী তত্ব খংনিংবা কাংবু) অর্থার্থী (ইহলোক পরলোক্তা সুংঙাই মাইফনিংবা কাংবু) অমসুং জ্ঞানি তত্বদর্শী তত্ব খংবশিং মথক্তী মরিশিং অসিগী মনুংদা অতৎপা লৈতবা মতম চুম্লদা ঈশ্বরদা পুক্নিং হাপচনবা ঙমলবা শ্রদ্ধাভক্তি লৈবা জ্ঞানিশিংবু ঈশ্বরনা থ্বাইদগী হেন্না চাল্লি অমসুং জ্ঞানিভক্তনা ঈশ্বরবু য়াম্না হেন্না নীংবা ঙমই। মবম অদুনা জ্ঞানিভক্তশিংনা অণোইবনি। আর্ত্ত, জিজ্ঞাসু অমসুং অর্থার্থীদি সকাম ভক্তনি। মশাগী ওইজবা অমা তাল্লি। মখোইসু মতম অমদা শোয়দনমক চিত্ত-শুদ্ধি ওইরকলগা অশেংবা বৈরাগ্য পোকলকথিগনি। অদুগা জ্ঞানিশিংদি ভক্ত পুৱমক্তুগী পুকচেল চাওবা হেল্লি। জ্ঞানি-শিংদি ঈশ্বরগী আত্মস্বরূপনি। ঈশ্বরদা মপুক্নিং হাপথ্রবা অমসুং মপুং ফানা চংজবা ঙমথ্রবা জ্ঞানিভক্তশিংদি অথোইবা গতি ফংই। জীবনা মপোক কয়ারক হন্না পোকলুরগা ঈশ্বরগী কৃপাদগী মী ওইনা পোকচবা ফংলকই। মীগী মপোক্তা পোকলগা— মহাপুরুষশিংগা তিন্নজতুনা ঈশ্বর নিংবা ঙমজরকলগা মায়াবু লাঙ্খো-ৱক্তুনা পুৱমথী মশক ওইরিবা সর্ব্বব্যাপক, সর্ব্বশক্তিমান

অমন্নুং সর্বজ্ঞ-স্বরূপ ওইবা ঈশ্বরবু খংবা ঙম্বা জ্ঞানিগী মপোক্তি খংগৎলনা ফংবনি। সংসারগী অপাম্বা কয়ানা থুরুম চনখ্রবা--মশাগী ওইজবা পামলিবা সাধকশিংনা মখোইগী অপাম্বশিং অদু থুংনবগীদমক্তা পুন্নমকী—মরূ ওইবা অমসুং মকোক ওইবা ঈশ্বরবু খাদোকলগা— দেবতা মচা মচাবু নীংই। অদুগা মশাগী অপাম্বা খাদোকখ্রবা নিস্কাম ভক্তশিংনা গুপ্রতগী চিত্তশুদ্ধি ওইনবগীদমক্তা ঈশ্বরবু নিংই। দেবতা পুন্নমকী মশক ওইরিবা সর্বশক্তিমন ওইবা অমসুং পুন্নমকী অন্তর্যামী ওইবা ঈশ্বরনি। অদুমওইনমক মশাগী নিংবা থুংনবা থোইদোকপা সিদ্ধি পীবা ঙম্বা দেবতা অমমবু নিংজনিবশিংদা অচেৎপা থাজবা পোক্নবা নীংজনিবা মহৈ অদু ফংহল্লি। অশেংবমক্তি মতুংদু পরমাত্মাদগী লাকপা মহৈনি।

বুদ্ধি লৌশিং মপুং ফাত্রিবা ভক্তশিং অদুনা দেবতাশিংদগী নিজনিবা মহৈশিং অদো মাংবা নাইবা ওাক্তনি। মখোইনা নীংজরুনিবা দেবতাশিং অদু থাদোকপা ঙমত্রবদি শিরগা দেবতা অদুনা লৈরিবা লোক অদুদা চৎলি। অদুগা পুন্নমক্তী মপু পরমেশ্বরবু নীংজরিবশিংনা অখোইবা লোক্তা পরমেশ্বরবু ফংই। তত্বজ্ঞান মপুংফানা খংত্রিবাশিংনা পরমাত্মাগী অমাং অতা লৈত্রবা, হোংদোক হোংজিস নাইত্রবা মায়াদগী হেন্দোকপা ফোংদোক্তবা অথুপ্পা অবতার পুরুষশিংবু অচম্বা মীগুম্না খল্লি। যোগ মায়ানা জীববু খুমজন্দুনা লৈবা মরমনা মশাদা থুপ্লুনা লৈরিবা নিত্য-স্বরূপ পরমাত্মাবু খংবা ঙমদে। অমদি মীওইবগী মশক ওইনা ফোংদোকরকলিবা অবতার পুরুষশিংসু মশক খংদে। পরমাত্মাদি হৌথিবা, লাকদবা অমসুং হৌজিক ওইরিবা কাল অহুমক খংই। তৌইগুবতুং পরমাত্মাবুদি কনা অমত্তনা খংবা ঙমদে। অদুগা

ঈশ্বরশাহাগী শৃষ্টিগী মতমদা হকচাং অমা নাইশ্রুবগী তুংদা মশাগী মশাগাই ওইবা ৱাখলনা অপাম্বা অমস্তুং পামদবা হৈলিংবা অমস্তুং হৈনিংলবদগী পোকলকপা ৱাখল অমস্তুং অন্না মুংও.ইনচিংবা অনি-থোক্না চংপা ধর্ম্মধর্ম্মদগী পোকপা ওনতৈন্নবা ৱাখলনা তুমহংক-খিহুনা জ্ঞান পুন্নমক মাংখি। অহানবদা মশাদা হৈরিবা পাপ পুন্নমক মাংহন্নবা হোৎনগদবনি। অতুগী তুংদা ধর্ম্মধর্ম্মবু জয় তৌরগা পুক্নিং লৈতাবা (সমত্ববুদ্ধি) লৈংকলবা মতমদা ঈশ্বরবু নীংজনগদবনি। পরমেশ্বরদা মপুক্নিং থিংজন্দুনা নিংবা ওমলবা ভক্ত অহু অহল ওইশলক্তুনা হকচাং কেমথরকপা শিবা নাবনচিংবদগী নাগোকরক্তুনা মুক্তি ওইনা থত্র তৌরিবা অমস্তুং চোকশন্না সাধনা তৌরিবশিংনা অমাং অতা লৈত্রবা ব্রহ্ম, অধ্যাত্মিক অমস্তুং কর্ম্মগী তত্ত্ব পুন্নমক খংবা ওমলকই। সাধক অদুনা অধিভূত, অধিদৈব অমস্তুং অধিযজ্ঞগা লোইননা পরমেশ্বরবু খংলবা মী অদুদি মখোইগী জ্ঞান অদুনা ঐথেন্দা হাপ্তুনা (ধ্যান তৌদুনা) শিরমদাই মাঙখিদা ঐবু নীংবা ওংজে। শিরমদাইগী পংথহল্লকপা মায়াগী শক্তিনা মখোয়বু খুমহংপা ওমদে।

ইতি জ্ঞান-বিজ্ঞান যোগ নাম সপ্তমোঽধ্যায়।

৮শুবা অধ্যায়

অক্ষর-ব্রহ্ম যোগ

অধ্যায় অসিগী মমিং "অক্ষর-ব্রহ্ম-যোগ" কৌই। শ্লোক ২৮ থকনি। অর্জ্জুনগী অহং শ্লোক অনিথকনি। শ্লোক ২৬ থক্লদা শ্রীকৃষ্ণগী পাউখুমখি। মাসকী অধ্যায়গা সংস্কৃতকী অধ্যায়

মশ অমসুং দর্শন শাস্ত্রগী পরিভাষা (Philoshophical Terms) থৱা শিজিন্নখে। মদুদি— অধিভূত, অধিদৈব অমসুং অধিযজ্ঞগা লোয়ননা পরমাত্মাগী তত্ত্ববু খংজবা মী অদুনি শিরমদা ই মতম য়োগবল-কলবদা মখোয়গী প্রাণশক্তি অমসুং ইন্দ্রিয় কয়াংশিং শোয়নরক্তুনা লংখরকলবা কাউবদা পরমেশ্বরবু ধ্যান তৌদুনা থৱাই থাবা ঙম্মী। মরম অদুনা মখোয়শিং অদো অথেইবা যোগীনি। মতাং অসিদা ব্রহ্ম, অধ্যাত্ম, কর্ম্ম অধিভূত, অধিদৈব অমসুং অধিযজ্ঞ কদাইবু কৌবগে ? মীওইবগী পুনশিংগা করি করি মরি লৈনবগে ? অমসুং মীওইবনা থৱাই থ.বমদাইদা করি সাধনা তৌদুনা পর-মাত্মবু ধ্যান তৌগদগে ? হায়বা ৱাহং তরেৎথক অসি অর্জ্জুননা হংজরি। পাউখুমদা শ্রীকৃষ্ণনা তাকপীরি।

১। ব্রহ্ম— অশেপ্পা, অমাং অতা লৈতবা, হোংবা নাইদবা, মপুং ফাবা, সর্ব্বব্যাপক (মফম খুদিং শিনথুংনা লৈবা) সর্ব্বশক্তিমান (প্রকৃতিগী শক্তি পুম্নমক মহাক্কী ওইবা) অমসুং সর্ব্বজ্ঞ— পুম্নমক খংবা জ্ঞান স্বরূপ অদো "ব্রহ্ম" কৌই।

২। অধ্যাত্ম— অহিংবা হকচাং খুদিংমক্তা জীবাত্মাগী মশক ওইনা ব্রহ্মগী স্বভাব সচ্চিদানন্দ স্বরূপ ওইনা লৈরিবা অদুবু "অধ্যাত্ম" কৌই।

৩। কর্ম্ম— জগৎ অমসুং জীববু শেম্বা সৃষ্টি তৌবা, ক্ষোকপা (স্থিতি, পালন তৌবা অমসুং মাংহনবা— মশক হোংদোক হোংজিল তৌবা পুম্নমক ভগবানগী কর্ম্ম কৌই।

৪। অধিভূত— পঞ্চভূত— শব্দ (খোজেল), স্পর্শ (শোকপা) রূপ (মওং মতৌ), রস (মহাও) অমসুং গন্ধ (মনম) অসিগা লোয়ননা লৈমিন্নরিবা বিষয় ভোগ তৌরিব৷ কর্ম্মফল

চারিঁবা সূক্ষ্ম শরীর মতৌগা লিঙ্গশরীর (Subtle Body) বু অধিভূত কৌই। মাংবা নাইবনি।

৫। অধিদৈব = জ্ঞান ইন্দ্রিয় ৫, কর্ম্ম ইন্দ্রিয় ৫, মন, বুদ্ধি, অহংকার, চিৎ অমসুং পঞ্চপ্রাণনচিংবা ৎকচাংগী করণশিংগী মপু ওইবা অধিষ্ঠাত্রি দেবতাশিং (presiding deities) শিংগী কারণ (হৌরকফম cause) ওইরিবা হিরণ্যগর্ভ = মহত্তত্ত্ব = ব্রহ্মাবু অধিদৈব কৌই।

৬। অধিযজ্ঞ = জীবগী হৃদিপদ্মদা সাক্ষী স্বরূপ ওইদুনা লৈরিবা অন্তর্যামী = ঈশ্বরগী অংশনা জীবনা ভোগিরিবা কর্ম্ম ফল থবকী মহৈ পীরবসু শুদ্ধ (শেংবা মায়া চংদবা) বুদ্ধ (জ্ঞানগী মশক ওইবা) অমসুং মুক্ত (কর্ম্মগী মথা পোল্লবা) অমসুং জীবাত্মাদা জ্ঞানগী মশক পীনরিবা অমসুং বুদ্ধিবু লমজিংলিবা পরমাত্মবু অধিযজ্ঞ কৌই।

জগৎ অমসুং জীবদা শিন্থুংনা লৈবা অমসুং হনিমকী হৌরকফমসু ওইবা অহুবু বাসুদেব অমদি বিষ্ণু কৌই। মহক্কি অক্ষরনি। অমাং অত্তা হোংদোক হোংজিল নাইদে। পূর্ণস্বরূপনি। মপুং ফানি। ময়েং তাবা লৈতবনি। জ্ঞান পুম্নমকী হৌরকফমনি। শক্তি পুম্নমকীসু হৌরক-ফমনি। মরম অহুনা অধিযজ্ঞ কৌই। মহাকী প্রভাব = মতিক মরাই পুম্নমক প্রকৃতিনা (মহোশানা Nature না) কোংদোকলি। যজ্ঞ পুম্নমকী হৌকমনি; পূর্ণস্বরূপ ওইবা পরংব্রহ্মবু কোংদোকফমগী মতুং ইন্না মমিং হোংহল্লি। মহুদি ঈশ্বর চৈতন্য; জগৎ চৈতন্য অমসুং জীব চৈতন্য। জগৎপু পথাপ (নিয়ম) অমগী মথাদা থমলগা লোংদমলিবা (নিয়ন্তা) Lawgiver) ওইরিবা অসিবু জগৎ চৈতন্য

কৌই। অদুগা জীবগী সহজজ্ঞান (instinc) বিচার শক্তি (Revelation) অনুভবশক্তি (যোগ তৌরগা ফংবা থমোয়দা জ্ঞানলকপা খ্যাখল) অমসুং আত্মজ্ঞান (Self Knowledge ওইনা লৈরিবা চৈতন্যবু) জীবচৈতন্য কৌই। অশেংবমক্তি ভগবানগী চৈতন্যশক্তিগী কোংদোক-ফমগী মতুং ইন্না মশক অমসুং মমিং তোঙানজবনি। তশেংনমক মতুপ মতুপ নত্রগা মচেৎ মচেৎ থাইদোকপা য়াব নত্তে। খ্যাখল খনবদা খুদোং চান্নবগীদমক্তা "কল্পিত অংশ" খ্যাখলদা থাইদোকচবনি।

৭। তরেৎশুবা পাউথুমদা শিরমদাইদা যোগীশিংনা অভ্যাস যোগগী মতেংনা পরমাত্মাবু ধ্যান তৌরগা পরাই (জীবাত্মা) অসি হকচাংদগী মপাল থোকথিবা ওমই। অমাং অত্তা লৈত্রবা পরমাত্মাদা তিল্লবা ওম্মী। গুরু অমসুং শাস্ত্রশিংনা তাকপী তম্বীরিবা ধ্যানগী নিয়মশিংবু হন্না হন্না সাধনা তৌদুনা পুক্নিং অমসুং ইন্দ্রিয়শিংবু খুদুম চন্নগা খ্যাখলগী ঈচেল পুন্নমক ঈশ্বরদা লুপশনবগী মমিংবু অভ্যাস কৌই। মতম কুইনা অমসুং তত্তনা মুমিৎ খুদিংগী হোৎনরক্লবদি ইলাই লাইনা ধ্যান যোগ অসি তৌবা ওমদে। খ্যাখলগী বৃত্তি (ঈপোম) অনিনি। মদুদি— "স্বজাতিয়-বৃত্তি-প্রবাহ" অমসুং বিজাতিয় বৃত্তি। প্রবাহ—আত্মাদগী হৌরকপা খ্যাখলগী মশেক মঙানবু ইন্দ্রিয়শিংগী থোং পুন্নমক্তা থিংদুনা পুক্নিং অমসুং ইন্দ্রিয়শিংবু সংযম (নীংথিনা কাজনগা) অন্তরাত্মাদা হনজনহনবু "স্বজাতিয়-বৃত্তি-প্রবাহ" কৌই। অদুগা ইন্দ্রিয় অমসুং পুক্নিংবু কাজনবা ওমদ্রবদুনা ইন্দ্রিয়শিংগী থোংদা হাইরোকখ্রগা— পুক্নিং য়াওনা সংসারগী খ্যাখলদা লুপখিবনু

বিজাতিয় বৃত্তি প্রবাহ কৌই। মথক্কী "স্বজাতিয়-বৃত্তি-প্রবাহ" অমুদি হিমালয়দগী চেল্লরকপা গঙ্গা যমুনাবু সমুদ্রদা। তিল্লগা মমিং মাঙ্গনখিবগুম জীবনা শিব পরমাত্মাদা। তিল্লখরগা জীবগী অস্তিত্ব (Existance) অমুক লৈত্রে। মতম অদুদা অমুক হন্না পোক-দবা লৈত্রে। অদু নত্তুনা জীবনা হকচাং থাদোক্লমদাই শিরমদাই মতমদা ঈশ্বরবু কাউথোক্তুনা ৱাখল ফৈরংলনা বিজাতিয় বৃত্তি প্রবাহদা চংথ্রবদি থল্লু খল্লুবা অমস্তুং িংই নিংউবা পোৎশক অদুগা মরী লৈনবা মফমদা পোকলুই। মরম অসিনা মতম কুইনা শাংনা পোৎশক অমদা তোইনা খন্দুনা লাকলবদি শোয়দনমক পুন্নিং অসিনা পোৎশক অদু শিরমদাইদসু নীংশিং-গল্লি। মরম অসিদগী মতম চুপ্পদা পরমাত্মা ঈশ্বরবু নীংশিংদুনা পুনশিগী লানফম শোক্লগদবনি। অদুগা ৱাখল লৌশিং অমস্তুং পুক্লিং পুম্নমক ঈশ্বরদা কংথোক্তুনা হিংবা ঙমলবদি শিরমদাইদসু শোয়দনমক চিংনবা লৈতনা ঈশ্বরবু ফংবা ঙমগনি। ভক্ত অদুনা মতম চুপ্পাদা সাধনা তৌদুনা ঈশ্বরবু ধ্যান তৌদুনা লাকলবদি অথোইবা দিব্যপুরুষ অঙানবা অন্তরাত্মাদা চংশনখিবা ঙমই। হায়রবদি অন্তরাত্মাবু পরমাত্মাগা মণা অমত্তা ওইহনখিবা ঙমই। পুম্নমক খংবা (সর্ব্বজ্ঞ স্বরূপ) পরমেশ্বরনি। সুমিৎকী মঙালবু গ্রহ উপগ্রহ থরালমিচাকশিংনা পুদুনা ঙামজরগুম্ন জীবশিংগী জ্ঞান থরদং পোকচরিবনি ঈশ্বরদগীনি। মরম অদুনা ঈশ্বরবু "কবি" কৌই। জগৎ অমস্তুং জীব পুম্নমক মঙোন্দগী থোরকপা ঙাক্লনি। মরম অদুনা ঈশ্বরনা অনাদিকারণ পুম্নমকী হৌরক-ফমনি। মরম অদুনা "পুরাণম্" কৌই। পুম্নমকপু অহাকনা শাসন তৌবা "অনুশাসিতারম্" কৌই। অনু (Atom) দগী হেন্না কপ্পা অমস্তুং আকাশ অমস্তুং মতম কালদগী হেন্না ক্লপ্পনি।

পুম্নমকপু ধারণ তৌবা, শুদ্ধিং লৌশিং বুদ্ধিনা লাকশনবা ওমদবা মথন্তনা ওাকথোকচরকপা অমস্তং অমম্বা অজ্ঞান পুম্নমকপু মাংহনবা ওম্বা পুরুষোত্তম্ ভগবানবু মীংশিংগদবনি। ধ্যান তৌগদবনি। হায়বিবা ভগবানগী স্বরূপ অসে অবিদ্যা মায়াদগী লাপ্থোক্তুবদি ফংবা ওমদে। শিরমদাই মতম য়োৱকলবদা পুক্নিং অমত্তা ওইবা ভক্তি অমসুং যোগগী মতেংনা পীশুম অনিগী কারক্তা মপা থোকপা "অজ্ঞাত চক্রদা" প্রাণব যুবু সুষুম্না নাড়িদা পুথংলক্তুনা লেংহন্দনা থগগনি। অদুগী তুংদা জ্যোতি স্বরূপ ওইবা পরমাত্মাবু ধ্যান তৌজগনি। বেদ শাস্ত্র হৈবা পণ্ডিতশিংনা পরমাত্মাগী তত্ত্ববু শন্দোক্না ব্যাখ্যান শৌই অপাম্বা থাদোকলবা সন্ন্যাসীনা মদু ফংবা ওমই। সাধকশিংনা মহাকপু ফংনিংবদগী ব্রহ্মচর্য্য পালন তৌই। ইন্দ্রিয় পুম্নমক্কী থোং পুম্নমক সংযম্ তৌদুনা থিংজিল্লগা পুক্নিংগী বৃত্তি পুম্নমকপু হৃদিদা ফাজন্দুনা থমলগা, কোক্তা প্রাণবু থাগৎলগা আত্মা সমাধিদা লৈবগা, ব্রহ্মরন্ধ্রদা কাখৎহল্লগা "ওঁ" হায়বা ময়েক অমত্তা ওইবা ব্রহ্মনাম অসিবু উচ্চারণ তৌদুনা পরমাত্মাবু ধ্যান তৌজদুনা হকচাং অসিবু জীবাত্মানা থাদোকলমবদি শোয়দনমক পরমগতি অদু ফংই। পুক্নিং অনি লোংদনা মতম কুইনা পরমাত্মাবু চিন্তা তৌবা ওমলিবা (সমাধি তৌবা ওমলবা) নিত্য যুক্ত যোগীনা পরমাত্মাবু রাদনা ফংবা ওমই। পরমাত্মাবু ফংলুববগী তুংদা অরা অনানা থল্লবা সংসার অসিদা অমুক হন্না পোকদবা লৈত্তরে। হায়রিবা মহাত্মাশিংছুদি অথোইবা যোগসিদ্ধিগী মশক ওইবা মুক্তি ফংখ্রবনি। ব্রহ্ম লোকতগী ভূ লোক ফাউবদা লৈবিবা জীবশিংদি অকা অকুম নাইবনি। অদুগা ঐবু ফংখ্রবা জীবশিংদি অমুক হন্না পোকলরোই। মুক্তি মথক অনিনি। মদুদি—ক্রমমুক্তি অমসুং কৈবল্য মুক্তি। সাকার

মুর্ত্তি অমদা উপাসনা তৌজরহুনা নপুনশি লেনখ্রবা ভক্ত অদুদি মহাত্মা আশ্রয় তৌজরিবা ইষ্টদেব অদুগী লোক্তা য়োনবা মরোল তরেৎ সপ্ত লোক্তা মথং মনাও নাইনা কাবরু "ক্রম মুক্তি" কৌই। মমৈ থংনা ব্রহ্মলোক (সত্যলোকতা) লৈবা ফংজরুই। মহা-প্রলয়গী মতমদা পরংব্রহ্মদা তিনবা ফংজে। অদুগা ব্রহ্মজ্ঞান ফংদুনা সমাধি যোগ তৌবা ঙমখ্রবা যোগী অদুদি খুদক্তা পরং-ব্রহ্মদা তিনবা ঙমই। মদুবু "কৈবল্য মুক্তি" কৌই। মথক্কী মুক্তি অনিদগী হয়বা সকাম কর্ম্ম তৌবা পুন্য চেনবা মীওইনা হন্না হন্না কাখৎলুরবস্থু অফবা কর্ম্ম ফল অদু লোইরগা মীওইনা অমুক মর্ত্ত লোক অদা পোকলে। জগৎকী সৃষ্টি, স্থিতি অমস্থুং সংহার (প্রলয়) তৌরিবা কাল চক্রদা চংদুনা হন্না হন্না পোকপা অমস্থুং শিবগী দশা অদু ফংলে। পরমাত্মাগী গতিদি কালচক্রগী রাংমদনি। প্রকৃতি মায়াগী খোংচৎপু কালচক্র কৌই। ভক্তি অমস্থুং পূর্ণবৈরাগ্যনা মায়াশক্তিদগী লাম্রোকপা ঙনখ্রবদি কালগী রাংমদা যৌবা ঙম্মী। অদুগা পুন্যগী মহৈনা ব্রহ্মলোক য়ৌবা ঙমলাবস্থু কালগী মথা পোনবা মবননা শেয়দনমক অমুক হল্লক-খিগনি। সত্য, ত্রেতা, দ্বাপুর অমস্থুং কলি কৌবা যুগ মরি অনিবু পুল্লপ পুনশল্লগা "মহাযুগ" কৌই। অদুগুম্না মহাযুগ লিশিং অমনা ব্রহ্মাগী অযুক অদগা মহাযুগ লিশিং অমনা ব্রহ্মাগী সুংদাংনি। জগৎকী নোংমগা ব্রহ্মাগী নোংমগা মান্নদে। মহাযুগ লিশিং অনিনা ব্রহ্মলোকী অহিং সুংথিল ওইরগা সুমিৎ ৩৬৫ হায়বদি মহাযুগ ৩৬৫ না ব্রহ্মাগী চহি অমনি।

সৃষ্টিবু পরিনামী মশক হোংদোরকপা কৌই। তাইবংপানবগী পোৎলম ময়াম অসি হোংদোকরকপবু মতমগী ঈচেল ("কাল প্রবাহ") কৌই। প্রকৃতিনা (মহৌশানা) মতমগী ঈচেল

অসি ওইহল্লি।" অশেংবমক্তি প্রকৃতিগী য়াংমদা লৈরিবা পরম পুরুষতি দেশ (মফম) অমসুং কালগী মখা পোন্দে। পুম্নমক্কী হৌবকফমনি। প্রকৃতিনা পরমেশ্বরদা তিনশনখিবা মতমদা—কাল অমসুং দেশসু অচৌবা উপাল খোংনাংগুম্বা অমগী শক্তি পুম্নমক থোইদিং মরুদগী হেন্না পীকলবা খোংনাং মরু (বীজ) দা থুপচন্দুনা লৈখিবগুম সংসারগী মশক ওইবা উপাল অসিসু মূল প্রকৃতিদা থুপচনদুনা লৈখি। মূল প্রকৃতি (আদ্যাশক্তি) অদু অমুক পরমেশ্বরদা তিনশনখি। মতুবু মহাপ্রলয় কৌই। মরম অদুনা জগৎপু সৃষ্টি তৌবনা ব্রহ্মাগী অয়ুক অমসুং প্রলয় তৌবনা ব্রহ্মাগী অহিং ওইবনি। সৃষ্টিগী মতমদা কাল (মতম) অসি অমুক থোরকই। মীওইবনা অয়ুক্তা য়াহৌদুনা মাগী মাগী মথৌ পাংথোকলমলগা অহিংদা পেথদুনা তুমখিবা মতমদা বুদ্ধি লৌশিং পুম্নমক জীবাত্মাদা হনজখিদুনা মপালগী য়াথল পুম্নমক পুমকাও কাউখি। য়াহৌরকলগা নিকপ থোরকপদা সংসারগী য়াথল অয়ুক বুদ্ধি লৌশিংদা থোরক্লুনা তৌগদবা মথৌদাং পুম্নমক মথং মথং নীংশিংলকই। মথংদা তৌগদবা অমসুং পাইগদবা থবক ইনথাং মথং মনাও নাইনা লৌরকই। অদুগুম্না সৃষ্টি কর্তা ব্রহ্মাসু হান্নগী সংস্কার মতুং ইন্না সৃষ্টি তৌই। প্রলয়গী মতমদা অমুক পেথাই। মীওইবগী অহিং সুংথিলদি য়াম্না তেল্লি। অয়ুক সুংথিল পুং ১২ গা অহিংগী পুং ১২ গা পুং ২৪ থক্তনি। অদুগা তাইবংপানববু শেম্বা সৃষ্টি কর্তাগীদি— সৃষ্টি অমসুং প্রলয় অনিনা শাবা মহাযুগ লিশিং অমনা অয়ুক সুংথিলনি। অদুগা মহাযুগ লিশিং অমনা অহিংনি। ব্রহ্মাগী অয়ুক ওইরকপদা মূলপ্রকৃতিদগী মহত্তত্ব থোরকই। হিরণ্যগর্ভ কৌবা জীব পুম্নমক্কী পুনফম অমসুং থোরকফম "জীবসমষ্টি" থোরকই। অদুগা অহিং ওইরকপদা জীবাত্মা পুম্নমক অহানবদা

মহত্তত্ব নত্রগা হিরণ্যগর্ভ (ব্রহ্মাদা) তিন্নগা ব্রহ্মানা অমুক মূল প্রকৃতিদা তিনশনখি। মদুবু মহাপ্রলয় কৌই; ব্রহ্মাগী নোংমা কল্প অমনি। কল্প হৌরকপদা সৃষ্টি অমসুং কল্প লোয়শনবদা প্রলয়নি। মতৌ অশুমনা সৃষ্টি প্রবাহ অমদি কাল প্রবাহ মতমগী ঈচেলদি খক লেপ্তে অমসুং অরোইবসু নাইদে। মুক্তি হেক ওইত্রিবা ফাউবদি জীববু তৌরু তৌরুবা কর্ম্মগী ফল মতুং ইন্না অফা ফত্তা মহৈ চাহ্নুনা হন্না হন্না পোকপা হন্না হন্না শিবা য়াওদ্রুংবা লৈখিনি। অদুগা মূল প্রকৃতিদগী হেনগত্তুনা লৈরিবা নিত্য ওইবা ব্রহ্মদি পোং পুন্নমক প্রলয় তৌদুনা মংখ্রবসু মহাশক্তি খক মংবা অমসুং ময়েং তাবা হৈতে। মহাশক্তি মশক মওং ফোংদোক্তবা মরমনা "অব্যক্তসু" কৌই। মূলপ্রকৃতিসু অব্যক্তনি। পরংব্রহ্মবুনা অব্যক্ত অক্ষর পুরুষ কৌই। পরং-ব্রহ্মগী ধাম অদু জীবনা অমুক্তং ফংজবা ঙমখ্রবদি সংসার অসিদা অমুক হন্নকলরোই; মরম অদুনা অদুগুম্বা ধাম অদু ফংববু "পরমাং গতিম্" অথেইবা চংজফম কৌই। জীবগী হৃদি খুদিং-মক্তা অমসুং জগৎ পুম্বা শিংথুনা লৈরিবা বাসুদেব কৌবা পরম পুরুষপু অনন্যভক্তি (অনি লোংদবা ভক্তি ঐকান্তিক ভক্তিনা) ফংবা ঙমই। অনি লোংদবা ভক্তি (আত্মজ্ঞান) লৈত্রবদি ওইবা ঙমদে। আত্মজ্ঞান লৈরগা জীবগা ব্রহ্মগা লৈনরিবা নিত্য সম্বন্ধ (মরোল্পা মগী) অদু খঙদুনা জীবনা ব্রহ্মদা অনি লোংদবা ভক্তি অদু থম্বা ঙম্মী। মবম অসিনা মথক্তা হায়খিবা জীববু পুন্দুনা থমলিবা বন্ধন তলুম (অবিদ্যা, কাম অমসুং কর্ম্ম অহুমবু) জ্ঞান যেংগনা অবিদ্যা মাথবু, ভক্তিনা মেংগনা কামবু অমসুং নিস্কাম কর্ম্মনা কর্ম্মবু ককথৎপা। ঙমলবা মীওইনা পরাভক্তি ফংবা ঙমই।

মীওইবনা শিবা মতমগী মতুং ইন্না সংসারদগী লানথৎখি-ন্দ্রবা অমসুং অমুক হন্না পোকলগদবা কাল চক্রগী রাফম অয়া

ভগবাননা তাকখিদ্রি। জীব পুম্নমকপু চাউরাক্লা শরুক অহুম খোক্লা থাইদোকই। মহুদি— বদ্ধ, মুমুক্ষু অমসুং মুক্ত। পাপ অমসুং পুণ্যগী ফল চাখিনদবা কর্ম্মগী মখা পে়ল্লিবা জীব কাংলুপ অদুবু "বদ্ধ জীব" কৌই। অহুগা মপুং ফাবা সিদ্ধি ওইহ্রিবা অদুগা সংসারদগী লাম্থোকনিংদুবা সাধনা হৌগৎলবা কাংবু অদুনা মুমুক্ষু কৌই। অহুগা হৌখিবা মথোক (প্রারব্ধগী) ফলদি চাব লোয়ত্রিবা অদুগা সাধনা মপুং ফারদুনা আত্মজ্ঞানদি ফংলবা কাংবু অদুনা "জীবন মুক্ত" (হিংনা হিংনা লাল্লবা) কৌই। জীবন মুক্তশিংদি শিরগা অমুক কাগদবা লৈত্রে। শিবগী মফম অমসুং মতম অফ কত্তা থাইদে। মথোইদি শিরগা শোয়দনমক কৈবল্য মুক্তি ওইখ্রগনি। শুদ্ধব্রহ্মদা খুদক্তা তিনখ্রগদবনি। অহুগা আত্মজ্ঞান মপুং ফাত্রিবা সাধকশিংদি শিরগা সূক্ষ্মশরীর অদু লাংহনবা ওমদবা মরমনা— লোক মথং মথং কাখৎখিদুনা খ্রাইদগী হেল্লবা সত্য লোক ফাউবা কাখিগনি। মথক্তা মদুবু ক্রমমুক্তি হায়না খীংথাখ্রবনি। অহুগা পুণ্যকর্ম্ম অকনবা থবক্তি তৌরগা পাপকী শরুক পুম্নাং মাংহনবা ওমত্রিবা কর্ম্মগী সংস্কার লৈরিবা পুণ্য চেনবা জীবশিং অদুদি মহাক্লা তৌজবা অকনবা মহৈশিং অদু মতম কক্লা মতিক চাবা লোক অমদা চারগা অমুক্ত মর্ত্তলোক্তা কুমথরকই। ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা মতাং অসিদা — শিরগা সূক্ষ্মশরীরনা কাগদবা লম্বী অনিথক তাকখিরি। মহুদি— দেবযান মার্গ অমসুং পিতৃযান মার্গ।

দেবযান মার্গ= উত্তর মার্গ— অর্চিরাদি মার্গ, শুক্ল মার্গ হায়না ঋষি শাস্ত্রশিংনা থোল্লি। নিবৃত্তি মার্গ— মশাগী ওইজবা ক্রমসুং অপ্পাপা পুম্নমক থাদোক্তুনা— ঈশ্বরদা চুল্লখ্রা ক্রক-শিংনা জীওইবগী দেহ অদি হেক প্রাপ্তকপা—(১) অগ্নি লোকতা

কাখৎখিগনি। মথংবা (২) বায়ু লোক্তা মতুগী মথংদা (৩) বরুণ লোক; অতুগী মথংদা (৪) ইন্দ্র লোক অতুগী মথংদা (৫) প্রজাপতি লোক; অতুগী মথংদা (৬) ব্রহ্ম লোকতা কাখৎকনি। মথক্কী লোক তরেৎ অসিবু গীতাদা :—(১) অগ্নি, (২) জ্যোতি, (৩) অহঃ, (৪) শুক্ল, (৫) উত্তরায়ণ ষন্মাস অমসুং (৬) ব্রহ্মলোক হায়না থোল্লি। মথক্কী তরেৎ অসিদা তোনঙানবা জ্ঞান বিকাশ ফাউবকই। বেদ শাস্ত্রদা মথক্কী মরোল তরেৎপু মথংশিংমা (১) ভূঃ, (২) ভূবঃ, (৩) স্বঃ, (৪) মহঃ, (৫) জনঃ, (৬) তপ অমসুং (৭) সত্য হায়না কৌই। মথক্কী লোক খুদিংমক্তা কাখৎখিবা জীব অতুগী চৈতন্যশক্তি (consciousness) অমু মথং মথং শেংলকপা অমসুং ওাল্লকপা হেল্লকই। মরম অতুনা মথক মথক থংবনা মথা মথা থংবদগী জ্ঞান উদয় ওইরকপা হেল্লকই। অমসুং জীবগী সুক্ষ্মশরীর অমসুং কারণ শরীরদা চুপনহনা লৈরম্বা বাসনা পুম্নমক মথং মথং মাংশলক্লুনা সত্য লোক য়োরকপদি সত্যগী মঙাল (জ্ঞানগী মঙাল) মপুং ফারকই। মসিগী অমুমনা কাখংলকপা মার্গ অসিবু জ্ঞানমার্গদা কাখৎপা হায়নসু কৌরি য়াই। মরম অসিদগী দেবমান মার্গ = মঙানগী লম্বী দিব্যজ্ঞানগী থাক অমসুং ক্রমমুক্তি হায়না কৌই।

অদুগা হিংলিঙৈদা দান, পূণ্য চেনবা থবকশিং তৌরম্বা তপস্যা মার্গ যজ্ঞ পূজানচি বা তৌজবা আত্মজ্ঞানদি তালহৌদবা পূণ্য চেনবা জীবনা শিরগা অহানবদা লৈচিন থাংলবা (১) অভ্র লোক অনিশুরকপদা (২) ধ্রুব লোক; অহুমশুরকপদা বায়ু লোক; ৪ শুরকপদা পিতৃ লোক (অন্তরিক্ষ) অমসুং ৫শুরকপদা চন্দ্রলোক অমদি স্বর্গলোক্তা কাখৎলি। লোক অসিদগী পূণ্যগী মহৈ চাবা লোইরগা মথং মথং কুমথরক্লুনা আকাশতগী তারকপা নোংদা য়াওরকলগা লৈবাকতা তারকই। লৈবাক্কী লৈহাও ওলগা

অচাপোংকী মশক ওইবা মহৈ ময়োংদা চংখি। অদুগী তুংদা চাখিৱবা জীবদা চংখি। মুপাদা বীর্য্য মুপীদা রজ ওল্লগা মমা মপাগী ঔরসতা চংদুনা পোকখি। অমসুং অমুক হন্না কর্ম্মগী মখা পোনখি। মরম অসিদগী কর্ম্মীশিংনা কাখৎলিবা লম্বী অসিবু "ধূম-মার্গ"— (লৈচিন থাংবা অনম্বা লম্বী অণ্ডানবা মঙাল ৱাংপা) হায়না কৌই। চহি অমদা থা ১২ নি। থা ৬/৬ না আয়ণ ১/১ শাই। মুমিৎনা থা তপানিথোইগী কেন্দ্র রাশিচক্র অমমমদা লানশল্লকপদা অৱাং পাংনা হায়গৎলকপা থা ৬ তরুকপু উত্তরায়ণ কৌই। অদুগা মখা পাংনা হায়থরকপবু দক্ষিনায়ণ কৌই। অশেংবমক্তি— থক খা অৱাংবা অনেম্বা লোকশিংগী মওং খংহনবা স্বর্থ্যগতিনা তাকপনি। জ্ঞানিভক্তশিংনা উত্তরায়নগী মশক ওইবা জ্ঞান বিকাশকী লম্বীদা কাখৎখি। যোগগী লম্বীদা মথং মথং মপুং ফাখি। অদুগা কর্ম্মীশিংগী লম্বীনা ভোগকী লম্বীদা কাখি। অনিমক যোগ অমসুং ভোগ ফংলুই। অদুগা পাপীশিংদি অনিমক্তা কাখৎপা ঙমদে। পাপ অদুগী মতুং ইন্না যমলোক্তা কারুরগা মবালগী মতুং ইন্না অতোনবা মপোক্তা পোকই। মরম অদুনা দেবযান অমসুং পিতৃযানগী মৰম অসি মুন্না বিচার তৌরগা যোগগী লম্বীদা কাখৎপা ঙম্নবা মতম খুদিং-মক্তা যোগ যুক্ত ওইনবা হোৎনগদবনি। মথক্কী তত্বশিং অসি খংলগা শাস্ত্র তম্বা, যজ্ঞ, তপস্যা, দান্নচিংবা পুণ্য ফলশিং অসিদি স্বর্গ ফংদুনা ফল ভোগ তৌরুরবসু অমুক হন্না মর্ত্ত লোক্তা পোকলৈ। অদুগা জ্ঞানি অমসুং নিস্কামী ভক্তদি যোগনা তিনবা ময়মনা পরম পুরুষ ভগবানবু ফংলুই। মরম অদুনা জ্ঞানিশিংনা পুণ্য ফলবু কবিস্থ ওইদনা খন্দুনা সকাম কর্ম্ম তৌদে। যোগ তৌদুনা নিস্কাম ওইনবা হোৎলৈ: মতম চুপ্পদা অক্ষয় ব্রহ্ম ফংনবা অভ্যাস তৌই।

নবম অধ্যায়

"রাজবিদ্যা রাজগুহ্য যোগ"

অধ্যায় অসিগী মমিং "রাজবিদ্যা রাজগুহ্য যোগ" কৌই। শ্লোক ৩৪না শাবনি। অর্জুননা হংজবা শোক য়াওদে। ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী পউডাক ওক্লনি। ভক্তি অমসুং অধ্যাত্মিক তত্ত্ব অসিদি য়াম্না থুপ্পা বিদ্যানি। বিদ্যা অসি হৈনিংলবা মী অমগী মশাদা কৃপা অহুম থক লৈতবা য়াদে। মখোয়শিং:—(১) গুরুগী কৃপা, (২) শাস্ত্রগী কৃপা অমসুং (৩) মশাদা থুপ্লুনা লৈবিবা অন্তরাত্মাগী মশক ওইবা ভগবানগী কৃপা। ভগবানগী কৃপাদগী মীওইনা পোকচবা অমসুং সদ্গুরু অমগী মফমদা চংজনবা মফম ফংজবা হয়রদি শিষ্য অমা ওইজকরগা পুক্নিংগী চিংনবা (সন্দেহ) মথৈ কেকহনবীদুনা অথুপ্পা লৈতনা তাকপী তম্বীরকপা অদু গুরুগী কৃপনি। তনিশুরকপদা মুনি ঋষিশিংনা মীওইবগী কান্নবগীদমক্তা লেহুনা থম্বীরমলবা শাস্ত্রশিংদা থাজদুনা পাজবা অমসুং তমজবগা পুক্নিংগী অমম্বা কেকহনবা শাস্ত্রগী কৃপানি। গুরু অমসুং শাস্ত্রনা তাকপী তম্বীরকলিবা তত্ত্বজ্ঞানগী সিদ্ধান্ত অদু সাধনা তৌজদুনা ইশ্বরগী অমাদগী মপুং ফানা থংজবা ঙমলকপা অদুনা অন্তরাত্মাগী কৃপানি। নবম অসিনা অধ্যাত্মিক বিদ্যা অসিনা খুদ্বাইদগী হেন্না থুপ্পাশিংদগী থুপ্পলবা অমসুং বিদ্যা পুম্নমক্কী মকোক ওইরবা বিদ্যানি। নবম অসিদগী "রাজবিদ্যা রাজগুহ্য যোগ" কৌই। ৮ শুরকপা অধ্যায়দা— "নতম চুপ্পদা যোগযুক্ত ওইয়ু" হায়বা ভগবানগী আদেশ (বাথং) অদু ইন্দ্রবদি মীওইনা পোকপা ফংজরবসু অরেম্বদা মায়াগী ঈপাক্তা ঈরাক্লদুনা মাংজগদোরিবনি। সংসারদগী লাপ্থোক্কনা

ঈশ্বর কংজনিংলিবা ভক্তশিংনা চেনগদবা পুকচেল অমদি ঈশ্বরদা শ্রদ্ধা লৈবনি। তাইবংপানবগী নেংদম্বা (নিয়ন্তা) অমা লৈরি হায়বসি চেৎনা থাজবনি। মহাক্কী ইচ্ছাদি জগৎকী লেংদ্রবা নিয়ম অসিনি। নিযম অদুবু সৎ অমদি "সত্যম্" কৌই। ঈশ্বরগী মওং মতৌ অমসুং মশক ঐখোইনা লাকশনবা ঙমদ্রবসু ইবুংঙো মহাক্কী পথপ নাইবা শাসনদি কাওফম খোক্তে। মহাক্কী ঙকলবা মায়াগী শক্তিনা জীব অমসুং জগৎপু খুমহত্তুনা থম্মী। মবম অসিদগী জীবশিংনা ঈশ্বরদা শ্রদ্ধা ভক্তি থম্বা ঙমদে। মায়া শক্তি অসিগী শক্তিমান ওইবিবদি পরমেশ্বরনি। মখাগী মপু ওইবা মবমনা ঈশ্বরদদি মায়ানা কুপশল্লুবা ঙমদে। মবম অদুনা "মায়াধীশ" কৌই। প্রকৃতিনা তৌবিবা থবকমখৈসু ঈবুংঙো মহাক্কী ইচ্ছানি। ছ য়গী হৌবকফম কায়ানি। মহিগী হৌরকফমদি হকচাংনি। তৌইগুম্বশুং ঈশিংদা মি তাবগা হকচাংদি চোক্তবগুম মাযাদা ভগবান লৈতে। অদুগা মায়া শক্তিদি ভগবানদগী থোবকপনি। মবম অসিদগী জগৎ অসিগী শাসন কর্ত্তা ভগবননি। মযানা জগৎ অনিগী থবক পুন্নমক তৌবি। ঈশ্বরগী ফোংদোক্তবা শক্তিনা জগৎকী নিযম ওইনা পোৎ খুদিংমক্তা চংদুনা লৈবি। অদুগা মায়া শক্তিগী মখা পোন্দবা মবমনা ঈশ্বরদি পোৎ খুদিংমক্তা লৈতবগুমনা লৈবি। সংসারগী পোৎ খুদিংমক ঙমখৈ (সিমা) লৈবা ঙাক্তনি। অদুগা ঈশ্বরদি অসিম অমসুং অনন্তনি। ঙমখৈ নাইদবনি। মতৌ কমদোনা পোৎ খুদিংমক্তা মপুং ফাবা ঈশ্বরদা মপুং ফাদবা পোৎশকশিংদা ফোংদোকউবা য়াদে। ভগবানবু মায়াশক্তিনা শুমহৎপা ঙমদবা মায়াগী মপু ওইবদগী অসঙ্গনি। অসঙ্গ (করিগুম্বা মায়াগী পোৎ অমগা তিনশনবা য়াদবা মরমনা)

পোৎ খুদিংমক্তা লৈতে। অমসুং জগৎ অসিদসু লৈতে। অদুম ওইনমক জগৎ অসি ভগবাননগী শাসন মখাদদি লৈ। অচং চত্তা জগৎ সংসারগী পোৎ খুদিংমক্তা ঈশ্বরগী ফোং-দোক্নবা শক্তিনা শিনথুংনা লৈরগা তশেংনমক লৈতবগী মওং ওইনা তাকপীরি। ঙকলবা ভগবাননগী যোগ শক্তিনি। অদুগা জগৎ অসিদি ভগবান য়াওদ্রবদি লৈবা ঙমদে। গাড়িগী কল্লা উংলিবা চাক্কা অমনা চাক্কাগী মযাইমক্তুদা হুকচন্দুনা লৈরিবা ধরা য়াওদ্রবদি লৈইবা যাদবগুম মহোশা কৌবী প্রকৃতিগী খোংচৎনি। কার্য্যনা কাবনদগী হেন্না কুপ্পী। মু শিংকী তৌরক-ফম অমসুং তুংনফম আকাশনি। মুংশিংনা আকাশপু খুমহৎপা অমসুং শিনথুংবা ঙমদবগুম সংসারগা ঈশ্বরগা মশা অমত্তা ওইবা য়াদে। পরমেশ্বরগী জগৎ অমসুং জীব পুংথোরকপনি। কল্প খুদিংমক্তা মহাপ্রলয অমুক অমুক হেক তৌরিবনি। হায়বদি জগৎ অমসুং জীব পুম্নমক মূল প্রকৃতি কৌবী আদ্যাশক্তিদা থুপচন্দুনা তিনশল্লগা অমুক মূল প্রকৃতিসি ঈশ্বরদা তিনশল্লিবনি। অনৌবা কল্প অমা যৌরক্তুনা অনৌবা সৃষ্টি অমুক তৌরকপদা জীবশিংগী হৃদয়দা চুংহৌদুনা লৈহৌরিবা মপোক কয়াগী বাসনা অমসুং সংস্কারশিংনা মবম ওইদুনা প্রলয়গী মতমদা মরুদা (বীজদা) পাম্বীগী পুনশি থুপ্তুনা লৈবগুম পীকশন্না তাশনদুনা য়াম্না কুপ্পা চংদুনা লৈ। সৃষ্টিগী মতমদা হৌখিবা মপোক কয়াগী কুপলবা সংসারগী বসনা অমসুং সংস্কারগী মতুং ইন্না জীবশিং অদুনা কর্ম্মগী মখা পোন্দুনা তেঙান তোঙানবা মপোক (যোনি) দা পোকলকই। মসিদা ভগবাননগী মিচং শিখাই নাইবা (পক্ষ-পাতি) ওইবা বাকম অমত্তা লৈতে। কনাগুম্বা জীববু পাপ নত্রগা পুণ্য তৌ হায়দুনা ইনশন্দে। ঈশ্বরগী ইচ্ছাদগী জগৎ

অমসুং জীবশিংবু সৃষ্টি, স্থিতি সংসার (লৈংশখা য়োকপা অমসুং মাংহনবা) অহমমক প্রকৃতি কৌবা মায়া শক্তিনা পাংথোকলি- বনি। মথক্কী অধ্যায়শিংদসু হন্না হন্না ভগবাননা তাকপীখ্রে। মহুদি জীবগী হৃদিপদ্মদা ভগবানগী অংশনা অন্তরাত্মা ওইদুনা জীবশিংগী কর্ম্মফল শীনবী হায়না মীওইবনা মহাক মহাক্কী হৃদিমন্দিরদা থুপ্তুনা লৈরিব অন্তরাত্মাবু থোওইদবা মরমদগী মায়াগী লাংদা থুখিবনি। পুক্কিং অমসুং ইন্দ্রিয়শিংগী মাখপোনবা মীওইনা সাক্ষি স্বরূপ ওইদুনা লৈরিবা অন্তরাত্মাবু অমসুং জগৎকী নিয়ন্তা ওইরিবা বাসুদেববু থোওইদবা মরমদগী হিংচা কোচ্চাবগী মপোক (রাক্ষসী অমসুং আসুরীনচিংবা তমো অমসুং রজোগুণনা হেনবা মপোকশিংদা) অপংবা জ্ঞানরাৎপা, অরেম্বদা আশা তৌবা, হৈশিংবা শাবা মপুক্কিং তপথবা ওমদবা স্বভাবকী মথা পোন্দুনা পোকলৈ। অদুগা সত্ত্বগুণনা হেনবা রজো অমসুং তমো- গুণনা লাকচবা ওমদবা মীওইশিংনা মহাক্কী হৃদিমন্দিরদা লেংদনা লৈরিবা ভগবানগী নিত্য অংশ অন্তরাত্মা অমসুং জগৎ পুম্বগী শাসন কর্ত্তা বিষ্ণুবু শ্রদ্ধাভক্তি লৈবদগী পুক্কিং অমসুং ইন্দ্রিয়- শিংবু লাকশনদুনা মশাগী ওইজবা মখৈ থাদোকলগা সেবাগী মশক ওইবা কর্ম্ম তৌদুনা মপুনশিংবু সাধনাগী মশক ওইহল্লি। অসিগুম্বা পুনশিংবু দৈবী প্রকৃতিদা চংজবা কৌই। মায়া শক্তিগী শকলোন অনিনি। মদুদি (১) অবিদ্যা মায়া অমসুং (২) বিদ্যা মায়া। অবিদ্যা মায়ানা জীববু সংসারদা চিশিনদুনা হন্না হন্না পোকহল্লি সংসারগী মশক ওইবা অন্না সুংঙাইবগী ঈথক ঈপোমদা তাওহল্লি অদুগা বিদ্যা মায়ানা ঈশ্বরয়োমদা চিংখৎপী। শান্তিগী লম্বীদা লমজীংবী। বিদ্যা মায়ানা লমজীংবিরিবা জীবশিংনা জগৎকী নিয়ন্তা অমসুং জীবাত্মাগী অন্তরাত্মাদা মপুক্কিং অনি

নোংঙনা শ্রদ্ধা ভক্তি থমজদুনা ঈশ্বরগী পেন্নবগীদমক্তা নিষ্কাম সেবাগী মশক ওইবা কর্ম তৌডুনা মপুনশি লেনবা ওস্মী। মখোই অসিগুম্বা মবুকচেল চাউরবা মহাত্মাশিং অসিনা মতম চুপ্পদা ভগবানবু কাওবা নৈতে। ঈশ্বরগী নাম, মহিমা অমসুং লীলাবু কীর্তন তৌদুনা শক শেল্লি। শাস্ত্রবু লূনা তৌদুনা তমই অমসুং গুরুশিংদগী তাশল্লি। চোকশনবগা লোয়ন্না ইন্দ্রিয়শিং অমসুং পুক্নিংবু ফাজল্লি। ঈশ্বরবু মুশিং খুদিংগী খুরুমজদুনা পূজা তৌই। মখোইশিং অসিবু ভক্ত কৌই। অদুগা কাংবু অমনা অধিকারগী মতুং ইন্না কনা কনাগুম্বাশিংনা জ্ঞান মার্গদা অন্তরাত্মাগা পরমাত্মাগা অমত্তনি হায়না খন্দুনা "এক মব অদ্বিতিয়ম্" হায়না অহংগ্রহ উপাসনা তৌই। মতু নত্তবা কনাগুম্বনা মশাবু ঈশ্বরগী মচানি মনাইনি শিষ্যনি, মরুপনি, মচানি, অমসুং মপুনি হায়বনচিংবা পঞ্চবিধ ভক্তিনা ঈশ্বরবু নিংই। কনা কনাগুম্বাশিংনা শ্রুতি অমসুং স্মৃতি শাস্ত্রনা তাকলিবা ক্রতু অমসুং যজ্ঞগী হোম তৌদুনা ঐবু নিংই। কনা কনাগুম্বাশিংনা মপা মপুগী মশক ওইনা নিংই। মধর.ইনা তাক্তবা লাইনিং লম্বী অমদা নিংলিবা পুন্নমক অমত্তা ওাইবা অনিশুবা য়াদবা পরমাত্মবুনি। পরমাত্মানা পুন্নমক ওইবনি। ক্রতু যজ্ঞ, স্বাহা, স্বধা, মন্ত্র, হোম তৌনবা ঘী, মৈ, চেং, থোইদিংনচিবা পুন্নমক ব্রহ্মনি। জগৎ অসিগী মমা, মপা, বিধাতা, অপোকপা থংগনবা খিগদবা অমসুং থংহৈদগী হেন্না শেংবদি ভগবাননি। ঋক, যজু. সাম্ বেদনচিংবদা ওঁকারগী মশক ওইনা তাকলিবহু ভগবানবুনি। জীবশিংগী চংনফম, জীব-শিংবু য়োকখী থাকখীরিবা, পুন্নমকী মপু অফা ফত্তা মহৈ পীনরিবা (শাসক) তুংফম, মফম, ওাকখীবা, চান্নবা, শেম্বীবা, য়োকখীবা, থাংহনবা, পুন্নমকী আধার (তুংনফম), তিন্নফম, অমাং অত্তা

লৈতবা জীব অমসুং জগৎ পুরুষকী হৌরকফম ভগবাননি। তুমিং কৌবা খ্বাইদগী হেন্না চাওবা প্রহরা মৈপোগী রুওজ পীরগা মালেম লৈমদা ঙৈরূনা রম মথৌ নোংথক্লা চীংগ্রৎলগা অহিংবা সুংশিংনা অমুক হুমরূনা লোং ওইনা পৃথিবীদা তাহল্লি। ভগবাননা জীবশিংগী জীবননি। জীবশিংবু শিহনবসু ভগবাননি। অমাং অতা লৈত্রবা জীবশিংগী আত্মাসু ভগবাননি। অদুগা ফোংদোকলিবা হোংবা ন.ইরিবা জগৎ অসিসু মহাকনি। বেদ অহুমনা তাকলিবা যজ্ঞনচিংবা ক্রিয়াকাণ্ডদা মমাই ওনশনবা কাংবুনা যজ্ঞ অদুনা মরম ওইদুনা ভগবানবু পূজা তৌরগা সোমরস অমসুং যজ্ঞগী অবেস্বা চাবগা পাপ মাংননি। অমসুং স্বর্গদা কাগে থৌরাংনরি। দেবতাশিংনা যংলিবা মুংঙাইবা "দেব ভোগ"নচিবগী মহৈ ফংনরি। মখোইনা তৌজরিবা পুণ্যগী ফল অদু লোয়রগা অমুক হন্না মর্ত্ত লাক (পৃথিবী) অসিদা পোকলৈ। মতৌ অসুম তৌনা বেদ অহুমদা তাকলিবা সকাম ওইবা যজ্ঞ তৌরগা হংগৎ হন্দা কাথোক কাশিন তৌদুনা লৈ। অদুগা নিস্কাম কর্ম্ম তৌবা ভক্তশিংনা মশাগী ওইজবা পুরুষক থাদোক-চরগা ভগবানতবু মপুক্কিং অনি লোংদনা নীংজরিবা নিত্যযুক্ত ওইবা নিস্কাম ভক্তশিংগীদমক্তা ভগবাননা মখোইগী যোগ অমসুং ক্ষেম হাযবদি ফংদবা পোৎপু ফংহনবা অমসুং ফংলিরা পোৎপু মাংহন্দনা থম্বীবগী দায়ী অহ লৌবী। মুংঙাই যাইকবা পাম্বা কাংবুনা মখোইগী অরাৎপা অমসুং অপাম্বা অমা থুংনবগী-দমক্তা মথল মথা অয়াম্বা দেবতাশিংবু পূজা তৌই অমসুং নিংই। অশেংবমক্তি দেবতাশিং অদুনা পীনরিবা সিদ্ধি অদু পরমেশ্বরগী লাকপনি। দেবতাশিংনা মোক্ষদি পীবা ঙমদে। পর.মথমদি ভুক্তি (মুংঙাই যাইকবা) অমসুং মুক্তি (অরান খুবম) অনীমক পীরা

উমই। যজ্ঞ পুন্নমক অমসুং পূজা পুন্নমক্তা মপুদি পরমেশ্বরনি। জীওইবগী পুক্চেলদি চপ মান্নদে। অপাম্বাগী মখা পোন্নিবা মীনা গুণগী মখা পোনবা দেবতাশিংবু নিংই। সত্বগুণনা হেংবা মীনা দেবতা, রজোগুণনা হেনবনা পিতৃদেবতা অমসুং তমোগুণনা হেনবনা ভূত প্রেতনচিংবা নিংবশি সাধক অদুগী মশাদা লৈবা গুণনসু অয়াম্বা ওইহল্লি। মরম অদুনা দেবতা নিংবশিংনা শিরগা দেবা লোক্তা, পিতৃ নিংবশিংনা পিতৃলোক্তা অমসুং ভূত প্রেত নিংবা-শিংনা প্রেতলোক্তা চৎলি। অদুমক মুক্তি পীবা উমদে। হিংঙ্গিঙৈদা সিদ্ধি-মচা মচাদি ফংবা উমলগা মুক্তিদি ফংবা উমদে। ভক্ত অমসুং জ্ঞানিনা ঋদ্ধি অমসুং সিদ্ধিবু থৌওইদে। পুন্নমক্তী মরু ওইবা জ্ঞান স্বরূপ ভগবানবু ফংগে হায়না তাল্লি। ভক্ত-শিংনা তুলসী হৈথাগোকনচিংবা উনা, থম্বালনচিংবা লৈ, অমসুং গঙ্গাজলনচিংবা ঈশিংনা শ্রদ্ধা ভক্তিগা লোয়ননা কচ্চহুনা নিংজ-রিবাশিংগীদমক্তা ভগবাননা পোৎশিং অদু লৌবী। মরম অদুনা তৌরিবা কর্ম্ম খুদিংমক ঈশ্বরগী পেন্নবগীদমক্তা সনর্পণ তৌগনি। চাব থকপা, হোম জপ তৌবা, তপস্যা তৌবা পুন্নমক্তা করিগুম্বা মহৈ অমত্তা নিদনা ঈশ্বরগী পেন্নবগীদমক্তা তৌরিবনি হায়বসি ফাওব্রবা ভক্ত অদুদি মশাগী নাপল পুন্নমক মাংখিগনি। পাপ অমসুং পূণ্যগী মহৈনা পুনগদৌবিবা জীবাত্মাবু কর্ম্ম বন্ধনদগী লাম্থোকপী। সন্ন্যাস যোগতা মপুক্লিং লুপথব্রবা হায়বদি মরম্নাইগী ওইজবা তান্দ্রবা নিষ্কাম ভক্তনা সংসারগী বন্ধনদগী লাম্থোরক্তুনা পরমেশ্বরবু ফংবা উমজৈ। খ্বাইদগী হেন্না তমথিরবা পাপকী থবক তৌরুরবা দুরাচারী অমা ওইরবা ফাওবদা মপুক্লিং অনি লোনদনা ঈশ্বরদা ভক্তি তৌজবা উমলবা মী অদুদি সাধুনি হায়না লৌংথাগনি। মরমদি— মহাক্কী মপুক্লিংদা হোৎনজরিবা পুক্লিং

হকচাংগী সাধনা অদোম অফবা লম্বীনি। য়াম্না থুনমক মহাক ধর্ম্ম চেনবা মী অমা ওইরগনি। অরেপ্পা শান্তি ফংলরগদবনি। ভক্তনা অরেম্বদা থক মাংবা হৌনদে। নুপী, বৈশ্য; শূদ্র অমদি পাপনা থল্লবা মপোক্কা পোন্নবা (criminal tribes) অতোনবা জীবশিং ফাউবা পরমেশ্বরদা চংজত্পনা ভক্ত অমা ওইবা ঙমথ্রবদি মপুনশি অহু অরেম্বদা থক মাংবা হৌনদে। অহানবদা জ্ঞানী ভক্ত অমা ওইবা হাযবশিদি অতোনবা মপোক্কা পোকপগা পাক হেক ওইবা ঙম্বা হৌনদে। অদুগা ভক্ত অমা ওইবদি জাতি বিজাত থাইদে। নুপী নহা থাইদে। পাপী অমসুং পুণ্য চেনবা থাইদে। ভক্তি মার্গদি জীব পুম্নমক্কীদমক্কা থোং লাওনা হাংদোক্লুনা লৈ। ভগবানগী কৃপাদি জীব খুদিংমক্কা চপ মান্নে। মিচং মীথাই নাইদে। অদুমনদি ওইরগা শ্রদ্ধা ভক্তি লৈনা ভগবানবু নীংজরিবা মী অদুদা ঈশ্বর লেংদনা লৈ অমসুং ঈশ্বরদা জীবদুসু চংজক্নম থদ্বী। পূণ্য চেল্লবা মপোক ব্রাহ্মণ অমসুং রাজর্ষিশিংনা শ্রদ্ধাভক্তি অসি অমুক লৈরবদি করিমুক হয়গনি? মর্ত্তলোক অসিদা লৈরিবা নুংঙাই য়াইফবা পুম্নমক অসিদি অরেপ্পা লৈবা নত্তে। অনিত্য কৌই। মুম্না থনজল্লুরবদি নুংঙাইবা কৌবা য়দে। পোকঙমদনা পোকপা ফংজরবা ধর্ম্মগী সাধনা তৌজরগা ভক্তি অমসুং মুক্তি ফংলগদবা মীওইবগী মপোক অসি ফংলগা ঈশ্বরদা শ্রদ্ধাভক্তি থম্বা ঙমত্রবদি অরেম্বা মপোক কৌই। মীওইবগী মপোক নত্তনা অতৈ মপোক্কি দেবতা (লাইগী) মপোকসু ওইশনু "ভোগযোনি" কৌই। অহেনবা তানথংফা য়াবা মপোক নত্তে। মীওইবগী মপোকনা কর্ম্মযোনি কৌই। মরম অদুনা "মতম,পুম্নমক্তা ঈশ্বরদা পুক্নিং হাপ্লু, ভক্ত ওইয়ু; ঈশ্বরবু পূজা তৌ। ঈশ্বরবু খুরুমজু"। মতৌ অসুমনা

ঈশ্বরদা গই শুনশনজরবা মী অদুদি শোয়দনগক ঈশ্বর ফংগনি।

নবম অধ্যায় সম্পূর্ণম্।

দশমোহধ্যায়

"বিভূতি যোগ"

তরাশুবা অধ্যায় অসিগী মিং "বিভূতি যোগ" কৌই। শ্লোক ৪২ না শাবনি। অর্জ্জুনগী ৱাহং তরেং অমস্তং শ্রীকৃষ্ণগী পাউখাক ৩৫ থকনি। তরেৎশুবা ৮ শুবা, অমস্তং ৯ শুবা অধ্যায়শিংদা পরমেশ্বরগী স্বরূপ তাকপা হৌবকপদা মথল মথা অয়স্বা ভগবানগী প্রভাব কেংদোকফম (শক্তি লৈফম) শমপংনা তাকপীখ্রে। হন্দকী অধ্যায় অসিদনা অমুক হেন্না মপুং থরা ফানা ঈশ্বরগী সৃষ্টি অসিগী মনুংদা ভগবনগী শক্তি কমদৌনা চংদুনা লৈরিবগে অমস্তং পেং খুদিংগক্তা খোইদাক হেন্দোক্না কেংদোকপিবগে? হায়বসি হন্দকী অধ্যায় অসিনা তাকপীরি। পরমাত্মানা পুম্নমক্কী হৌরকফম (মূলকারণ) নি। মরম অদুনা দেবতানি অমস্তং মহর্ষিশিংনা ভগবানগী প্রভাব (মতিক ময়াই) মপুং ফানা খংবা ঙম্বা হৌদ্রদে। অচং চত্তা পোৎ খুদিংমক্কী আদি কারণদি ভগবাননি। ভগবানবু মপু ফানা খংবদি ভগবান মশামকনা খংগদবনি। মরম অদুনা ভগবাননা পুম্নমক্কী অনাদি গুরুনি। শ্রীকৃষ্ণনা অনাদি গুরু অদুগী মপুং ফাবা অৱতার পুরুষ ওইবা মরমনা যোগনা তিন্নবা মতমদা অর্জ্জুনদা গুরু অমগী শক্তম কৌহনা মশানক পরমাত্মানি হায়না তাকপিরি।

জ্ঞান পুম্নমকী হৌরকফম সর্ব্বজ্ঞ, পুম্নমকী তুংনফম "সর্ব্বাধার"; সর্ব্বব্যাপক অমসুং শক্তি পুম্নমকী পোক্লফম সর্ব্বশক্তিমান ওইবা পরমেশ্বরগী তত্বজ্ঞাননি। অনন্তনি। অরোইবা অমসুং অহোবা লৈতে। লোক (মপোল) পুম্নমকীসু মপুনি। মরম অসুনা "সর্ব্ব লোক মহেশ্বর" কৌই। জীবদি অল্পজ্ঞ (থরদংদা থংব) লৌশিংগী ওয়থৈ নাইবনি। অদুম ওইনমক জীবগী নিদিদা ভগবানগী অংশনা অন্তরাত্মা ওইবীদুনা লৈবা মতমগী জীবাত্মদা থুমহত্তুনা লৈরমলিগা অবিদ্যা মায়গী ফীজং অদু হুরদাকথ্রবা মতমদা মৈরিকনা তৌজাও ওইরক্তুনা ওাল্লকপগুম ঈশ্বরগী মহিমা অসি মবুদ্ধিদা ওালহনবা ঙম্মী। মতৌ অসুমনা তত্বজ্ঞানগী মওাল অদু ফাউহনবা ওমলবা মী অদুবু "অসংমূঢ়" কৌই; মহাক্তনা পোকপা শিবা নাইদ্রবা, পুম্নমক্কগী ইহান হানবা পুম্নকী শসন কর্ত্তা ওইব। মপু অমা লৈরি হায়বদি চিংনবা লৈতনা থংবা ঙম্মী। মতম অদুদা মহামোহ অবিদ্যামায়া অসি পুম্মাং মাংখি। অমসুং হকচাং, পুক্কিং ইন্দ্রিয় অমসুং রাখলনা তৌথিবা পাপ পুম্নমক কোকখি। ভক্ত অমনা মহাক্কী হৃদি হৃদিমন্দিরদা অমসুং জগৎ সংসারগী মফম থুদিংমক্তা ঈশ্বরনা নিত্য স্বরূপ ওইদুনা লৈ হায়বনিদা শ্রদ্ধা থম্বা ঙম্মী। চিংনবা লৈতনা ঈশ্বরদা, গুরু অমসুং শাস্ত্রদা চেৎনা থাজবগী মমিংবু শ্রদ্ধা কৌই। অরুবা অমসুং অথুম্বা হীরমবু রাখল তৌনবা (বিচার তৌনবা) মসুংগী ওইবা পাম্বৈবু বুদ্ধি কৌই। বুদ্ধি অসিদা আত্মাগী মশেকনা মৈরকপগা বিচার শক্তি চোংথোরকই। জগৎ সংসার অসি শেমগৎপিবা মমাংদা পরমেশ্বরতমা লৈরম্মী। জগৎ অসি শেমলগে হায়রা হেক থল্লকপা মতমদা ভগবানদগী মপুং ওইবা বুদ্ধি শক্তি (রাখল) থোরকই। মহুবু লাংথ

শাস্ত্রদা মহত্তত্ব কৌই। অদুগা বেদান্তনচিংবা শাস্ত্রদা হিরণ্যগর্ভ কৌই। পুরানশাস্ত্রদা "ব্রহ্মা" কৌই। অপুনবা বুদ্ধি শক্তি (cosmic wisdom) অদুগী জীবশিংদা তোঙান তোঙানবা লৌশিংগী মৈরা ওইনা থুপ্তুনা লৈকই। মহুবু "ধী" শক্তি হায়না কৌই। আত্মানা অসিনি অদুগা অনাত্মানা অসিনি (মায়ানা অসিনি) হায়না চিংনবা লৈত্তনা খংবা ঙম্নবা শক্তি অদুবু জ্ঞান শক্তি কৌই। খংজনগদবা অমসুং তৌগদবা মথৌবু মচু তানা লেপ্পা ঙম্নবা রাখলগী শক্তি অদুবু অসংমূঢ় (ময়না থুমহত্ত্রবা) কৌই। অশেংবশক্তি মী অদুগী রাখলদা অবিদ্যা মায়ানা কুপশনদ্রবা হকচাং অসি ঐগকনি হাযবা রাখল অদু থন্দবা ঙম্নবা অমসুং ঈশ্বরগী নিত্য অংশনি নত্রগা ঈশ্বরগী নিত্য দাসনি হায়না লেপ্পা ঙনলবা রাখল (বিচাব শক্তি) অদুবু অসংমূঢ় কৌই। মঙোন্দগী অতোপ্পা কনাগুম্বা অমনা কবিগুম্বা মরম অমদগী লাল্লকলবদা মহাক্না অবানবা মী অদুবু দণ্ড পীবা ঙমলবসু ঙাকপীহৈবা পুকচেল অমনা মথন্তা থামজন্দুনা ইংথরগা ঙাকপীবগী মমিংবু "ক্ষমা" কৌই। জ্ঞান ইন্দ্রিয় ৫ অমসুং কর্ম্ম ইন্দ্রিয় মঙা শুপ্পা ইন্দ্রিয তরানা জীবাত্মাগী চৈতন্য শক্তিবু মপাল লোমদা চিংথোক্তুনা পুক্নিং রাখলদা রাই চিলহল্লি। মদু ফাজন্দুনা ইন্দ্রিয়শিংবু লাকশনববু "দম" কৌই। পুক্নিং ফাজনবগী মমিংনা "শম" কৌই। সত্বাগী মঙালনা পুক্নিংদা ফাউরকপগী মমিংবু "সুখ" কৌই। ধর্ম্ম চেনবা মীঙোন্দা লানবা হৈতবা মীওইদা অশেংবা সুখ অনি ফাউরকই। অদুগা অজ্ঞানবা নত্তবা ধর্ম্মগা ওন্নটৈনবা পপকী থবক তৌকগা মপুক্নিংদা ঙুংঙাইতবা রাখল অমা পোকহল্লকইবা অদুনা দুখ কৌই। কর্ম্মগী সংস্কার মতুং ইন্না অন্না অনাগী ঈথক ঈপোমদা য়াওনবগীদমক্তা জীবনা পোক-লকপগী মমিংবু "ভব" কৌই।

হৌখিবা থংনবা মপোক্কী কর্ম্মফল চাব লোয়হনা হায়গী হকচাং মাংখিবগীবু (শিববু) "বিনাশ নত্রগা অভাব" কৌই। কনাগুম্বা য়েরুব, অমগী মথুত্তা নত্রগা করিগুম্বা থুদোংখিবা অমদা মশাগী ওইজবা মাংবা অমসুং অরবা ফংগনি হায়না সুংশা থিববু "ভয়" কিবা কৌই। থৌনা ফনা সুংশা থিদনা করিমত্তা মপুক্কিংদা অকিবা লৈতবগী মখিংবু "অভয়" কৌই। কনাগুম্বা জীব অমগী মাংনবা থন্দবাবুনা "অহিংসা" কৌই। অপাম্বা পামদবা, হৈনিংবা হৈনিংদবা অরবা সুংঙাইবা কয়া লাকপবসু মবুকচেল চাংচং অমত্তা থবা ওম্বা পুকচেলবু "সমতা" কৌই। হোৎনবা মতম্তা তৌরম্বা কর্মফলনা হন্দক্কী মপোক অমদা মশাগী মরাইবক ওইরকখিবনি হায়না থাজদুনা মপুনশিবু ধর্ম্মগী সাধনা তৌদুনা লেপ্পা মপুক্কী পেনথোক্কুনা লৈবা ঙাংলিবা পুক-চেলবু "তুষ্টি" কৌই। ধর্ম্ম শাস্ত্রনা তাকলিবা ব্রতশিংবু পপ কোক্নবা অমসুং পুক্কিং শেংনা (চিত্তশুদ্ধি ওইনবা) অরাবা থংহনা ঙাকলি-বগী মখিংবু "তপঃ" কৌই। ধর্ম্ম কর্ম্মগী অফবা থবক তৌরবদগী অতোপ্পা মীনা থাজনরক্কুনা থাগৎলকপবু "যশঃ" কৌই। অধর্ম্ম অমসুং পাপকী থবক তৌকদুনা মীনা নৌইবীরক্কবা অমসুং থিবা ঙাক্লরকপগী মখিংবু "অযশঃ" কৌই। মথক্তা শীংথানখিবা জীবগী ভাব পুম্মনক অসি অন্তর্য্যামীনা সাক্ষী স্বরূপ ওইদুনা জীবনা তৌক তৌকবা অফবা অমসুং ফত্তবা পাপ পুণ্যগী মহৈ ওইনা পীবা ঙাক্তনি। মরম অদুনা ভগবানবু "কর্ম্মাধ্যক্ষ" কৌই। পুম্মক্কী মূলাধার "ভুবনক্রম অমসুং হোরককন" ওইরিবদি ঈশ্বরনি। পুম্মক ঈশ্বরগী লৈত্রবা নিয়মগী মখা পোনবনি। মরম অদুনা ভগবানবু "নিয়ন্তা" কৌই। ভগবানগী শক্তিনা জগৎ পুম্মক্কা অমসুং জীবপুম্মক ঊদিদা পুদুনা লৈ হায়বসি ভক্ত থুদিংমক্কনা

থক কাওদে। জগৎ অমসুং জীব পুন্নমক ঈশ্বরদগী থোরকপনি। মহাকমকনা পুন্নমক অদি পালন তৌরি। অমুক সংহারসু তৌই। অতুম ওইনমক জীব শিংদা মপোক কয়ামরুমদা তৌখিবা কর্ম্মগী সংস্কার চুহনা লৈবা মরমনা প্রলয়গী মতমদসু মচু মাংদে। সৃষ্টি অমুক থোরকপদা হেৎ দরকই। জগৎ সৃষ্টি তৌড্রবৈগী মমাংদা ভগবান মথন্তা লৈরম্মী। ভগবাননা সৃষ্টি তৌগে হায়না খল্লকপদা ইচ্ছাশক্তি, ক্রিয়াশক্তি অমসুং জ্ঞানশক্তিগী মশক ওইনা অব্যক্ত প্রকৃতিনা বিকৃতি ওইরকই। প্রকৃতিগী গুণ অতুম চপ মান্ননা হেৎ দগী মথং মথাও নাইনা কাংথৎনরক্তুনা লৈয় কপবা মহত্তত্ব, অহংকার, পঞ্চতন্মাত্র—শুপ্না মপুং ওইবা তত্ব তরেৎ থোরকই। মহত্তত্ববু—ব্রহ্মলোক, অহংকার তত্ববু—তপলোক, আকাশ তত্ব শব্দবু— জনঃলোক, বায়ু তত্ব-স্পর্শবু— মহঃলোক, তেজ তত্ব রূপপু—স্বর্গলোক, জলতত্ব-রসপু—ভুর্বলোক অমসুং ক্ষিতি তত্ব-গন্ধতন্মাত্রবু— ভূঃলোক হায়না থোরকই। ঈশ্বরগী চৈতন্য-শক্তিনা মরোল তরেৎমক শিনথুংনা লৈরবসু মফম থুদিংমক্তা চপমান্ননা হেৎদোক্তে। মথক মথক থংবনা মথা মথা থংবদগী কুপশনবা (সূক্ষ্ম ওইবা) হেনবা মরমনা থেইদোক হেন্দোকনা —চৈতন্য শক্তিসু হেৎদোকপা হোল্লে। ব্রহ্মাণ্ডদা উর্দ্ধলোকী মরোল তরেৎথক লৈ। মাদুদি ঃ—বুদ্ধি-লৌশিং, অহংকার (ইরন-নাইগী ৱাখল Egoism) শব্দ, স্পর্শ, রূপ, রস অমসুং গন্ধ। তরেৎ অসিগী কেন্দ্র তরেৎপু মথংশিংনা মথারোমদগী হংগৎনা শীংখানরগা (১) মূলাধার, (২) স্বাধিষ্ঠান, (৩) মণিপুরক; (৪) অনাহত, (৫) বিশুদ্ধাখ্য, (৬) অজ্ঞাত অমসুং সহস্রার চক্রনি। মথক্তা হন্না হন্না ভগবাননা তাবপী থু। মাদুদি ঃ—জগৎ অমসুং জীব অনিমক ভগবানদগী থোরকপনি। অনিমক্তা ভগবানদগী

শক্তি চংহনা লৈ। অনিমকী হৌরককষদি অমতনি। তৌই-শুমস্থং জীবগী চৈতন্যবু "মূল অবিদ্যা" অহুগা জগৎ চৈতন্যবু 'তুল্যা অবিদ্যা' খুমহন্দুনা থম্মী। ভগবানগী সৎ অংশদগী জগৎকী সৃষ্টি, স্থিতি, সংহার অমস্থং জীবগী ক্রিয়াশক্তি অহুগা চিৎশক্তিগী মতেংনা জগত্ত লেংদবা নিয়ম অমা নাইহাল্লবা অহুগা জীবনা জ্ঞানশক্তি ওইনা লৈরিবা অমস্থং আনন্দ অংশদগী—জীবদা প্রেম অমস্থং জগৎ সংসারদা অহেনবা, অনৌবা ফজবা দৃশ্য ওইরি। মরম অহুনা জীবগী কর্ম্ম, ভক্তি অমস্থং জ্ঞানগী শক্তি পুম্নমক ভগবানদগী থোরকপা ঙাক্তনি। জীব খুদিংমক শক্তিগী কেন্দ্র অমমমনি। মরমদি জীবগী হৃদি পদ্মদা জ্ঞানস্বরূপ ওইবা অন্তরাত্মানা গুরুগী মশক ওইনা লেংদনা লৈরি। মরম অসিদগী গুরু অমস্থং শাস্ত্রগী পাউতাকনা ভগবানগী বিভূতি তত্ত্ব অমস্থং ঐশ্বর্য্য প্রভাব অসি খংলবদি বুদ্ধি চোইথোকলোই। জ্ঞান অমস্থং সাধনা তৌরকপদা মতেং য়াম্না ওইগনি। ভগবাননা জগৎ পুম্নমকী হৌরকফম অমস্থং পুক্নিং লৌশিংদা ফাউরকলিবা জ্ঞান পুম্নমক ঈশ্বরদগীনি হায়বসি খংলবদি জ্ঞানিশিংদা ঈশ্বরদা শ্রদ্ধা ভক্তি লৈরকনি।

শ্রদ্ধা-ভক্তি লৈরবা ভক্তশিংনা ভগবানদা পুক্নিং অমস্থং প্রাণ কংথোক্তুনা ভগবানগী তত্ত্বজ্ঞানবু খংনিং হৈনিংবদগী মথোই মশেল অমগা অমগা ঙাংনা শক্নহুনা নুংঙাইনৈ অমস্থং পেন্নজে। মপুক্নিং চংনা ঈশ্বরবু প্রেমগা লোয়ননা নীংজরিবা ভক্তশিং অহুদা অন্তরাত্মা ওইবিহুনা লৈরিবা ভগবাননা মথোইদা বুদ্ধি যোগ পীরি। মহুনা মতেং ওইহুনা ভগবানবু ফংবা ঙমজৈ। অমস্থং ভগবাননা কৃপা তৌবীবদগী মথোইগী হৃদিদা জ্ঞান স্বরূপ ওইহুনা লৈরিবা ভগবাননা অজ্ঞানদগী পোকলকপা অমম্বা রাখলশিংবু

খায়রি। অশেংবমক্তি মীথুনিংমকী থুক্কদা জ্ঞান থুপ্পুনা লৈরিবনি। থুংদা, মৈ থুপ্পুনা লৈ। তৌইগুবসু থুং অমু ঈশিংদা থাদবুনা থুপশন্নুরা থন্দলবসু ঈশিংনা থুংগী মন্নুংদা থুপ্পুনা লৈবা মৈবু মুথৎপা ঙমদে। অদুগা থুং অদুদগী মৈসু ঙাংহোকরকপা ঙমদে। সংস্কারগী বিষয়চিন্তানা ঈশিংগী মশকনি। মৈনা জ্ঞানগী পান্দমনি। ঈশিংদগী থুং লোৎথৎলগা থুংশাদা ফোংদোক্লুরা কংহল্লগা অতোপ্পা থুং অমগা মৈনবদা মৈরিক চোংথোরকপগুম ঈশ্বরদা শ্রদ্ধা ভক্তি লৈরবা ভক্তশিং মশেলনা তত্ত্বজ্ঞান থংনিং হৈনিংবদগী শাস্ত্রগী রাকম চর্চা তৌনরকপদা জ্ঞানবিকাশ হৌরবই। তত্ত্বজ্ঞান ফাউহল্লকইবা অদুমক ভগবানগী কৃপানি। মরম অসিনা পরা-ভক্তি অমসুং পরা বিদ্যা হায়বদি মশা অমগুনি। অশেংবা ভক্তিশিংদি অশেংবা জ্ঞান শোয়দনা ফংগনি।

ঈশ্বরবাদ পুম্নমকী বীজ (মরু) নি। সংসার অসি মতোন্দগী থোরকপনি। জগৎ সংসার অসিদি ইতত্তুনা হোংবা নইরবসু মহাক্তি হোংদে। অদুগা হোংবা নাইবিবা সংসারগী মপু অমসুং হোরককম ওইনা লৈরি। অর্জ্জুননা শ্রীকৃষ্ণগী পাউতাকশিং অসি তারগা হায়রকই। মদুদি-- দেবর্ষি নারদ, অসিত, দেবল,ম অমসুং ব্যাসনচিংবা মহর্ষিশিংনা শ্রীকৃষ্ণনা তাকপীরিব। রাকম অসিমক চিন-থুম চপ মান্না তাকপী। শোয়দনমক চুমলমগনি। হায়বা থাজবা পে কথি। তৌইওবসুং অজ্জুননা থুংহুনা লৈরবা মংক অমনা ভগবানগী স্বরূপ অদু লাকশনবা ঙম্মিদ্রবদা মতৌ করমদৌনা ভগবানগী থোংঙল লীগদগে তাকপীয়। জগৎ অসিদা থোংদ ক-রিবা ভগবানগী দিব্য বিভূতি অদু থাজরগা ভক্ত অমনা ভগবানদা শ্রদ্ধা, ভক্তি থমজবা ঙমগদগে? মদুগী পাউখুম্না শ্রীকৃষ্ণনা তাকপীরকনি। থবাইপানবা পুম্নমকী হৃদয়দা ঈশ্বরগী লৈফমনি।

ঈশ্বরনা অচংচত্তা পোৎ পুম্নমক্কী অহৌবা মরাই অমসুং অরোইবনি।
যে কী বাশিচক্র তরানিথোইদা মথং মনাও নাইনা ফোংদো (১) ধাতা, (২) মিত্র, (৩) অর্যমা, (৪) রুদ্র, (৫) বরু সূর্য্য, (৭) ভগ, (৮) বিবস্বান, (৯) পুষা, (১০) সবিতা, ত্বষ্টা অমসুং (১২) বিষ্ণু কৌবা দ্বাদশ আদিত্য-শিংগী পুংষাবা হেনবা বিষ্ণু কৌবা আদিত্য ভগবানগী দিব্য বিভূতিনি। মঙাল লৈবাশিংগী মনুংদা মঙাল-মথা চাওবা সূর্য্যনি। মুংশিৎ ৪৯গী মনুংদা মরীচি অমসুং থবানমিচাকশিংগী মনুংদা "চন্দ্র" (থা) নি। বেদশিংগী সামবেদ অমসুং দেবতাশিংগী মনুংদা সুরেন্দ্র (সোরারেণ) নি। ইন্দ্রিয় তরামাথোইগী মনুংদা পুক্নিংনি। পঞ্চভূততা চংলিবা চেতনা ভগবানগী বিভূতিনি। একাদশ রুদ্র শিংগী মনুংদা শঙ্কর অমসুং যক্ষ রক্ষশিংগী মনুংদা কুবেরনি। অষ্টবসু-শিংগী মনুংদা পাবকঃ কৌবা মৈনি। অরাংবা চিংদোলশিংগী মনুংদা মেরুঃ ঐহাকনি। পুরহিতশিংগী মনুংদা শগোলশেন গুরু (বৃহস্পতি) নি। সেনাপতিশিংগী মনুংদা অথোইবা মযেক ওঁকারনি। যজ্ঞ-শিংগী মনুংদা জপ যজ্ঞনি। লৈপবশিংগী মনুংদা হিমালয়-চিংজাওনি। উপ্পলশিংগী মনুংদ হাথোংনাংনি। দেবর্ষিশিংগী মনুংদা নারদনি। গন্ধর্ব্বশিংগী মনুংদা চিত্ররথনি। সিদ্ধশিংগী মনুংদা কপিল মুনিনি। শগোলশিংগী মনুংদা উচ্চৈঃশ্রব কৌব, সমুদ্র নৈবদা থোবকপা শগোল যাইশানি। শামুশিংগী মনুংদা ঐরাবতনি। মীরক্তগী লৈবাক ঙাকপা নিংথৌনি। খুংলাইশিংগী মনুংদা বজ্রনি। শম্বীশিংগী মনুংদা কামধেনু অমসুং মচা পোকহনবাশিংগী মনুংদা কামদেবনি। লীনশিংগী মনুংদা বাসুকী অমসুং লাইরেমশিংগী মনুংদা অনন্তনি। ঈশিংদা লৈবশিংগী মনুংদা বরুণনি। পিতৃ-লোক্তা লৈবশিংগী মনুংদা অর্যমানি। ধর্ম্ম অমসুং অধর্ম্মগী

মতুং ইন্না শাসন তৌবশিংগী মনুংদা যমনি। দৈত্য শাগেগী মনুংদা প্রহ্লাদনি। মাংহনবশিংগী মনুংদা কালনি। শাশিংগী মনুংদা নোংশানি। উচেকশিংগী মনুংদা গরুড়নি। অযা বশিংগী মনুংদা সুংশিংনি। খুংলাই পাইবশিংগী মনুংদা রামনি। ঙা শিংগী মনুংদা মকর (ঙাকঁহোম) নি। ঈচেল নাইবীশিংগী মনুংদা জাহ্নবী গঙ্গানি। সৃষ্টিগী মনুংদা অহৌবা, মযাই অমসুং অরোইবনি। বিদ্যাশিংগী মনুংদা অধ্যাত্মিক বিদ্যানি। তর্কশিংগী মনুংদা বাদনি। মযেক ৫১ শিংগী মনুংগী অকারনি। সমাসকী মনুংদা দ্বন্দ্বঃ সমাসনি। অমাং অতা লৈতবশিংগী মনুংদা মতম (মহাকাল) নি। কর্ম্মফল পীবা বিধাতাশিংগী মনুংদা মথম খুদিংদা মমাই পানবা ব্রহ্মানি। মাংহনবশিংগী মনুংদা শিবা (মৃত্যু) নি। তুংদা ওইবরদবশিংদা অপেকপা ঐহাকনি। নুপীশিংগী মনুংদা কীর্ত্তিঃ শ্রীঃ বাক, স্মৃতিঃ মেধা ধৃতিঃ অমসুং ক্ষমানা ভগবানগী বিভূতিনি। সামবেদগী মন্ত্রশিংগী মনুংদা বৃহৎসাম, ছন্দঃশিংগী মনুংদা গায়ত্রীনি। থা তবানিথেইগা মনুংদা পোইন্নু (অগ্রাহয়ণ) নি। ঋতু ৬ কী মনুংদা বসন্তনি। লৌনম্বাশিংগী মনুংদা দ্যুতক্রিয়া (জুয়াব) নি। মতিক মঙাল লৈবশিংগী মনুংদা তেজবীর্যনি। হোৎনবশিংগী মনুংদা সত্বগুণ ভগবানগী বিভূতিনি। বৃষ্ণিবংশগী মনুংদা বাসুদেব; পাণ্ডবশিংগী মনুংদা ধনঞ্জয় মুনিশিংগী মনুংদা ব্যাস, কবিশিংগী মনুংদা উশনা, (ঈবাই গুরু) নি। শাসনগী মনুংদা দণ্ডনি। জয় ওইনিংবাশিংগী মনুংদা নীতিনি। অথুপ্পা লোন্না লৈবশিংগী মনুংদা "মৌনব্রত"নি। জ্ঞান লৈবশিংগী মনুংদা জ্ঞান ভগবানগী দিব্য বিভূতিনি। পুম্নমক্কী তৌরকফম ঈশ্বরনি। ঈশ্বরদগী থোরক্কবা অমত্তা যাওদে। তৌবা ঙম্বা ঐশর্য্যনা তিনবা পোৎ খুদি মক ভগবানগী শক্তিনা

কোংদোকপা ওাক্কনি: য়াম্না খংলুহনা কৈদৌগনি? মপান তাইবং (বহির্জগৎ) অসিদা ভগবানগী অংশ অমনা (ছু না) থারন তৌহনা লৈরিবনি। জগৎ মথম মম্নিনি। মতুদি-বহির্জগৎ, অন্তর্জগৎ, বৌদ্ধজগৎ অমসুং অধ্যাত্মিকজগৎ। ভগবানবু অংশ থাইদোকপা য়াবা হৌনদে। বিশ্বজগৎ অসিদা কোংদোকপীরকপা শক্তি অমসুং প্রভাবকী রাকমদা তাকপীবনি।

ইতি দশমোঽধ্যায় সম্পূর্ণম্।

---

১১ শুবা অধ্যায

"বিশ্বরূপ দর্শন যোগঃ"

অধ্যায অসিগী মমিং "বিশ্বরূপ দর্শন যোগ" কৌই। সঞ্জয়না বিশ্বরূপপু শীথাবা (বর্ননা তৌবা) শ্লোক ৮, অর্জ্জুনগী প্রশ্ন অমসুং প্রার্থনা তৌজবা শ্লোক ৩৩ অমসুং শ্রীকৃষ্ণগী উপদেশ অমসুং আদেশ (পাওতাক অমসুং য়াথং) গী মশক ওইবা শ্লোক ১৪ থকনি। শুপ্না শ্লোক ৫৫ থকনি। হৃদকী অধ্যায় অসিদা অর্জুনগী প্রার্থনামূলক (লৈশি-লৈথোনবনা হেনবা) শ্লোক মশীং অধ্যায় পুম্নমক্কী পুমহেন হেল্লি। অধ্যায় ৭তগী হেনা ভগবানগী দিব্যবিভূতি তাকপীবা হৌরবনি। ভগবানগী সৃষ্টিতত্ব অসিদা খোংগুল লীজরগা ভক্ত অমনা ঈশ্বর লৈ হায়বাসিদা শ্রদ্ধা লৈবা ওমজে। বিশ্বজগৎ অসিদা কোংদোকপিবা শক্তি পুম্নমক ভগবানদগী ওাক্কনি। তৌইগুমসুং সর্ব্বশক্তিমান ওইবা পরমেশ্বরগী অংশ অমত্তনা জগৎ সংসার অসিদা কোংদোকপনি। লোমহৌরিবা

অংশ অহুমরি থুগ্তুনা লৈরি হায়বসি মথক্কী তরাওবা অধ্যায়দা তাকপীখ্রে। জগৎকী কর্ত্তা ওইরিবা ঈশ্বরবু বিশ্বরূপ নত্রগা বিরাট পুরুষস্থ কৌই। বিরাটপুরুষ অসিদগী বিশ্বব্রহ্মাণ্ড অসি থোরকপনি। তাইবং পানবগী মপু ওইম্বিলা বিশ্বরূপ অসিনা অচৎ চল্লা জীব পুম্নমক্কী ন্যাযাধীশ (ৱায়েন থৌদাবা Law-giver), নিয়ন্তা (নোংদম্বা), কর্ম্মগী বিধাতানি। মপুং ফাবা তাইবংপান অসিগী তুংনফমনি। ইবুংঙো মহাক্কী চৈতন্য শক্তিনা চংহুনা লৈবা মরমনা জগৎ পুম্নমক ব্রহ্মগী মশকনি। মরম অদুনা অমাং অতা লৈত্রবা, অরেপ্পা পথাপ অমগী মখাদা তাইবংপাম অসিবু সৃষ্টি, স্থিতি, সংহার (শেম্বা, ওংকপা অমসুং মাংহনবা) অহুমক তৌবীরি। মরম অসিনা "সর্ব্ব ব্রহ্মময়ং জগৎ" জগৎ পুম্নমক অসি ব্রহ্মগী শক্তমনি। মীওইবগী মহৌশাগী ওইবা থাদিংমক্তি উবা ফংগনি। মতুমবস্থ ওমথৈ নাইংবিনি। মিৎনা উবদগী পুক্লিংনা উবনা অমুক হেন্না কুপ্পী। অদুদগী বুদ্ধিনা বিচার শক্তিনা উবদগী অমুক হেন্না অমুক কুপ্পী। অদুদগী যোগশক্তিনা যেংবনা অমুক খ্বাইদগী হেন্না মযেক লংনা অমসুং মলুং মপান ফাউনা উবা হেল্লি। অর্জ্জুননা বিভূতি যোগতা শ্রীকৃষ্ণনা তাকপীখ্রিবা দিব্যবিভূতি পুম্নমক্কী হৌবকফম ওইবা বিশ্বাত্মা, অমদি জগন্নাথপু দর্শণ তৌজগে হায়না নীজবি।

যোগেশ্বর শ্রীকৃষ্ণনা অর্জ্জুনবু থৌজানবীদুনা যোগগী মিৎ-দিব্যচক্ষু পা হল্লগা বিশ্বরূপ উৎপীরি। মুমিৎ থা কোটি কোটি থোকপদগী হেন্না ওাল্লবা, মখল মখা অযাম্বা অরুবা ফীজেৎ লৈতেং থোল্লবা কোক, খোং, খুৎ, মিৎ, য়া, নাকোং, নাতোন, লৈনচিংবা লীশিং লীশিংনা থুদিং ওইনা মঙ্গীং লাকওমত্রবা অহৌবা অমসুং অয়োইবা নাইত্রবা ঐশ্বর্য্য মূর্ত্তি অদু দর্শণ তৌজখি।

হুমিৎ থানা মমিৎ শুইবা, মৈরিনা থোকলবা থয়াক্তা মহাভারতকী লানফমদা শিগদৌরিবা মহারথী, রথী অমসুং লাম্মীশিংনা মৈরানবী-না মৈ উরগা পাইশন্দুনা শিবগুম্ চেনশল্লগা মথরাই থানরিবা মহাকালগী কীরবা শক্তম্ অদু উবদা অর্জ্জুন কীবনা থক থর্ক নীকখি। আদিত্য বসু, রুদ্র, দেব, দানব, মানব, মহর্ষি, সিদ্ধ-পুরুষশিং অমসুং অতৈ থরাই পানবা জীব পুন্নমকসু বিশ্বরূপ অসিদা লৈবা উজখি। বিশ্বরূপ অসিগী মঙাল মশানা ভাস্থো-রক্তুনা শাবা মৈশানা জগৎ পুন্নমকপু শাহনবা উরগা অর্জ্জুনগী নাপল পুন্নমক মাংখিদুনা ভগবান বিশ্বরূপনা পুন্নমকী মপু কর্তানি হায়বসি খংজখি। খুংশাথিবগা লোয়ন্না মহাকালগী মশক লৌরিবা বিশ্বরূপতা চংজরি। অমসুং পুক্লিং শোক্লা লৈশি লৈথোনজরি। লানফমদা ভীষ্ম, দ্রোণনচিংববু অর্জ্জুননা কমদৌনা হাংকদগে হায়না চিংনরম্বা পুন্নমক কর্ম্মগী ফলনা মহাকালনা মতমচানা লৌশিল্লগদবনি হায়বদি খংহনখি। মহাকালনা বিশ্বসংসার অসিগী সঞ্চালক (শিনলাংবা থৌবু) শিংগী মকোকনি হায়বসি চিংনবা লৈখিদে। মহাকী মপান নাইদ্রবা অনন্তশক্তিনা জগৎপুম্বদা জগৎ চৈতন্য ওইনা (ভকলবা মশক্তি উবা ফংদবা অপুনবা লৌশিং ওইনা) লেংদনা লৈ হায়বসি খংজখি। অমসুং জীব খুদিংমক্কী হৃদিদা জীবচৈতন্য (থরাইপানবগী লৌশিং Indivisual consiousness) ওইনা লৈ। লৌশিং অনিমক্কী হৌরককমদি ঈশ্বর চৈতন্য (Knowleage Abslute) তগনি হায়বসি দিব্যচক্ষু অমদি জ্ঞানচক্ষুনা ময়েক লানা উখি। কাল (মতম কৌবা) অসিনা ভগবানগী অথোইবা বিভূতিনি। কালগী অহৌবা, মরাই অরোইবা (আদি, মধ্য অমসুং অন্ত) লৈবা হৌনদে। ঙমদৈ লেপ্পা লৈত্রবা মতমগী লমহাংদা মহৌশাগী

মশক ওইবী মায়াশক্তিনা জাগোই শাজবনি হায়বসি খংজখি।

মরম অদুনা মহাকালবু "অনন্ত" কৌই। কর্ম্মফলগী মতুং ইন্না পোকপা শিবা, অরা হুংগাইনচিবা যোগ তৌরিবা জীবশিংগী লীলা অসিগী মরুদি মংমগী ঈচেলনা পুথোরকপনি। ভূত ভবিষ্যৎ অমসুং বর্ত্তমান (থোকখিবা, ওইরকদবা অমসুং ওইরিবা) হায়বসিদি মতমগী শকলোননি। মহৌশাগী হৌনশা স্বভাবনি। মহাকালগী নত্তে। জীব খুদিমক কর্ম্ম ফল চান্নবা মিয়াৎ (অকক্নবা মতম) লৈ। মহুবু মপুনশি কৌই। মীওইবগী পুনাশদা কর্ম্ম তৌনবা শক্তি পুম্নমক পীনবীরি। শক্তিশিং অদুদি ওমথে নাইবনি। মরম অদুনা জীব পুম্নমক স্বতন্ত্র (মনিং মথা তম্বা নত্তে। জীব পুম্নমক ঈশ্বরগী মফমদদি নিমিত্তম এ (মমিংতা ওইজরুবনি)। মরম অদুনা জীবনা ঈশ্বরদা চংজদবা যাদে। মরল লৈবা পাপী তাপী পুম্নমক মতম কৌবা মহাকালনা মতিক লাবা দণ্ড পীরিবনি। জগৎকী নিযন্তা অমসুং কর্ম্মাদক্ষ ওইরিবা ঈশ্বরনা জীবগী হৃদিমন্দিরদা হৃষকেশ (পুক্রি ইন্দ্রিয়শিংদা তোং-দুনা) পুনশিগী লানফমদা চংশনহাল্লবনি। পুনশিগী লানফমদা জয় ওইবা, মিংচৎ ফজহনবা পুম্নমক জীবগী কর্ম্মফল মতুং ইন্না কর্ম্মাংক্ষ ওইবা ঈশ্বরনা যংহনবন। অচুম অরন মশক খংদ্রবা মশাগী ওইজবতা থিরবা, মাযাগী লীচিংনা পুন্দুনা চিংথ্রবাশিংনা জগৎকর্ত্তা ওইরিবা ঈশ্বরদা চংশনবা ওমদে। অদুগা ভক্ত, যোগ অমসুং জ্ঞানিশিংদি মায়াগী লীচিং অহুদগী নাম্থোক্তুনা জগৎকী মপু ঈশ্বরদা শরনাগতি তৌবা ওম্মী। অদুগা মশামকপু ঈশ্বরগী খুলাইনি হায়না খন্দুনা নাপল পুম্নমক (অভিমান) থাদোকপা ওম্মী। মরম অসিদগী ঈশ্বরগী মহিমা শক শোল্লগা অশান্তিং পুম্নমক কোক্তুনা ঈশ্বরগী অশেংবা প্রেমভক্তি পোকহনবা ওম্মী।

ঐশ্বর্য্য পুন্নমকনা তিল্লবা ভগবানগী শক্তি পুন্নমক অসি সাধক অমনা পুক্নিং লৈতানা নীশিংজরবদি মপুক্নিংদা লৈরম্বা হিংচা য়াইতম্বগী পুকচেল খোইজেল পুন্নমক (রাক্ষসবৃত্তি পুন্নমক) থাপ্পা পাইথোকখি। সিদ্ধপুরুষশিংনা মশাগী নাপল অভিমান পুন্নমক থাদোকপা মবমনা কর্ম্মফল পুন্নমক ঈশ্বরদা কৎথোকলগা মায়াদগী নাম্থোকই। ভক্ত অমনা ভগবানবু মফম অমসুং মতম খুদিংমক্তা জীব খুদিংমক্তা লৈফমনি হায়বসি চেৎনা থাজবা ওন্মী। মরম অদুনা বিশ্বপ্রেমদা মপুক্নিং লুপশনবা ওন্মী। তৌফম থোকপা সেংবগী মশক ওইবা ঈশ্বরগী পূজাসু তৌবা ওন্মী। তত্ত্বজ্ঞান পাম্বা শিষ্য অমনা জগৎ অসিবু বিদ্যালয় (university) ওইনা খল্লি। কর্ম্মযোগী অমনা ন্যাযাধীশ অমসু কর্ম্মাধ্যক্ষ ঈশ্বরনা ওইরি হায়না খন্দুনা কর্ম্ম তৌরি।

দিব্যচক্ষুনা যেংবা ওমজাবা অর্জ্জুননা সং (ফোংদোকলিবা) অমসুং অসং (ফোংদোক্তনা থুপ্তুনা লৈরিবা) শক্তি অনিগী মথক্তা লৈবা অক্ষর ব্রহ্মবু জ্ঞান পুন্নমক্কী হৌরকফম সর্ব্বজ্ঞ, জীবশিংনা খংগদবা জ্ঞেয়স্বরূপ অমসুং খংগে হায়না তানগদবা পরমধাম অমসুং সর্ব্বব্যাপক ওইনা লৈবা সাক্ষী স্বরূপ অমসুং সর্ব্বশক্তিমাননি হায়না লৈশি লৈথোনজখি। মায়াগী মপু পরমেশ্বরনা জগৎকী মমা মপা, গুরু, থাজনবা মরূপ মপাংনি। অদুমনদি ওইরগা পাপীশিংগী মফমদদি মহাকালগী মশক ওইবা যমনি। ভগবানগী শক্তি পুন্নমক চাউরাক্লা অনি থোক্লা থাইদোকপা য়াই মদুদি— ঐশ্বর্য্য অমদি উগ্রমূর্ত্তি অমসুং অতোপ্পা শকল্লোন অমনা মাধুর্য্যমূর্ত্তি। উগ্রমূর্ত্তি অমদি ঐশ্বর্য্য শক্তিশিং অসিনা সাধক অমগী মপুক্নিংদা থুপ্তুনা লৈরিবা পাপ থুনা মাংহনবা ওন্মী। তৌইগুমশুং সাধক অমগী ধ্যানদা অকি অথংনা থল্লবা মূর্ত্তিবু

নীংশিংজরগা পুক্লিং লৈতাবা ওমদে। মরম অসিদগী ঐশ্বর্য্য পুন্নমক থুপচনবীরগা মাধুর্য্য মূর্ত্তি জগৎ গুরুগী মশক ওইবা মীওইবগী শকুম জগৎগুরু শ্রীকৃষ্ণবু অদু অমুক উহনবীয়ু হায়না অরোইবদা প্রার্থনা তৌজরি। খ্বাইদগী হোন্দোক থোইদোক্লা নীংথিজবা, ফজবা অমসুং পুক্লিং হুবা সাম্যমূর্ত্তিনা সাধকশিংগী ধ্যান তৌজরগা শান্তিঃ ফংবা ওম্মী। মপাল নাইত্রবা, ওমথৈ লেপ্পা ওমত্রবা জগৎকী চৈতন্য স্বরূপ ওইরিবা অদুমকনা মীওই-বগী ধীশক্তি ওইনা থমোযদা ওানদুনা লৈরি। মদুগী তত্ত্ব (Formula) অদু বেদ পুন্নমকী মমা গায়ত্রী মন্ত্রনা ফোংদোকলি। "ভর্গো ধী যো নঃ প্রচোদয়াৎ"। বুদ্ধিগী সারথী হৃষিকেশ বুঝংনি। ভক্তি য়াওত্রবা যজ্ঞ, তপস্যা অমসুং শাস্ত্র তম্বানা অসিগুম্বা তত্ত্ব অসি খংবা ওমদে। শুপ্নতগী— অনন্যভক্তিনা ঈশ্বরদা, গুরুদা অমসুং শাস্ত্রদা চংজরগতা খংবা উবা ওমী! অরোইবদা গীতা শাস্ত্রগী সারাংশ খ্বাইদগী হেন্না মচা ওইরবা আদেশ ভগবাননা অর্জ্জুনদা তাকপীরি। হেঃ অর্জ্জুন! নহাক্লা পুনসিগী অকনবা লানফমদা জয় ওইনিংলবদি— "মৎকর্ম্মকৃৎ = জগৎকর্ত্তা ওইরিবা ঈশ্বর ঐগীদমক্তা কর্ম্ম তৌ। মৎ পরম = ঐগোন্দা মায় ওনশল্লু। ঈশ্বর ঐবু কাওগনু। মাযাগী রাখল থাদোকউ। সঙ্গবর্জ্জিত = নপুক্লিংদা লৈবা সংসারগী অপাম্বা পুন্নমক থাদোকউ। নপুক্লিং লুহল্লু। মদভক্ত= ঈশ্বর ঐগী অশেংবা ভক্ত অমা ওইয়ু। ('নির্ব্বৈর = সর্ব্বভূতেষু') বনাগুম্বা জীব অমদা থক হিংসা তৌরুগনু। অসিগুম্বা মমল য়ামলবা পাউতাক অসিবু ইল্লবদি শোয়দনমক ঈশ্বরবু দর্শণ ফংজগনি।

ইতি বিশ্বরূপ দর্শণযোগ নাম একাদশোঽধ্যায়।

অধ্যায়

“ভক্তি যোগঃ”

অধ্যায় অসিগী মমিং “ভক্তি যোগঃ” কৌই। শ্লোক ২০ থকনি। অর্জুনগী ৱাহং শ্লোক অমা। শ্রীকৃষ্ণগী পাউতাকনা শ্লোক ১৯ থকনি। অধ্যায় ৬। ৬ না শাবা ষটক অনিশুবকপনি। প্রথম অধ্যায়দগী ৬শুবা অধ্যায় ফাউবদা জীবন শাস্ত্র মীওইবা পুনশিংগী মরমদা নৈন। তত্ত্ব অমসুং সাধনা তৌগদবা সাধন--মার্গ “কর্ম যোগঃ” তাকপীখ্রে। সামবেদগী মহাৱাক্য “তত্ত্বমসি” হায়বা উপদেশমূলক (গুরুগী পাউতাক) ওইবা ৱাহৈবু শরুক অহুম থোকলগা “ত্বং + তৎ + অসি”। ত্বং=পদ অসিনা জীবগী তত্ত্ববু শানগনি। অনুগা তৎ=পদনা পরমাত্মা ধ্যেয়বস্তু (জীবনা ধ্যান তৌজগদবা নিংজগদবা) ঈশ্বরবু খংগনি। অহানবা অধ্যায় ৬ প্রথম ষটকনা ত্বং পদ তাকপীখ্রে। হন্দক্তী ৭শুবা অধ্যায়দগী ১২শুবা ফাউবা অসিনা ধ্যেয় স্বরূপ “ভক্তি যোগ” তাকপীরি। পরমেশ্বরগী স্বরূপ অনিনি। মথুদি-- ধ্যেয় স্বরূপ অমসুং জ্ঞেয় স্বরূপনি। শম্না হায়রবদা ভক্তিযোগনা তাক্লিবা সাকারব্রহ্ম অমদি জ্ঞান যোগনা তাক্লিবা নিরাকারব্রহ্ম। হন্দকী অধ্যায় অসিদা শ্রীঅর্জুন্দা ভগেংনা মুক্তি অমদি প্রমানগা লোয়ন্না তাকপীগদৌনি। মথুদি— ভক্তি যোগনা জ্ঞান যোগতনী লাইবা অমসুং খুদোংচবা হেল্লি। মী পুম্নমক ভক্তিগী পান্থৈনা জীবাত্মাবু কান্নহনবা ঙমগনি। মুপী নহা, অঙাং মূর্থ, পণ্ডিত চংননবা য়াদে। সাধক অহুনা পুক্নিং ইন্দ্রিয়শিংবু মপুংফানা থুদুম চল্লগা রাগদ্বেষ মাংহনখ্রবা, মফম অমসুং মতম্ খুদিংমক্তা পুক্নিং চাংচং অমত্তদা থম্বা ঙমসবা সমত্ববুদ্ধি ওইরবা, জীব খুদিংমক্কী আত্মাগা মশাগী আত্মাগা

অমগুনি হায়না খনবা ওমশবা অমসুং জীব পুন্নমক্কী মঙ্গল ওইনবা থল্লবা, সাধকশিংনা পুক্নিং ইন্দ্রিযগী রাংমদা লৈবা রাহৈনা কোং-দোকপা য়াদবা, মক্কম খুনিংমক্তা শিনথুংনা লৈবা, বুদ্ধিনা যৌবা ওমদবা, পুন্নমক্কী মঙ্গল লৈবা লেদবা অবেপ্পা, অমাং অতা লৈত্রবা নির্বিশেষ ব্রহ্মবু নিংব ওমগনি। মশাগী দেহবু আত্মাদগী তোঙানবনি হায়না অবেপ্পা বুদ্ধি লৈত্রবা মীওইনা জ্ঞান যোগী অমা ওইবা য়াম্না রানা থোক্কনি। মবম অতুনা ইশাগী অধিকার মতুং ইন্না (মতিকচ বা য়েংথুনা) ভক্ত অমা ওইনবা হোৎনগদবনি। সাকার অমসুং নিরাকার অনিমক ভগবানগী স্বরূপনি। ভগবানদি অমত্তনি। অনি ওদ। অহানবদা ইশাগী নাপল (অভিমান অহংকার) মাংহনবা হোৎনখিগদবনি। অহংকার মাংহনবগী পাইস (মার্গ) অনিথক থায়নগী মুনি ঋষিশিংনা তাকপীবনী। মতুংদি— ঐ ইশা অসি ঈশ্বরগী মনাই তংন থানবা লৈত্রবা "নিত্যদাস"নি হায়না খনবা অমা অতুগা জীবাত্মা অসি স্থূলশরীর, সূক্ষ্মশরীর অমসুং কারণশরীর হায়রিবা হুকচাং অহুমদগী তোঙানবা ব্রহ্মগী মশকনি হায়না খনবা অমা। মসিবু "অহংগ্রহউপাসনা" কৌই। রাখলনা হুকচাংগী মরী হেক লৈনদ্রিবমথৈদি— অহংগ্রহ উপাসনা তৌবা ওস্বাহৌনদে। য়াম্না রানা থোক্কনি। মথক্কী তবানিথোই শুবা অধ্যাযদা উৎথ্রিবা জগৎ লীলা শাম্নরিবা মাযাপতি ভগবানবু ভক্ত অমনা পুক্নিং হুকচাং লুপশন্না নিংজবদি যাম্না কোমনা মুংঙাইনা নিংবা ওমগনি। অতুগা জগৎকী রাংমদা লৈবা অব্যক্ত স্বরূপ নিরাকারব্রহ্মবু নিংবদি অবাইবা থবক নত্তে; য়াম্না রানা থোক্কনি। শাস্ত্র অমসুং সদগুরুগী পাউতাকপু মপুং ফানা লৌশনবা ওমলবা অমসুং বুদ্ধিনা হন্না হন্না বিচার তৌথুনা সিদ্ধান্ত পুন্নমক লৌংথিনা খনবা ওমলবা, বিবেক, বৈরাগ্য লৈরবা পুক্নিং

ইন্দ্রিযশিংবু মপুং ফানা জয তৌরবা মীতাদনা জ্ঞানযোগপু সাধনা তৌবা ওন্মী। ভারতকী মুনি ঋষিশিংনা লেংহুনা থম্নীবমশিংবা শাস্ত্রশিংদা উপাসনা (লাইনিং লম্নী) অসি চাউরাক্না মশা থোক্না খাইদোকপা য়াই। মহুদি— (১) প্রতিক উপাসনা, (২) প্রতিমা উপাসনা, (৩) পঞ্চকোষ উপাসনা, (৪) অবতার উপাসনা অমসুং (৫) অহংগ্রহ উপাসনা। মীওইবগী বুদ্ধি লৌশিং অমসুং ইন্দ্রিয়-শিংন। নীংথিনা যান্না কোমনা লাকশনবা ওমজবা মতৌশাগী ওইবা (প্রকৃতিগী কর্য্য) পোৎশক অমদা কেন্দ্র ওইহনা ঈশ্বরবু নীংশিং-জবা অদুবু "প্রতিকউপাসনা" কৌই। খুদম ওইনা ১০ শুবা অধ্যায বিভূতি যোগতা অঙানবাশিংদা মুমিৎ ঐনি। থরাল-মিচাকশিংগী মনুংদা থা (চন্দ্র) ঐনি। চিংজাওশিংদা হিমালয ঐনি। তুরেলশিংদা গঙ্গা ঐনি। বেদগী মনুংদা ওঁকাব ঐনি। অসিনচিংবা। শালগ্রাম, শিবলিঙ্গ, দেবীগী পীঠ, অমদি ধাতু, মুংউ অমদি লৈপাক্না মূর্ত্তি অমা শাবগা অমসুং য়েকলগা পূজা তৌহনা নীংলিবহুগী মনিং প্রতিমা উপাসনা কৌই। মহুসু ভক্ত অমদা শ্রদ্ধাভক্তিবু লৈজববদি সাধনাদা কান্নবা যংই। স্কুল কলেজদা তমলিবা অঙাং অমনা মানচিত্র (Map) অমসুং গ্লোব (Globe) কী মতেংনা ভূগেল শাস্ত্র তম্বগুম্বনি। পোৎশক তোঙাল্লবসু মানচিত্রগা পৃথিবীগা জ্ঞানগী মিংযেংদদি অমতত্তনি। পঞ্চদেবতা— গণেশ, সূর্য্য, বিষ্ণু, শিব অমসুং দূর্গাবু পুন্নপনা নিংজববু পঞ্চ-কোষ উপাসনা কৌই।

(১) দূর্গা = অন্নময কোষকী মবেম্মা (২) সূর্য্য = প্রাণময় কোষ = মপু (৩) বিষ্ণু = মনোময কোষকী মপু (৪) গণেশ = বিজ্ঞানময কোষকী মপু অমসুং (৫) শিব = আনন্দময় কোষকী মপু ওইনা পরমেশ্বরবু পুম্নমক্কী হৌবকফমনি মূলাধারনি হায়না নিংজবা।

যুগ যুগ খুদিংদা অবতার তৌদুনা কোংদোকপীরিবা রাম, কৃষ্ণ, বৃদ্ধনচিংবা বিষ্ণুগী অবতারশিংবু ইষ্টদেব ওইনা নীংজববু অবতার পূজা কৌই। লীলাবিগ্রহবুসু কৌই। অদুগা অন্তরাত্মাগা পরং-ব্রহ্মগা অমত্তনি হায়না মহাক্কী জীবাত্মাদা পরমাত্মাবু কেন্দ্র ওইনা নীংজববু "অহংগ্রহ উপাসনা" কৌই। উপাসনা পুম্নমক্কগী "অহংব্রহ্মাস্মি" ঐমক ব্রহ্মনি জীবগা ব্রহ্মগা অমত্তনি হায়না খনদুনা নীংগদবা অনুসন্ধানমূলক ওইবা বেদগী মহাবাক্য অসিদি অরাইবা লাইনিং নত্তে। য়াম্না রাগ্রবা অমসুং রাংখ্রবা সাধনানি। মথক্কী উপাসনা মণ্ডা অসিগী মমুংদা অহংগ্রহ উপাসনা নত্তনা অতৈদি—সাকার উপাসনা ঙাক্লনি। শ্রীকৃষ্ণগী অথোইবা পাউতাক্কি—ভক্ত অমগী অধিকার (মতিকচাবা) মতুং ইন্না অমসুং রুচি (পামজবা থাজবগী) মতুং ইন্না পুম্নমক্কী ওইবা য়াবা সাকার উপাসনা খুদোংচাবা হেন্রি হায়না তাকপীরি। পাকচাউরবা সমুদ্রদা কুমথরগা পূবা ঙমদবা পাত্র অমদা ঈশিং শোক্তুনা পুরকপগুম ভক্ত অমনা মুংশিজবা মথরাইনা পামজবা সাকারব্রহ্ম অমদা সর্ব্বেশ্বরনি (পুম্নমক্কী মপু নি) হায়না খনজদুনা নীংজরগা মশাগী নাপল পুম্নমক মাংহনদুনা অমসুং ঈশ্বরগী পেন্নবগীদমক্তা সেবা ভাবতা ঈশ্বরদা কর্ম্মগী ফল পুম্নমক কৎথোকলগা পুক্নিং অনি লোংদবা যোগনা ইষ্টদেববু ধ্যান অমসু' উপাসনা তৌজরগা মপুক্নিং চংনা নীংজরিবা ভক্তশিংবু সংসারগী ঈপাক্ত হন্না হন্না পোকপা শিবদগী কনবীগনি। ভক্ত অমনা পুক্নিং অমসুং বুদ্ধিবু ঈশ্বরদা লুপশনবা ঙমলবদি শিরমদাইদা শোয়দনমক শুদ্ধব্রহ্ম শোয়দনমক ফংগনি।

সগুণব্রহ্মবু শ্রদ্ধাভক্তিগা লোয়ন্না নীংজরিবাশিং অদো দেহ থাদোকলবগী তুংদা ইষ্টদেব অদুগী কৃপানা ক্রমমুক্তি ফংগনি। সগুণ ব্রহ্মদা পুক্নিং বুদ্ধি লুপশনদুনা সমাধি তৌরা ঙমলব্রবসু

ঈশ্বরগী পেন্নবগী দমক্তা — সেবা ভাবতা নিষ্কাম্‌কর্ম্ম তৌগনি। মতুগা লোয়না লোয়ন্না — "অভ্যাস যোগ" তৌগনি। হন্না ঈশ্বরবু নীংশিংবা গুন্নবা পাদ্বেশিং অহুবু অভ্যাস যোগ কৌই। নববিধ ভক্তি (১) শ্রবণ (২) কীর্ত্তণ, (৩) স্মরণ (৪) পাদ-সেবন (৫) পূজন, (৬) বন্দন (৭) দাস্য (৮) সাখ্য—অমসুং ৯—আত্মনিবেদন মাপল অসিবু অভ্যাস যোগ কৌই।

(১) শ্রবণ=ঈশ্বরগী নাম, মহিমা; লীলা অমসুং তত্ত্ব—তাজবা তমজবা—

(২) কীর্ত্তন=মথক্তা শ্রবণ তৌরিবশিং অসি ইশানা শকচ-শোনজবা—

(৩) স্মরণ=নাম, মহিমা, তত্ত্বনচিংবা পুন্নমক—পুক্কিংদা হন্না-হন্না নীংশিংজবা—

(৪) পাদসেবন=জগৎ অমসুং জীব পুন্নমক অসি ঈশ্বরগী পাদ-পদ্মনি হায়না খনদুনা সেবা তৌজবা অমসুং অরা অনা খুদোং-থিবদা তারবা জীবশিং অমসুং ইথক থোংবা গুরুজনশিংগী পেন্নবা সেবা তৌবা পাদসেবন কৌই।

(৫) পূজন=হৈ, লৈ, তুলসী ধুপ দীপ ঈশিংনা—ঈশ্বরবু পূজা তৌজবা। অমদি জীবশিংবু পীজ পীথক্তুনা পেলহনবা পুজা কৌই।

(৬) বন্দন—হকচাং পুক্কং অমসুং ৱাহৈনা—ঈশ্বরবু নীংশি বা য়াবা মকম অমসুং—পোৎশিংদা খুন্নমজবা।

(৭) দাস্য=ইশামক ঈশ্বরগী মনাইনি খনজবা—

(৮) সখ্য=ঈশ্বরতনা অরেপ্পা মরূপনি হায়না চেৎনা থাজবা।

(৯) আত্মনিবেদন=পুক্কিং হকচাং অমসুং থৱাই অহমক ঈশ্বরদা-কথোক্তুনা নাপল পুন্নমক ম্যাংহনবা।

মথক্কী অভ্যাসশিং অসিমক তৌবা গুমত্রবসু ঈশ্বরনা পেনবীনবগী-

চমক্তা কর্ম্মদা মায় ওনশনহনা—তৌজরিবা কর্ম্ম পুম্নমকী ফল পুম্নমক কৎথোকপা। তত্বজ্ঞান য়াওদনা অভ্যাস তৌবদগী জ্ঞাননা হেন্নি। জ্ঞানদগী ধ্যাননা অমুক হেন্নি। ধ্যানদগী কর্ম্মফল-থাদোকপনা অমুক হেন্নি। ঈশাগী ওইজবা পুম্নমক থাদোক্লনা ঈশ্বরদা কর্ম্মগী মশক ওইবা পূজা কচ্চবা ওমলবদি শান্তি; থুনা ফংই।

সগুণ নিগু‌র্ণ অনিমক ঈশ্বরগী স্বরূপনি। ভক্তশিংনা ভগবান, যোগীশিংনা পরমাত্মা অমসুং জ্ঞানিশিংনা পরংব্রহ্ম হায়না কৌজবনি। অমসুং অধিকার (মশাগী মতিকচাবা) যেংজহনা সাধনা তৌজবগী লম্বী তোঙানজবনি। মতিক চাবা ভক্ত অমনা-কনাগুম্বা অমগী সাধন মার্গদা শক নিন্দা তৌফদে। কনাবুসু যেক্লহৈদে। জীব খুদিংমক্তা হিংসা তৌহৈদে। পুম্নমকপু-মরূপ-কুম খনগনি। পুম্নমক্তা থৌজালহৈগনি। ঈশাগী ওইজবা থাদোক-নি। বিদ্যাবুদ্ধি, জাতি, লনথুম অমসু--হকচাংগী নাপল পুম্নমক থাদোকনি। অরা মুংঙাই অনিমক্তা সমবুদ্ধি ওইগনি। পুকচেল চাংচৎ অমত্তদা লৈগনি। রাবে কাতেন্না পুক্লিংদা চিন্তা তৌ-রোইদবনি। মুংঙাইরে মযাই কারোইদবনি। অতোপ্পা কনাগুম্বা অমনা লাল্লববদা মহাক্না মতিকচাবা লম্মনথুম্বা ওমলবসু অরানবা মীবু ঙাকপীগদবনি। মতম চুপ্পদা মরাইবক্তা তমলকইবা দশা খুদিংমক্তা পেনথোকপা, মতমচুপ্পাদা—ঈশ্বরদা পুক্লিং লুপশনদুদা ধ্যান তৌগদবনি। ঈশ্বরবু কাত্তরোইদবনি। পুক্লিং ইন্দ্রিয়শিংবু-কাজনগনদবনি। মরম্নাইগী ওইবা ৱাখল থাদোকলগা পুক্লিং লৌশিং পুম্নমক ঈশ্বরদা কৎথোক্লনা থাংহৈবা মী অমা ওইরিবা মী অত্তুদি ঈশ্বরনা চানবীবা ভক্ত অমা ওইগনি। মহাক্না কনা-গুম্বা অমদা অরানবা চক্রবা মীগীমাংনবা খঙ্গবা ভক্ত অত্তুদগী

কনাগুম্বা অমনা মহাকপু খক কিবা হৌনদে। পৃথিবী অসিদা লৈরিবা জীব পুম্নমক মশাগুম্না খল্লবা ভক্ত অহুনা অতোপ্পা কনাগুম্বাবু কিবা হৌনজে। অহিংসাদা সিদ্ধওইরবা মী অদুদি— অতোপ্পানসু মঙোন্দা হিংসা তৌবা হৌনদে।

মশাগী অর৹ অপ। অপম্বাগীদমক রাজ্রবা, পুক্নিং হকচাং লুন্নবা মিচং-মিখাই নাইত্রবা, পুক্নিংদা মুংঙাইতুবা রাখল থমত্রবা, মশাগী মুংঙাইনবগীদমক্তা অনৌবা থৌরাং অমা তৌজত্রবা মী অদুদি ঈশ্বরনা চানবীবদা মতিক চারবা ভক্ত অমা ওইরবনি। মনিং থুংলগা হরাওবা মনিং থুংত্রগা শাওবা নাইত্রবা মপুক্নিংগী অরাবা থাদোকলবা, করিগুম্বা পোৎশক অমা মরম্নাইগী ওইগে হায়না নীংজত্রবা অফ ফত্তা অনিমক থাদোকলবা ভক্ত অদুদি ঈশ্বরনা চানবা মী অমা ওইরবনি। যেক্লবা মরূপ থাইত্রবা— থাগৎলগসু হরাওবীত্রবা অমসুং অতোপ্পানা উশিৎ থৌওইবীত্রসু শাওবীত্রবা ; অয়িং অশা অরা মুংঙাই অনিমক্তা পুকচেল অতু চাংচৎ অমত্তদা লৈরবা অপাম্বা অমত্তা মশাদা লৈত্রবা থাগৎ-লবসু হবাওবিত্রবা, নিন্দা তৌদুনা চৈরবসু শাওবীত্রবা, রাঙাংবদা চাং নাইববা—বাক সংযম তৌদুনা ভুমিন্না লৈবা হৈরবা মতম কুপ্পদা ইপেন্দা পেন্দুনা লৈরবা—মফম অমদা অবেপ্পা ময়ুম ওইনা খল্লবা, সংসার পুম্নমক ময়ুমনি হায়না খল্লবা মবুকচেল কয়িক্লত্তা-হোংদবা মতম চুপ্পদা ঈশ্বরবু নীংশিংদুনা লৈবা ভক্তিনা তিল্লবা মী অদুদি ঈশ্বরনা চানবীবা অথোইবা ভক্ত অমনি। মথক্তা শ্লোক ৮ না ভক্ত অমগী লক্ষণ (খুদম) তাকপীখ্রিবসিবু শ্রীকৃষ্ণনা "ধর্ম্মামৃত" কৌই। মরম অহুনা মতিক চাব ভক্ত অমা ওইগে হায়রবদি কীকমশিং অদি য়োমন্না হোংলগদবনি।

ইতি ভক্তিযোগ নাম দ্বাদশোহধ্যায়

ত্রয়োদশোঽধ্যায়ঃ

১৩ শুবা অধ্যায়

"ক্ষেত্র-ক্ষেত্রজ্ঞ-বিভাগ-যোগঃ"

অধ্যায় অসিগী মমিং- " ক্ষেত্র—ক্ষেত্রজ্ঞ—বিভাগ—যোগ ঃ" কৌই। শ্লোক ৩৪ থকনা শাবনি। গীতাগী শিক্ষাদি—অহানবদা —জীবনশাস্ত্র—কর্ম্মযোগ অনীশুরকপদা—ধ্যেয়স্বরূপ—(ঈশ্বরগী-খোংগুল লীনবা অমসুং ধ্যান তৌনবা) ভক্তিযোগ—অমসুং অহুম শুরকপদা—জ্ঞেয়স্বরূপ—বুদ্ধিনা খংজনগদবা — তত্বজ্ঞান—সিদ্ধান্ত জ্ঞান যোগনি। অহানবা অধ্যায়দগী— ৬শুবা ফাউবদা মীওইবনা-আত্মজ্ঞান তানবদা মতিক চাব। (অধিকারী—যোগ্যতা) ওইবা শুমবা নিস্কাম কর্ম্মযোগ অমসুং রাজ যোগ—তাকপীখ্রে। অদুগী মথংদা ৭ শুবদগী ১২ শুবা অধ্যায় ফাউবদা ভগবানগী বিভূতি অমসুং ভক্ত অমনা—চেনগদবা — পুকচেল — খোইজেল অমসুং নীংথিজবা লমচৎ শাজৎ-নচিংবা তাকপীখ্রে। হন্দক্তী ১৩ শুবা অধ্যায় অসিদগী হৌনা—জ্ঞেয়স্বরূপ—শাস্ত্র পুন্নমক সিদ্ধান্ত তত্ব-জ্ঞান তাকপীবা হৌরকলি। জগৎ অমসুং জীব অনিমক্কী হৌ-রকফম—(কারন) দি — পরমেশ্বরনি। ঐখোইনা মরূ ওইন' খংহন হৈজনহুনা—আত্মবিচার তৌগদৌরিবা তত্বদি—জগৎকী সৃষ্টি-তত্ব, জীবগী অমসুং পরমাত্মাগী স্বরূপনি। জগৎ অসি প্রকৃতিগী বিকৃতিনি। হায়রবদি মহৌশাগী মশক মওং মতৌ হোংদোক্‌না অভংপা লৈতনা থৌওং পুন্নমক পাংথোকপীনি। মহৌশাবু—মায়াশক্তিসু কৌই। জীবগী ময়ুম্ ওইনা লৈরিবা হকচাং অমসুং ভোগ তৌরিবা বিষয় পুন্নমক প্রকৃতি কৌবী মায়াশক্তিগী—বিকার ওাকনি। জীব অমসুং প্রকৃতি অনিমক—পরমেশ্বরগী হৌরকপনি।

অতুম ওইননক চীংজাওদগী উ হৌরকলগা চীংজাওবু খুমজন্দুনা উহন্দবগুম অমদি মৈদগী মৈখু পোকলকল়বসু মৈখুগী অমম্বনা অরূবা মৈরাবু খুমজনবগুম অমসুং মুমিংনা লৈচিন পোকহল্লবসু লৈচিনগী অমম্বনা ঐখোইগী মিৎয়েংবু খনজন্দুনা আকাশকী ওাল্লবা মুমিংপু উহন্দবগুম—মায়াশক্তি অসি ঈশ্বরদগী হৌরকলবসু জীববু খুমহৎপনা মহাক্কী স্বভাব (হৌনশা) নি। জীববু মায়া শক্তিনা খুমহৎখিবদগী ঐখোই পুন্নমক আত্মাগী স্বরূপ অহু কাও-খোকখ্রে। আত্মাগী অশেংবা, অরেপ্পা স্বরূপ অহু মায়ানা খুমজন-খিবদগী পোকলকপা রাখলবু অজ্ঞান কৌই। অজ্ঞান অসিদগী অবিবেক (রাখল থেনবা) পোবলকই। অচুম অরান লেপ্পা ওমশল্লক্তে। আত্মানা অসিনি অতুগা আত্মাগা মরী লৈনদবনা অসিনি হায়বদু খংজলক্তে। মরম অতুদগী "অহংকার" ইশা ইবন্নাইগী ওইবা রাখল (Self centre) পোকলকই। অহংকারদগী "রাগদ্বেষ" (হৈনিংবা-হৈনিংদবা Like-Dislike) পোকলকই। রাগ দ্বেষতগী কর্ম্ম (থবক Action) পোকলকই। সকাম কর্ম্ম ইশাগী ওইজবা তানবা থবক্কী মহৈদগী শরীর (হকচাং) অসি পোকলকই। হকচাং অসিগী হৌরকফমদি প্রকৃতি অসিদগীনি। হকচাং মখল অহুমনি। মদুদি—(১) স্থুলশরীর (অপোবা হকচাং physical body), (২) সূক্ষ্মশরীর (থরাই subtle body) অমসুং (৩) কারণশরীর (য়াইবীরেন causal body)। হকচাং অহুমক জীবাত্মা অসিগা মশা অমত্তা নত্তে। অতুম ওইনমক অবিদ্যা মায়াগী ওকলবা শক্তিনা হকচাংগা জীবাত্মাগা অমত্তা ওইরবোই নিংহল্লি। মসিবু "দেহাত্মবোধ" কৌই। মতৌ অসুমনা ওন তৌন্নবা খলহল্লিবা "মোহ" অসি কোক্লবগীদমক্তা আত্মাগী স্বরূপ নিংশিংবনা জীবগী অথোইবা সাধনানি। "শোক

মোহাদি সংসার কাৰণ নিবৃত্যৰ্থং গীতা শাস্ত্রম্" (শাঙ্কর ভাষ্যং) ॥ পুক্নিংগী দোষ—শোক অৱেস্যদা ৱাবা অমসুং বুদ্ধিগী দোষ হকচাংবু আত্মাগা অমত্তনি হায়না খনবা অনিমক কোকহন্দুনা আত্মাগী স্বৰূপতা হনজনবা ওয়বা হোৎনৱকলিবা সাধনা অদুবু "জ্ঞানযোগ" কৌই। জগৎ পুন্নমক্কী মচাক্কা মশক ওইবা উপাদান, কাৰণ প্ৰকৃতি (Nature) দি জড় (লৌশিং লৈতবা in sentient) নি। অদুগা জীবাত্মাদি চেতন (অশিংবা অখংবা sentient) নি। হন্দক্কী অধ্যায় অসিদা জড় অমসুং চেতন নত্ৰগা প্ৰকৃতি অমসুং পুৰুষ খাইদোক্নুনা তাকপা মৱমনা—"প্ৰকৃতি--পুৰুষ--বিবেক" অমদি "ক্ষেত্ৰ-ক্ষেত্ৰজ্ঞ-বিভাগ-যোগ" কৌই।

হকচাং (শৰীৰ) জীবগী ভোগ (মহৈ চাযম) ওইবা মৱমনা—"ক্ষেত্ৰ" লৌবুক কৌই। মহৈ চাবদা অৱাবা অমসুং নুংঙাইবা খংলিবা জীবাত্মাবু ক্ষেত্ৰজ্ঞ অমদি পুৰুষ কৌই। জীবাত্মা খুদিংমক্তা অন্তৰাত্মা ওইৱীৱগা চৈতন্যশক্তি পীৱিবা সাক্ষী স্বৰূপ ওইবা পৰমাত্মানা ক্ষেত্ৰজ্ঞ পুন্নমক্কী হোৱকফমনি। জীবশিংগী হকচাং অমগা অমগা মান্নদে। পুক্নিংসু মান্নদে। জীবাত্মাসু তোঙান তোঙানি। তৌউগুনশুং লৌফম অমসুং তিন্নফমাদ অমত্তনি। মশক মওং মান্নদবা চাৎবা পীকপা মান্নদবা চফু কয়ামরুমদা ঈশিং হৈজন্নৱা। মপান্দা থম্বদা নুমিৎকী মমি—(প্ৰতিবিম্ব) অমমম্ তোঙান লোঙানবা জীবাত্মা অমমম ওইদুনা লৈ। অদুমওইনমক নুনিংঙি অমত্তনি। প্ৰকৃতি, জীবাত্মা অমসুং পৰমাত্মা অদুমক্কী তত্ত্বজ্ঞান অসি বশিষ্ঠ, গৌতম, কপিল, কনাদ অমসুং ব্যাসনচিংবা ঋষিশিংনা অমসুং ঋগ, যজু সাম অমসুং অথৰ্ব্বনচিংবা শ্ৰুতি অমসুং স্মৃতিশাস্ত্ৰশিংদা—অমসুং যুক্তিযুক্ত

ওইবা ব্রহ্মসূত্র (বেদান্তন'চিংবা) দর্শণশাস্ত্রশিংদা পরংব্রহ্ম, প্রকৃতি অমসুং জীবাত্মাগী তত্ত্বজ্ঞান অসি মখল মখা কয়া থোক্লা খংনবা তাকপীপ্রবা ওাক্তনি। অমত্তা ওইবা সত্যজ্ঞানবু মীওইবগী মতিক-মণা চাবা (অধিকারী) য়েংদুনা তোঙান তোঙানবা বিচারধারা (ৱাখলগী ঈচেল) খাইদোক্তুনা তাকপীা তম্মীরম্বা ওাক্তনি। "একং সৎ বিপ্রা বহুধা বদন্তি" (ঋগবেদ)। অশেংবমক্তি ঋষিশিংগী "সিদ্ধান্ত" তোঙান তোঙানবা নত্তে। মান্নদবাশিংগী মনুংদা মান্নবা— ("অনৈক্যতামে ঐকতা") অদু খংনবা ঙোংনগদবনি। ঐখোইনা কাওরোইদবদি— গীতা শাস্ত্রদি— সমন্বয় শাস্ত্র (Synthical theory) নি। শাস্ত্র পুন্নমক্কী কান্নবা ওাক্তনি। অমগা অমগা য়েংনবা নত্তে। অমনা অমগী অৱাৎপা, অহোবা, চিখবা মেনখৎপা ওাক্তনি। শাস্ত্র পুন্নমক্কী প্রয়োজন (তম্বাগী কান্নবদি,) অজ্ঞান (Nescience) মাংহনবনি। অজ্ঞান— নত্রগা অবিদ্যা মায়াগী হোৱকফম প্রকৃত (Nature) নি। জ্ঞানগী হৌরকফমনা পরমজ্ঞানদগানি। অনিমক্কী তুংনফমনা জীবগী বুদ্ধদনি। মৱম অসিদগী জীববু বৈষ্ণব দর্শণদা "তটস্থ শক্তি' কৌই। গীতানা-"পরাশক্তি, ক্ষেত্রজ্ঞ' অমসুং পুরুষ" কৌই। অহানবদা— ক্ষেত্র--হকচাং--শরীরগী তত্ব তাকপীরি॥ পঞ্চমহাভূত— (১) লৈবাক (২) ঈশিং (৩) মৈ, (৪) নুংশিৎ (৫) অতিয়া মঙাখক অমসুং মখোইগী হৌরকফম অহংকার (Ego); অহংকার অসিগী হৌরকফম বুদ্ধি নত্রগা মহত্তত্ব অমসুং বুদ্ধ অসিগী হৌরকফম— "অব্যক্ত= মূলপ্রকৃতি" ॥ ৮ অসিবু "অষ্টধা প্রকৃতি" কৌই। মথংদা প্রকৃতি অসিগী বিকৃতি (মশক হোংদোকপা)- জ্ঞানইন্দ্রিয় ৫ (১) তাবঙন্নবা ইন্দ্রিয় নকোংদা লৈবা, (২) শাকঙন্নবা ইন্দ্রিয় (উনশাদা লৈবা) (৩) উবা ঙম্নবা ইন্দ্রিয (মিংদা লৈবা); (৪) মহাও খংনবা

ইন্দ্রিয় (লৈয়েংদা লৈবা) অমসুং (৫) মনম খংনবা ইন্দ্রিয় (নাতোন্দা লৈবা ইন্দ্রিয় ৫ অদুগা— (১) ৱাহৈদা, (২) খোং, (৩) খুত্তা, (৪) অমাংখোং অমসুং (৫) ঈশিংখোংদা থুপ্পুনা লৈরিবা কর্ম্ম ইন্দ্রিয় ৫ ইন্দ্রিয় তরা অসিগী পুনফম অমসুং হৌরকফম অমত্তা ওইবা পুক্নিং অমসুং জ্ঞানইন্দ্রিয়, কর্ম্মইন্দ্রিয় অমসুং পুক্নিংনা ভোগ ভৌগদৌরিবা— (১) শব্দ (য়াৱা), (২) স্পর্শ শোকপদা খংনরিবা হুংশিংকী অকুপ্পা শকলোন- (য়াংবী) (৩) রূপ (মওাল), রস (মহাও) অমসুং (৫) গন্ধ (মনম) মওা অসি থারগা তত্ব ২৪ থকনি। ইচ্ছা (নিংবা will force); দ্বেষ (হৈনিংদবা পামদবা Dislikes) সুখ (নুংঙাইবা Happiness অমসুং দুখ (অৱাবা) হায়বসিনা পুক্নিংগী বিকার (মশক হোংদোকপা মওং) নি। অদুগা প্রাণশক্তি অমদি— জীবনীশক্তিগী থৌওং চেতনা (consciousness) নি। পুক্নিং অমসুং প্রাণশক্তিবু ফাজন্দুনা থমলিবা শক্তিবু "ধৃতি (Fortitude) কৌই। অদুগা মথৌদাং (Function) তোঙান তোঙাল্লিবা পুক্নিং, প্রাণ, জ্ঞানইন্দ্রিয়শিং, কর্ম্ম ইন্দ্রিয়শিং অমদি পঞ্চভূতশিংগা অমগা অমগা মরি লৈনহন্দুনা (co-operation) পীরিবা শক্তিবু "সংঘাত" কৌই।

মথক্তা পীংথানখ্রিবা তত্ব পুম্নমক অসি ক্ষেত্র হকচাংগী বিকার প্রকৃতিগী শকলোন ওাক্তনি। আত্মাদি নির্ব্বিকার=(মশক মওং মতৌ হোংবা) নাইদবনি। আত্মাগী স্বরূপকা প্রকৃতিগী স্বরূপকা খেৎনবা মওং থনবা— অহানবদা— ক্ষেত্রগী "অবয়ব" তাকপীরি। মথংদা— জ্ঞানি অমগী অধিকারী (জ্ঞান তানবগী মতিক চাবা মী অমা ওইবা) ওয়বা সাধন তাকপীরি॥ মরমদি— আচারদগী বিচার অমসুং প্রচার ওইরকলিবনি। লমচৎ শাজত্তগী পুকচেল খোইজেলসু হোংলকই। মরম অদুনা ধর্ম্মগী হৌরকফমদি

সদাচারনি। জ্ঞানি অমগী লক্ষণ (খুদম অমসুং ফীদম) ২০ কুনথক ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা শীংথাদুনা তাকলি। মখোদি— (১) অমানিত্ব (মশাগী মতিক মগুণ উত্তুনা অতোপ্পদা চাউখোক্তবা-হায়বদি নোল্লুকপা,) (২) অদম্ভিত (মশাগী লৈজবা মতিক মগুনদগী হেন্না হায়জন্দুনা অতোপ্পনা উশিং-থোঁওইনবা হোৎনদবা মশাগী মরাল অমসুং অরাৎপা মুন্না ৱেংশনদুনা চুমথোক্লবা হোৎনবা, (৩) অহিংসা (কনাগুম্বা অমদা ওৎ-নৈদবা অমসুং সুংঙাইওনবা তৌদবা,) (৪) ক্ষান্তি = (অতোপ্পনা মঙোন্দা লাললবসু ঙাকপীহৈবা,) (৫) আর্জ্জব (পুকচেল তিংবা,) (৬) আচার্য্যোপাসনং— তাকপী তম্বাবা ওম্বা গুরুশিংবু সেবা তৌবা, (৭) শৌচ = পুক্নিং হকচাং শেংহনবা, (৮) স্থৈর্য্যং— অক্ষবা থবক্তা পুক্নিং লৈতানা তৌবা, (৯) আত্মবিনিগ্রহ— পুক্নিং লাকশনবা, (১০) ইন্দ্রিয়ার্থেষু বৈরাগ্য — ইন্দ্রিয়শিংবু লাকশনদুনা মখোইনা পামলিবা পুম্নমক থাদোক্পা, (১১) অনহঙ্কাব— মশাগী নাপল থ'দোকপা. (১২) জন্মমৃত্যু জরাব্যাধি দুখদোষদর্শণম্ = জীবনা কর্ম্মগী মথা পোনদুনা পোকপা শিবা অহল ওইরকপা অমসুং অনাযেক তৌবকলিবা দোষ পুম্নমক অসি অৱাবনি হায়বসি হন্না হন্না খনবা, (১৩) অসক্তিঃ (সংসারগী বিষয়দা পামশনদবা), (১৪) পুত্রদাবা গৃহাদিষু অনভিসঙ্গ (মচা মতু ময়ুমনচিংবদা কাহেন্না মরন্নাইগী ওইনা খন্দবা), (১৫) ইষ্টানিষ্টা— উপপ পত্তিষু (ফংনিংবা ফংবদা অমসুং থোকহনিংদবা থোকপদা) নিত্যং সমচিত্তত্বং পুকচেল চাংচৎ অমত্তুদা লেপ্তুনা লৈবা„ (১৬) ময়িঅনন্যযোগেন অব্যভিচারারিণী ভক্তিঃ- (ঈশ্বরদা চংজবা মত্তুনা অতৈ পতি পাষৈ লৈত্রে হায়না খনবা ঐকান্তিক ভক্তি), (১৭) বিবিক্তদেশসেবিত্বং (অচিকপা মফমদা লৈবা,) (১৮) জন-সংসদি অরতি— (মীয়াম্ তিনবা মফমদা লৈনিংদবা) (১৯) অধ্যাত্ম-

জ্ঞানিত্যত্বং— (আত্মজ্ঞ ন ফংনবা হোংনবদা মাইওনশনবা) অমসুং (২০) তত্ত্বজ্ঞাননার্থদর্শনম্ (তত্ত্বজ্ঞানথিবদা গুরু অমসুং শাস্ত্রগী মতেং লৌবা, শ্রবণ-মনণ অমসুং নিদিধ্যাসন— তাশনবা পিজনখিবত্তু মরম্মাইগী ওইনা হন্না হন্না বিচার তৌবা অমসুং সিদ্ধান্তদা পুক্নিং থিংজন্দুনা সমাধি তৌবা)। হায়রিবা সাধনাশিং অমসুং জ্ঞানিগী লক্ষণশিং অসি জ্ঞন ফংনবা পাম্বৈ ওইবা মরমনা "জ্ঞান"নি হায়না তাকখিরি। অতুগা মসিগী ওন্না তৈনবা শংজং অমসুং লমচৎ অমসুং পুকচেল্ খোইজেল চেপ্নিবা অতুনা অজ্ঞানীশিংগী থুদমনি। আত্মজ্ঞান তানবদা মতিকচাবা মী অমা (অধিকারী) ওইগে হায়না খল্লিবা মী অমনা মথনী গুণশিং অসি চেনগদবনি। মুনি ঋষিশিংনা থম্মীরমলিবা শাস্ত্র পুন্নমক চাউবাকনা শরুক মশি থোক্লা খাইদোকপা য়াই। মতুদি ঃ— অহানবদা (১) অধিকারী (যোগ্যতা) (২) বিষয় (হীরম), (৩) সম্বন্ধ (মরীলৈনবা রাফম) অমসুং (৪) প্রযোজন (তম্বা অমসুং হৈবগী কান্নবা)। মুনি ঋষিশিংগী অরেপ্পা নিয়ম অতুগী মতুং ইন্না— অহানবদা মথক্কী শীংথানগ্নিবা সদাচারশিং অমসুং "অধিকারী তত্ত্ব" কৌই। মসিগী মথংদা বিষয় (জ্ঞেয় তত্ত্ব) তাকপীরি। ব্রহ্মগী স্বরূপতি অনাদিনি। মঙোন্দগী কন্নিগুম্বা পোৎ অমনা হানবা লৈতবা মহাক্না পুম্নমকী হৌরকফম ওইবা (কারণ স্বরূপ cause) নি। অমসুং সৎ (ইন্দ্রিয়শিংগীমতেংনা খংবা ঙমলিনা জগৎ) অমসুং অসৎ (গিং-নচিংবা ইন্দ্রিয়শিংনা খংবা ঙমদবা ফোংদোক্তবা অব্যক্ত স্বরূপ মূল প্রকৃতিগী) রাংমদা লৈবনি। নিরাকার ব্রহ্মগী স্বরূপ— "নির্ব্বিশেষ স্বরূপতি" মফম খুদিংমক্তা চৈতন্য স্বরূপ ওইনা লৈবা ররমনা— খুৎ, খোং, মিৎ, কোক অমসুং. চিন অমসুং তারো ঙম্লবা ইন্দ্রিয় নাকোংনচিংবনা খংবা ঙমলিবা পুন্নমক অসি জ্ঞনদনি।

পরংব্রহ্মদি জ্ঞান স্বরূপ ওইবা মরমনা জ্ঞানইন্দ্রিয়শিং কর্ম্ম ইন্দ্রিয়শিংনা থংব। অমসুং তৌবা ঙম্বা পুন্নমক থংই অমসুং তৌবা ঙমই। তাইবং পানবা পুন্নমক্তা জগৎচৈতন্য (cosmic consciouness) ওইনবা লৈবা মরমনা সর্ব্বব্যাপক (ommipresent) নি। মহাক্কী তোঙানবা ইন্দ্রিয়শিং পান্দে। পুন্নমক্কী তুংনফম (সর্ব্বাধার) নি। গুণ অহুমনা শোকপা ঙমদে। অদুমনদি ওইরগা গুণ অহুমগী মপুনি। ভূত পুন্নমক্কী (পঞ্চভূতকী) মমুং মপান ফাউনা অচৎ-চত্তা পুন্নমক্তা শিনথুংনা লৈরিবনি। য়াম্না কুপ্পা মরমনা মহাকপু থংবদা য়াম্না ৱাই। থাপ্পা লৈরগসু নক্পা লৈরিবনি। হায়বদি বুদ্ধি লৌশিংনা লাকশনবা ঙমদ্রবসু বুদ্ধি লৌশিংগী তৌরকফম ওইবা মরমনা য়াম্না নক্পা লৈ। ঙমগে লৈতবা ওইত্রুনসু— জীব খুদিংমক্তা তোঙান তোঙান্না লৈবগুম নিংহল্লি। পুন্নমকপু— পালন তৌবা (ঙাকপা), সংহার (মাংহনবা) অমসুং সৃষ্টিকর্ত্তা শেমগৎপা মপুনি। জ্ঞান স্বরূপ ওইবা মরমনা অমম্বা (অজ্ঞানবু) মাংহনবা, থংগদবা অমসুং থিগদবা জ্ঞানগী মতেংনা থংগদবা, অদু খুদিংমক্কী হৃদিদা লৈবনি। সগুণব্রহ্ম অমসুং নির্গুণব্রহ্ম অনিমক মহাকনি। অসিগুম্বা ব্রহ্মস্বরূপ অসিবু থংলগা ঈশ্বরগী ভক্তশিংনা প্রেমভক্তি (পরাভক্তি) না পরমেশ্বরবু নিংবা ঙমই। জ্ঞান অমসুং ভক্তি হায়বসি তোঙান তোঙানবা নত্তে। মশা অমত্তনি। ঈশ্বরবু তশেংনা হুংশিরবা মীহুদি ঈশ্বরবু থংলবনি। জ্ঞান স্বরূপ অদুমক প্রেমস্বরূপনি। জ্ঞেয় স্বরূপকী মথংদা সম্বন্ধতর ওইনা প্রকৃতি পুরুষকী বিবেক তাকপীরি। মহুদিঃ— প্রকৃতি অমসুং পুরুষ অনিমক অনাদিনি। হকচাং অমসুং ইন্দ্রিয়নচিংবা পুন্নমক অসি প্রকৃতিগী বিকার ঙাক্তনি। অরাবা মুংঙাইবনচিংবা ফংলিবা পুন্নমক অসিসু

প্রকৃতিদগী ফংবা ওাকনি। প্রকৃতিবু ক্রিয়াশক্তি কৌই। অদুগা পুরুষতি (আত্মাদি) অকর্ত্তানি (থৌবু নত্তে)। থৌবু ওইত্রবসু প্রকৃতিদা লৈদুনা প্রকৃতিগী গুণ পুন্নমক ভোগ তৌই। প্রকৃতিগী গুণশিং অদুগী মতুং ইন্না সৎযোনি (অফবা মপোক) অমসুং অসৎ যোনি (হন্থবা মপোক) তা পোকই। গুণ অদুম অসিদগী লাম্থোকপা ওমলবা মতমদা আত্মস্বরূপ অদু জীবাত্মানা থংলকপা ওমই। জীবগী অন্তরাত্মা ওইরিবা পরমাত্মাদি সাক্ষি-স্বরূপনি। অমসুং প্রকৃতিনা তৌরিবমখৈ য়াবনি। বুদ্ধি, অহংকার, মন অমসুং ইন্দ্রিয়শিংদা— চৈতন্যশক্তি পীদুনা য়োকখৎলিব'ন। অমসুং জীবাত্মাবু হুংঙাইনবনি। পুন্নমক্কী মপু অমসুং পুন্নমক্কী মকোক ওইবা ঈশ্বরদি হকচাংদগী তোঙান্না লৈবনি। কনাগুম্বনা— গুণগা লোয়নরিবা প্রকৃতিগী তত্ত্ব অমসুং পরমাত্মাগী স্বরূপ অসিবু নীং-থিনা থংলবদি হন্না হন্না পোক-শিবদগী লাম্থোক্লুনা মুক্তি (অরানবা থুবম) ফংই।

আত্মদর্শন অসি ফংবা ওন্নবা পাম্বৈ (মার্গ) মরিথক লৈ। মদুদি :— যোগমার্গদা চিত্তবৃত্তি পুন্নমকপু ফাজন্নগা ধ্যান, ধারনা সমাধিনচিংবনা আত্মদর্শন তৌই। কনা কনাগুম্বনা আত্মানাত্মা বিচারনা আত্মাসাক্ষাৎকাব ফংবা ওমই। কনা কনাগুম্বনা কর্ম্ম যোগ মার্গগী মতেং লৌদুনা নিস্কাম বুদ্ধিদা পরমেশ্বরদা কৎথোক্লুনা কর্ম্ম তৌরগা চিত্তশুদ্ধি ওইরক্লুনা আত্মজ্ঞান ফংবা ওম্মী। কনা কনাগুম্বনা সদগুন অমসুং শাস্ত্রদা শ্রদ্ধা অমসুং ভক্তি তৌজদুনা ভক্তিমার্গদা সাধনা তৌরগা আত্মজ্ঞান অসি ফংবা ওমই। গীতাদি সমন্বয় শাস্ত্রনি। সাধনা পুন্নমকপু য়াবনি। সাধকশিংগী অধিকারী (মতিক মপা চাবা) মতুং ইন্না মশা মশানা চুশনগদবা সাধনা তৌদুনা আত্মজ্ঞান ফংনবা হোৎনগদবনি।

উপসংহার (য়ারোই) দা ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা শমজন্না তাক-পীরি। "যথা পিণ্ডে তথা ব্রহ্মাণ্ডে" (হকচাংদা লৈবা তত্ব পুম্নমক জগৎ সংসারদা লৈ। মরম অদুনা হকচাংগী তত্ব (শরীরতত্ব) মুন্না খংলবদি প্রকৃতি পুরুষ (ক্ষেত্র ক্ষেত্রজ্ঞ) গী তত্ব খংবা ঙমগনি। পুরুষকা প্রকৃতিগা পুন্নগা জগৎ সৃষ্টি তৌরকপনি। হকচাংগা+ জীবাত্মা পুনশন্নরগা পুনশি ওইরিবনি। আত্মাদি— অর্কত্তানি থৌবু নত্তে। অসঙ্গনি। কারিগুম্বা অপাম্বা অমত্তা লৈতবনি। সত্বঃ রজঃ অমসুং তমঃ কৌবা প্রকৃতিগী গুণ অহুমনা জীবাত্ম দা থৌবু ওইহনবগুম নীংহনবনি। অজ্ঞান (আত্মজ্ঞান য়াৎপদগী) প্রকৃতি কৌবী মাযাগী মথা পোনখিবনি। মাযাদগী নাম্থোক্লবা পাম্বৈদি পবমাত্মাগী স্বরূপ নীংশিংবনি। হকচাংদগী আত্মা অসিনা তোপ্পা মনিং মথা তম্না লৈ হায়বসি চিংনবা লৈতনা খনবা ঙমলকলবা মতমদা-— আত্মবিস্মৃতি (আত্মাগী স্বরূপ কাওখিবদু) কোক্নুনা অজ্ঞান অদু কোকহনবা ঙমগনি। হকচাং খুদিংমক্তা ক্ষেত্রজ্ঞ (পুরুষ অমসুং জীবাত্মা) ওইনা লৈরিবদু জীবখুদিংমক্তা অব্যক্ত ওইনা (ফোংদোক্তনা) লৈবনি। মহাকপু পরমাত্মা কৌই। মশক, মওং মতৌ অমসুং মমিং— তোঙান তোঙান্না উহল্লিবা প্রকৃতি কৌবী মাযাগী শকলোন্দা অমত্তা ওইবা মচেৎ তাব য়াদবা পরমাত্মানা (অখণ্ড অমসুং অব্যক্ত ওইনা) সাক্ষি স্বরূপ ওইনা লৈ। মদু বুদ্ধি লৌশিংনা খনবা ঙমলবা মতমদা অজ্ঞানগী অমম্বা পুম্নমক কোকখিদুনা ব্রহ্মজ্ঞান, আত্মজ্ঞান-দেহাত্মা বিবেক-ক্ষেত্র-ক্ষেত্রজ্ঞ-বিভাগ—- প্রকৃতি-পুরুষ-বিবেক-সর্ব্বভূতাত্মৈক্য-জ্ঞান, সংসারক্ষয়, পরাজ্ঞান, মুক্তি শান্তিঃ হায়রুনা মথল মথা ময়াম্বা মমিং থোল্লিরিবা পুম্নমক তত্বজ্ঞান অমত্তগী মমিংনি।

মতাং অসিদা ১৩ শুবা ক্ষেত্র-ক্ষেত্রজ্ঞ-বিভাগযোগ

মপুং ফাহল্লে।

চতুর্দ্দশোঽধ্যায়ঃ

১৪ শুবা অধ্যায়

"গুণত্রয় বিভাগ যোগঃ"

অধ্যায় অসিগী মমিং "গুণত্রয় বিভাগ যোগ" কৌই। শ্লোক ২৭ থকনি। অর্জ্জুনগী ৱাহং অমা শ্রীকৃষ্ণগী পাউতাকনা শ্লোক ২৬ থকনি। মথক্কী থংনবা অধ্যায়দা জগৎ অসিগী হৌরকখম প্রকৃতিগী তত্ত্ব অমসুং ব্রহ্মস্বরূপ খাইদোক্তুনা তাকপীগ্রে। জীবনা মায়াশক্তি প্রকৃতিগী মথা পোল্লিবমথৈদি ব্রহ্মস্বরূপতা চংশনবা ঙমদে। শম্না হায়রবদা জীবনা মহাক্কী হকচাং অসিদগী তোঙানবনি অমসুং মহাক্কী আত্মাদি পরমেশ্বরগা তংন থান্নবা লৈতবা (নিত্য সম্বন্ধ) নি হায়বসি খংদ্রিবমথৈদি মায়ানা ফাজন-পুনশনহুনা লাম্থোকপা ঙমদে। মায়াশক্তিগী গুণ (থৌরি) অহুমনি। মহুদি—সত্ত্বঃ, রজঃ অমসুং তমঃ। গুণ অহুম অসিদা লাম্থোক্তবদি জীবগা ব্রহ্মগা লৈনরিবা নিত্যসম্বন্ধ (অরেপ্পা হোংদ্রবা মরী) অদু খংবা ঙমদে। মরম অসিনা ব্রহ্মজ্ঞান মপুং ফানা খংহুনা অরান খুবম মুক্তি ফংগে হায়রবদি গুণ অহুম অসিদগী লাম্থোক্কবা হোংনগদবনি। গুণ অহুম অসি লৈ হায়বদগী মায়া-শক্তি প্রকৃতিবু "গুণময়ী" কৌই। সত্ত্বঃ রজঃ অমসুং তমঃ কৌবী গুণ অহুম অসিনা চাংচপ মান্নবা লৈরিঙৈ (সাম্যাবস্থা Equi-bilirium ওইরিঙৈ) অদুবু "মূলপ্রকৃতি" কৌই। পরমাত্মানা জগৎ অসি সৃষ্টি তৌগে হায়না হেক নিংলকপদা—প্রকৃতিদা—"ঈক্ষণ" তৌই। য়াথং পীনখি। সর্ব্বশক্তিমান ওইবা পরমেশ্বরগী য়াথং হেক ফংবগা মূল-প্রকৃতি-না বিকৃতি ওইরকই। হায়রবদি সত্ত্বঃ, রজঃ অমসুং তমঃ কৌবী গুণ অহুম অসি লৈরকপা লেংলকপা

অমসুং অথোই অহেন নাইনা চাংমান্নরক্তবা হৌরকই। সত্ত্বঃ গুণনা কাংখৎলকপা মতমদা প্রকৃতিগী অহানবা শকলোল (মহৌশাগী অহানবা শকলোল) "মহৎ-তত্ত্ব" ওইরকই। প্রকৃতিনা ক্রিয়াশীল ওইরকপা (থবক পাংথোরকপা) অসিবু কাল (মতম) কৌই। মহৎ-তত্ত্ব অসিবু গীতাগী ভাষাদা মহৎযোণী কৌই। প্রলয়গী মতমদা— মুক্তি ফংহৌদবা জীবমখৈ প্রকৃতিনা মমা অপোকপী ওইরগা পুরমাত্মানা অপোকপা মপা ওইদুনা মক হুনবগুম (গর্ভধান তৌবগুমনা) প্রকৃতিদা জীব পুন্নমক পোকহনখি। হৌখিবা মপোকশিংদা তৌখিবা কর্ম্মগী সংস্কার মতুং ইন্না জীব খুদিংমক্কী ফোংদোরকপা মওং মতৌ অমসুং জাতি তিন্নদে। অশেংবমক্তি প্রকৃতি মপন্থা জগৎকী সৃষ্টি তৌবা ঙমদে। পুরুষকী চৈতন্য শক্তিনা প্রকৃতিদা চংশল্লকপা মতমদা প্রকৃতিনা ক্রিয়াশীল ওইরকপনি।

মবম অসিদগী পরমেশ্বরনা মশক মওং নাইবা মথন্নাই পানবা জীব পুন্নমক্কী মরু হুনবা মপা (বীজপ্রদ পিতা) নি। অদুগা প্রকৃতিনা থন্নাই পানবা মূর্ত্তি পুন্নমকপু পোকপী— মমানি। য়োত্তা মৈ ইকলগা মৈগী শক্তি পুন্নমক য়োত্তা চংশলকপগুম ব্রহ্মদা লৈরমলিবা চৈতন্য শক্তি পুন্নমক প্রকৃতিদা ফোংদোরকই। মদুবু "চিদাভাষ" কৌই। প্রকৃতিদা চংশলকইবা শক্তিগা প্রকৃতিগী সত্ত্বঃ গুণগা পুনবা মতমদা "বুদ্ধিতত্ত্ব" থোরকই। বেদান্ত শাস্ত্রদা মসিবু হিরন্যগর্ভ অদুগা পুরাণশাস্ত্রদা— সৃষ্টিকর্ত্তা— "ব্রহ্মা" কৌই। সাংখ্য শাস্ত্রদনা মহৎ তত্ত্ব কৌই। রজোগুণনা হেনগৎলকপা মতমদা "অহংকারতত্ত্ব" পোকললকই। অমসুং তমোগুণনা হেনগৎলকপা মতমদা— (১) শব্দ, (২) স্পর্শ, (৩) রূপ, (৪) রস অমসুং (৫) গন্ধ কৌবা আকাশ, নুংশিৎ, মৈ, ঈশিং অমসুং লৈবাক্কী

হোৌরকক্কম ওইবা য়ানখাইনদবা পঞ্চ তত্ব (অপঞ্চিকৃত পঞ্চ মহাভূত) থোরকই। মগুা অসিবু সাংখ্য শাস্ত্রনা "পঞ্চতন্মাত্র" কৌই। পঞ্চ তত্ব অসিগী তত্ব অমমমদগী হায়বদি শব্দগী সত্ব গুণনা— তাবওয়বা ইন্দ্রিয় (১) (শ্রবনেন্দ্রিয়), স্পর্শগী সত্বঃ গুণদগী (শোকপা খংনবা) (২) (স্পর্শনেন্দ্রিয়) রূপকী সত্ব গুণদগী উবা ওয়বা ইন্দ্রিয় (৩) (দর্শনেন্দ্রিয়); রসকী তত্বঃ গুণদগী মহাও খ'নবা ইন্দ্রিয় (৪) (রসনেন্দ্রিয়) অনস্নুং গন্ধগী তত্ব গুণদগী মনম খংনবা (৫) ঘ্রানেন্দ্রিয কৌবা জ্ঞান ইন্দ্রিয় ৫ পোকলকই। মতৌ অস্নুমনা— মখোয় খুদিংগী রজোগুণগী অংশদগী মথংশিংনা— বাক, (ঙাংবা ওয়বা), পানি- (পাইবা ওয়বা), পাদ (চৎপা ওয়বা) পাযু— মাংথোক্নবা অমস্নুং উপস্থ (মচা মগু পোকপা ওয়বা)— কর্ম্ম ইন্দ্রিয মগুা পোকলকই। মখোইগী অপুনবা (সমষ্টি ওইবা) সত্ব গুণগী শরুক্তগী — মন অমস্নুং বুদ্ধি পোকলকই। অমস্নুং তত্ব মগুা অসিগী অপুনবা (সমষ্ট অ'শ) গী রজোগুণদগী পঞ্চ প্রাণ— (প্রাণ, অপান, সমান, উদান অমস্নুং ব্যান) পোকলকই। তত্ব ১৭ তরাতরেৎ অসিনা অবয়ব (মওং শাবা) অতুবু সূত্রাত্মা— অগদি — হিরণ্যগর্ভ কৌই। অতুগা জীবশিংদা তোঙান তোঙান্না— ওইববুনা "লিঙ্গশরীর--নত্রগা--সুক্ষ্মশরীর" (Subtle body) কৌই। জীবনা ওইরকলিবা লিঙ্গশরীর অসিনা জগৎ সংসার অসিদা কর্ম্মফলগী মতুং ইন্না ফল (মহৈ) চারগদবনি। মতৌ অস্নুমনা গুণ অহুমনা জীবগী হকচাং পুম্নমক ওলহল্লকপনি। লিঙ্গ শরীর অসিনা প্রকৃতিগী খ্বাইদগী হেন্না পৌরবা পঞ্চভূত— লৈবাক, ঈশিং, মৈ, নুংশিৎ অমস্নুং অতিয়া ৫ গা পুল্লগা ঐখোইনা উরিবা থরাইপানবা জীবগী শকওং (মূর্ত্তি) শিং অসি ওল্লকপনি। অপৌবা হকচাং অসিবু "স্থূলশরীর" কৌই। হকচাং অনি (স্থূলশরীর

অমসুং সূক্ষ্মশরীর) অনি অসি ওইন্দ্রিয়শিং মমাং অমসুং জীব-শিংনা মুক্তি ওইন্দ্রিবৈদা মূল প্রকৃতিদা লৈরিবৈগী শরীর অদুবুনা "কারণ শরীর" কৌই। হকচাং অদুম অসিদা গুণ অহুমনা পুন-শনদুনা প্রকৃতি মাযাদা ফাজনদুনা থম্মী। জীবশিংগী হকচাংদা সত্বঃগুণনা হেনগৎলকপা মতমদা জীবশিংনা ঐ মুংঙাইরি অমসুং জ্ঞানঅরি হায়না খলহল্লি। অমসুং মরম্নাইগী ওইবা রাখলনা জীববু ফাজন্দুনা থমই। জীবদা রজোগুণনা হেনগৎলক্তুনা খুমজল্লক্পা মতমদা ফংঙমদবা পোৎপু তান্দুনা ফংগে হায়না কন্না নিংলকপা— (তৃষ্ণা--খোরাংবা) অমসুং কংলিবা পোৎপু ঙাক্তুনা থমনিংবা (আসঙ্গ) অমসুং মপুক্লংবু পেলহল্লিবা "রাগ" পোকলকই। হাযরিবা পুক্নিংগী থৌবাং অদুম অসিনা জীববু ফাজন্দুনা থম্মী। তমোগুণনা হেনগৎলকপা মতমদা— বুদ্ধ লৌশিং থেনবা অজ্ঞান-দগী পোকপা— জীবশিংবু শুমহৎপা, পংথহনবা, লাতনবা, তুমনিংবা পোবহন্দুনা জীববু যাজন্দুনা থম্মী। সত্বগুণনা জীববু মুংঙাইবা পোকহল্লি। রজোগুণনা থবক তৌনিংহল্লি। অদুগা তমোগুণনা অশেংবা জ্ঞানবু শুমহত্তুনা রাবেম থৌরেম (প্রমাদ) তা পাম-শলহল্লি। সত্বগুণনা রজঃ অমসুং তমঃবু নমথরগা কাংথৎলকই। অদুগা রজঃগুণনা অমুক সত্বঃ অমসুং তমঃ গুণবু নমথরগা রাংথৎ-লকই। অদুদগী অমুক তমোগুণনা রজ অমসুং সত্বগুণবু নমথরগা কাখৎলকই। হকচাংগী থোং ওইরিবা ইন্দ্রিয়শিংদা জ্ঞাননা হেন্না ফোংদোরকপা মতম অদুবু সত্বগুণ অদুগা লৌশিংনচিংবা থবক ইনথাং নোমনিংঙকপা পুক্নিং ইবাং হৌরকপা, সংসারগী 'বযরদা পামশল্লকপা মতমদা রজোগুণনা হেনগৎলকলে হায়না খংনগনি। অদুগা রাখল লৌশিং ইথোক থোকলক্তবা, মশাদা হৈনিংবা অমত্তা পোকলক্তবা, হীরম খুদিংমক্তা ইথৌ থৌওইরক্তবা; তনথরকপা

পোকল্লকপা মতংদা তমোগুণনা হেনগৎলবলে হায়না খংনগনি। সত্বঃগুণনা হেনগৎলকপা মতমদা শিবগা জীবনা অব্বা অঙানলা ঊর্দ্ধলোকতা কাখৎপা ঙম্মী। রজোগুণনা হেনগৎলকপদা শিরগা কর্ম্মগী ফলমহৈ তানফম মীবমলেন্দা (মীওইবগী পুনশি) দা পোকলৈ। তমোগুণনা হেনবা মতমদা শিরগা শা ঙানচিংবা অতোনবা ংপোক্তা পোকলুই। সত্বঃ গুণনা হেনবা শাজৎ লমচৎনা পুক্নিং লূবা অমসুং মুংঙাইবা—রজোগুণনা—তরাবা অমসুং তমোগুণনা অমম্বা রাখল পোকহল্লি। সত্বগুণনা—জ্ঞান. রজো গুণনা মীহৌবা অমসুং তমোগুণনা—অজ্ঞান, বুদ্ধি লৌশিং থোক্তবা পংথবা ঙাওচৎ-হামচৎনবা পোকহল্লি। সত্বগুণ চেনবা মীশিনা ঊর্দ্ধলোক, স্বর্গনচিংবা কাখৎলি। রজোগুণনা মর্ত্তলোক অমসুং তমোগুণ চেনবনা অধলোকতা লৈখা তাহল্লি।

সাধক অমনা মহাক্তী আত্মাদি কর্ত্তা (থৌবু) নত্তে; সাক্ষি স্বরূপ ওইনা লৈবনি। থবক পুম্নমক্তী থৌরাং পুম্নমক গুণ অহুমনা শিনজল্লকপনি হায়বসি মুন্না খংহুন—আত্মাগী স্বরূপতা লেপ্তুনা লৈবা ঙমলবদি ব্রহ্মাগী স্বরূপতা—চংশনবা ঙমই। পোকপা শিবা অমসুং অহল ওইশল্লকপগী অরাবা পুম্নমক গুণ অহুমদগী ওইরক-পানি। মরম অদুনা মায়াগী গুণ অহুম অসিদগী লান্থোকপা ঙমলবদি—জীবনা অরানবা থুবম—অমৃত—(শিদবা) মুক্তি; শান্তিঃ ফংবাঙমই। গুণ অহুমবু জয় তৌদুনা লান্থোকপ্রবা জীবন মুক্ত (হিংনা হিংনা মায়াবু জয় তৌরবা) মীওইগী—অচার. বিচার করম তৌবগে হাঙ্বসি অর্জ্জুননা খংনিংবদগী শ্রীকৃষ্ণদা হংজরকই। মদুগী পাউখুমদা শ্রীকৃষ্ণনা তাকপীরকই—সাধনা মপুং ফাদুনা জীবন মুক্ত ওইরবা মীতাশিং অদুদি—মায়াগী গুণ অহুমনা মশাদা চংশনলক্তুনা মবুকচেঙ্গ করিমত্তা হোংহনবা ঙমদে।

স্না লুপা অমসুং লিকলাইগী পাত্রদা হৈ অশিনবা মহী হৈজনবদা মহাও ওন্দবগুম অমসুং কোলহিং মনম নমদবগুম্ গুণশিংনা করি-মত্তা হোংহনবা ঙমদে। পুক্লিং অমসুং ইন্দ্রিয়শিংদগী মহাক্কী আত্মানা খাইদোক্কুনা গুণ অহুমনা তৌরিবা থৌরমশিং অদু য়েংচুনা লৈবা ঙম্মী। গুণগা আত্মাগা মরী লৈনদ্র হায়রবসি মুন্না খংবা মরমনা অরাবা মতমদা রাবিদে। মুংঙাইবা মতমদা মথোই কাবিদে অমসুং থাগংলে হরাওবীদে অমসুং থিনা চৈচুনা নিন্দা তৌরে শাওবীদে। মতম চুপ্পদা ইপেন্দা শেন্দুনা শান্তিঃ ওইনা লৈবা ঙমই। মশাদা লৌনিং চানিংবা অমদি মিচৌবা লৈতবা মরমনা স্না, লুপা, মুং অমসুং লৈবাক অমত্তা ওইনা খনবা ঙমই। মহাক্কী আত্মাগা অতোপ্পগী আত্মাগা অমত্তনি হায়না খংবা মরমনা মহাক্কী মিচং অমসুং য়েক্কবা খাইদোক্কুনা মিচং মিথাই নাইদে। মহাক্কি মুংশিবা প্রেমগা লোয়ননা জীব-শিংগী সেবা তৌই। মতৌ অসিগুমনা জীবন মুক্ত ওইবা হায়বসি ভক্ত অমনসু পরাভক্তি (অথোইবা ভক্তি) লৈরবা মতমদা ওইরকপা ঙমই। জ্ঞান অমসুং ভক্তি অনিমক্কী পম্মুংকমদি গুণ অহুম অসিদগী লাম্থোরকপনি। পরমেশ্বরনা গুণ অহুমদগী লাম্থোকখ্রবা জীবশিংগী অন্তরাত্মা ওইবা মরমনা গুণ অহুমদগী লাম্থোকখ্রবা জীবাত্মাশিংগী তুংনফমনি। পরমেশ্বরগী— সচ্চিদা-নন্দগী স্বরূপকী অমাং অতা লৈত্রবা, অমূর্তগী; ধর্ম্মগী মশক ওইবা অশেংবা মুংঙাইবা পুন্নমকী হৌরকফম ওইবা ভাব পুন্নমক গুণ অহুমদগী লাম্থোকলবা জীবনমুক্ত অমদা বিকাশ তৌরকই। জ্ঞানি অমসুং ভক্তশিং অসি মায়াদগী লাম্থোকলবা মরমনা ব্রহ্মগী তুংনফমনি।

মতাং অসিদা ১৪শুবা অধ্যায় মপুং ফারে।

পঞ্চ-দশ অধ্যায়ঃ

১৫ শুবা অধ্যায়

"পুরুষোত্তম যোগঃ"

অধ্যায় অসিবু "পুরুষোত্তম যোগঃ" কৌই। অধ্যায় য়াম্না পীকই। শ্লোক ২০ থক্তনা শাবনি। অদুমগুইনমক গীতা পুম্নমক্কী মপুং ওইবা, নীংথিজরবা, চংখোল্লবা, অমসুং মরূ মরূ ওইবা শ্রীকৃষ্ণগী পাউতাক ওাক্তনি। পুরুষোত্তম যোগঃ অসিনা গীতাগী হৃদিপদ্ম (থমোয় থম্বাল) নি গীতাগী ভক্ত অয়াম্বনা অধ্যায অসিবু চিনফা পুনৈ। অমসুং সুমিৎ খুদিংগী "অ.বৃত্তি" তৌনৈ। হন্না হন্না থিনৈ। ময়েক শেংনা মচা-খাইনা পাবা অমসুং থিবনা শব্দজ্ঞানদগী থিজরিবা মশামক অমসুং মুন্না তারিবা মীওইশিংগী চিত্তভূমি (রাখলগী ঈপাক্তা) জ্ঞানগী ঈপোম অমা হৌহল্লি। মরম অসিদগী বৈদিক-সন্ন্যাসী অমসুং ব্রহ্মচারিশিংনা বেদগী "পুরুষ সূক্ত" কৌবা মন্ত্রঃ অমসুং গীতাগী পুরুষোত্তম যোগঃ অনি অ'স চিনফা পুনৈ। অদুগা হন্না হন্না আবৃত্তি তৌনৈ। চুম্নতগী কণ্ঠস্থঃ (চিনফা পুরগা) তেক্রদে। হৃদয়স্থ (থমোয়দা লাত্তুনা থমনৈ)। অমসুং জীবনস্থ (পুনশিগী সাধনা তৌনবগী সিদ্ধান্ত) ওইনৈ। বেদ বেদান্তগী সারাংশ (মচীওইবা শরূক মখে) না গীতা শাস্ত্রনি। অদুদগী অমুক পুরুষোত্তম যোগঃনা গীতা পুম্নমক্কী সারাংশনি। মরমদি জগৎগুরু শ্রীকৃষ্ণনা অর্জ্জুনদা— পরমেশ্বরগী অরেপ্পা স্বরূপ অমসুং সংসারগী অরেপ্পা লৈতবা (অনিত্য ওইবা) মওং অমসুং জীবশিংগী তত্ত্ব অমদি— পুম্নমক্কী মূলাশ্রয় (মরূ ওইনা চংজফম) পরমেশ্বর ফংনবা পাম্বৈ পুম্নমক তাকপীরি। মরম অসিনা গীতাবু পামজবা সাধকশিংনা মতিক চাবা গুরু অমদা চংজদুনা অধ্যায় অসিগী মপুংফাবা ভাবার্থ খংনবা তম্নরি।

নিত্য-অনিত্য-বিবেক (কদায়না অরেপ্পা পোংশকনো ? কদায়-মথৈনা অবেপ্পা লৈতবা আত্মাগা মরী লৈনদবা পোংশকমথৈনো ?) হায়বসি মুন্না খংল্রবদি— ঈশ্বরগী স্বরূপ নিংশিংবা ওমদে অমসুং চংজফমসু খংদে।

জগৎ সংসার অনিত্যনি। অতুমওইনমক মহাক্না হৌফম অমসুং তু নফমদি ঈশ্বরনি। পরমেশ্বরদগী মূল প্রকৃতি, মহৎতত্ত্ব, অহংকার, মন, জ্ঞান ইন্দ্রিয, কর্ম ইন্দ্রিয, পঞ্চপ্রান অমসুং পঞ্চ-মহাভূতনচিংবা তত্ত্বশিং অসি সংসার উপালগী মঙ, মশাশিং অমসুং মনা ন। সত্ত্বঃ রজঃ অমসুং তমঃ কোবা গুণ অহুমনা ময়োল ইজ্জনা চোহনবনি। বেদ হৈবা ঋষশিংনা সংসারবু অশ্বত্থ কৌই। (শ্বঃ-হযেং ফাউবা-স্থঃ-লৈববু অ = অপেপ্পা লৈতবা) হাযবা অথনি। অসিগুম্বা অবেপ্পা লৈতবা অনিত্য সংসার অসি আত্মজ্ঞান রাৎপা জীবশিংগী কর্ম ফল চাফমনি। সংসারঅসিগী অহৌবা অরোইবা অমসুং মযাই জীব অমত্তুনা লেপ্পা ওমদে। মরু চেৎনা লৈখ্রবা সংসারগী মাযা অসিদগী থোরকপা কর্মফলবু ককথৎপা অরাইবা থবক নত্তে। অনাসক্তি (বৈরাগ্য সংসারগী মুংঙাইবা প্লামদবা) কল্লবা অমসুং থৌরবা খুৎলাইতনা ককথৎপা ওমগদবনি। পুম্নমক্কী হৌবকফম অমসুং পুম্নমক্কী চংজফম আদি পুরুষ পরমেশ্বরদা ঐকান্তিক ভক্তি লৈবগা চংজগদবনি। অদু ওইরবদি ভগবানগী কৃপানা হন্না হন্না পোকপা অমসুং শিবদগী লাম্থোকপীরক্কনি। সংসারগী মায়া থাদোক্তুনা পরমেশ্বরদা চংজবা (শরণ তৌবা ওমদবা) মীওইদি— মশাগী নাপল অমসুং মোহ লৈজত্রবা, (হকচাংগী মুংঙাইবা রাখল থাদোকত্রবা), আত্মজ্ঞানদ মায় ওন-শল্লবা, মপুক্কিংগী অপাম্বা পুম্নমক থাদোকখ্রবা, অরাবা মুংঙাই-বনচিংবা দ্বন্দ্ব ধর্ম্মদগী লাম্থোকখবা জীবশিংদনা পরমেশ্বরদা-শরণ

তৌবা ওমই। অমুক্তংবু পরমেশ্বরগী পদ যৌখ্রবদি সংসার অসিদা অমুক হল্লক্তরে। মতুগুম্বা ভগবানগী পরমধাম— স্বরূপ অতুদি নুমিৎ-থা অমস্তুং মৈনা ওানবা ওম্বা মকম নত্তে। পরমাত্মাগী স্বপ্রকাশ ওইকমনি।

জগৎ অসি ঈশ্বরগী অনন্তশক্তিগী শরুক মরি থোকপগী শরুক অমাখক্তং ফো দে কফমনি। "একাংশেন স্থিতো জগৎ"। শরুক অহুমদি জগৎকী রাংমদনি' ঈশ্বরগী শক্তিবু মচেৎ মচেৎ থাই-দোকপা যাব নত্তে। মশক মওং মতৌ নাইবিবা সংসারগী সৃষ্টি লীলাদা—পদ অমখক্তং ফোংদোকপদনি। সংসারগী রাংমদা নিত্য স্বরূপ ওইনা লৈরিবা—"পূর্ণানন্দ পুরুষোত্তম্" গী স্বরূপ অতুদা জীবশিংনা চংজগদবনি।

ভগবানগী স্বরূপশক্তি হায়বদি মায়াগী গুণ অহুমনা মতিক ময়াই মগুণ ফোংদোকপা ওমদবা ধাম অতুদা— পরুষোত্তম পরমেশ্বরনা নিত্য লীলা শান্নবি। পরম ধাম্ "গোলোক" কৌই। মায়াগী রাংমবু "বৈকুণ্ঠ" কৌই। বি = নত্তবা, কুণ্ঠ = মায়া। জীবনা ভক্তি অমস্তুং জ্ঞানগী পাম্বৈনা অমুক্তং "পরম ধাম্" অসি য়োৱবা ওমখ্রবদি মায়ানা অমুক পুনবা ওমখিদ্রে।

অহানবদা সংসারগী তত্ত্ব, অনিশুবরকপদা পরমেশ্বরগী স্বরূপ তাকপীরবগী তুংদা অহুম শুরকপদা জীবগী তত্ত্ব তাকপীরকনি। জীব ঈশ্বরগী অমাং অতা লৈত্রবা সনাতন অংশদগী ওল্লকপনি। প্রকৃতিগী মন অমস্তুং জ্ঞান ইন্দ্রিয় ৫ গা থারগা তত্ব তকক্কা ভিন্নদুনা সুক্ষ্ম-শরীর—(লিঙ্গ শরীরনা) মপোক কয়ারক্কী হকচাং ওনখিবনি। প্রতিবিম্ব (মমি) পুম্নমক বিম্বগী শরুক ওাক্তনি। চক্ষু লিশিং অমরোমদা ঈশিং হৈজন্দুনা মুংশাদা থম্বদা চক্ষু খুদিংদা মুনিংকী মমি প্রতিবিম্ব (shadow) অমমম তাগনি।

তৌইগুম্বশুং হুমিগ্তি অমংক্তনি। অদুগুম্বনা জীব থুদিংমক্তা পরমেশ্বরগী মঙান মশেক (Ray) অমমম তারি। ঈশিংদা হুমিংকী মমি তাবগা হুমিংপু ঈশিংনা চোংহনবা ওমদবগুমনা মাযানা আত্মাবু কাজনবদি ওমদে। চফুগী ঈশিং হৈদোকখ্ৰগা হুমিংকী মমিনা হুমিত্ত হনজনখিবগুম অজ্ঞান মাংখ্রগা জীববু পরমাত্মাদা হনজল্লি। জীবগী অন্তঃকরণদা—মূল + অজ্ঞান লৈরি-বমখৈদি ব্রহ্মগা তোঙান্না লৈবগুম নিংহল্লি। প্রলয়গী মতমদা জীবগী সংস্কার মতুংইন্না মন (পুক্নিং) অমসুং জ্ঞানইন্দ্রিযশিংগী সংস্কার পুন্নমক প্রকৃতিদা থুপচন্দুনা লৈহৌই। সৃষ্টি (লৈশেমলকপা) মতমদা অমুক প্রকৃতিনা চিংশল্লকপদা হান্নগী পুক্নিং অমসুং জ্ঞানইন্দ্রিয় ৫ অদুনা জীববু চিংশনদুনা পুনশিগী মরু (seed) ওল্লকই। হকচাংশী মপু ওইরিবা জীবাত্মানা কর্ম্মগী ফল মতুং ইন্না অনৌ অনৌবা হকচাং অমমমদা চংশল্লকপা অমসুং কর্ম্ম ফল চাবা লোয়দুনা লিঙ্গ শরীরনা হকচাংবু থাদোকলম্মা খুদিংদা— পুক্নিং অমসুং জ্ঞান ইন্দ্রিয় ৫ অসি মুংশিংনা লৈগী লৈনম্ হুমদুনা পৃথিবগুম লোয়নদুনা চংশিনখি। জীবাত্মা নাকোং, মিৎ, উনশা, লৈযেং অমসুং নাতোনগা লোযননা শব্দ, স্পর্শ, রূপ, রস অমসুং গন্ধ কৌবা বিষয় মঙাবু ভোগ তৌদুনা লৈ। হৌখিবা প্রারব্ধ কর্ম্ম ফল মতুং ইন্না জীবগী— আযু (পুনশি) জাতি (মপোক) অমসুং ভোগ (মুংঙাইবা) অমসুং অরাবা ফংলিবা পুন্নমক ওইরক%। হায়বিবা জীবগী দশা পুন্নমক অসি চাব লোয়দুনা হান্নগী দেহ (হকচাং) অসি থাদোক্তুনা জীবাত্মানা দেহ অমদা চংশনখিবা অমদি দেহ অদুবা লৈদুনা ভোগ চাবা অমসুং সত্ত্বঃ রজঃ অমসুং তমঃ কৌবা গুণ অহুমগা পুন্না লৈমিন্নরিবা জীববু জ্ঞানগী মিৎ পাংলবা মীওইনা উবা ফংগনি অদুগা সাধনা তৌবদা

অজ্ঞানিশিংনা উবা অমসুং খংলুবা ঙমদে। ধ্যান যোগীশিংনা দেহদা থুপ্তুনা লৈরিবা আত্মাবু উবা ঙমই। আত্মতত্ব খংদবা অমসুং ধ্যান ধারনানচিংবা হৈতবা মীচমনা উবা ঙমদে। পরমেশ্বরগী অংশনা জগৎ অমসুং জীবদা চংহুনা লৈ হাযবসি খংহনবগী-দমক্তা খুদম পীহুনা তাকপীরি। পরমাত্মাগী চৈতন্য শক্তিনা জগৎ চৈতন্য অমসুং জীবগী চৈতন্য অনিমক ওইরকপনি। সুমিৎ থা অমসুং মৈদা লৈরিবা মঙাল (তেজনা) জগৎ পুম্বদা ঙাল্লিবা পুম্নমক্তী হৌরককম্মদি পরমেশ্বরনি। পরমেশ্বরগী ওজসনা (পাঙ্গলনা) পৃথিবীগী অন্নম্বাবু পুহুনা জীব পুম্নমকপু ধারণ তৌরিবনি (ঙাক লিবনি)। রস পুম্নমক্কী মশক ওইবা থা ওইরগা ফৌ, গেহু মহৈ মরোং—(মপুং ফারগা মথন্তনা শিজগদবা পাম্বী ঔষধ-শিংবু) য়োকখত্তুনা মপু ফাহল্লগা জীবশিংগী মচিঙ্গাক ওইনহল্লি। অমসুং থৱাই পানবশিংগী মশাদা চাবতুম্নবা মৈ (বৈশ্বানর) ওইরগা হকচাংদা জীবনীশক্তি চিংশনবা প্রাণ অমসুং হকচাংদগী কান্নদবা মচাক পুথোকপা অপান বায়ুগী মতেং লৌহুনা শাইহুনা চাগদবা, চুপ্তুনা চাগদবা, লেক্তুনা চাগদবা অমসুং থক্নদবা চিঞ্জাক মখল মরিমকপু তুমহল্লি। থৱাই পানবা খুদিংমক্কী হৃদিদা লৈরগা "অন্তর্য্যামিগী" মশক ওইনা পরমেশ্বরনা লৈহুনা স্মৃতি (নীংশিংবা), জ্ঞান (লৌশিং) অমসুং অনিমক মাংহনবা হায়বদি কাওহনবা পোকহল্লি। মরম অদুনা পরমেশ্বরবু জীব খুদিংমকনা খংফম অমসুং থিফম থোকপা জ্ঞানদাতা গুরুনি। বেদ শাস্ত্র হৈবা মথন্তনি। জীবগী দেহদা কর্ম্মগীফল চাবা জীবাত্মা-ক্ষর পুরুষ অমসুং সাক্ষী স্বরূপ ওইবা অন্তরাত্মা (কুটস্থ) অনি লৈ। অন্তরাত্মাবু—"অক্ষর পুরুষ" কৌই। জীব খুদিং-মক্তা লৈরিবা ক্ষর অমসুং অক্ষর পুরুষ অনি অসিদগী হেনগংপা—

অথোইবা পুরুষপু— পরমাত্মা হায়না থংনরি। মহাক্তি অমাং অতা লৈতবা, হোংবা লৈতবা ("অব্যয়") নি। নির্ব্বিকার (ফীবম হোংদবনি)। মহাক্না ব্রহ্মাণ্ড পুম্নমক্তা চংদুনা পুম্নমকপু পালন তৌরি। মরম অসিনা পরমেশ্বরনা মাংবা অমসুং হোংবা নাইবা পোংশকশিংদগীসু অমসুং ৱাখল লৌশিং লৈরিবা পুম্নমক্তগীসু পুমহেন হেনবা অথোইবা পরমেশ্বরবু পুরুষোত্তম্ কৌই। ক্ষর (সংসারগী পোংশকশিং) অমসুং অক্ষর সংসারগী বীজ স্বরূপ— মূল প্রকৃতিদগী (অব্যক্ত প্রকৃতিদগী) হেন্দোক থোইদোকনা লৈ। মী অদুনা মশামকপু স্থূলশরীর, সূক্ষ্মশরীর অমসুং কারণ শরীরদগী হেন্দোকপা আত্মানি হায়না খংজবা অমসুং থনজবা ওমলবা অদুবু "অসংমূঢ়" কৌই। অদুগুম্বা সাধক অদুনা জগৎ গুরু শ্রীকৃষ্ণবু পুরুষোত্তমনি হায়না চেংনা থাজবগা লোয়ননা নীংজবা ওমজরবদি ভগবানগুমনা সর্ব্বজ্ঞ (Omniscient) ওইবা ওমই। "ব্রহ্মবিদ ব্রহ্মৈব ভবতি"। অসিগুম্বা ফীবম অসি মী অমনা তাগদবদি— তপস্যা তৌদুনা মশাগী পাপ পুম্নমক মাংখ্রবা, মপুক্লিংদা বিষয়গী ৱাখল করিমত্তা লৈত্রবা, অপাম্বা পুম্নমক লৈত্রবা অরানখুবম (মুক্তি, নির্ব্বান) কন্না পামশল্লকপা মীশিংদা মথক্কী থুপলবা তত্বজ্ঞানশিং অসি তম্বীবদা মতিক চাগনি। হায়রিবা গুণশিং অসি অর্জ্জুনদা লৈ হায়না খংবদগী অর্জ্জুনবু শ্রীকৃষ্ণনা "অনঘ" পাপ লৈত্রবা কৌরি। অমসুং "ভারত" হায়নসু কৌবিরি। ভা= আত্মজ্ঞানদা,— রত= পামশল্লবা পুক্লিং চংলবা হায়বনি। পাপ লৈত্রবা, আত্মজ্ঞানবু পামলবা সাধকশিংন পুরুষোত্তম যোগদা শ্রীকৃষ্ণনা তাকপীরিবা সিদ্ধান্তশিংনা অসি থংবা হৈজরবদি— পোকচমনগী শৈং য়ানগনি। ইতি

পঞ্চদশ—অধ্যায় সমাপ্ত।

ষোড়শ অধ্যায়ঃ

১৬ শুবা অধ্যায়

"দৈবাসুর সম্পদ যোগঃ"

অধ্যায অসিগী মমিং "দৈবাসুর--সম্পদ--যোগঃ" কৌই। শ্লোক ২৪ থক্কনি। শ্লোক পুম্নমক শ্রীকৃষ্ণগী পাউতাক ঙাক্কনি। মথক্কী ১৫ শুবা অধ্যায়দা ত্যকপীখে,। মতুদি ঃ— জ্ঞান ইন্দ্রিয ৫ গা লোয়নরবা পুক্নিং (মন) না জীববু প্রকৃতি মায়াদা ফাজংদুনা থমই। মরম অসিনা পুক্নিংনা সংসারগা মরী লৈনহনবনি অমসুং সংসারদগী লান্নবা পাম্বৈসু পুক্নিংনি। পুক্নিংদা থুপ্পুনা সসাবগী বাসনা (অপাম্বা মুংঙাইনিংবা) নচিংবা অসি লৈরিবমখৈ সংসারদা জীববু ফাজন পুনশন্দুনা থমগদৌরিবনি। মরম অতুনা সসাবগী মরুদি পুক্নিদা বাসনাগী মশক ওইনা লৈববনি। পুক্নিংবু 'সংস্কার-পুঞ্জ নত্রগা বাসনাপুঞ্জ" হায়না খোনবসু য়াই। অনিংবা অপাম্বা রাখলগী মপৈনা পুনশল্লগা মীওইবগী রাখলবু হাংহন্দনা রাইচিন্না থমই। সংসারেগী বিয়হু,পুম্নমক্তনা— মায়া শক্তিগী গুণ অহুমনা জীববু পামহল্লি। পামহল্লিবা মাযা শক্তিগী মমিংবু "তুলা-অবিদ্যামায়া" কৌই। অতুগা মীওইবগী পুক্নিংদা পামহল্লিবা মায়ানা মূল— অবিদ্যা কৌই। পুক্নিংদা থুপ্পুনা লৈরিবা মূল অবিদ্যা অসি অনাসক্তি যোগনা মাংহল্লগা জীবনা সংসারদগী লাপ্থোরকপা ওন্মী। মরম অসিনা সাধক অমনা মুন্না য়েংশন্দুনা মশাদা থুপ্পুনা লৈরিবা সংসারুদা ফাজনগদৌরিবা বাসনা মখৈ থাদোক্কদবনি। বাসনা মথল অনিনি। মতুদি ঃ— শুভ-বাসনা (অফবা অপেংবা রাখল) অমসুং অশুভ-বাসনা (ফত্তবা শেংদবা রাখল)। পুরাণ শাস্ত্রদা সুর অমসুং অসুর (লাই অমসুং হিংচাবা)

মিচং অনি পুন্নুনা সমক্র নৈরগা অমৃতগী অমসুং হুগী চফু অনি তাওখৎলকপগী মারি অহু লিংশিংবীয়ু। অশেংবা সমক্রদি পুক্লংনি। মীওইবগী পুক্নিংদা ধর্ম্ম অমসুং অধর্ম্মগী মাখল পুনতুনা লৈরিবনি। অমৃতনা দেবসভানা থকহৌরগা হুমখৈনা যোগেশ্বর মহাদেবনা থকখি। মরম অসুনা শঙ্করবু "নীলকণ্ঠ" কৌখি। অশেংবা জ্ঞানবু শঙ্কর হায়রবনি। জ্ঞান যোগনা মশাদা লৈরমলিবা পাপ বৃত্তিগী মাখল পুম্নমক মাংহনবা ঙম্মী হায়না তাকপনি। সমক্র অমত্তদগী থোরকপা অমৃত অমসুং হু চফু বু মথংশিংদা শুভ বাসনা অমসুং অশুভ বাসনাগী মহৈ (ফল) বু তাকপনি। সত্বঃ গুণনা হেনবা জীবনা সংসারদগী লাম্থোরবা সাংনা তৌই। অদুগা রজোগুন অমসুং তমো: গুণনা হেনবা জীবনা সংসারগী মুংঙাইবা ফংনবগী-দমক্তা তৌহৈ তৌহৈদবা কর্ম্ম তৌই। মবম অসিনা রজো অমসুং তমোগুণদগী পোকলকপা মাখল মখৈ থাদোকলগা সত্বঃ গুণনা হেনগৎনবা হোৎনরগা সত্বগুণ অদুসু অমুক শেংদোকপা যাবমখৈ শেংদোক্লুনা শুদ্ব সত্বঃ ওইনবা হোৎনগদবনি। সত্বঃ গুণ মখৈবু দৈবিক সম্পৎ অদুগা রজো অমসুং তমো গুণ অনিবুনা আসুরিক সম্পৎ কৌই। মাফম অসি গীতাগী ৯ শুবা অধ্যাযগী শ্লোক ১২ অমসুং ১৩ শুবদা তাকপীখ্রবনি। সত্বঃ গুণনা দেব, রজো গুণনা আসুর অমসুং তমোগুণনা রাক্ষস কৌই। অশেংবা ধর্ম্ম অমসুং সত্যগী মঙালবু দেব অমসুং সংস্কারগী অপাম্বা মাখলনা "অসুর" অমসুং ফত্তবা পুনসি মাংগৎনবা শানা চেনগদবা পুকচেলবুনা "রাক্ষস" কৌই। স=মঙোন্দগী ইশাবু; রক্ষ=ঙাকহোগদবা হায়বনি। মীওইবগী পুক্নিংদা বাসনা ওইনা দেবত্ব, মনুষ্যত্ব অমসুং পশুত্ব অহুম্মক পুন্নুনা লৈ। ভগবাননা তাকপীরিবদি মীওইবগী অমসুং শাগী মাখল অসি থাদোকলগা দেবত্ব (ম্যাইগী মাখল) চেন্নু

হায়বা সিনি। মতম অত্তুদা অমৃত থকপা ফংগদবনি। হায়বদি মুক্তি ফংগদবনি। অহানবমক্তদা দৈবিক সম্পৎ শীংথারকপদা (১) অভয়ং = কীদবা, শাস্ত্র অমসুং গুরুনা তাকপা সাধনা তৌবদা অকিবা অমসুং মুংশা থিবা থাদোকপা অমসুং মতোন্দগী কনাগুম্বা অমদা অকিবা ফংহন্দবা। (২) অন্তকরণ শুদ্ধি—পুক্নিং ৱাখল শেংহনবা নত্তবা ওইদবা অৱানবা শাজৎ লমচৎ থাদোকপা—(৩) আত্ম জ্ঞান তাবা যোগদা মায় ওনশনবা (৪) দান = মশাগী ওইজবা থাদোক্তুনা মতিক চাবা মফমদা পীথোকপা, দমঃ = ইন্দ্রিয় সংযম তৌবা, যজ্ঞ-মশাগী ওইজবা থাদোক্তুনা ঈশ্বরনা পেন্নবা অমসুং জীবশিংগী কান্নবা থবক তৌবা, (৮) স্বাধ্যায় = ঋগবেদনচিংবা শাস্ত্র শিংবু তম্বা অমসুং পাঠ তৌবা, (৯) তপ = ইশাগী নুংঙাইবা থাদোক্তুনা লাইনিংবা অমসুং ধ্যান তৌবা, (১০) আর্জ্জবম্ = পুকচেল ইতিং তিংবা, লোথুপ লোকোই লৈতবা, (১১) অহিংসা = কনাগুম্বা অমগী থক মাংনবা তৌদবা, (১২) সত্যম্ = অচুম্বা ৱা ঙাংবা, (১৩) অক্রোধ = অশাওবা থাদোকপা, (১৪) ত্যাগ = সংসারগী ভোগ নুংঙাইবা থাদোকপা (১৫) শান্তি = মতম চুপ্পদা পুক্নিং ইংথনা লৈবা, (১৬) অপৈশুনম্ = পুকচেল পীক্তবা, (১৭) দয়া = থোজাল হৈবা, (১৮) অলোলুপ্ত লৌনিং চানি বা লৈতবা, (১৯) অচাপলম = ইথক থকপা ঈপা পাখৎপা লৈতবা, (২০) হ্রী = অৱানবা থবক তৌবদা ইকাই থিগনবা, (২১) তেজ = অফবা থবক তৌবদা মরিল পানবা, (২২) ক্ষমা = ঙাকপী হৈবা (২৩) ধৃতি = তপথবা ইংথবা (২৪) শৌচম = হকচাং মমুং মপান শেংবা, (২৫] অদ্রোহ = কনাগুম্বা অমগা য়েক্নদবা (২৬) নাতিমানিতা মশাগী নাপল লৈতবা হায়রিবা গুনশিং অসি দৈবীসম্পৎনি। শুভ বাসনা মপুক্নিংদা হেন্না য়াওরকলবা মীতানি। অত্তুগা অশুভ বাসনানা হেন্না

পোকলকলরা মীতাশিংগী পুকচেল খোইজেলনা— (১) দম্ভ=, ঐনা মহেক্লে হায়রা চাওথোকপা, (বিদ্যা, বুদ্ধি অনথুম মীনা ইকাই খুম্নবদা ঐ মঙ্গাইরে হায়না মশাগী লৈজবা শক্তিদগী হেল্লোক্না অতোপ্পদা উংপা), (২) দর্প— মশাগী মতিক মগুন অদু উত্তুনা চাউথোকপা, (৩) অভিমান— মরল্লাইগী ওইবা রাখলদা য়েংবা, (৪) ক্রোধ= শাওগনবা, (৫) পারুষ্যং= তমথিবা (জীবনু মুংশিন্ন হৈবা) অমসুং অজ্ঞান— বুদ্ধি বিচারগী মথা পোলবা তৌনিংরভা তৌবা পুকচেল খোইজেল অসি আসুরিক সম্পৎ চেনবা মীদা লৈ। দৈবিক সম্পৎ মথৈনা বিদ্যা মায়াদগী পোকপনি ধর্ম্ম তান্নবা অমসুং ঈশ্বর ফংবা পাম্বৈনি। অদুগা আসুরিক সম্পৎনা অবিদ্যা মায়াদগী পোকপনি সংসারগী মায়াদা ঈরাকুবা পুকচেলনি। আসুরিক সম্পৎ মথৈ থাদোকলগা (অশুভ-বাসনাবু শেংদোলগা) শুভবাসনাদা— দৈবিক সম্পৎতা চংশল্লবা (অফবা মী অমা ওইরবা) হান্না হোৎনগদবনি। অফবা মীনা অফবা কর্ম্ম তৌবা ঙমগদবনি। “(Be good than do good)” (Swami Sivananda) পুকচেল খোইজেল ফজবা মীনা মপুনশিদা— সাত্বিক ওইবা থবক পাংথোকরকপা ঙম্মী।

সুর অমসুং অসুর হায়বদি মীওইবগী শাজৎ অমসু লমচংকী মতুং ইন্না খাইবনি। পুকচেল খোইজেল ফজবা, জ্ঞান লৈবা অমু অফবা থৱাইগী কান্নগদবা থবক তৌথোকরকপা মীওইশিংবু দেবতা অমদি সুর কৌই। অদুগা মশাগী ওইজবা য়েংবা ধর্ম্ম লৈতবা মরমচৎ কাম্বা মপুকচেল ফত্তবা মীশী নাংনবা তৌবা কাংবুবু অসুর (হিংচাবা) কৌবতনি। দ্বিতিয় অধ্যায় (অনি শুবা অধ্যায়দা) স্থিতপ্রজ্ঞশিংগী খুদম, ১২শুবা অধ্যায়দা ভক্তগী খুদম, ১৩শুবা অধ্যায়দা জ্ঞানি অমগী খুদম অমসুং ১৪শুবদা

গুণাতিত অমগী খুদম ময়ামশি অদো দৈবিক সম্পংকী খুদঃ ওাক্তনি। অশুভবাসনা আসুরিক— সম্পৎ অসিগী হৌরককম মুয় খংলগা পুনশিগী সাধনা খুদিংমক্তা মহৈ য়ালহনবিংবা কাংবুমথৈন ময় ফুকনা মাংহনবা হোংনগদবনি। মরমদি জীববু মাংহল্লিবা মূল অবিদ্যা মায়া অসিনি। জীববু অবিদ্যা মায়া অসিনা কুপ শিনভুনা খমখিবদগী প্রবৃত্তি— (কর্ম্মযোগ) অমসুং নিবৃত্তি (জ্ঞা যোগ) অনিমক্কী তত্ত্ববিচার অসি খংবা ওমদে। গয়ম অহুন মখোয়গী মশাদা অমাং অশেং, আচার বিচার করিমত্তা লৈতে অমসুং সত্যগী ওনতৈয়বা অয়ানবা চুমদবা থবক তৌবদা হৃদ্রেংব লৈতে। পরমেশ্বর লৈবদগী জগৎ অসি অয়েপ্পা নিযম (পথাপ অমগী মথাদা লৈরিবনি। জীবশিংনা তৌক তৌরুবা অফ ফত্তুর মহৈ ফংলিবনি। হায়বসি মখোইনা থাজবা ওমদে। অমসু হৌথিবা মপোক্তা তৌরু তৌরুবা অফ ফত্তগী কর্ম্মফল মতুং ইয়া হন্দক্কী মপোক অসিদা চায়বগীদমক্তা পোকলবিবনি হাযবসি শুকথা থাজদে। মখোইগী মত মতুং ইয়া মুপা মুপী য়ুম্বায়রগ হেক্তা পোকলকপনি। হিংলবদি মশা মুংঙাইনবতা হোংনগদবনি হায়বসি খল্লি। চাউজনিংবা, মুংঙাইমিংবা অমসুং ময়াইকাবদগী চুমদবা অয়ানবা তৌহৈদবা থবক কয়া কয়া তৌবক্তুনা মীওইবা সমাজদা অশান্তিঃ পুশল্লকই। হিংলিবমথৈ মশা মুংঙাইনা হিংনবা চাবথকপা শেংপা অমসুং কোইবদা অমসুং ইন্দ্রিয়শিং অমসুং মপুক্লিং মুংঙাইনবা হোংনবদা য়াখলদা নাক য়েংৎ মাইগৈ চাঃ চামদা পুনশনবা অপাম্বা অশাওবা পোকহনবা সংসারগী মুংঙাইবা (কাম) ফংনবগীদমক্তা অয়ানবা পাপ চেনবা থবক তৌভুনা লল-থুম তানশল্লি। শেলতনা সংসারগী মুংঙাই য়াইফবা পোঃ য়ক্কদবনি হায়বসি চেংনা থাজে। তাল্লিবমথৈসু— লল-থুম অসি চন্না হন্না ফংথিগদবনি।

জড়বাদি (Matterialist) ওইরা নাস্তিককী মত অসি, লৌছ্না হন্দকী মপোক অসিদা। ওস্বামথৈ়া মুংঙাইহৌরগা লোয়রে হায়বা রাখল অসি থন্দুনা। আসুরিক-সম্পংকী রাখল চেনবা মীওইনা মশাগী শক্তি পুন্নমক পাপকী থবক তৌদুনা মীওইবা সমাজদা অশান্তিঃ পুশল্লকই। পেনবা নাইরবোইদবা সংসারগী বিষয় ভোগ মৈদা ঘা হৈজল হৈজরগা মৈরি কনবা হেমগৎ-লকপগুমনা সংসারগী মুংঙাই য়াইফবা কামগী মৈদা মপুনশিংগী শক্তি পুন্নমক হৈজন্দুনা ময়াইকাহনবা, চাউথোকপা, লমহেনবা মী অমা ওইদুনা অমাংবা শেংদবা পুনশি মাংগদবা শা-ঙা, হাংপা ময়াইকাবা নেশা পুবা য়ু, গঞ্জানচিংবা থক চাবা য়াওবা ঈরাং পুজানচিংবা ব্রত তৌদুনা মতিক মগুণ চাউনবা হোৎনরকই। মথোইনা চেল্লিবা পুকচেলদি— মশাগী মুংঙাইবা তানবা "ভোগী" অমা ওইরগা লোয়রে হায়বসিনি। মবল মথুম লৈবদা, মতিক মগুণ চাওবা সঙ্গ ফবদা মহাক্কা মান্নব। লৈতে। হায়বসি থল্লকই। মহাক্কী য়েক্কবা লৈহল্লোই মথং মথং মাংহনগদবনি হায়বসি থল্লি। মীচং কনবা মী অমা ওইনবা লল-থুম পৈশনগদবনি শেলনা মী খোম্বা য়াগনি হায়বসি চেৎনা থাজৈ। মীনা তৌবা ওন্নদবা "যাগ যজ্ঞ" তৌদুনা মিংচং শন্দোক্কনি। অনস্থুং অতোপ্পনা ইকাই খুমহদগনি হায়বা মশাগী নাপল য়াম্না হেনগৎলকই। অচাওবোল য়াম্না পাম্বা মরমদগী অফবা মীওই পুকচেল খোইজেল ফজবা সংজ্জনশিংবু উশিং থৌওইরক্তে। মপুক্লিংগী মশা মরোং মরোং লোংলবা রাখল চোইরবা কামভোগ মপুক্লিং চংশ্রবা মীওইশিং অসি লাম্থোকপদা রাবা, তুক্কচনবগী মশক ওইরবা নরকতা তাদুনা অরাবা ফংই। মথোইনা মশাদা থুগু না লৈরিবা অমস্থুং অতোপ্পাগী ১হন্দিদাসু থুগু না লৈরিবা আত্মাবু খংবা অমস্থুং উবা

ওমদে। মরম অহুনা হন্না হন্না মপোক খুদিংদা হুহবা মপোক্কা পোক্কুনা পরমগতি— অরানবা খুবম ফংবা ওমদে।

নরককী মায়গেদা চিংশল্লিবা কল্লবা থোরিদি— কাম, ক্রোধ অমসুং লোভ (অপাম্বা, অশাওবা অমসুং মীহোৎবা) অহুম অসিনি। অহুম অসিবু জয় তৌবা ওমলবদি জীবাত্মাবু মথকলোমদা কাথংহনবা ওম্মী। পুক্লিং শেংলকই। অমসুং শাস্ত্রগী মতুং ইন্না সাধনা তৌরক্কুনা অথোইবা খুবম (পরমগতি) ফংবা ওমলকই। তপস্যা তৌহুনা মপুক্লিং শেংলবা ইন্দ্রিয় অমসুং মপুক্লিংবু ফাজনবা ওমলবা ঋষিশিংনা লেংহুনা থম্বীরমলবা শাস্ত্রশিংবু থৌওইদ্রবা অমসুং থাজদ্রবা মীওইশিং অদুদি— মপুনশিংদা অশেংবা সুংওাই-বসু ফংলোই অমসুং অরানবা খুবমসু; তানবা ওমলোই। মরম অসিনা পুনশিগী সাধন খুদিংমক্তা ঋষিকৃত শাস্ত্রশিংগীনা প্রমাণ তৌবা মথে ওাকফম থোকই। কৈদৌওৈদসু শাস্ত্রগী বিধানবু থাদোকফদে। মরম অসিনা অহানবদা শাস্ত্রদগী ধর্ম্ম অমসুং আত্মাগী তত্ত্ব খংলগা পুনশিগী লানফম থেংনগদবনি।

ইতি ষোড়শ অধ্যায়।

সপ্তদশোহধ্যায়ঃ

১৭ শুবা অধ্যায়

"শ্রদ্ধাত্রয় বিভাগ যোগঃ"

অধ্যায় অসিগী মমিং "শ্রদ্ধাত্রয় বিভাগ যোগঃ" কৌই। শ্লোক ২৮ থকনি। অর্জুনগী হাহং অমনা শাবা শ্লোক অমা

অমসুং শ্রীকৃষ্ণগী পাউতাক [উপদেশমূলক ওইবা] শ্লোক ২৭ থকনি। আসুরিক সম্পৎনা হেনবা, থায়নগী মুনি ঋষিশিংনা তাকপী তঙৈবগা শাস্ত্রগী বিধিবু থৌওইদবা মীওইশিংনা মশানা পামজবা অমসুং থাজবা অমগী মতুং ইন্না ধর্ম্ম কর্ম্মগী থবক থবক পাংথোকলিবা অমসুং মথোইগী আচার বিচার, আহার-বিহার [লমচৎ রাখল—চিঞ্জাক থৌওং] শিং অদু কমদৌবগে অমসুং করি করি কান্নবা ফংবগে ? হায়বসি অর্জ্জুনগী রাহংনি। মদুগী পাউখুমদা শ্রীকৃষ্ণনা তাকপীরকলি। হৌখিবা মপাক কয়ামরুদগী ৫েন্নকপা গুণ অমসুং কর্ম্মগী সস্কারনা মী খুদিংমক মরম্লাইগী ওইবা অপান্বা অমসুং থাজবা অমমম লৈ। অমগা মান্নদে। মায়াগী সত্ত্বঃ, রজঃ অমসুং তম গুণ অহুমনা খুমন্নুনা মীওইবগী রুচি অমসুং শ্রদ্ধা [পামজবা অমসুং থাজবা] তোঙান তোংঙানহল্লি। মান-হন্দ্রিবা পুম্নমক মায়াগী শক্তিনি। শাস্ত্রনা তাকলিবা বিধি অমসুং নিষেধ [তৌহৈবা অমসুং তৌহৈদবা] পুম্নমক শন্না হায়রবদা পুক্লিং অমসুং ইন্দ্রিয় পুম্নমকপু সংযম তৌরগা চিত্তশুদ্ধি [থম্মোয় শেংদোক্নবা] পাম্বৈ ওাক্তনি। অরানবা অমসুং অশোইবা আচার বিচার চুমথোকলগা সদাচারী অমা ওইবা ঙমলকই। সদাচারী অমা হেক ওইবা ঙমগ্রি ফাওবদি-সৎজ্ঞান ফংবা ঙমখিরোই। মরম অদুনা আত্মজ্ঞান তানবা পামলিবা মীওইশিংনা রজো অমসুং তমো-গুণদগী পোকলকপা—পুকচেল থোইজেল, লমচৎ-শাজৎ, চিঞ্জাক পুম্নমক থাদোকলগা—"সাত্ত্বিক শ্রদ্ধা" পোক্নবা হোৎনগদবনি। মথক্তী অধ্যায়শিংদসু হন্না হন্না হায়খ্রে। মদুদি মওইবগী মপোক অসিদা ধর্ম্ম-কর্ম্মগা সাধনা তৌবা ঙম্মী। অদুগা অতৈ মপোক্তদি শুকওম ঙমদে। মরম অসিনা পুক্লিংদা থুল্লুনা লৈরিবা অশুভ-বাসনা অমদি দুর্ব্বাসনাবু তকথোক্নুনা শুদ্ধিবু তন্ন তন্ন হনগদবনি।

থম্মোয় লুরবা শকয়েং মিংশেলগুম্বনি। রজো-অমস্তুং তমঃ গুণনা উকুপ রাইফুলগী মশকনি। হৌখিবা মপোক কয়ামুক্তগী চিত্ত-ভূমিদা চুশনহুনা লাকলবা সংস্কারশিংনা মীওইবগী স্বভাব [হৌনশা Nature] ওইরকলিবনি। মুমিং থুদিংগী হয়া হয়া তোইনা তৌবা থবকনা মক [বীজ seed] ওহরগা পুনশিদা হৈনখিবা পাম্বী অমা ওইনা হৌরকই। হৈনখিবা শ'জং লমচং ময়ামনা পুনশন্নগা ইশাগী লমচং ওন্নকই। লমচংগী মীওইবগী লাইবক ওন্নকই। আচারদগী বিচার ওন্নকই। মরম অসিনা শাস্ত্রগী সিদ্ধান্ত মতু ইন্না ইশাগা অচারবু সদাচার ওইনবা লাক্লগদবনি। "আচারো প্রভবধর্ম্ম"। আচারদগা ধর্ম্ম পোকলকই। মীওইবগী পুনসিদা-দেবত্ব, মনুষ্যত্ব অমসুং পশুত্ব [লাই, মী, শা] অহুমকী শক্তি থুপ্তুনা লৈরিবনি অশ্নানী কান্নবা থল্লিবা জ্ঞানশক্তিনা দেবতা অমসুং মুঙাহ য়াইফবা তানখংনবা শক্তিনা মী অমসুং চাবা, থকপা, তুম্বা, হিপ্পা, যেরুববু কবা অমসুং য়ুম্বানবগী মুংঙাইবা পাম্বানা শাগী শাজংনি। মবম অসিনা সত্ত্বঃ গুণ চেনবা মীওইনা মশাদা থুপ্তুনা লৈরিবা দৈবিক শক্তিবু চাওখৎনবা দেবতাশিংবু নিই। অদুগা মীকোক থোংনবা, ললথুম লৈনবা অমসুং মুংঙাই য়াইফবা ফংনবা রজোগুণ চেনবা মীনা যক্ষ রক্ষশিংবু নিংই। অদুগা তমোগুণ চেনবা মীনা ভূত-প্রেতনচিংবা তামসিক ওইবা অমাংবা লাই নিংই। যক্ষ রক্ষ অমসুং ভুত প্রেত নিংহুনা সিদ্ধ মচা মচা ফংবা তাল্লিবা কাবুন আত্মজ্ঞান ফংবা ওমদে। অমসুং মশাদা থুপ্তুনা লৈরিবা দৈবিক শক্তিসু বিকাশ তৌবা ওমদে। ঋষিকৃত-শাস্ত্রশিংদা তাকপী তারমলিবা-ব্রত অমসুং তপস্যাশিংদি আত্মজ্ঞান ফংনবা ওাক্তনি। অদুগা রাজসিক অমসুং তামাসিক ওইবা সাধনা কয়ামরুমসু লৈর তন্ত্র মন্ত্র হোম জপকী সাধনা

তৌবদা চারা হেন্দুনা মশাগী পঞ্চভূতবু কংশনহনবা অমদি পরমাত্মাগী অংশ ওইরবা জীবাত্মাবু রাহনহুনা করিগুম্বা সিজ্ঞ অমা কংগে তাত্রিবা লাইনিং অহু গীতা শাস্ত্রনা সমর্থণ তৌদে।

গুণ অহুমগী মতুং ইন্না মীওইবগী স্বভাব তিন্নদবদগী আহার (চিঞ্জাক) যজ্ঞ, তপ অমসুং দানসু মখল অহুম থোকই। সত্বগুণ চেনবা মীওইনা পুনশি তোলোইগদবা, পাঙ্গল হাপকদবা, অনাবা কহনগদবা, পুক্লিং মুওাইগদবা মহাও চেনবা (রস য়াওবা) মেংবা, মচী ওইবা, থামায় কহনবা, শঙ্গোম, ঘী, মাখন খোইহী হৈরা, মনা-মশিং, চেং, মুগ গেহনচিংবা অশেবা চিঞ্জাক "সাত্বিক আহার" চাই। অহুগা রজোগুণ চেনবা মীনা যান্না শাবা মোরোককুম্বা, য়ান্না শিনবা মঙ্গেগুম্বা, য়ান্না য়াকপা উতিগুম্বা চিং চিং লাউবা হংগাম আচারনচিংবা অমসুং শাঙা অতেকপা মরেক মহাও কনবা, তিলগৌ চনম্ মসলা য়ান্না থাকপা চিঞ্জাকশিং চানিংই।

তমোগুণ চেনবা মীওইনা অপুন অশা, চক্লিক, মনম নমখিবা ঙারি ঙাতাই, মীগী লুখাক, গঞ্জা কানি, য়ু-নচিংবা তুকচনবগী মশক ওইরবা চিঞ্জাকশিং অহু পামই। রাজসিক অমসুং তামসিক ওইবা চিঞ্জাকশিং অসি থাদোকলগা সাত্বিক আহার চারগা চিত্তশুদ্ধি ওইবা হেল্লি। মহৌশানা হকচাং শোকদবা ফত্তবা চিঞ্জাকশিংবু "জাতীয় দোষ" য়াওবা চিঞ্জাক কৌই। থোং থাকপা অমসুং থম্বদা শোয়দুনা ফংহন্দবা চিঞ্জাকশিং হায়বদি অমোং, অকাই তীল কাং, হয়িং ককচেংনচিংবা য়াওবা শম খুজিল-নচিংবা অমাং অশোই য়াওবা চিঞ্জাকপু "নিমিত্ত দোষ" কৌই। অদুগা চিঞ্জাকশিং অহুনা মশানা ফজরবসু য়ান্না লিকপা, মী পীজনিংদবা, পাপচেনবা, হুরান চিঙ্খি তৌবা থাগী খোংকাপ

লাকপা মুপীনচিংবীনা থোং থাকপা অমসুং পীজরকপা অমদি— শোকলকপা চিঙ্গাকশিংবু "আশ্রয় দোষ" কৌবা চিঙ্গাকনি। মরম অদুনা চাব থকপদা সাধক অমনা দোষ অদুম অসি লৈতবা চিঙ্গাক চাগদবনি।

সত্ব গুণ চেনবা মীওইনা যজ্ঞগী মশক ওইনা তৌরকপা থৌরম পুম্নমক্তি জীব পুম্নমক্কী কান্নগদবা অমসুং ঈশ্বরনা পেনবী-গদবা ভাক্তনি। মশাগী ওইজবা থাদোকই। অদুগা রজোগুণ চেনবা মীনা তৌরকপা যজ্ঞনা লন্থুম ফংনবা, মমিং চৎনবা, মীনা উশিং থৌওইনবা মুংঙাই য়াইফবা অমা ফংনবগীদমক্তা তৌরকই। অদুগা তমোগুণ চেনবা মীওইনা শাস্ত্রবিধি তুংওইনৈ। মীবু পীজ পীথক্তে। দান তৌদে। দক্ষীনা য়াওদে। শ্রদ্ধা লৈতে। বেদনচিংবা শাস্ত্রশিংগী মন্ত্র শোনদে। মীনা তৌনৈ হায়বদগী= মফম মরাং থংদনা তৌই।

সত্বগুণ চেনবা মীওইশিংনা— দেবতা, সদব্রাহ্মণ, আত্মজ্ঞান লৈবা গুরুশিংবু পূজা তৌই। পুকচেল শেং ই। অমাং অশেং থাই। ব্রহ্মচর্য্য অমসুং অহিংসা ব্রত তৌই। মসিবু "শারীরিক তপস্যা" কৌই। অদুগা মহাক্না ঙাংথোক শকতোরকপা রাহৈ রাংবা পুম্নমক কনাগুম্বা অমগী পুক্কিবু ঈথক ঈরাং হোৌরোইদবা অচুম্বা (সত্য) মুংশি হৈবা অমসুং কান্নবা রাফম ঙাক্তা শিজন্নে। শাস্ত্রবু (অধ্যাত্মিক জ্ঞানবু) পাবা, তম্বা অমসুং নৈনবা (চর্চ্চা) নচিংবদা মশাগী বাকশক্তি (রহৈ থোঙ্খোকপু) শিজন্নে। মসিবু "বাঙময় তপঃ" কৌই। মপুক্কিদা অৱাবা (মুনাংনবা উত্তবা) মতম চুমদা ঈপেনদা পেনবা) তমথিবা পুকচেল চেন্দবা, বাক-সংযম (য়ারেম থৌরেম ঙাংদবা) পুক্কিং ফাজনবা অতোপ্পা মীগা লোয়নবদা জিন্নবদা মিনম শোরিদবা, লৌথুপ লোকোই লৈতবা

অসিবু "মানসিক তপস্যা" কৌই। মথকী তপস্যা অহুম অসিবু করিগুম্বা মহৈ অমত্তা কংগে নিংঙনা ঈশ্বরদা পুক্লিং অমি লোংদনা শ্রদ্ধাগা লোয়ননা ভাকপা মী অদো "সাত্ত্বিক তপস্যা" তৌরবা মী অমা কৌই। মীনা ইকাই খুম্নবা, উপিং থৌওইনবা চাউ-থোকপা অমগা যাওবা ধর্ম্ম-কর্ম্মগী থবকশিং অদুবু "রাজসিক তপস্যা" কৌই। মশাদা অরাব' পীতুনা মখল মথা অযাম্বা বশীকরণ (মীবু শুমহৎপা) তারণ— মারণ উচ্চারণনচিংবা তান্ত্রিকী সাধনা (পোশেম যাতুন চি'বা পৌ লা) তৌব্রিবা অদুবু 'তামসিক তপস্যা" কৌই।

দেশ-কাল পাত্র (মফম, মতম অমসুং মীওই) গী মতিক চাবা যেংলগা ততোপ্পগী কান্নবগীদমক্তা থুল্লং লমনগী রাখল থাদোক্তুনা দান তৌই। মসিবু "সাত্ত্বিক দান" কৌই। মশাগী ওইজবা অমদি মাংহন্দনা তুংগী ওইজবা অমা ফংনবগী আশাদা পুক্লিং রানা পাম্মু পাম্মুনা থুল্লং লম্মনগী মওংদা তৌব্রিবা দান অদুবু "রাজসিক দান" কৌই। অতুগা মতম চাদনা মফম যেংদনা উপিং থোওইদনা পুক্লিংদা অকবা রাখল থন্দনা তৌখিবা দানবু "তামসিক দান" কৌই।

যজ্ঞ, তপ অমসুং দাননচিংবা সৎকর্ম্মশিং তৌদবা "ওঁ তৎ সৎ" হায়বা পরমেশ্বরগী নাম অসি ব্রহ্মজ্ঞান লৈরবা মুনি ঋষি-শিংনা শোন্নরকই। প্রজাপতি ব্রহ্মানা নাম অসি শোল্লগা কর্ত্তা (থৌবু) করণ (শিজন্নগদবা মচাক অমসুং খুৎলু) অদসুং কর্ম্ম (থৌরম) ওইনা ব্রাহ্মণ, বেদ অমসুং যজ্ঞ অসি পুথোকপীরম্মী।

ওঁ=অ+উ+ম=অনা মফম খুদিংমক্তা শিনথুম্নয় লৈবা সর্ব্ব ব্যাপক; উ=সর্ব্বশক্তিমান— তৌওমদবা লৈতবা; ম=সর্ব্বজ্ঞ পুন্নমক খংবা। সৃষ্টি, স্থিতি সংসারগী মপু ব্রহ্মা, বিষ্ণু অমসুং মহেশ্বর— ত্রিতত্ত্ব মথৈবু খংনগনি।

তৎ—স্থূল সূক্ষ্ম অমসুং কারণ শরীর অহমদগী হেন্দোকপা অসঙ্গ, অনাসক্তি, অকর্ত্তা অভোক্তা (অপাম্বা, কান্নবা মশাগী মাপল লৈতবা) সাক্ষী স্বরূপপু খংনগনি। তৎ—নিংশিংলগা নিষ্কাম ভাবতা অনাসক্ত ওইনা কর্ম্ম পাংথেক্নি।

সৎ—হোংবা নাইরিব, অবেপ্প লৈতবা, সংসারগী খোংচত্তা মূলাধার ওইনা জগৎপু ধারণ তৌরিবা (তাইবংপান্নবু ঙাক-লিবা মপু), জগৎকী নিয়ন্তা (নোংদম্বা) বু 'সত্য" কৌই। জগৎ সংসার অসিনা গতিশীল অমদি ক্রিয়াশীল (লেপ্তুনা থবক তৌবা শক্তি) ওইরগা সৎ—স্বরূপনা শক্তি আসিগী কেন্দ্র (centre) ওইরি। গাড়িগী চাক্কানা কন্না লৈজবা ঙমলিবসি থব্না (হংজে Action) গী মপাননি। অদুগুম্না প্রকৃতি শক্তিনা পাংথোকলিবা থৌরম খুদিংমক পরমেশ্বরনা শক্তিমাৎ ওইবিবিবনি। মরম অদুনা সত্য স্বরূপ ভগবাননা স্থিতিশীল (লেংদবা অরেপ্পা Static power) নি। পরমেশ্বরনা জীব খুদিংমকী হৃদিমন্দিরদা অন্তরাত্মা ওইদুনা জীব অদুনা তৌক তৌকবা কর্ম্ম পুম্নমকা ফল (মহৈ) পীনবীবি। মরম অদুনা সত্য স্বরূপ ভগবানবু "কর্ম্মাদক্ষ' কৌই। জীবদা কর্ম্ম পুন্নমক তৌবা ঙম্নবা শক্তিসু পীবীরি। ঐগোথনা সৎ—স্বরূপ নিংশিংলগা পুক্নিং হকচাং অমসুং রাইদুনা সত্যবু পালন তৌবা ঙমজরবদি সাধুভাব চেনবা ঙমলকই। অশেংবা, অফবা, তচুম্বা, আচার অমসুং বিচার লৈবা ঙমলকই। পুনশিবু সাধনা রোমদা ওনশল্লগা সেবা ভাবতা কর্ম্ম তৌবা ঙমলকই।

শ্রদ্ধা হায়রগা শাস্ত্র, গুরু অমসুং অন্তরাত্মা ওইনা লৈরিবা পরমাত্মাদা চেৎনা থাজববু খংনগনি। অদুম অসিদা থাজবা য়াওদনা তৌরিবা কর্ম্মশিং মথৌদি অসৎ কৌই। মরম অদুনা

যজ্ঞ, দান অমসুং তপঃনচিংবা ধর্ম্ম কর্ম্মগী থৌরম খুদিংদা শ্রদ্ধাগা লোয়ননা পাংথোকদবনি। শ্রদ্ধা লৈত্রবদি— ইহলোক (হন্দকী মপোক) অমসুং পরলোক (মতুংগী মপোক) কীসু করিমত্তা কান্নবা ফংলোই। মরম অসিনা সাত্বিক শ্রদ্ধা লৈরগা আত্মজ্ঞান ফংগনি। অমসুং অথোইবা খুবম (পরমগতি) য়ৌবা ঙমগনি।

ইতি সপ্ত-দশ-অধ্যায়ঃ।

অষ্টাদশোঽধ্যায়

১৮শুবা অধ্যায়

"মোক্ষ যোগঃ"

গীতাগী অরোইবা অধ্যায় অসিগী মমিং "মোক্ষ যোগঃ" কৌই। খ্বাইদগী হেন্না চাওবা অমসুং মপুং ওইবা মতাংনি। শ্লোক ৭৮ থকনি। অর্জ্জুনগী রাহং অমসুং পাউখুম শ্লোক ২থক্তনি। শ্রীকৃষ্ণগী পাউখুম শ্লোক ৭১নি। লেমহৌরিবা শ্লোক ৫ থকনা সঞ্জয়না ধৃতরাষ্ট্রদা তাকপা রাকমনি। অধ্যায় অসি গীতাগী উপ-সংহারনি; মথক্তা হায়খ্রিবা রাকম পুন্নমক পুনশল্লগা মল্ল মল্ল ওইবা রা পুন্নমক শমজন্না তাকপা রা লোয়শনকম (conclusion) নি।

ইহান হানবদা অর্জ্জুননা খংনিংলিবা তবদি— সন্ন্যাস অমসুং ত্যাগ অনিগী মরমদনি। মরমদি— শ্রীকৃষ্ণনা মথক্কী অধ্যায় শিংদা কর্ম্ম থাদোকফদ হায়না তাকপীরগা অমুকসু সন্ন্যাস

নত্রবদি আত্মজ্ঞান ফংবা ঙমদে হায়না খর। নৈশনবা ৱাকম য়াওখি। মহুগী পাণ্ডবশিংদা শ্রীকৃষ্ণনা প্রবৃত্তিমার্গ অমসুং নিবৃত্তিমার্গ অনি-মক্কী তত্ত্ব অদু তাকপীরকখি। প্রবৃত্তি মার্গবু কর্ম্মযোগ কৌই। অদুগা নিবৃত্তি মার্গবু সন্ন্যাস যোগ কৌই। অনিমক্কী লক্ষ্য (পন্থুংফম Goal) অমত্তনি। মীওইবগী অধিকার (মতিক মপা চাবা) মতুং ইন্না সাধন মার্গ অনি অসি লৈবনি। বেদশস্ত্রনা অয়াম্বা মীওইশিংগী কান্নবগীদমক্তা পুনশিগী অহানবা শরক্তা ব্রহ্মচর্য্য পালন তৌদুনা ধর্ম্ম তানগনি। অনিশুবকপা শরক্তা অর্থ অমসুং কাম (লন অমসুং যুমদা পানবা) অহুম শুবক-পদা, ইন্দ্রিয়শিং অমসুং প্রকৃতিবু সংযম তৌনবা বানপ্রস্থ অমসুং অমসুং পুনশিগী অরাইবা শরক্তা আত্মজ্ঞানদা লুপ্তুনা সংসারগী কর্ম্ম পুম্নমক থাদোক্তুনা সন্ন্যাস লৌবা অশ্রম মরি অসিবু "পুরুষার্থ" কৌই। কর্ম্মযোগ কৌই। অদুগা গৃহস্থগী ব্রহ্মচর্য্য আশ্রমদগী সন্ন্যাস হেক্তা ওইখিবা অসিনা সন্ন্যাস যোগ অমদি সাংখ্য যোগ কৌই। সন্ন্যাস যোগ অসি চংপা তারবদি সত্ত্বগুণ চেনগদবনি। সংসারগী অপাম্বা পুম্নমক থাদোক্তুনা বৈরাগ্য ওইগদবনি। তৌইগুম্বশুং মী অযাম্বনা অনুক্রমদা মশাদা থুপ্তুনা লৈরবা রজোগুণ অমসুং তমোগুণগী পোকপা বাসনাশিং (সংসারগী অপাম্বাশিং) অদু মুথৎপা ঙমদে। মরম অদুনা কর্ম্মযোগনা চিত্তশুদ্ধি মথং মথং ওইহল্লকলগা অরোইবদা ত্যাগী অমা ওইদুনা-শুদ্ধসত্ত্ব সত্ত্বগুণ ডাক্তা-ফাউরক্লবা হোৎনরকপগী লম্বীবু ত্যাগী কৌই। অদুগা কর্ম্ম পুম্নমক থাদোক্তুনা আত্মজ্ঞানদা তানখিবনা সন্ন্যাস কৌই। কর্পূরদা মৈ চুবদি থুদক্তা থুনা চাকই। অদুগা শিং থাগৎপদি মতম চংই অমসুং মৈখু চেল্লি। অহুম-ওইনমক মমৈথংদদি মৈরি কনখৎলক্তুনা শিংশিং অদো চাকথেকখি।

মতৌ অদুগুম্না প্রবৃত্তিমার্গ কর্ম্মথৌকপা মখং মনাও মাইকৈ মীওইশিংগী ঋণনা শিং অদু চাকথেককুমা মাংহনবা ওমল্লাই। মীওইবনা হকচাং অসি হেক লৈরিবৃথেদি কর্ম্ম থাদোকপা ঙম্মা হৌদ্রদে। মসম অহনা চিত্তশুদ্ধি ওইদবা (থম্মোই লুহনবগী দমক্তা) মতম, তপ অমসুং দানগী মশক ওইবা কর্ম্মদি থাদোকফদে। কর্ম্মদি তৌরম্মা কর্ম্মফলদি থাদোকপনি। জীব পুম্নমকপু কান্নবা অমসুং ঈশ্বরগী কৃপা ফংনবা তৌরিবা কর্ম্মশিং অদুদি— চিত্ত শেংদোক্নবা সাধন অমনি। মতিক মপা চাদবা চিত্ত শেংদবা; মশাগী মথৌদাং ('কর্ত্তব্য Duty)' থাদোক্কুনা সন্ন্যাস অমা হেক্তনা ওইরগা অরা অনা পুম্নমক কোক্তুনা শান্তিং ফংগনি হায়বা লৈতে। থবক তৌবা তনবা, থৌওইদবা, শাস্ত্রগী মরা থাজদবা মরমগী কর্ম্ম থদোকপবু "তামসিক ত্যাগ" কৌই। অমসুং পুক্রিংদা ঋ.ই চিননিংদবা, ঋানিদবা, অমসুং সংসারগী কারণবা লানকম অসিবু কিন্নুনা সংসারগী কর্ম্ম থদোকপবু "রাজসিক ত্যাগ" কৌই। অমদি— মশাগী স্বভাব (মথৌশা Nature)-গা চুনম্নবা মথৌদাংবু তৌদনা থোকপনি হায়না থন্দুনা মশাগী নাপল পুম্নমক থাদোক্কুনা নিষ্কাম সেবা তৌরগা কর্ম্মগী ফল পুম্নমক থাদোকপবু "সাত্ত্বিক ত্যাগ" কৌই। কর্ম্মফলবু থাদোকপা ওমলবদি— সত্ত্বগুণ হেনগংলকই। আত্মজ্ঞান তানবা ঙাবা শক্তি পোকলকই। সত্ত্বগুণ হেনগৎলক্কুনা আত্মাজ্ঞান লৈরক্পা মতমদা পুক্নিংবু ইন্দ্রাই লাইবা ওম্ম তৌবা ওমলকই মপুম্নিদা অরাবা থুরোংথিবা কেনমদ্রুং থোইদোকপা ন্রাবদেগ ওইরক ওইথকনচিংবা মথক্না পুদোংলবা কনকপা থোইদোকপা হয়াওইদোগ নির্ব্বন্ধ ওইরকই আবাগী। [illegible] রকপা ওমলকই। ঃ "প্রাপ্তকাল" ওইরকপা [illegible]

ওমদলকই)। মতম অদুদা মীওই অদুবু স্থিতপ্রজ্ঞ, গুণাতীত, স্থিতমুনি অমসুং জীবন্মুক্ত কৌরকই। মখোইদি মপুমশিদা পাংথোকখিবা কর্ম্ম পুম্নমক প্রকৃতিনা তৌবনি হায়বস মুম্না খংই। মমল্লাইগী ওইবা ইচ্ছা (অপাম্ব) লৈতে। মরম অদুনা মপুক্কিংদু ইহাং হাংই। "মনে নাশ" ওইরকই। কর্ত্তৃত্ব অমসুং ভোক্তৃত্ব অভিমান (ঐনা তৌবনি অমদি ঐনা হারনি নত্রগা সুংভাইতবনি হায়বা অসি মাংখি)। মরম অদুনা কর্ম্মগী পাপ অমসুং পুণ্যগী ফলনা শোকপা ওমদে। অদুগা মশাগী ওইজবা অমা পামলিবা মনিংথুংত্রিবা নী অমনা অপাম্বা অনিবা অমগী মথা পেন্দুনা কর্ম্ম তৌরুরবদি পাপ পূণ্যগী ফল মতুং ইন্না থংনবা মপোক্কা পূণ্য চেনবা মপোক হুংভাই য়াইফবা ওইনা নত্রগা পাপ পূণ্য য়াল্লবা ময়াই ওইবা মপোক নত্রগা অরা অনা থদো থিবনা থল্লবা পাপচেনবা মপোক অহুমগী মনুংদা অমদি শোয়দনা পোক্কনি।

মরম অসিনা কর্ম্মযোগী অমনা কর্ম্মগী রহস্য (অরুপ্পা ভীরম) পুম্নমক খংজনগদবনি। কর্ম্ম পুম্নমকী হৌরকফম কারণ (cause) মঙাখক সাংখ্য অমসুং বেদান্ত চিংবা দর্শন শাস্ত্রশিংনা লেপ্পী। মদুদি ঃ— (১) অধিষ্ঠান (মফম), (২) কর্ত্তা (থৌবু), (৩) করণ (থবক পাংথোক্নবা পাট্ম), (৪) চেষ্টা (থৌরম পাংথোক্নবা ক্রিয়াশক্তি) অমসুং (৫) দৈব (ঈশ্বরগী শক্তি)। পুক্কিং অমসুং থরাইগী ভুংনফমদি— হকচাংনি। মরম অদুনা হককী মপোক্কা কর্ম্মফলনা ফলরিবা লৈপাকনা মপুং ওইবা হকচাং (পার্থিবশরীর--স্থূলশরীর) অসিবু "অধিষ্ঠান" কৌই। অহংকার, মন বুদ্ধিনচিংবা জীবাত্মাগী চেতনাশক্তি চংকম ওইবা অন্তকরণনা কর্ত্তা থৌবুনি। য়োং মতুম অমদা মৈ ইকলগা মৈথা পুম্নমক য়োক্তমদা চংশল্লকলগা মতম থরম্নং মৈগুমনা শাকা অমসুং

ঙানবা অহুগুমবা আম্বাকী চিদাভাসনা খৈরগা অফা কন্তা খবক পুম্নমক্কী অশিন অম্নাং শাবা মরমনা থৌবু কর্ত্তা হায়বনি। জ্ঞান ইন্দ্রিয় মঙা ৫ অমস্তুং কর্ম্ম ইন্দ্রিয় ৫ না অন্তঃকরণ (পুক্নিং অমস্তুং রাখলগী) মখা পোনবা মরমনা করণ (পাম্বৈ অমসুং খুৎলাই অমদি মনাই) নি। প্রাণ, অপান, সমান, উত্থান, অমস্তুং ব্যান কৌবা পঞ্চপ্রাণ মঙানা হকচাং কয়াং অমস্তুং পুক্নিংগী ক্রিয়া-শক্তি (পাঙ্গল) পুম্নমক পীবা মরমনা থৌরম পাংথোকপা (Function) চেষ্টা কৌই। অহুগা সৃষ্টিলীলা শান্নবিবা কার্য্য-ব্রহ্মগী অধিদৈবিক শক্তিনা থরাই পানবাশিংগী পুনশিন্দা চংহুনা লৈরবু "দৈব" কৌই। মহুদি— হকচাংদা (১) পৃথিমাতা অহং-কারদা (২) রুদ্রদেবতা, মনদা (৩) চন্দ্রদৈব, বুদ্ধিগা (৪) বৃহস্পতি, চিত্তদা (৫) বাসুদেব, নাকোংদা (৬) দিক, উনশাদা (৭) বায়ুদেব, (৮) মিত্রা-অর্ক-সূর্য্য (৯) লৈয়েংদা বরুণ (প্রচেতা), (১০) নাতোন্দা অশ্বিনীকুমারদ্বয়, (১১) বাক রাহৈ খোনকমদা—অগ্নিদেব, (১২) পানি খুত্তা— ইন্দ্রদেব, (১৩) পাদ খোংদা—উপেন্দ্র (বিষ্ণু), (১৪) পায়ু (অমাংথোংদা) মিত্র (যম) (১৫) উপস্থ—(অঙাং পোক্নবা-হকচাংগী যন্ত্রদা) প্রজাপতি ব্রহ্মা (১৬) প্রানদ সদ্যোজাত (১৭) অপানদা-বামদেব, (১৮) সমানদা--অঘোর, (১৯) উদ্যানদা তৎপুরুষ, (২০) ব্যানদা— ঈশান--নচিবা--দৈবিক শক্তি থুপ্পুনা লৈ। পুরাণশাস্ত্রদা ৩৩ খক শীংথারি। শম্না হায়রবদা মীওইবগী পুনশিন্দা দেবতা পুম্নমক্কী শক্তি থুপ্পুনা লৈ। দিবকী অর্থদি-তেজ জ্যোতিঃ (মঙাল) বু খংনগনি। চেত শক্তিবুসু খংনগনি। হিন্দুনা তেত্রিশ কোটি দেবতা লৈ হায়না থাজে। পুম্নক ঈশ্বরগী চৈতন্য শক্তিবু খংনগনি। জীবদা চৈতন্যশক্তি থুপ্পুনা লৈববু "দৈব" কৌই। তৌইগুম্বগুং কনা কনাগুম্বা টীকাকারশিংনা হৌথিবা

মপোকতা তৌখিবা কর্ম্মগী ফল মতুং ইন্না হৌরকপী মপোকতা ওসজনকপ মরাইবক (ভাগ্য-অদৃষ্টফল Destiny) কু পোক্নদুনা হায়রম্ম তৌরে। জীব থুনিংগী মরাইবক চপ মান্নে। প্রারব্ধফল (অহানবা মপোকপী কর্ম্মফল) সি শোয়দনা নাইবক চানবা য়াদে॥ যোগীগী হকচাংসু ওইশন্নু নত্রগা তোপগী হকচাংসু ওইশন্নু: আয়ু (পুন্সি), জাতি (মপোক) অমসুং ভোগ (সুখ-দুঃখ নত্রগা আনন্দ) হায়বা অহুম অসিদি হোংবা য়াদে প্রারব্ধগীনি। অদুনা নত্তে ওইরগা জীবন্মুক্ত ওইরবা যোগীশিংদি প্রারব্ধফল লৈরিবসু থোক্তবিদি হিংখিদনি। অদুগা দেহদগী আত্মান তোঙানবি হায়বা মুনা খংবা মরমনা দেহগী চেতনা অদু কাওথন্দবা ওয়ী। প্রকৃতিগী গুণ পুম্নমকনা (থবক থৌরম্ পুম্নমক) তৌবনি। আত্মাদি করিমত্তা তৌদে। নিষ্ক্রিয়নি— হায়বসি মুনা খংবা মরমনা স্থূলশরীর, সূক্ষ্মশরীর অমসুং কারণ শরীর-অহুম অসিদগী তোঙানবা নির্লিপ্ত ওইবা আত্মাগী স্বরূপ্তা চংশনদুনা পোথবা ওয়ই। কর্ম্মগী ফল পুম্নমক পুথবা থাদোকপা ওয়ী। অদুগা কর্ম্মগী ফল থাদোকপা ওয়মত্রবা, হকচাংদগী আত্মাবু তোঙানা থন্দোকপা ওয়ত্রবা অমসুং কর্তৃত্ব অভিমান (ঐনা তৌবনি হায়না নাপল লৈরিবা) মীওইশিংদি— কীবন অসি তাব ওয়দে। লীকলাই শিংথেংদগী হেন্না নুংবা অমসুং লংনবা বুদ্ধিনা আত্মাগী মঙাল মথেক (চিদাভাস) না লৈরকপদা আত্মাগী প্রতিবিম্ব (মমি) ওয়রকই। বুদ্ধিদগী মথং মনাও নাইনা অন্তঃকরণশিং অমসুং জ্ঞানইন্দ্রিয়শিং অমসুং কর্ম্ম ইন্দ্রিয়শিং; অমসুং পাঞ্চপ্রাণদা চিংবা লৈরিবদুনা থবক থৌরম পুম্নমক পাংথোকখিবনি : অদোংবদুগী হকচাং ইন্দ্রিয়শিং অমসুং পাঞ্চ প্রাণদা চেতনা থাওরকপি করিমত্তা তৌবা ওয়দে। প্রাকৃতিকবী হৌমককনদি ফিবমনি। সুনিংথীবা মঙাল্না

মংশেল অমদা য়ৈরগা হুমিংকা মান্নবা প্রতিবিম্ব অমা থোরকই। মতৌ অদুগুমদুনা ধ্বনি (Sound) অমা লাউরক খোংলকপদা পাঙ্গী ঈথক ঈপোম অদুনা করিগুম্বা চাং ককলাংনচিংবদা য়েরুরগা চপ মান্নবা (সাদৃশ্য ওইবা) খেন্থাং অমা প্রতিধ্বনি (Echo) অমা থোরকই। মতৌ অসুম্না আত্মাগী চিদাভাসনা প্রকৃতিগী তত্ত্বশিংদা য়ৈরগা হকচাংগী চেতনা ফাউরকই। অমসুং মরম্নাইগী ওইবা রাখল অহংকার পোকলকই। জীবাত্মানা অহংকারগা পুন্না লৈমিন্নরগা ঐ অমসুং ঐগী হায়বা কল্লবা মায়াগী থৌরিনা পুনশনখি। জীবাত্মানা হকচাংগা মশা তমন্না ওইরবোই নিংঙ। মসিবু "দেহাত্মবোধ" কৌই। অজ্ঞানদগী পোকপনি। জীবন্মুক্ত শিংদি অজ্ঞান অসি জ্ঞানগী মতেংনা মাংহনবা ঙম্ম। মরমনা আত্মা স্বরূপতা ইরাই লাইনা হনজনবা ঙম্মী। বিবেক বিচারনা দেহদগী আত্মাবু খাইদোক্নুনা "স্বতন্ত্র" ওইনা লৈবা ঙম্মী। মরম অসিনা অনাসক্তি (আসক্তি) থাদোকপা ঙমই। রাখল থেনবা, (দুর্ম্মতি ওইবা) বুদ্ধিগী সংস্কার রাৎপা গুরু অমসুং শাস্ত্রদা শ্রদ্ধা লৈতবা আত্মজ্ঞান ফংনবগীদমক সাধনা তৌদবা মীনা আত্মাগী স্বরূপতা হনজনবা ঙমদে। শুদ্ধ; বুদ্ধ; নিত্য; মুক্ত (শেংবা, খংবা, অরেপ্পা, হোংদবা, রাইশংবা) সচ্চিদানন্দ স্বরূপতা জীবাত্মানা পোথাদুনা লৈখ্রবা মতমদা "নৈষ্কর্ম্মসিদ্ধি" ওইবা ঙমই। যোগী অমগা ভোগী অমগা খেনবদি রাখলদনি। রাখলগী তুংনফমদি অন্তকরণনি। যোগীশিংগীদি পুক্নিং (মন) লৈতে। মরম অদুনা কর্ম্মগী ফলসু লৈতে। কর্ম্মগী অশেংবা যুম্ফমদি পুক্নিংনি. জীবাত্মাবু পুক্নিংদগী খাইদোক্নুনা আত্মাদা চংসিনবা ঙমলগা আত্মা স্মৃতি ওইরকই। ঙমদ্রবনা "আত্মা বিস্মৃতি" ওইরকই। বুদ্ধিদা মোহ পোকলকই। পুক্নিং (মনদি) আত্মাগী মতালসু

সংসারগী বিষয়শিংগী মমিস্থ চপ মান্নবা তামিন্নৈ। পুক্নিংগী ঈচেল অমনি। মহুদি—স্বজাতীয় বৃত্তি প্রবাহ অমসুং বিজাতীয় বৃত্তি প্রবাহ। আত্মারোমদা চেনশনখিহুনা পুক্নিং মশাঙগী হৌরককম কারণদা তিনশনখিববু 'স্বজাতীয়-বৃত্তি প্রবাহ" কৌই। অহুগ' ইন্দ্রিশিংগী মতেং লৌদুনা মপাল তাহ্নবগী বিষয়শিংদা আসক্তি ওইরুবগা "বিজাতীয-বৃত্তি প্রবাহ" কৌই। মরম অসিনা কর্ম্মযোগী-শিংনা য়াম্না হৈশিংনা আসক্তি থাদোক্লুনা চিত্তশুদ্ধি ওইনবা কর্ম্ম তৌরগা যোগদা লৈহুনা কর্ম্ম তৌই। মহুবু "বুদ্ধি-যুক্ত-কর্ম্ম কৌশল" কৌই। "হাতমে কাম মনমে রাম" (খুত্না থবক থ মায়দা ঈশ্বর কাউদবা)। আত্মাগী স্বরূপ খুনিংশিংহুনা কর্ম্মগী ফল পুম্নমক থাদোক্লুনা নিস্কামী অমা ওইনা মপুংসি লেম্লগা "সর্ব্বভূতহিতেরত:' ওইহুনা (জীব পুম্নমকী মঙ্গল ওইনবগীদমক্তা) সাধনাগী মশক ওইবা কর্ম্মশিং অদো সন্ন্যাসী অমদি ত্যাগী কৌই। অহু জ্ঞান ফ বদা মতিক চারবা (অধিকারী) অমা ওইরকই।

কর্ম্ম পুম্নমক্কী থোইনশিন অহুমথক লৈ। মহুবু কর্ম্মচোদনা (impulse to action) কৌই। মহুদি — জ্ঞান, জ্ঞেয় অমসুং জ্ঞাতা। মসিবু ত্রিপুটিজ্ঞ নস্ত কৌই। খ বা, খংনবা অমসুং খংলিবা অহুমক জ্ঞানদগী ওইবনি। মায়াগী মপু ওইবা মায়াধীশ আত্মা অহুগক জ্ঞান স্বরূপনি। অহুমওইনমক মায়া প্রকৃতিগী গুণ অহুমনা আত্মাদগী ভাল্লকপা জ্ঞানজ্যোতিবু মশক ওত্থোকহল্লি। প্রকৃতিনা বিকৃতি ওইবকই। অসিগুম্বা শব্দশিং অসিবু দর্শন শাস্ত্রগী পরিভাষা কৌই। অবাইবা মৈতৈলোন্দা মপাচাবা রাহৈটি হৈবা হৈগদবা অমসুং হৈরিবা হায়না হন্দোকপা য়াই। হৈনিং লিবা অহুনা জ্ঞান, হৈনিংলিবা হীরম (বিষয়) অহুনা জ্ঞেয় অমসুং হৈবদগী কান্নবা খংলিবা অহুনা পরিজ্ঞাতা কৌই

খুদম ওইনা ফী শেৎ-চাওগী কান্নবা খংবা মী অদুবু পরিজ্ঞাতা; অদুগা ফীবু জ্ঞেয় অদুগা কান্নবগী ৱাখল অদুবুনা জ্ঞান কৌই। ফী শাবনা কর্ত্তা, য়োংখমনচিংবা খুজু খুৎলাই অমসুং লংনচিংবা করণ অমসুং ফীশাব কৌবা থবক অদুনা কর্ম্ম কৌই। য়াম্না শমনা হায়রবদা কর্ম্মচোদনা পুক্রি দ ইনশকপা শক্তিনি। ইচ্ছাশক্তি কৌই। অদুগা মপানগী কর্ম্ম ইন্দ্রিয় অমসু, জ্ঞান ইন্দ্রিয়শিংদা চংশলক্লুনা থবক ওইনা পাংথো ক্লবা শক্তিনা 'কর্ম্মসংগ্রহ" ক্রিয়া-শক্তি কোই। অদুগা বুদ্ধি লৌশিং ওইনা হৈ পিংবগী (অভিজ্ঞতা Experience) অদুনা জ্ঞানশক্তি কৌই। প্রকৃতিগী মশক অদুম ইচ্ছাশক্তি, ক্রিয়াশক্তি, অমসুং জ্ঞানশক্তি অদুম পুন্নগা তৌরকপা থবক থৌরম পুম্নক জীবাত্মানা ভোগ তৌই। ইচ্ছাশক্তি তৌগে হায়না কন্না থনবা পুক্নিংগী শক্তি ইচ্ছাশক্তি (will force) অসি লেপলবা মতমদা ক্রিয়াশক্তি (পুনশিদা থুপতুনা লৈরিবা থবক তৌবা ঙমনবা শক্তিনা) গতিশীল ওইরকই। ইচ্ছাশক্তিগী তুংফমনা পুক্নিংদনি। জ্ঞানশক্তিগী তুংফমনা বুদ্ধিদনি। অদুগা ক্রিয়াশক্তিগী তুংনফমনা প্রাণশক্তিদনি। মী অদুবু পরীক্ষা তৌদুনা য়েংবদা বিষয় (Subject) মরিদা বিচার তৌফমনি। মদুদি— জ্ঞান; শীল (লমচৎ শাজৎ পুকচেল থোইজেল), গুণ অমসুং মহাক্না তৌথোকরকপা কর্ম্মশিং। মরম অসনা কর্ম্ম পুম্নমকপু পাংথোকহল্লিবা (কর্ম্মসংগ্রহ) কর্ত্তা, কর্ম্ম অমসুং করণ গুণ অদুমগী মতুংইন্না মখল অদুম থোক্না থাইদোকই।

মপান থোংগী মিৎয়েংদা পুক্নিং হকচাং তোঙান তোঙানজরবসু অাত্মাদি অমত্তনি; অনিগুদে অমসুং থাইদোকতুনা মচেৎ মচেৎ মতুপ মতুপ থাইদোকপা য়াদে হায়না খংলিবা অদুবু "সাত্ত্বিক-জ্ঞান" কৌই। জ্ঞানীশিংগী মিৎয়েংদি আত্মাদা খল্লি। "আত্মাবৎ

সর্ব্বভূতেষু" অতোপ্পগী আত্মাগা মশাগী আত্মাগা অমত্তুনি হায়না থংবা ওমই। অতুগা পুক্লিং হকচাং জীব অগগা জীব অমগা মায়দবগুম জীব খুদিংদা তোঙান তোঙানবা আত্মা অমমম নৈ হায়না খল্লিবা অমসুং থংলিবা জ্ঞান অতুবু "রাজসিক জ্ঞান" কৌই। অতুগা মফম অমসুং মতম পুম্নমক্তা শিনথুংনা লৈবা আত্মাবু হকচাং অমদা নত্রগা মূর্ত্তি অমদা পুম্নপ থুপচন্দুনা লৈ হায়না খল্লিবা জ্ঞান অতুবু 'তামসিক জ্ঞান" কৌই;

মতৌ অসুমনা কর্ম্মসু অহুম থোকই। মতুদি ঃ— নিস্কাম ওইনা মশাগী নাপল য়াওদনা সমাজগী মঙ্গল ওইনবা ঈশ্বরদা ফল পুম্নমক কখেৎকতুনা তৌরকলিবা কর্ম্মশিং অতুবু সত্ত্বিক কর্ম্ম কৌই। অতুগা তৌবিবা কর্ম্ম অতুদগী মশাগী আশা যাম্না চাওনা নাপল য়াওনা মপঙ্গল অমসুং মপুক্লিং ৱানা, হু শা থিনগা লোইননা তৌরকলিবা কর্ম্মশিং অদো "রাজসিক কর্ম্ম" কৌই। তুংদা করি থোকলগদগে হায়বা কবিমত্তা খল্দনা, (পরিণাম য়েংদনা) মশাগী মতিক মপা চ়বা (অধিকারীসু) বিচাব তৌদনা তৌনিংলকপা রাখল অমদগী তৌথোরকপা থবকশিং অতুবু "তামসিক কর্ম্ম" কৌই। মতৌ অসুমনা কর্ত্তা (থৌবুসু) অহুম থোকনা থাইরি। মতুদি— মশাগী নাপল লৈজদবা, থবগী মনাসু থাজদবা মপুক্লিং তপথবা অমসুং মরিলসু ফবা; থবকী মহৈ যানবা অমসুং য়ান্দবদা হাম্নদগী ফীবম গোদবা থৌবুবু 'সাত্ত্বিক কর্ত্তা" কৌই। অচাওবোল য়াম্না পাম্বা, তৌরু তৌরুবা থবক থৌরম খুদি মক্তা মশাগী ওইজবা অমসুং কাম্নবা য়াম্না থিবা, মিহৌচাওবা তোংজরগা হরাওবনা লুতোল কাবা অমসুং অমাংবা খুদোংথিবা থেংনরগা মথরাই ৱাগনবা থৌবু অতুবু "রাজসিক কর্ত্তা" কৌই। থৌইগন্দবা, চোংকশনবা ৱাৎপা, চাওথোক্লনবা, মিনম শোরিগনবা, মীৎতৌন্দা

ইকাইবা পীগনবা, তনবা, থবক অমা তৌবদা মতম য়াম্না চংহনবা, রাখল থেনবা থৌবু অদুবু "তামসিক কর্ত্তা" কৌই।

শাস্ত্র অমসুং গুরুশিংগী পাউতাকশিংদা শ্রদ্ধাভক্তি লৈনা বিধি-নিষেধ (তৌহৈবা অমসুং তৌহৈদবা) হীরম খংবা ওম্বা প্রবৃত্তি অমসুং নিবৃত্তি মার্গগী লম্বী খংবা, পাপ পুণ্য খাইদোকপা ওম্বা বুদ্ধি লৌশিং অদুবু "সাত্ত্বিক বুদ্ধি" কৌই : ধর্ম্ম, অধর্ম্ম, পাপ পুণ্য রাকম মুন্না লেপ্না ওমদবা থবক থৌরম খুদিংমক্কী সিদ্ধান্ত (অরেপ্পা রাকম) থম্বা ওমদবা, চিংনগনবা লৌশিং অদুবু "রাজসিক বুদ্ধি" কৌই। অদুগা বুদ্ধি লৌশিং তাইওনগনবা শেরান ভুরান থনগনবা, অজ্ঞানননা থানা কুপশিনবা লৌশিং অদুবু "তামসিক বুদ্ধি" কৌই।

পুক্কিং ইন্দ্রিয়শিং ফাজনবদা মথৌনা লৈবা লীংজেল অদুবু "সাত্ত্বিক ধৃতি" কৌই। সাত্ত্বিক ধৃতি অসিদগী ভক্তি অমসুং জ্ঞান পোকলকই : অদুগা মশাগী অচাওয়োল তানখৎপদা, মমিং চংনবা হোৎনবদা, মহৈ ফংগদবা ধর্ম্ম কর্ম্মদা, ললথুম তানবদা অরা অনা খুদোংথিবা কিদনা মাইওক্লবা ওমলিবা খোইজেল লীজেল অদুবুনা "রাজসিক ধৃতি" কৌই। অদুগা মীমুংশি খংদবা, খোইজেল লীংজেল থাবা, কিংগনবা, মুংশাথিগনবা, রাগনবা, মরিল পান্দবা, তমোগুণনা হেনবা লীংজেল অদুবু "তামসিক ধৃতি" কৌই।

মতৌ অমম্না মুংঙাইবসু মথল গুই। অহানবা তানখৎপদা হু গুম্না য়াম্না রাগদনা মমৈদদি অমৃতগুম্না থমোয়গী অপেনবা পোকদবা মমুংঙাই অদুবু "সাত্ত্বিক সুখঃ" কৌই। পুক্কিং ইন্দ্রিয়শিং সংযম তৌবদা সাধক অমনা য়াম্না রানা থোকই। মমৈদা সিদ্ধ ওইরকলগা আত্মাদগী ওাল্লকপা আনন্দগী মশেকনা অমাং অতা লৈত্রবা অপেনবা অমা পোকহল্লি। মদুবু "আত্মপ্রসাদ" কৌই।

অদুগা বিষয়গা ইন্দ্রিয়শিংগা মরি লৈনবদগী সংসারগী ভোগ তৌবদা অমৃতগুম্না থোকলগা মমৈথ দা হুগুম্না অরাবা থুদোংথিবা থোকলকই। সংসারগী ভোগ নুংঙাইবশিং অসিবু "ক্ষণভঙ্গুর" মিকুপ্তা লোইশিনখিগদবা নুংঙাইবা কৌই। মসিবু "রাজসিক সুখ" কৌই। মমৈদা হুগুম্না থোকলকই। অহানবদসু অরোইবদসু বুদ্ধি লৌশি বু ইপং পংথহনবা, তুমনিংবা, অতনবা, ৱ'রেম্ থৌবেম পোকহনবা মসু ঙাই অদুবু 'তামসিক সুখঃ "কৌই।

মীওইবা সমাজগী মসু'দা বর্ণ মরিথক থোক্লা থাইরমলিবসিসু সত্বঃ রজঃ অমসুং তমঃ কৌবা গুণ অহুমদগী ওইথিবনি। শাগৈ-দগী ঙাক্তা ওইথিবা নত্তে। সত্ব গুণনা য়াম্না হেনবা রজো অমসুং তমো গুণ্ৗ শকক য'ম্না হন্নবা স্বভাবনা তিনবা 'মীওইনা আত্মাগী বিচাবদা মমাই ওন'শিনবা ঙ'ৗ। পুক্নিং ইন্দ্রিয় য়াম্না লাইনা ফজনবা ঙৗ। তপস্যা তৌবা ঙম্মী। থাংহৈবা, পুকচেলতিংবা, জ্ঞান অমসু বিজ্ঞান তানবদা মতিক চাবা, শাস্ত্র অমসুং ঈশ্বরবু থাজব অমসুং মশামকনা সাধন তোবগা ফ'লকপা অনুভব সিদ্ধ জ্ঞান অদু শন্দোকতুনা অতোপ্পদসু শান্তিঃ ফংনবা হোৎনরিবা ওই অদুবু ব্রাহ্মণ কৌই। অদুগা সত্বগুণ অমসুং রাজো গুণ অনিম া চাং চপ মান্নবা তমোগুণ দ যাম্না হন্নবা মীওইশিং অদুদি মপুকচেল চাওই। মরীল লৈ। থৌনা ফৈ। সত্যগীদমক্তা মথৱাই থাদোকপা ঙমই। হৈশিংই। মীকোক থোংবা পামই। অশোল অনাবু লুনা তৌই। লৈবাক্কী শাসন (রাজনীতি ক্ষেত্রদা) মাম ওনশল্লি। মথোয়শিং অদুবু ক্ষত্রিয় কৌই। অদুগা রাজোগুণ অমসুং তমোগুণ অনি চপ মান্নবা সত্বগুণনা হন্নবা কাংবুনা নুংঙাই য়াইফবা ললথুম রাক্তবা চাবা লৈৎপা মুন্নাল কৈবাল কহনবা পাম্মী। মরম অদুনা লৌশিংউবা, ললোন ইতিক' অমসুং

খুংশা হৈংবগী থবক্তা মাই ওনশিল্লি! দাল্ল তৌরনা মখোয়গী অথোইবা ধর্ম্মনি। মপাঙ্গল অমসুং মথৌনানা মীওইবগী সেবা তৌবা কাংবু অদুদি "শূদ্র" কৌই। মপোক কম্মারকী সংস্কারশিংনা থংনবা মপোক্তা চেলম্বা গুণগী মতুং ইন্না মীওইবগী থমোয়দা মশা মশানা পামজবা অনসুং ফীবম (স্বভাব)না নমদুনা তৌহনবা মথৌদাং অমমম লৈ। মতুনা সমাজবু য়োকপদা অথোইবা মথৌশাং ওইবিবা বৃত্তি (Du'y) অদুবু 'স্বধর্ম্ম' কৌই। মশাদা ঈথোকনবকপা অমসুং তনলকপ, মথৌদাং অদুনা হন্দক্কী মপোক্তা মশাগী অথোইবা কর্ম্ম ওইগদবনি। ঈশ্বরার্পণবুদ্ধিদা স্বধর্ম্ম ঙাক্ক-দবনি। অতোপ্পগী স্বধর্ম্মদা খুং থি জপ্রে ইদবনি। অমসু, থক কল্লকল্লাইদবনি। ঈশ্বরগী সৃষ্টি লমদা মতেং পাবা মী অমা ওইবগা ইশাগী নাপগ পুন্নাক থাদোকতুনা নিস্কাম ওইনা কর্ম্ম তৌবা ঙমলগা চিত্তশুদ্ধি ওইবকতুনা আত্মজ্ঞান তানবা ঙমলকই। আত্মজ্ঞান তানবা ঙননবা ইশানা ইশাবু সংযম তৌনবগী অথোইবা পাথৈ অমদি ত্যাগী অমা ওইবনি। কর্ম্মগী ফল থাদোকতুনা স্বধর্ম্ম ঙাকপা মী অমনা রাগদ্বেষ (মশাগী অপাম্বা অমসুং পামদবা) অনিক থাদোক্কদবনি। অচিকপা মফমদা ধ্যান ধারন-শিংবা সাধন তেগনি। পবিনিত্তহাবী - অফবা অশেংবা সাত্ত্বিক আহার চিংনবগীদমক্তা চাগনি। বাহৈ পুক্নিং অমসু হকচাংবু সংযম তৌগনি। ইশাগী পাঙ্গল থেংনা নাপল পুম্নমক থাদোক্তুনা চিত্তপু লাকশিন্দুনা যোগ অভ্যাস তৌরগা আত্মজ্ঞান ফাউরকই। সমদর্শী ওইরকই। জীব পুম্নমকপু হুংশিরকই মতম অদুদা "পরা-ভক্তি" ফাউরকই। ভক্তিদগী ভগবানগী তত্ত্বজ্ঞান থংলকই; মরম অসিনা অতানবদা চিত্ত শেংনবা নিস্কাম কর্ম্ম তৌগনি। মথংদা একাগ্রতা (প্রকৃতি, অমত্তা ওইনবা) ভক্তি য়োগ তৌগনি।

অহুমগুবদা জ্ঞান যোগ তৌগনি। যোগ অহুমক অসিনা মথং-শিংনা আত্মাগী স্বরূপপু থুমহৎলিবা তমোগুণদগী পোকপা কাম কৌবা স্থূল শরীরদা লৈবা মল আবরণবু জয় তৌগনি। থংনবদা রজোগুণদগী পোকপা বিক্ষেপ (পুক্লিং লৈতাদবা) আবরণবু জয় তৌগনি। রজোগুণদি সুক্ষশরীরদা তুংতুনা লৈ। অমসুং অরোইবদা সত্বঃ গুণদগী পোকপা অজ্ঞান কৌবা আবরণবু জ্ঞান যোগনা কোকহনগনি। অজ্ঞানগী তুংনক্ষমনা কারণ শরীরদনি। হকচাং অহুমবু ত্রিপুরসু কৌই। ত্রিশূল পাযবা যোগেশ্বর মহাদেবনা ত্রিপুর কৌবা দেব সভাবু অরাবা পীবা রাক্ষস (হিংচাববু) মাংহল্লি। অদুগুম্না হকচাং অহুম অসিদা দৈবিক শক্তি থুপ্তুনা লৈববু কাম, কর্ম্ম ফল অমসুং অজ্ঞানবা মাংহন্দুনা চৈথাইতনা থমই। কর্ম্ম-যোগ, ভক্তিযোগ অমসু জ্ঞানযোগনা ত্রিশূল ওইদুনা মাযাগী গুণ অহুমগী মশক ওইবা ত্রিপুব হিংচাববু মাংহনগদবনি। বেদ শাস্ত্রবা হোমা কৌবা উচেক অমবু শীথনবি। উচেক অসিনা আকাশতা পৃথিবীদগী ক্রোশ লিশিং লিশিং রাংখৎনা পাইবা গুম্মী। অসিনা নোংদোল থক্তগী মরুম কোকলকপদা মথাদা তারকই। পৃথি লৈমায যৌত্রিডৈদা মকমদগী মচা ওল্লি। উচেক মচা অসিনা মালেম লৈমবু উবগা লৈথা তাহন্দনা মথকলোমদা তামুক হন্না মপী মপানা লৈবা মফম খিদুনা পাইখৎখি। উচেক অসিগী মশা অনিদো কর্ম্মযোগ অমসু জ্ঞানযোগনি। অদুগা মমিৎ অমসুং মমৈনা উচেকী মপুং ওইবা মশানা ভক্তিযোগনি। মতৌ অসুমনা হিমালয় চীংজাওদগী হোরকপী গঙ্গা, যমুনা অমসুং সরস্বতী কৌবা শেংলবা তুরেলনা ত্রিবেণী ওইদুনা প্রয়াগতা তিনবগুম গীতা কৌবা অধ্যাত্মিক শাস্ত্রগী তীর্থদা কর্ম্ম জ্ঞান অমসুং ভক্তি অহুমক সমন্বয় তৌই। অমগা অমগা য়েৎনহনদে।


মশা অমত্তা ওইহল্লি। গীতা মাতাগী কোক্তি জ্ঞাননি। হৃদিনা ভক্তিনি। অমসুং কর্ম্মনা খুৎনি। মরম অসিনা গীতা শাস্ত্রদা শিক্ষা দীক্ষা তৌরবা মী অমনা হৃদি-পদ্মদা লেপনা লৈবা অন্তরাত্মা হৃষিকেশ কৌবা গুরুদা চংজরগা জীব খুদিংমক্কী হৃদ্দদসু ঈশ্বর লৈ হায়না থন্দুনা বিশ্বপ্রেম লৈগনি। সমদর্শী ওইগনি। মহৃগী মতুং ইন্না জীব পুম্নমক্কী মঙ্গল ওইনবা কর্ম্ম তৌগনি। মসিবু গীতাগী লোন্দা "সর্ব্বভূতহিতেরতাঃ" কৌই। ভগবানগী স্বরূপ শক্তিদি—সৎ + চিৎ + আনন্দনি। ঐখোই খুদিংমক্কী হৃদিদা লৈবনি। বুদ্ধিগী সারথী মহাকনি। জ্ঞানগী মশকনি। ঈশ্বরগী ইচ্ছাগা ইশাগী ইচ্ছাগা অমত্তা ওইববু মতোন্দা চংজবা কৌই। পুক্নিং ঈশ্বরদা হাপ্না মতোন্দা চংজবা মহাক্কী পেন্নবগীদমক্তা কর্ম্ম তৌরম্বা অমসুং ঐ অমসুং ঐগী হায়বা রাখল থাদোক্তুনা পুম্নমক মহাক্কীনি হায়না খনবা অসিনা গীতাগী মশক ওইরবা শ্রীকৃষ্ণগী মুখারবিন্দদগী চেথ্নরকলবা বাণীনি। নমঃ হায়বা সংস্কৃতকী রাহৈ অসি স্বামী শিবানন্দ মহারাজনা অস্নমনা হন্দোকপীরম্মী। মহৃদি—ন = নত্তে, মম = ঐগী। মন্মনাভব — পুক্নিং রাখল ঐগোন্দা হাপ্পু। জ্ঞান যোগপু খংনগনি। ঐবু থম্মু হায়বনি। মদভক্তো ঐগী ভক্ত ওইযু। ভক্তি যোগপুনি। মদযাজী ঐগীদমক্তা কর্ম্ম তৌ। কর্ম্মযোগ-পুনি। মাং-নমস্কুরু — ঐগোন্দা নমস্কার তৌ। অভিমান অহংকার অমসুং মমকার থাদোরক্তুনা চংজরকউ হায়বনি। গীতা শাস্ত্রগী মহাবাক্য অমসুং শক্তিদি "মামেকং শরণং ব্রজ" হায়বা আদেশ- (য়াথং) অসিনি। বেদ ব্যাসনা মহাবাক্য অসিবু শ্লোক ৭০০ চাতরেৎনা লেংলগা যোগ ১৮ গী মথিং খোন্দুনা আত্মসমর্পণ তৌনবা মন্ত্র অসি তম্বীরম্বনি। চংজবা তারবদি ঐ অমসুং ঐগী হায়বা রাখল সংসারদা থম্বা য়াদে। অহংকার

চৈরদন্নু য়াদে। অমত্তা ওইরবা অনিত্তুবা পরমেশ্বরদা শরণাগতি চৌৱরবা তারবদি ভাগীরথী গঙ্গানা থেক্কা কোইনা চেল্লুরগা সাগর তম্না চেনশনবিবগুম পুনশিগী ঈচেলশু পরমেশ্বরগী পাদপঙ্ক (মখোং থঙ্বাল) তমনা চেনশনগদবনি। সাগরদা তিনগ্রবা গঙ্গাগী ঈচেলবু গঙ্গা অমুক কৌরা য়াদবগুমনা জীবদা সৈরম্বা উপাধি পুম্নমক মাংখিগনি। মপোক কয়ারগী কুসংস্কার পাপ পুম্নমক্ মাংগ্রগনি। গীতাগী কৃষ্ণদি সর্ব্বেশ্বরনি। যোগেশ্বর কৌই। ইবুংঙো মহাক্কী থামদি পরম থামনি। মায়াগী রাংমদনি। যোগ অহুমদগী সিদ্ধ ওইরবা অনুভবসিদ্ধ জ্ঞান মহুবু যোগেশ্বর কৌই। পুনশিগী ক্রিয়াশক্তি ওইরিবা জীবাত্মানা লীরাং পাইবা অর্জ্জুননি। জীবনা মায়াশক্তিবু থাদোক্কনা যোগেশ্বর কৃষ্ণদা চংজরকপা মতমদা পুক্নিং অমসুং বুদ্ধিগী দোষ মোহ কোকখিগনি। আত্ম স্মৃতি কাউরকনি। পুক্নিংগী সন্দেহ (চিংনরম্বা) পুম্নমক মাংখিগনি। সৎ + চিৎ + আনন্দ আত্মাগী স্বরূপনি। সৎ অংশদগী সদবিচার অমসুং সদাচার, চিৎ অংশদগী সদজ্ঞান অমসুং আনন্দ অংশদগী প্রেমানন্দ কংগনি। মী অমগী পুনশিদা জ্ঞানশক্তি অমসুং যোগ শক্তি অনিমক পুল্লবদি শ্রী চাওখৎপা য়াইকবা বিজয় মইপাকপা, ভূতি মুংথাইবা ধ্রুবনীতি (অচেৎপা নীতি) ফংলকনি।

অসিগুম্বা জ্ঞান অমসুং যোগগী অকুপ্পা রাকম অনি তপস্যা তৌদুনা পাপ মাংহন্দ্রবা, স্বধর্ম্ম ভাক্তুবা, ভক্ত নত্রবদি অমসুং মশা হৈনিংবা খংনিংবা পোক্তুবদি তাকপী তম্বীরুগনু অরেম্বম্বা মাংদুনা তোকনি: অদুগা খংনিং হৈনিংবা ঈশ্বরগী ভক্তশিংদা তাকপী তম্বীদুনা শন্দোকলরদি জ্ঞান যজ্ঞনা শ্রীকৃষ্ণবু পেলহনবনি হায়রসি ইবুংঙো মহাক্কী আদেশ (য়াথং)নি। মরম অসিনা যোগেশ্বর কৃষ্ণগী চরন্দা সমর্পণ তৌজরি।

ইতি শ্রীমদ্ভগবদগীতাগী মশক ওইবী ব্রহ্ম বিদ্যা যোগশাস্ত্র
উপনিষদকী রাকমদা শ্রীকৃষ্ণনা অর্জুনদা তাকপীবা
মোক্ষ যোগ হায়না কৌবা ১৮ শুবা অধ্যায়
মপুং ফারে।

শ্রীকৃষ্ণঃ শরণং মম



[illegible]

২। [illegible]

৩। [illegible] পুৱারমবা, [illegible]
[illegible]
মুল্য ১.২৫

৪। অর্জুন অনুরী — মিতৌজাং, দেব [illegible] [illegible]
অর্জুনা, পুরাগী নিং তর্পন শান্তি মরুনচিংগা [illegible]
লোলগী অর্থ। লেকনা। মমল টৈপা ০.৭৫

৫। লিকটিরাক = মহোৎসবা মণিপুরদা কথা [illegible]
অমসুং মুখেইগী কাবা তাকপা অমসুং ইমাই [illegible]
[illegible] অমাবা কোকনা পাইবেনিং। মমল মুল্য [illegible]

৬। লিখিতা অমা পাঁচ = কাওনবা, চিংনাপুগী [illegible]
খোজী অকনা শাবা অমসুং হীনাফমচিংবা [illegible]।
মমল মুল্য ১.০০

৭। রাইকা মুবাংচেন = মুখোইকনী ছুনা [illegible]
কাশ্নাম। মমল মুল্য ২
[illegible], খুঙ্গী লাইরেক অমসুং [illegible]
[illegible]
[illegible] (১) ৩ [illegible] [illegible]
(২) [illegible]
[illegible]